CC0. In Public Domain. Digitization by eGangotri

৬.১

গোস্বামী জয়দেবগী

শ্রী শ্রী গীতগোবিন্দম্

মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা,
৺ শ্রী নোংমাইথেম হেরা সিংহ
নম্বোল

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

O. Binodini Devi

জয়দেব গোস্বামীগী

শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দম্

মৈতৈলোন্দ হন্দোক্‌চব
পণ্ডিত ৺শ্রীনোংমাইথেম হেরাসিংহ
নম্বোল, মোংজিং লৈকাই।

১ম্ সংস্করণ
১৯৬৭ ইং

ফোঙ্‌দোক্‌চব,
সৎসঙ্গ প্রকাশক মণ্ডল,
নম্বোল।

মমল রুপা ৫.০০

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

"কচ্চব"

Uripok Naoremkhong Bazar Imphal.

৺রাধামাধবগী চরণারবিন্দ
তাঞ্জগ্রবা ওঝাগী খূৎ-থম্বাল্হুদ
কচ্চরি পীবিরম্ব-থৌদাংপাঙ্ বোইন
পাগ্জরম্ব "গীতগোবিন্দ" থম্মোইন ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অফোঙ্‌বগী ৱা অমনিদং

"শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দম্" চুম্নগী আলঙ্কারিক কাব্য নত্তে। ছন্দবদ্ধ ওইব রসাত্মক মহাকাব্যনি। শ্রুতিসারগী মওঙ্‌নি। মাগী শক্তম্ লেপ্‌কে হোৎনরুবদি—থুন্ মতূন্ য়াল্লব লংন সমুদ্রগী ঈরেপ্‌ তন্‌গে থোরাংলুবগুম্ব-নি। মাগীদি মৃশ্রন মশাগী শক্তম উচ্চবনি। তাক্লি মহ্ কবিন অস্থুম্,—

"যদি হরিস্মরণে সরসং মনো
যদি বিলাস কলাসু কুতূহলম্।
মধুর-কোমল-কান্ত পদাবলীং
শৃণু তদা জয়দেব সরস্বতীম্॥"

মপাম্বোংগী ফজবতবু লুন নীংব মীওইবগী কান্নবগীদমক্ত ভক্তকবি শ্রীজয়দেব গোস্বামীন শকপিরম্বনি অসীগুম্ব অপ্রাকৃত ওইব মধুররসগী গীত অসী। গীত অসীন মীপুম্ খূদীংবু শ্রীহরিগী প্রেমভক্তিরসামৃতগী সমুদ্রদ ঈরোইহল্লি। ভগবৎ প্রেমগী মহাসমুদ্রদ লুপ্‌চরিব ভক্তগী খ্বাইদগী ৱাংলবা ৱাখল্ অহুমক্ ফোঙ্‌দোক্লি—"দেহিপদপল্লবমুদারম্" হাঙ্গীব চরণ অসীন। মসীমক্লি ভগবান্ন খৱাইদগী হেন্ন পাল্লিবসু।

চুদগী চুহী-চিনি অঙাংব-অঙোবা মথং মথং শুংদোক্‌পগুম্ন গোস্বামীন শ্রীমদ্ভাবতকী মচিওইব রাসলীলা, অসীদগীসু মচিওইব শক্লকমথৈ লৌখৎ-পিরম্লব "গীতগোবিন্দ" কৌব গ্রন্থ অসীবু মৈতৈলোন্দ টিকাগ লোঈনন অনুবাদ তৌহনা থদ্বিরম্মী,—নম্বোল মাঙ্গৈকৈগী সংস্কৃত প্রেমীশিংগী লম-জিংবিরম্বা—সৎসঙ্গ সংস্কৃত শিক্ষালয়, নম্বোলগী প্রধান অধ্যাপক ওইবিরম্ব, ৺শ্রীনোংমাইথেম হেরাসিংহ পণ্ডিতন। স্বর্গীয় ওজা ইবুংঙোন পুন্সীগী নুমিদাংৱাইরমদ থাবিরম্ব লৈরাংচার অসীন জাতিগী সাহিত্য লৈকোনগী মনুংদ লৈশাৎ তম্‌জব, পাম্‌জব কনান লৈরাংজহনা শ্রীহরিগী চরন্দ কচ্চব, নির্মাল্য ফংজব অহুতবু পাম্‌জবদগী তোল্লব ঐখোঙ্গীন 'সৎসঙ্গ প্রকাশক মণ্ডল'গী ওইন লৈখোঙ্‌ শোম্‌জবতনি। মণিপুর সরকারগী শিক্ষা বিভাগন শেলগী মতেংনচিংব পীবিহুন উৎসাহ পীবিখিবগীদমক্ লম্মন্ তোল্লে খঞ্জরি।

সৎসঙ্গ ভবন,
নম্বোল,
তাং ১। ৪। ৬৭ ইং

তোল্লবা,
—ভগীরথসিংহ
—রাজকুমার সনাতোম্বসিংহ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Thingbaijam Chourjit Singh

(ব্রাফোংবা)

১। শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দ হায়বা ঈশৈ অসি শ্রীজয়দেব গোস্বামীনা লেংবা জগত্তা অফাওবা ঈশৈ অমনি। মাসি প্রয়োজন, অভিধেয়, অধিকারী অহুম্না পুল্লবনি। শ্রীরাধাগোবিন্দ অনিগী মফমদা অচেৎপা ভক্তি লৈরবা, পুকচেল চাউরবা ভক্ত শিংতনা মাসি পাগদবনি অমসুং শক্কদবনি। ঈশৈ অসিগী তাল, লয়, স্বরগা লোয়ননা শকপা তাররদি মীপুম্নমক্কী পুক্নীং শুম্মৎলি অমসুং মাহুদগী হেন্দোক্তুনা নীলাচলগী শ্রীজগন্নাথদেবমকপুসু, শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যপ্রভুমকপুসু শুম্মৎপা পোকহনগ্রবনি। মাদুগী মরীদা বাহৈ থরদং ইর্জারি। মাহুদি :— নোংমা নুমিৎ অমদা জগন্নাথগী সেবা চৎলিবা মনাইশিংনা অভিষেক তৌগে হায়দুনা চংখিবদা ইবুংঙোগী শ্রীঅঙ্গদা থোল্লিবা খাংচেৎ নমখাং অহু মপুৎ মপুৎ হোম্বুনা শেগায়বহু উরে। নিংথোদগী হৌদুনা মীয়াম পূম্নমক্না খন্নবদা শেগায়বগী মরম খঙ্.বা ঙম্দ্রে। অসুম্না য়াম্না ব্বানা লৈনারিঙৈ মতম অসিদা শ্রীজগন্নাথ দেবনা মঙ্দা লাক্কুনা তাকপিররে। ঐগী মন্দিরগী মনাক্তা ইংখোল অমদা খামেল থাবী নুপীঅমনা খামেল হেকপা মতমদা শ্রীজয়দেবগী গীতগোবিন্দ কৌবা ঈশৈ অসি স্বর, তাল. লয়গা লোয়ননা শকই। মাহু তাবদা ঐগী থম্মোই পুবা য়াদহুনা খামেল পান্থী মরক্তা চংশিন্দুনা ঈশৈ তাবদা খামেলগী তিংখং পানবা মশানা পন্দুনা শেগায়বনি হায়রে। অহুগা অমনা, নোংমগী নুমিৎ অমদা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মহাপ্রভুনা পুরীধামদা লৈরিঙৈদা হায়রিবা মতৌ অহুগুম্নহুনা কনাগুম্বী ঈশৈহৈবী নুপী অমনা শ্রীগীতগোবিন্দগী ঈশৈ অসি প্রেমগা লোয়ননা নিংথিজনা শকই। মাহু তাবদা শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুসু প্রেমনা ঙাওগ্রহুনা লম্বেল চুমই, চুমদে হায়বা বিচার তৌদনা ঈশৈ অহুগী মপা য়েংহুনা তিংখংমরক্তা চেনশিনখ্রে। মাহু উবদা তৌরিবা অহুনদি নুপীদা শোয়দন্না শোক্লরুবা তাবে হায়হুনা শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুগী তুং ইন্দুনা সেবা চৎচরিবা শ্রীগোবিন্দদাস কৌবা মনাইনা তাম্নহুনা ইবুংঙোগী খ্বাংদা কোন্দুনা ফাজিল্লে। শ্রীচৈতন্যনা জ্ঞান তারক্লবা মতমদা মনাক্তা ফজরবী নুপী অমনা ঈশৈ শক্লম্লিবহু উরে। অহুগী তুংদা মনাই গোবিন্দদাস য়েংলহুনা হায়খি, হে গোবিন্দদাস! ঐদি ঈশৈ শক্লিবা অসি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নিপানি নুপীনি হায়বা খংদহুনা কোনগে হায়দুনা চেনশিল্লুরে। লাইবক্কী ফবা মরম্না নহাক্না ফাজিনবিরম্লে। অদু নত্রবদি লাইবক থীরবা সন্ন্যাসী ঐনা মুপীদা শোক্করুহুনা ওম্হোক্না অন্নাবা ফংলমগদবনি। গীতগোবিন্দ তাবদা ঐগী জ্ঞান পুম্নমক মাঙখরে।

২। ঈশৈগী মণ্ডণ ফোংদোকপা অঙকপা মরম অমস্থু=শ্রীজয়দেব কবিনা শ্রীমতী শ্রীরাধিকাগী অশাউবা (মানলীলা) অসি লেংবা অমস্থুং শকপা হোরক্লে। নোংমদি শ্রীমতী রাধিকান্না শাউদুনা (মান তৌদুনা) লৈরবদা অশাউবা অদু কোকহন্নবগীদমক শ্রীকৃষ্ণনা নুংশিরবা ফজরবা ৱাহৈ ৱাতা কয়া ঙাংদুনা থেম্নজিল্লি। শ্রীরাধিকানা থেমজিনবা অদু ইয়া য়াদ্রে। মতাং অসিগাদমক শ্রীজয়দেবনা খরদংইবা হোৌরগা মথাসি কন্না হায়সিগে খনবদা ৱাখল অমত্তা লেপ্পা ঙমদ্রহুনা ইরিবা লাইরিক অদু থুম-জিন্দুনা গঙ্গাস্নান চৎখরে। অসোমদা শ্রীজয়দেবগী সহধর্ম্মীনী শ্রীপদ্মাবতী দেবীনা চাক থোংহৌরি। শ্রীজয়দেবনা চৎথোকখিবতা ঙাইরিঙৈদা শ্রীকৃষ্ণ-না জয়দেবগী মশক (মূর্ত্তি) ওল্লদুনা থুনমক পদ্মাবতীগী মনাক্তা চংশিল্লক্লে। মপুরোইবগী খোঞ্জেল তাবদা ইঙকঙক্লা হংগৎচৈ। প্রভো! ইরুজদনা অসুক থুনা লেংশিল্লক্লিবা করিগীনো? করম তৌরবগে? মাদু তাবদা শ্রীকৃষ্ণনা ওল্লবা জয়দেবনা খুমই, ইবেম্মা পদ্মাবতী! ঐনা হৌজিক ইরম্বা লাইরিক অদু ইবা লোয়রমদনা চৎলবনি। ঐ করিগুম্বা অমা নিং-শিংলক্লে, মাসি ইশিল্লম্লগা ইরুজবা চৎলগে হায়দুনা চংদুনা ইশিল্লম্ল-গা চৎখ্রে। শ্রীকৃষ্ণনা মখুৎমক্না ইশিল্লম্লিবা অদুদি অসিনি "স্মরগরল খণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনং দেহি পদপল্লবমুদারং"। অসোমদা ফনা কুইনা লৈরগা অশেংবা শ্রীজয়দেব কবিদু ইরুজবা লোইরদুনা হল্লক্লগা নুমিৎ খুদিং তৌবা "শ্রীবিগ্রহ অর্চ্চনা, ভোগারাধন, প্রসাদ সেবন" লোইরগা অমুক হন্না লাইরিক অদু ইগে হায়দুনা ফাকতোকপদা শ্রীকৃষ্ণগী খুৎনা ইশিল্লম্বা ফজরবা মুক্তা পরেংগুম্বা "স্মরগরল" অসি উবদা লাইবক ফরবী পদ্মাবতীবু থাগৎলদুনা হায়খি, হে লাইবক ফরবা ইবেম্মা! নংগী নপুনসি মহৈ য়াম্লে। নংদি ব্রহ্মা, বিষ্ণু, মহেশ্বরনা কন্না মতম কুইনা নীংবদা উবা ফংদ্রবা শ্রীকৃষ্ণবু নমিৎমক্না উবা ফংজহৌরে।

৩। শ্রীজয়দেব কবিনা লেংবিরম্লবা শ্রীগীতগোবিন্দ হায়বা ঈশৈ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitization by eGangotri

অসী বাসক সজ্জানি। মাসিদা শ্রীমতী ইবেম্মা রাধাগী নায়িকা মখল্ল নিপাল ইরি। মাহুদি :— (১) অভিসারিকা। (২) বাসকসজ্জা। (৩) উৎকণ্ঠিতা। (৪) খণ্ডিতা। (৫) বিপ্রলব্ধা। (৬) কলহান্তরিতা। (৭) প্রোষিতভর্তৃকা। (৮) স্বাধীনভর্তৃকা।

৪। নায়িকা মখল নিপালগী হিরম খর খরদং ইজরি।

১। অভিসারিকা = নায়িকা অহুনা চান্নথোইবা নায়কপু হায়নখ্রবা (সঙ্কেত তৌনখ্রবা) মফমদা লাকহনবা অমসুং নায়িকা মশামকসু চৎপা অহুগু "অভিসারিকা" কৌই। অভিসারিকা অসি মখল অনিনি। (ক) জ্যোৎস্না অভিসারিকা অমসুং (খ) তমোভিসারিকা। (ক) থা পানখৎলকপদা (নিস্নাংদা) থাবলগী মচু মতুংইন্না অঙৌবা ফীজেৎ শেত্তুনা চৎপবু "জ্যোৎস্নাভিসারিকা" কৌই। (খ) থা শিথরকপদা (নিন্দুংদা) অমম্বগী মচু মতুংইন্না অমুবা ফী শেত্তুনা চৎপবু "তমোভিসারিকা" কৌই।

২। বাসকসজ্জা = হে নুংশিবী! কুঞ্জদা চংহুনা ঙাইহাক ঙাইহুনা লৈরক্নু, ঐসু শোয়দনা লাক্লগনি হায়হুনা নায়কনা হনখ্রবা মতুংদা নায়িকানা লাক্কুনা কুঞ্জদা চংহুনা কুঞ্জবু দিংথিনা শেমশাবা অমসুং মশামকপুসু ফীজেৎ লৈতেংনা শেমশাবা অহুবু "বাসকসজ্জা" কৌই।

৩। উৎকণ্ঠিতা = নায়ক অহুনা লাক্কে হায়হুনা তাক্লম্বা মতম অহু যৌরক্লহুনা মতম কুইনা ফাওরক্তবদা নায়িকানা অয়াবগা লোয়ননা লাকদরা? লাক্লোইদরা? খনবহুবু "উৎকণ্ঠিতা" কৌই।

৪। খণ্ডিতা = নায়ক অহুনা অতোপ্পী নায়িকা অমগা লোয়ননা অহংচিংপা শান্নরুরগা ভোগচিহ্ন (খুজিলনা খোৎপনচিংবা) পুহুনা নোংঙাল্লমদাইদা হঙ্জিল্লকপদা নায়িকানা শাউদুনা চংহন্দববু "খণ্ডিতা" কৌই।

৫। বিপ্রলব্ধা = সঙ্কেত তৌনরগা প্রাণনাথনা (নায়কনা) লাক্ত্রবদা নায়িকানা য়াম্না রাবা অহুবু "বিপ্রলব্ধা" কৌই।

৬। কলহান্তরিতা = নায়িকা অদুনা সখীময়ামগী মমাংদা মথোংদা চংজরবা চান্নথোইববু তাম্মোক্লগা তুংদা য়াম্না রাহৌবা অদুবু "কলহান্তরিতা" কৌই।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

৭। প্রোষিতভর্তৃকা = নায়ক শ্রীকৃষ্ণনা অরাপ্পা লমদা হায়বদি মথুরাদা নত্রগা দ্বারকানচিংবদা চৎখ্রগা নায়িকা অদুনা লাক্কদৌরিবা মাই-কৈ অদোমদা য়েংদুনা ঙাইদুনা লৈবদুবু "প্রোষিতভর্তৃকা কৌই।

৮। স্বাধীনভর্তৃকা = নায়ক অদুনা নায়িকা অদুগী য়াথং ইল্লদুনা মনাক্তা ইতত্তনা লৈরবদি মাদুবু "স্বাধীনভর্তৃকা" কৌই।

নম্বোল শ্রীনোংমাইথেম হেরা সিংহ

তাং। । । । ইং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Thingbajam

শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দম্

সান্বয়ানুবাদম্

প্রথমঃ সর্গঃ

মঙ্গলাচরণম্

মেঘৈর্মেদুরমম্বরং বনভুবঃশ্যামাস্তমালদ্রুমৈ
র্নক্তং ভীরুরয়ংত্বমেব তদিমংরাধেগৃহংপ্রাপয় ।
ইত্থংনন্দ-নিদেশতশ্চলিতয়োঃপ্রত্যধ্ব-কুঞ্জ-দ্রুমং
রাধা মাধবয়োর্জয়ন্তিযমুনাকূলে রহকেলয়ঃ ॥১॥

অন্বয়ানুবাদঃ=হে রাধে ! (হে ইবেম্মা রাধিকা) মেঘৈঃ (নোংমপৈনা) অম্বরং (অতিয়া) মেদুরং (খুমখ্রে) তমালদ্রুমৈঃ (তমালপাম্বীময়ামসীনা) বনভুবঃ (বনগী লম্পাক পুম্নমক) শ্যামাঃ (পুমশং শংখ্রে) অয়ং শ্রীকৃষ্ণঃ (ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসে) নক্তং (অহীংদা) ভীরুঃ (কিগল্লি) তৎ (মরম অতুদগী) ত্বমেব (নংমক্তা, নশামক্তা) ইমং (মহাকপু) গৃহং-প্রাপয় (য়ুম য়োহল্লু, থিল্লুচৌ) ইত্থং (অসুম হায়নরবা) সখীনাম্ নন্দ-নিদেশতঃ (সখীশিংগী হুংঙাইরবা য়াথংদগী) প্রত্যধ্ব কুঞ্জ-দ্রুমং চলিতয়োঃ (লম্বেল খূদিং, কুঞ্জ খূদিং, উপাল খূদিংদা লেংশিনখ্রবা, লম্বেলগী মনাক্তা লৈবা কুঞ্জগী উপাল খূদিংমক্তা লেংশিনখ্রবা) রাধা মাধবয়োঃ (শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিমক্কী)যমুনা কূলে (যমুনা কৌবী তুরেলগী মপান্দা) রহঃ কেলয়ঃ (চীক্লা শান্নবা খিবীক্লা) জয়ন্তি (জয় ওইরি) ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অনুবাদ ঃ—য়েংউ ইবেম্মা হে রাধিকা ! অতিয়াগী মকোয় অসি নোংনা পূমথূম থূমখরে, বনগী মন্নুং পূম্নমক অসীসু তমাল পাম্বী ময়াম হৌবনা পূমশং শংখরে, অহীংগি মতমদগী ইবুংঙো কৃষ্ণসে ওন্থোকনা কিগল্লি, মরম অদূনা ইবেম্ম শ্রীরাধিকা নহাক্না নশামক্না ইবুংঙোসিবু য়ুম্দা থিল্লুচৌ, অসুম হায়নরবা সখীশিংগি ৱাংঙাইরবা য়াথংদগী বৃন্দাবনগি লম্বেল, কুঞ্জ উপাল খূদিংমক্ত লেংশিনথিদূনা যমুনা তুরেল মপান্দা চীক্না শান্নরবা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী লীলা থিবীক্না জয় ওইরি ॥১॥

ব্যাখ্যা :—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলম্লবা শ্রীগীতগোবিন্দ বৌবা ইশৈ অসী থাঙ্গৈশেংবা বাসকসজ্জাগী ঈশৈনী। বাসক হায়বসী অহীংগি শীলানী। টীকা তৌবা পণ্ডিতশিংনা মঙ্গলাচরণগি শ্লোক অসীগী মখল মথা অয়াম্বা টীকা পুথোকই। অদূক য়াম্বা হায়রূদূনা কান্নদে। পামজবা টীকা থরদং লৌখক্তুনা ইজরি। সখীশিংনা হায়খি "নক্তংভীরুরয়ং"—"ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসে অহীংদদী কিগল্লি" হায়বসী শ্রীকৃষ্ণনা শা, কৈবু কিবা নত্তে। কিবগী মরমদী—ঙরাং অহীংদী অতোপ্পা সখীশিঙ্গ নাক্তা লেংবিরূদূনা ইবেম্মা শ্রীমতি রাধাগী নাক্তা লেংলক্তদূনা শাওফম থোকপা মরাল (অপরাধ) লৈব-দগী কিবদূ উৎপতনী অমসুং শ্রীরাধাগী ওশাওবা কোক্লনবা হায়জ-বতনী। শাওবা ফরক্লগা সখী ময়ামগী মরক্তা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীমক্না স্নুরতলীলা শান্নবদা থরা ইকাইফম থোকই, অদূনদী থরা থাপ্পা লৈবা শক উন্নরোইদৌবা কুঞ্জদা (উপালশিংদ উরী ময়াম্না য়েৎলগা য়াম্না মংবা মন্নুংদী হোবা, মী লৈবসু য়াবা মীনা য়েংবদী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

উদবা অদূবু কুঞ্জ কৌই) শান্নরুরগা নীংবা পূন্নমক থুংনা শান্নরুগনি হায়দূনা "গৃহংপ্রাপয়" কুঞ্জগী য়ুমদা থিল্লুচৌ হায়দূনা ঈঙ্গিত তৌব-তনী, থাঙ্গৈশেংবা অহল্ লম্মনগা লৈমিন্নরীবা য়ুমদা থিল্লু হায়বা নত্তে ॥১॥

"ত্বমেব" নংতনা (নশামক্না) হায়বা অসীনস্তু অতৈ সখী অমনা থিনবা য়াদে, শ্রীরাধাতনা থিনবগী র হায়রী, অদূনদী শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনীমক্কী সুরতলীলা শান্নবা মনীং থুংনবনী হায়বা ফোংদোকই। করিননো হায়ববু অশেংবা য়ুমপানবগী য়ুমদা থিল্লবদী সখীশিং ময়ান্না থিনবস্তূ য়াই নত্রগা কনাগুম্বী সখী অমনস্তূ থিনবা য়াই ॥২॥

"নন্দনিদেশতঃ" হায়বা পদ অসীবু কনাগুম্বঃ টীকাকারশিংনা "নন্দগী য়াথংদগী" "সখীশিঙ্গি হুংঙাইরবা য়াথংদগি" "নন্দগী য়ুম-দগি" "বংশীগি য়াথংদগী" অসূন্না ২।৪ থোক্না হায়রৈ। নন্দ নিংথৌগি য়াথংদগী হায়রবদী মচানপা পাথং অপাম্বা থংলববু (সুরত লীলা শান্নরবা নায়কপু) মপানা হুপীদা (নায়িকাদা) ওন-শিন্দূনা থিল্লুচৌ হায়বসী হায়ফম থোক্কে, ইকাইফম থোকই। মরম অদূনা সখীশিঙ্গি হুংঙাইরবা য়াথংদগি হায়বদী শ্রীকৃষ্ণনা পামদূনা লৈরম্লিবস্তু শ্রীরাধাগা লোয়নননা সুরত লীলা শান্নবা অদূতনি। প্যাম্লিবা থবক অদূবু সখীশিংনা থংলদূনা হায়রক্লদূদদী শ্রীকৃষ্ণগী হুংঙাইবগী ঙমখৈ লৈথিদ্রে। মরম অদূনা সখীশিঙ্গি হুংঙাইরবা য়াথংদগী হায়বতনী। অদূগা কনাগুম্বা টীকাকারনা রাধাকৃষ্ণনা শান্নরিবা লীলা অসীবু হুংথিলদনী হায়বস্তু য়াওরি। হুংথিলদা করম্না শান্নগদগে হায়বদা নোংমংই, হুমিং থোক্কে, তমাল পাম্বী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বাগ্‌দেবতা-চরিত-চিত্রিত চিত্তসদ্মা
পদ্মাবতী-চরণ-চারণ চক্রবর্ত্তী ।
শ্রীবাসুদেব-রতি-কেলি-কথা-সমেত
মেতং করোতি জয়দেবকবিঃপ্রবন্ধম্ ॥২॥

ময়ান্না পুমমমমষ্ট । হায়নী বমথৈ হায়নরবস্ু শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলম্লবা কবিতা (ইশৈ) অসীনদী সূর্য্যপূজা, গোষ্ঠলীলা, জল-কেলী লীলানচিংবা নত্তে। থাঙ্গৈশেংবা বাসকসজ্জানী। বাসক সজ্জাগী রীতিনা (ক্রমনা) মঙ্গলাচরণ হৌফম থোকই। অতৈ রীতিনা হৌবসী থৈবোং পান্বীদা হৈনৌ পাল্লি হায়বগুম নাতে কয়া চাদে ॥৩॥

পদানুবাদ ঃ—(১) বাগ্‌দেবতা চরিত চিত্রিত চিত্তসদ্মা (শ্রীকৃষ্ণগী লমচৎনা য়েক্লবা পুক্নীংনা য়ুম ওইরবা, হায়বদী অতৎপা লৈতনা কৃষ্ণতা নীংলবা) পদ্মাবতীচরণ চারণ চক্রবর্ত্তী (শ্রীরাধাগী খোংসেবা তৌবদা খাইদগী হৈশিংলবা) জয়দেব কবিঃ (জয়দেব কৌবা কবিনা) শ্রীবাসুদেব রতি কেলি কথা সমেতং (শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনীগী সুরতক্রীড়ানা তিল্লবা) এতং প্রবন্ধং (কবিতা অসীবু) করোতি (লেংজৈ) ॥২॥

অনুবাদ ঃ—মহাক্কী পুক্নীং লাইয়ুম অতুদা কৃষ্ণগী লমচৎনা য়েক্লবা হায়বদী বৃন্দাবন্দা শান্নবা লীলা খিবিক অদুতা খল্লবা, শ্রীমতি রাধিকাগী খোংসেবা তৌবদা খাইদগী হৈশিংলবা, শ্রীজয়দেব কাব-না শ্রীরাধাগোবিন্দগী সুরতক্রীড়াগি রাহৈতনা তিল্লবা কবিতা অসীবু লেংজৈ ॥২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

যদি হরি স্মরণে সরসং মনো
যদি বিলাসকলাসু কুতুহলম্।
মধুর-কোমল-কান্ত পদাবলীং
শৃনু তদাজয়দেব সরস্বতীম্ ॥৩॥

ব্যাখ্যা ঃ—(১) টীকাকারনা "বাগ্‌দেবতা চরিত" সরস্বতী দেবীগী লমচৎনা অমসুং "পদ্মাবতী চরণ চারণ" লক্ষ্মীদেবীগি মখোংদা সেবা তৌবা অসুম হায়নবসু য়াওই ॥

পদানুবাদ ঃ—হে ভক্ত ! (হে ভক্ত) (১) যদি হরি স্মরণে (হরি নিংশীংবদা) মনঃ (নপুক্কীংনা) সরসং (নুংঙাইরবা) (২) যদি বিলাস কলাসু (শান্নবগী কলা থিবিক্তা হায়বদী রাস, বাসক, গোষ্ঠ, ঝুলন-যাত্রানচিংবা লীলা থিবিক্তা) কুতূহলং অস্তি (পামশিল্লবা) (৩) তদা (অদূ ওইরবদী) মধুর-কোমল-কান্তপদাবলীং [নুংশীরবা, নৌরবা, ফজরবা পদ মপৈনা তিল্লবা] জয়দেব সরস্বতীং [জয়দেবগী ইশৈবু, গীতগোবিন্দবু] শৃণু [তাবিউ] ॥৩॥

অনুবাদ :—হে ভক্তশা ! নখোয়গী নপুক্কীংদূনা হরি নিংশিংবদা অপেনবা পোক্লবা ১সুং হৈবুংঙো মহাক্কী শান্নবা লীলাগি কলা পুন্ন-মক্তা পামশিল্লবা অদূ ওইরবদী নৌরবা, নুংশিরবা, ফজরবা-পদ-মপৈনা তিল্লবা শ্রীজয়দেব কবিগী ঈশৈ অসি তাবিউ ॥৩॥

ব্যাখ্যা :—শ্লোক অসীগি মনুংদা য়াওরিবা (১) (২) (৩)গী "যদি" অনীগা "তদা" অমগা অহুম অসীগি অর্থসী পুন্না "অদূ ওয়রবদী" হায়না লৌগনী ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বাচঃ পল্লবয়ত্যুমাপতিধরঃ সন্দর্ভশুদ্ধিং গিরাং
জানীতেজয়দেব এবশরণঃশ্লাঘ্যোদুরূহদ্রুতে।
শৃঙ্গারোত্তরসৎপ্রমেয়রচনৈরাচার্য্যগোবর্দ্ধন
স্পর্দ্ধী কোঽপিনবিশ্রুতঃশ্রুতিধরোধোয়ীকবিক্ষ্মাপতিঃ।৪॥

পদানুবাদ ঃ—উমাপতিধরঃ [উমাপতিধর কৌবা কবিনা] বাচঃ [বাক্য থিবিকপু] পল্লবয়তি [য়েন্নীং চোংহল্লি হায়বদী অনৌবা পদ হাপ্তুনা ফজহল্লি] শরণঃ [শরণ কৌবা কবিনা] দুরূহদ্রুতে [অরুবা চৈরেংবু থুনা লেংবদা] শ্লাঘ্যঃ [থাগৎনৈ] আচার্য্যগোবর্দ্ধনঃ [আচার্য্য গোবর্দ্ধন কবিনা] শৃঙ্গারোত্তরসৎপ্রমেয়রচনৈঃ [শৃঙ্গার-রসগী অণোইবা কবিতা মচা মচা লেংবদা] স্পর্দ্ধী [থাজনৈ] কবিক্ষ্মাপতিঃ ধোয়ী [কবি পুম্নমক্কী মকোক ওইরবা ধোয়ীনা] শ্রুতিধরঃ [তাবগা হেক্তা চীনফা পুই] জয়দেব এব [জয়দেব কৌবা কবিতনা] সন্দর্ভশুদ্ধিং গিরাংজানীতে [পুমস্থ শুনা ফজরবা কবিতা অচৌবা লেংবা হৈ] বিশ্রুত [পুমস্থ শুনা ফাওবদী] কোঽপি ন [কনাস্থ য়াওদে]॥৪॥

অনুবাদ ঃ—উমাপতিধর কৌবা কবিনা করিগুম্বা বাক্য অমবু অনৌবা পদ হাপচিন্দুনা ফজহল্লি, শরণ কৌবা কবিনা অরুবা চৈরেংবু থুনা লেংবদা থাগৎনৈ, আচার্য্য গোবর্দ্ধননা শৃঙ্গার রসগী কবিতা মচা মচা লেংবদা থাজনৈ, কবি খিবিক্কী মকোক ওইরবা ধোয়ীনা তাবগা হেক্তা চীনফা পুবা ঙমই. জয়দেব কৌবা কবিতনা শৃঙ্গার রসগী মপুং ফারবা অচৌবা কবিতা লেংবা হৈ। মরম অসীনা কবি অমত্তদা মথল মণ্ডা অসীগুনা ফাওবদী য়াওদে॥৪॥

হৌজিক শ্রীজয়দেব কবিনা ভক্তশিংগি ১সুং মশামক্কী মঙ্গল পীবিনবা দশাবতার শক্লি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

(মালব গৌড়রাগেণ রূপকতালেন চ গীয়তে।)

গীতং ।১।

প্রলয়-পয়োধি-জলে ধৃতবানসি বেদম্,
বিহিত-বহিত্র-চরিত্রমখেদম্ ।
কেশব ধৃত মীনশরীর,
জয় জগদীশ হরে ॥৫॥

পদানুবাদ ঃ—হে কেশব ! [হে কেশব] হে ধৃতমীনশরীর ! [হে ঙাগী হকচাং ওইনা অবতার তৌরবা] হে জগদীশ ! [হে জগৎকি মপু ওইরবা] হে হরে ! [হে হরি] ত্বং [ইবুংঙো নহাক্না] প্রলয়-পয়োধিজলে [প্রলয়গী মতমদা সমুদ্রগী ঈশিংদা] নিমগ্নং বেদম্ [লূপগ্রবা বেদবু] বিহিত-বহিত্র-চরিত্রং [ওল্লবা হিগী লমচৎনা] অখেদং [অৱাবা লৈতনা] ধৃতবানসি [পুখৎপ্রবনী] তস্মাৎ [মরম অত্নদগি] জয় [জয় ওইবিউ] ॥৫॥

অনুবাদ ঃ—হে কেশব ! হে ঙা ওইনা অবতার তৌরবা ! হে জগৎকী মপু ওইরবা ! হে হরি ! ইবুংঙো নহাক্না প্রলয়গী মতমদা পাক চাওরবা সমুদ্রগী ঈশিংদা লূপগ্রবা বেদবু হিনা [নৌকা] ঈশিংদা তাওবগুম তাওদূনা অরাবা লৈতনা পুখৎপ্রবনী। মরম অত্নদগী জয় ওইবিউ ॥৫॥

ব্যাখ্যা ঃ—বেদ মাংপ্রবদী জগত্তা লৈরিবা তাইবং মী পুম্নমক্না বেদগী বিধি পুম্নমক থাদোক্লূনা পুম্মাং মাংলমগদবনী, অদুবু ভগবান নহাক্না বেদ লৌখৎপিদুনা বেদগী বিধি চৎহনবিদূনা মরোল অহুম্মক্কী মঙ্গল ওইহল্লে। মরম অদূনা জয় ওইবিউ হায়বতনী ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ক্ষিতিরতিবিপুলতরে তিষ্ঠতি তবপৃষ্ঠে,
ধরণীধরণ কিণ চক্র গরিষ্ঠে।
কেশব ধৃত কূর্ম্মশরীর জয়জগদীশ হরে ॥৬॥
বসতিদশনশিখরে ধরণী তবলগ্না,
শশিনি কলঙ্ক কলেব-নিমগ্না।
কেশব ধৃত শূকররূপ জয় জগদীশ হরে ॥৭॥

(৩) "বিহিত বহিত্র চরিত্রং" ১সুং "অখেদং" অনী অসী ক্রিয়াবিশেষণ ওাক্তনি। "ধৃতবানসি" হায়বা ক্রিয়াসিগী বিশেষণনী।

পদানুবাদঃ—হে কেশব! [হে কেশব] হে ধৃত কূর্ম্মশরীর! [হে থেঙ্গুগী মশক ওইনা অবতার তৌরবা] হে জগদীশ! [হে জগৎকী মপু ওইরবা] হে হরে! [হে হরি], ক্ষিতিঃ [পৃথিবীসিনা] তব [নহাক্কী] ধরণি-ধরণ–কিন-চক্র গরিষ্ঠে (পৃথিবী পুবগী তরুবগী অতংবনা চাওনা লৈরবা) অতি বিপুলতরে পৃষ্ঠে (য়াম্না পাক্লবা নঙ্গন্দা) তিষ্ঠতি [লৈরবনী] তস্মাৎ [মরম অতুদগী] জয় [জয় ওইবিউ] ॥৬॥

অনুবাদঃ—হে কেশব! হে থেঙ্গু ওইনা অবতার তৌরবা! হে জগৎকী মপু! হে হরি। পৃথিবীসিনা নহাক্কী পৃথিবী পুবগী তরুবগী অতংবনা চাওনা লৈরবা য়াম্না পাক্লবা নঙ্গন্দা লৈরবনী, মরম অতুদগী জয় ওইবিউ ॥৬॥

পদানুবাদ :—হে কেশব! [হে কেশব] হে ধৃতশূকররূপ! [হে ওক্কী মশক ওইনা অবতার তৌরবা] হে জগদীশ! [হে জগৎকী মপু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তবকরকমলবরে নখমদ্ভুত শৃঙ্গং,
দলিত-হিরণ্যকশিপু-তনুভৃঙ্গম্।
কেশব ধৃত নরহরিরূপজয়জগদীশ হরে ॥৮॥

ওইরবা] হে হরে! [হে হরি] ধরণী [পৃথিবীসিনা] শশিনি [থাদা] কলঙ্ককলা [মায়হীং মচেৎনা] নিমগ্না ইব [পক্তুনা লৈবগুম্না] তব [নহাক্কী] দশনশিখরে [য়া মতোন্দ] লগ্ন [নপ্ত না, পক্তুনা] বসতি [লৈরবনী] তস্মাৎ [ময়ম অহুদগী] জয় [জয় ওইবিউ] ॥৭॥

অনুবাদ :—হে কেশব! হে ওক্কী মশক ওইনা অবতার তৌরবা! হে জগদীশ! হে হরি! পৃথিবী অসীনা থাদা মায়হীং মচেৎনা পকপগুম্না নহাক্কী নয়া মতোন্দা পক্তুনা লৈরবনী, ময়ম অহুদগী ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইবিউ ॥৭॥

পদানুবাদ :—হে কেশব! [হে কেশব] হে ধৃতনরহরিরূপ! [হে হকচাংনা মী ওইরগা কোক্না নোংশা মকোক পাল্লবা] জগদীশ! [হে জগৎকী মপু] হে হরে! [হে হরি] তব [নহাক্কী] করকমলবরে [খুৎথম্বাল অথোইবদা] দলিত-হিরণ্যকশিপু-তনুভৃঙ্গং [হোগায়দুনা হিরণ্যকশিপু কৌবা হিংচাবগি হকচাং খোইমুবু মাংহনখ্রবা] অদ্ভুত শৃঙ্গং [অঙকপগী মশক ওইনা মচীন তুম্লবা] নখং [অস্তি] (খুজীল্ পাল্লবনী) তস্মাৎ [ময়ম অহুদগী] জয় [জয় ওইবিউ] ॥৮॥

অনুবাদ :—হে কেশব! হে নরহরিরূপ ওইরবা! হে জগদীশ হে হরি! ইবুংঙো নহাক্কী নখুৎ থম্বাল অথোইবা অহুদা অঙকপা ওইনা থৌরবা খুজীল পাল্লিবা অদুনা হিরণ্যকশিপু কৌরা হিংচা-বগী হকচাং খোইমুবু হোগায়দুনা হাৎখ্রবনী, ময়ম অহুদগী ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইবিউ ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ছলয়সি বিক্রমণে বলিমদ্ভুতবামন,
পদনখ-নীর-জনিত-জন পাবন।
কেশব ধৃত বামনরূপ জয়জগদীশহরে।৯॥
ক্ষত্রিয়-রুধিরময়েজগদপগত পাপং,
স্নপয়সি পয়সি শমিতভবতাপম্।
কেশব ধৃতভৃগুপতিরূপজয়জগদীশ হরে॥১০॥

পদানুবাদ :—হে কেশব! [হে কেশব] হে অদ্ভুত বামন! [হে অঙকপা বামন অবতার তৌরবা] হে জগদীশ! [হে জগৎকী মপু] হে পদনখনীরজনিতজন পাবন [হে খোংগী খূজিলদগী চেম্থরক্রবা ঈশিংনা মীগী পাপ কোকহল্লবা] ত্বং [ইবুংঙো নহাক্না] বিক্রমণে [নখোং থাংদোকপদা] বলিং [বলি কৌবা হিংচাববু] ছলয়সি [নমথাক তৌগ্রবনী], তস্মাৎ জয় [মরম অদুদগী জয় ওইবিউ] ॥৯॥

অনুবাদ :—হে কেশব! হে বামনাবতার! হে জগদীশ! হে খোংগী খূজীলদগী থোকখীবা ঈশিংনা মীগী পাপ কোকহল্লবা! হে হরি! ইবুংঙো নহাক্না নখোং থাংদোক্লকপদা বলি কৌবা হিংচাববু নমথাক তৌগ্রবনী, মরম অদুদগী ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইবিউ ॥৯॥

ব্যাখ্যা :—বামনস্য পদ-নখেন পৃথিবীং ব্যাপ্যাপরেণ পাদেন বলিংপাতালং নীত্বাপরেণাত্যুন্নতেন ব্রহ্মাণ্ডং ভিত্ত্বা গঙ্গামবতারয়দিত পৌরাণিকী কথা।

পদানুবাদ :—হে কেশব! [হে কেশব] হে ভৃগুপতিরূপ! [হে পরশুরাম ওইনা অবতার তৌরবা] হে জগদীশ। [হে জগৎকী মপু]

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিতরসি দিক্ষু রণে দিকপতিকমনীয়ং,
দশমুখ মৌলিবলিং রমণীয়ং।
কেশব ধৃত রামশরীর জয়জগদীশ হরে ॥১১॥

হে হরে ! (হে হরি) ত্বং (নহাক্না) ক্ষত্রিয় রুধিরময়ে পয়সি [ক্ষত্রিয় মচাগী ঈনা ওন্দুনা চেনখ্রবা ঈশীংদা] জগৎ [জগৎপু] অপগতপাপং [পাপ কোকহন্দনা] শমিতভবতাপং [হন্না পোকপগী তাপ কোক-হনত্না] স্নপয়সি [ইরুজহনখ্রবনী] তস্মাৎ [মরম অত্তুদগী] জয় [জয় ওইবিউ) ॥১০॥

অনুবাদ :—হে কেশব ! হে পরশুরাম ওইনা অবতার তৌরবা ! হে জগদীশ ! হে হরি ! ইবুংঙো নহাক্না ক্ষত্রিয় মচাবু তরেৎলক হন্না কক্তুনা হাৎলবদা ঈনা তুম্লেল ওইনা চেল্লবা ঈশিংদা জগৎকী মী পুম্নমক ঈরুজহন্দুনা পাপ পুম্নমক কোকহনখ্রবনী অমসুং হন্না হন্না পোক্তূনা ফংবা তাপ পুম্নমক কোকহনখ্রবনী, মরম অত্তুদগী জয় ওইবিউ ॥১০॥

পদানুবাদ :—হে কেশব ! (হে কেশব) হে ধৃতরামশরীর (হে রাম ওইনা অবতার তৌরবা) হে জগদীশ ! (হে জগৎকী মবুংঙো) হে হরে ! [হে হরি] ত্বং [ইবুংঙো নহাক্না] রণে [লানফমদা] দিক্ষু [মাইকৈ তরামক্তা] রমণীয়ং [নিংথিজরবা] দিকপতিকমনীয়ং [মাই-কৈ ঙাকপা লাইনা পাম্লবা] দশমুখ মৌলিবলিং [রাবণগী কোক্কী মনাবু, খুদোল পোৎপু] বিতরসি (য়েনখ্রবনী) তস্মাৎ জয় (মরম অত্তুদগী জয় ওইবিউ ॥১১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বহসি বপুষিবিশদে বসনংজলদাভং.
হল-হতি-ভীতি-মিলিত যমুনাভং।
কেশব ধৃত হলধররূপজয়জগদীশ হরে ॥১২॥

অনুবাদ :—হে কেশব ! হে রামাবতার তৌরবা ! হে জগৎকী মপু ওইরবা ! হে হরি ! ইবুংঙো নহাক্পা লানফমদা মাইকৈ তরামক্তা মাইকৈ ঙাকপা লাইনা পায়বা নিংথীজরবা রাবণ নিংথৌগী মকোক তরা কক্তুনা খুদোলপোৎ ওইনা য়েনথ্রবনী, মরম অদুদগী জয় ওইবিউ ॥১১॥

পদানুবাদ—হে কেশব ! (হে কেশব) হে ধৃতহলধররূপ ! (লাঙ্গল পায়বা বলদেব ওইনা অৎতার তৌরব) হে জগদীশ ! (হে জগৎকী মপু) হে হরি ! (হে হরি) ত্বং (ইবুংঙো নহাক্পা) বিশদেবপুষি (ঙৌরবা হকচাংদা) ১। হলহতিভীতি মিলিত যমুনাভং (লাঙ্গল্লা য়ানগনী হায়দুনা কিদুনা চংজরক্লবী যমুনাগী ঈশিং মচুগুম্না শংবান্ননা ফজরবা) জলদাভং (মংলিবা নোং মচুগুম্না ফজরবা) বসনং (ফিবু) বহসি (শেংলবনী) তস্মাৎ (মরম অদুদগী) জয় (জয় ওইবিউ) ॥১২॥

অনুবাদ :—হে কেশব ! হে লাঙ্গল পায়বা বলদেব অবতার তৌরবা ! হে জগদীশ ! হে হরি ! ইবুংঙো নহাক্পা ঙৌরবা হকচাং অদুদা লাঙ্গল্লা ফুগনি (য়ানগনি) হায়বা কিদুনা চংজরক্লবী যমুনাগী ঈশিং মচুগুম্না শংবান্নমা ফজরবা অমসুং অতিয়াদা মংলিবা অমুবা লৈচিনমচুগুম ফজরবা ফী শেংলবনী, মরম অদুদগী ইবুংঙো নহাক্পা জয় ওইবিউ ॥১২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নিন্দসি যজ্ঞবিধেরহহশ্রুতিজাতং
সদয় হৃদয় দর্শিত পশুঘাতং।
কেশব ধৃতবুদ্ধশরীর জয়জগদীশ হরে ॥১৩॥

ব্যাখ্যা—(১) হলিনা কিল বৃন্দাবনংগতেন কাদম্বরীং মদিরাং পীত্বা মত্তেনযমুনাস্নানার্থমাহূতা, সাচ মত্তোহয়মিতি অবজ্ঞয়া তৎ সমীপংনাগতা। ততোহসৌক্রোধাত্তাবদ্ধলেনাচকর্ষদিতি পৌরাণিকী কথা॥

পদানুবাদ :—হে কেশব! [হে কেশব] হে ধৃতবুদ্ধশরীর! [হে বুদ্ধদেব ওইনা অবতার তৌরবা] হে জগদীশ! [হে জগৎকী মপু] হে হরে! [হে হরি] হে সদয় হৃদয়! [থোঞ্জাল হৈবা পুকচেল চেল্লবা] অহহ !! [ওন্থোকপনিদা, অরাবনীদা] ত্বং [ইবুংঙো নহাক্না] যজ্ঞবিধেঃ [যজ্ঞগী বিধিগীদমক] দর্শিত পশুঘাতং [উহন্দুনা, তাক্কুনা শা হাৎলক্লবা] শ্রুতিজাতং [বেদগী বাক্যবু] নিন্দসি [নিন্দা তৌখ্রবনী, ককথৎখ্রবনী] তস্মাৎ [মরম অদুদগী] জয় [জয় ওইবিউ] ॥১৩॥

অনুবাদ :—হে কেশব! হে বুদ্ধাবতার। হে জগদীশ! হে থোঞ্জাল হৈরবা! হে হরি! ওন্থোক্না অঙকপনিদা !! ইবুংঙো নহাক্না যজ্ঞগী বিধিগীদমক শা হাৎলু হায়দুনা তাক্লম্লবা বেদগী বিধি পুন্নমকপু নিন্দা তৌখ্রবনী, মরম অদুদগী ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইবিউ ॥১৩॥

ব্যাখ্যা :—হে বুদ্ধাবতার! ইবুংঙো নহাক্না অহানবা মীন অবতারগী "প্রলয়পয়োধিজলে" দা বেদ পুন্নমকপু ঈশীংদগী লোথত্তুনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ম্লেচ্ছনিবহনিধনে কলয়সিকরবালং,
ধূমকেতুমিব কিমপি করালম্।
কেশবধৃত কল্কিশরীর জয়জগদীশ হরে ॥১৪॥

মাংহনবিদ্রে অমস্লুং বজ্ঞগীদমক শা হাৎপা দোম লৈতে অস্থূম হায়বা বেদবিধি পূন্নমক চংহনবিরে। হৌজিক বুদ্ধাংতারদদী যজ্ঞগীদমক শা হাংলু হায়বা বেদগী বাক্য পূন্নমক অদুবু "অহিংসা পরমো ধর্ম্মঃ" হায়বসী পুথোক্তুনা নিন্দঃ তৌরে। মাসী ওন্থোক্লা অঙকপনী।

শ্লোক অসীগি মনুংদা য়াওরীবা "দর্শিত" হায়বা পদ অসীনা মথক্কী পদগা লোয়ননা সমাস তৌদূনা "হে সদয় হৃদয় দর্শিত" থৌজাল হৈবা পূকচেল উহল্লবা অস্থয়া হায়বস্থ য়াই।

পদানুবাদ ঃ—হে কেশব! [হে কেশব] হে ধৃতকল্কিশরীর [কল্কি ওইনা অবতার তৌরবা] হে জগদীশ! [হে জগৎকী মবুংঙো] হে হরে! (হে অরাবা কোক্নহল্লবা) ত্বং (ইবুংঙো নহাক্ন) ম্লেচ্ছ নিবহ নিধনে (ম্লেচ্ছ মপৈ হাংননবগীদমক) (২) ধূমকেতুং ইব (ধূমকেতু কৌবা থরাম্নিচাক্লুয়া নত্রগা মৈগুন্না) কিং অপি করালং (কয়ামরুম অকিবগী মশক ওইরবা) করবালং (থাংশাংবু, কবাকথাংবু) ত্বম্মাৎ জয় (মরম অত্থনগী জয় ওইবিউ) ॥১৪॥

অনুবাদ ঃ—হে কেশব! হে কল্কি ওইনা অবতার তৌরবা! হে জগদীশ! হে হরে! ইবুংঙো নহাক্না ম্লেচ্ছ মপৈ হাংননবগীদমক ধূমকেতুগুন্না কয়ামরুম অকিবগী মশক ওইরবা থাংশাংবু নথুম্তা পায়থরবনী, মরম অত্থদগী জয় ওইবিউ ॥১৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবকবেরিদমুদিতমুদারং,
শৃণু সুখদংশুভদং ভবসারম্।
কেশব ধৃত দশবিধরূপ জয়জগদীশ হরে॥১৫॥

মথক্তা হায়থ্রবা অবতার তরাতু মথাদা শ্লোক অমত্তনা হায়রী।

বেদানুদ্ধরতেজগন্তিবহতেভূগোলমুদ্বিভ্রতে,
দৈত্যং দারয়তে বলিংছলয়তে ক্ষত্রক্ষয়ংকুর্ব্বতে।
পৌলস্ত্যংজয়তে হলংকলয়তে কারুণ্যমাতিন্বতে,
ম্লেচ্ছান্ মূর্চ্ছয়তে দশাকৃতিকৃতেকৃষ্ণায়তুভ্যং নমঃ॥১৬॥

ব্যাখ্যা :—ধূমকেতু হায়বা থৌরাম্মিচাক অসী মমৈ পাল্লী। মাসী থোক্ল-বদী চহি অদুগী মনুংদা অনা অয়েক, লৈবাক কায়বা, তুরৈ ইরৈ য়াম্না থোকই। মরম অদুনা কর্ম্মকারক, বিশেষ্য পদ ওইববা "করবালং" গী ধূমকেতুমিব হায়বা বিশেষণ হাপ্লিবনী॥

পদানুবাদ :—হে ভক্ত! (হে ভক্তা) ত্বং (নহাক্না) শ্রীজয়দেবকবেঃ (শ্রীজয়দেব কবিনা) উদিতং (লেংলবা) উদারং (মগুণ চাওরবা) সুখদং (নুংঙাইবা পীনরবা) শুভদং (য়াইফবা পীনরবা) ভবসারং (সংসারগী লমওইরবা) ইদং গীতং (ইশৈ অসীবু) শৃণু (তাবিউ)॥১৫॥

অনুবাদ :—হে ভক্ত! নহাক্না শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা, নীং-থীজরবা, নুংঙাইবা পীনরবা, য়াইফবা পীনরবা, সংসারদা হন্না হন্না পোকপা কোকহল্লবা ইশৈ অসী তাবিউ। হে কেশব! হে শক-লোন তরাথোক্না অবতার তৌরবা! হে জগৎকী মপু! হে অরাবা কোকহল্লবা! ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইরিউ॥১৫॥

পদানুবাদ :—বেদান্ উদ্ধরতে (বেদ ময়াম পুথৎখ্রবনী) জগন্তি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

(হৌজিক শ্রীজয়দেব কবিনা গুর্জ্জরীরাগদা পান্দুনা কৃষ্ণবু স্তুতি তৌরি)
গুর্জ্জরীরাগনা নিঃসার তালনা নত্রগা প্রতিমঠ তালনা শক্লে।

গীতং।২।

শ্রিতকমলাকুচমণ্ডল, ধৃত কুণ্ডল,
কলিত ললিত বনমাল জয়জয়দেব হরে॥১৭॥

বহতে 'জগৎ ময়াম্থু পুথ্রবনী) ভূগোলংউদ্বিভ্রতে (পৃথিবীগী মকোয়বূ পুথ্রবনী) দৈত্য দারয়তে (হিংচাববু হোগাইথরবনী) বলিংছলয়তে (বলিবু নমথাক তৌথ্রবনী) ক্ষত্রক্ষয়ং কুর্ব্বতে (ক্ষত্রিয়মচাশিংবু মাংমাংহনথ্রবনী, হাংথ্রবনী) পৌলস্ত্যং জয়তে (পুলস্তগী মচাবু, রাবণবু জয় তৌথ্রবনী) হলংকলয়তে (লাঙ্গল্ পায়থ্রবনী] কারুণ্যং আতন্বতে [থৌজাল শন্দোকথরবনী] ম্লেচ্ছান্ মূর্চ্ছয়তে (ম্লেচ্ছশিংবু শুন্দ্ধংথরবনী) অতএব (মরম অসীনা) দশাকৃতিকৃতে (শকফমতরা থোক্রবা) কৃষ্ণায় (কৃষ্ণ :কোবা) তুভ্যং (নহাকপু নমঃ (খুরুমজৈ) ॥১৬॥

অনুবাদঃ—মীন অবতারনা বেদ ময়াম পুথৎথরবা, কূর্ম্ম অবতারনা জগৎ ময়াম পুখরবা, বরাহ অবতারনা পৃথিবী মকোয় থাঙ্গৎথরবা, নরসিংহ অবতারনা হিরণ্যকশিপু কোবা হিংচাববু হোগায়থরবা, বামণ অবতারনা বলিবু নমথাক তৌথরবা, পরশুরাম অবতারনা ক্ষত্রিয় মচাশিংবু হাংথরবা, রাম অবতারনা রাবণবু হাৎথরবা, বলভদ্র অবতারনা লাঙ্গল্ পাইথরবা, বুদ্ধ অবতারনা থৌজালবু শন্দোকথরবা, কল্কি অবতারনা ম্লেচ্ছ ময়ামবু মাংহনথরবা, অসীগুম্বা শকফম (শকলোন) তরানা তিল্লবা কৃষ্ণ কোবা ইবুংঙো নহাকপু খুরুমজৈ ॥১৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দিনমণিমণ্ডলমণ্ডণভবখণ্ডনমুণিজনমানসহংস,
জয় জয় দেব হরে ॥১৮॥

পদানুবাদ ঃ—হে শ্রিতকমলাকুচমণ্ডল ! (হে লক্ষ্মীগী নত্রগা শ্রীরাধাগী কুচ মণ্ডল (খোম মকোয়) পাল্লব) হে ধৃতকুণ্ডল ! হে নাঈন্ য়াল্লবা) হে কলিত ললিত বনমাল ! (হে নীংথীজরবা বনগী লৈ পরেং শিরবা) হে দেব ! (হে লাই) হে হরে ! (হে হরি) ত্বং (ইবুংঙো নহাক্না) জয়জয় (জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ) ॥১৭॥

অনুবাদঃ—শ্রীমতি রাধকাগী কুচমণ্ডলদা পুক্নীং থল্লবা ! নাকোং অনীদা নাঈন্ য়াল্লবা ! নিংথিজরবা বনগী লৈপরেং শিরবা ! দেব ! হে হরি ! নহাক্না জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ ॥১৭॥

ব্যাখ্যা ঃ—শ্লোক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা পদ পূম্নমক অসী কৌবা থংনবা (সম্বোধন) ঙাক্তনী। ১৭নং শুবদগী ২৩নং শুবা ফাওবসীস্থ স্তুতি সম্বোধন ঙাক্তনী। সমাস তৌরকপা মতমদা সংস্কৃত লোনগা মৈতৈলোনগা মথক মথা কাইনবা য়াওই। মাদূদী "শ্রিতকমলাকুচমণ্ডল, ধৃতকুণ্ডল, কলিত ললিত বনমাল" মাসিগী চাননবা মৈতৈলোন্দা হল্লবদী "পাল্লবা রাধাগী কুচ মকোয়, য়াল্লবা কুণ্ডল, শিরবা নিংথীজরবা বনগী লৈপরেং" অস্থন্না হায়বা তারে। মাসী কায়নরসী থোইদোক্না দোষ থিবিরোই। গীতগোবিন্দ কৌবা ঈশৈ অসিদী মকোক্তগী লোয়বা ফাওবা সমাস তৌরবা পদ ঙাক্তনা লেংবনী॥ য়াবা মখৈ চপচানা হায়জগে। শব্দবিভক্তি হাপত্রে।

পদানুবাদ ঃ—দিনমণি মণ্ডল মণ্ডণ ! (হে নুমিৎকী মকোয়গী লৈতেং ওইরবা) হে ভব খণ্ডণ ! (হে হন্না হন্না পোকপা কোকহল্লবা) হে মুণিজন মানস হংস ! (হে মুণিশিংগী থম্মোইদা কাংঙা ওইনা শান্নরবা) হে দেব ! (হে লাই) হে হরে ! (হে হরি) জয় জয় (জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ) ॥১৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কালিয়বিষধরগঞ্জনজনরঞ্জনযদুকুলনলিনদিনেশ,
জয়জয় দেব হরে ॥১৯॥
মধুমুরনরকবিনাশনগরুড়াসনসুরকুলকেলিনিদান,
জয়জয় দেব হরে ॥২০॥
অমলকমলদললোচনভবমোচনত্রিভুবনভবননিধান,
জয়জয় দেব হরে ॥২১॥

পদানুবাদ ঃ—হে কালিয়বিষধরগঞ্জন ! (হে কালিয় কৌবা লিলবু খুহুম চনথ্রবা, থীনা চৈথ্রব) হে জন রঞ্জন ! (হে মীপুম্নমকপু হরাও-হল্লবা) হে যদুকুলনলিনদিনেশ ! (হে যদু শাগৈ থম্বাল গী নুমিৎ ওই-রবা) হে দেব ! (হে লাই) হে হরে ! (হে হরি) জয় জয় (জয় ওই-বিউ জয় ওইবিউ) ॥১৯॥

পদানুবাদ ঃ—হে মধু মুর নরক বিনাশন ! (হে মধু কৌবা, মুর কৌবা, নরক কৌবা হিংচাববু হাৎলবা) হে গরুড়াসন (হে গরুড়না শাদোং ওইরব) হে সুরকুলকেলিনিদান ! (লাই ময়ামগী নুংঙাইনা শান্নববু, হৌদোকপিরবা) হে দেব ! (হে লাই) হে হরে ! (হে হরি) জয় জয় (জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ) ॥২০॥

অনুবাদ ঃ—মধু কৌবা, মুর কৌবা, নরক কৌবা হিংচাবশিংবু হাৎথ্রবা ! পক্ষীরাজ গরুড়বু শাদোং ওইনা তোংথ্রবা ! হিংচা-বা ময়াম্বু হাৎলগা লাই পুম্নমক্কী নুংঙাইনা শান্নবা খূজীল্ থোরাং হোংনবিথরবা ! হে ইবুংঙো ! হে হরি ! নহাক্কা জয় ওইবিউ ॥২০॥

পদানুবাদ ঃ—অমলকমলদল লোচন ! (অমকপা লৈত্রবা থম্বাল-মনাগুম্বা মীৎ পাল্লবা) হে ভবমোচন ! (হে সংসারদা হন্না পোকপা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জনকসুতাকৃতভূষণজিতদূষণসমরশমিতদশকণ্ঠ,
জয়জয় দেব হরে ।২২॥
অভিনবজলধরসুন্দরধৃতমন্দরশ্রীমুখচন্দ্রচকোর,
জয়জয় দেব হরে ॥২৩॥

কোকহল্লবা) হে ত্রিভুবনভবননিধান ! (হ মরোল ভ গুম্মক্লা য়ুমগী লল ওইরবা) হে দেব ! (হে লাই) হে হরে ! (হে হরি) জয়জয় (জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ) ॥২১॥

অনুবাদ ঃ—অমকপা লৈত্রবা থব্বাল লৈক গুম্বা মীৎ পাল্লবা, সংসারদা হন্না পোকপা মপোক কোকহল্লবা, মরোল অহুম্মক্লা হায়বদী স্বর্গ, মর্ত্ত্য, পাতালসিনা য়ুম ওইরগা মদূগী লল্ ওইরবা, হে দেব, হে হরে, ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ ॥২১॥

পদানুবাদ ঃ—হে জনকসুতাকৃতভূষণ ! (হে জনকনা পোকপীগী লৈতেং ওইরবা) হে জিত দূষণ ! দূষণ কৌবা হিংচাববু হাৎখরবা) হে সমরশমিতদশকণ্ঠ ! (হে লানফমদা রাবণবু হাৎখরবা) হে দেব ! (হে লাই) হে হরে ! (হে হরি) জয় জয় (জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ)

অনুবাদ ঃ— জনক নিংথৌনা পোক্লবী সীতা দেবীগী লৈতেং ওইরবা, দূষণ কৌবা হিংচাববু জয় তৌখরবা, লানফমদা রাবণবু হাৎখরবা, লাই ওইরবা হে হরি ! ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ ॥২২॥

পদানুবাদ ঃ—হে অভিনবজলধরসুন্দর ! (হে অনৌবা হৌরকপা নোংগুম্না ফজরবা) হে ধৃতমন্দর ! (হে মন্দর কৌবা চীং থাঙ্গৎলবা) শ্রীমুখচন্দ্রচকোর ! (শ্রীরাধাগী মায়থোং থাগী নোংইন্ ওইরবা) হে

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তবচরণেপ্রণতাবয়মিতিভাবয়করুকুশলংপ্রণতেষু,
জয়জয় দেব হরে ॥২৪॥
শ্রীজয়দেবকরেরিদংকুরুতেমুদংমঙ্গলমুজ্জ্বলগীতি,
জয়জয় দেব হরে ॥২৫॥

দেব ! (হে লাই) হে হরে ! (হে হরি) জয় জয় (জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ) ॥২৩॥

অনুবাদঃ—অনৌবা হৌরকপা নোংগুম্না মুনা ফজরবা, মন্দর কৌবা চীংবু থাঙ্গৎপা, শ্রীমতি রাধিকাগী মায়থোং থাগি নোংইন্ ওইরবা, হে দেব, হে হরে, ইবুংঙো নহাক্না জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ ॥২৩॥

ব্যাখ্যাঃ—(১) "ধৃত মন্দর" গোবর্দ্ধন কৌবা চীং থাঙ্গৎখরবা হায়বগী য়াওনৈ। মাহুদী— "গোকুলরক্ষার্থং গোবর্দ্ধনস্য ছত্রীকৃতত্বাৎ। (২) "চকোরঃ" পক্ষীবিশেষশ্চন্দ্রকিরণপাতা। যদুক্তং—"জ্যোৎস্নাপানং চকোরাণা" মিতি কবিকল্পলতায়াং। থাগি মঙান চাগে তান্নবা উচেক জাৎ অমবু "নোংইন" কৌই॥ "শ্রীমুখচন্দ্র" লক্ষ্মীগী মায়থোং থাগী হায়বগী য়াওই।

পদানুবাদঃ—হে দেব ! (হে ইবুংঙো) হে হরে ! (হে হরি) বয়ং (ঐখোয় ময়াম সীনা) তব চরণে (নহাক্কী নথোংদা) প্রণতাঃ (খুরুমজরি) ইতি ভাবয় (অসুম্না খংবিউ) প্রণতেষু অস্মাসু (খুরুমজরিবা ঐখোয় ময়ামদ) কুশলং কুরু (য়াইফবা পীনবিউ, প্রেমভক্তি পীনবিউ) জয় জয় (জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ) ॥২৪॥

পদানুবাদ :—শ্রীজয়দেব কবেঃ (শ্রীজয়দেব কবিগী) ইদং [অসীগুম্ব] মঙ্গলং [য়াইফরবা] উজ্জ্বলগীতি [নিংথিজরবা ঈশৈ অসীনা]

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌভিক বসন্ত ওইরক্লবদা কাম্মোদ্দীপক ওইরক্তুনা শান্নবা শ্রীকৃষ্ণগী লীলাবু হায়হুনা শ্রীজয়দেব কবিনা ভক্তশিংগী মফমদা আশিষ পীরি।

পদ্মাপয়োধরতটীপরিরম্ভলগ্ন,
কাশ্মীরমুদ্রিতমুরো মধুসূদনস্ত।
ব্যক্তানুরাগমিবখেলদনঙ্গখেদ,
স্বেদাম্বুপূরমনুপূরয়তুপ্রিয়ম্বঃ ॥২৬॥

শৃণ্বতাং ভক্তানাম [তারিবা ভক্তশিংগী] মুদং কুরুতে [নুংঙাইবা পীনরি] হে দেব [হে ইবুংঙো] হে হরে [হে হরি] জয় জয় [জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ] ॥২৫॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা য়াইফরবা নিংথীজরবা [লমঙাল্লবা] ঈশৈ অসীনা তারিবা মী নত্রগা ভক্তশিংগী নুংঙাইরবা পিনরি, হে দেব! হে হরে! জয় ওইবিউ জয় ওইবিউ ॥২৫॥

পদানুবাদ—মধুসূদনস্ত [শ্রীকৃষ্ণগী] ব্যক্ত [ফোংদোক্লবা] অনুরাগং ইব [প্রেমগুম্না] পদ্মা [লক্ষ্মীগী] পয়োধর [কুচগী, খোমগী] তটী [মপান্দা, মকোয়দা] পরিরম্ভ [আলিঙ্গন তৌবদা] লগ্ন [পক্লক্লবা, তৈরক্লবা] কাশ্মীর [কুঙ্কুম চন্দননা] মুদ্রিতং [য়েক্লবা] খেলৎ [শান্নবদা] অনঙ্গ খেদ [রতিক্রীড়াগী রাবনা] স্বেদঅম্বু [হুমাংগী ঈশিংনা] পূরং [ঈচেল নাইনা চেল্লবা] উরঃ [থবাক্তুনা] বঃ [নখোয়গী, ভক্তশিংগী] প্রিয়ং [অপাম্বব] অনুপূরয়তু [থুংহনবিরসনু] ॥২৬॥

অনুবাদ :—হে ভক্তশা! প্রেম লৈ হায়বা উত্তুনা তাকপগুম্না লক্ষ্মীগী কুচগী (খোমগী) অকোয়বদা আলিঙ্গন তৌরুবদা তৈরক্লবা কুঙ্কুম চন্দননা লৈতেংলবা, রতিক্রীড়া রাবদগী হুমাংগী ঈশিংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বসন্তেবাসন্তীকুসুমসুকুমারৈরবয়বৈ-
র্ভ্রমন্তীংকান্তারেবহুবিহিতকৃষ্ণানুসরণাম্।
অমন্দংকন্দর্পজ্বরজনিতচিন্তাকুলতয়া
বলদ্বাধাংরাধাংসরসমিদমুচেসহচরী ॥২৭॥

ইচেল নাইনা চেল্লবা, শ্রীকৃষ্ণগী থবা কুনা নংখোয় পূন্নমক্কী নীংবা পূন্নমক থুংহনবিরসন্থ ॥২৬॥

পদানুবাদ ঃ—কাশ্চিৎ সহচরী [কনাগুম্বী চংমিন্নরবী সখীনা] বসন্তে [বসন্তগী মতমদা] বাসন্তী কুসুম [বাসন্তী কৌবী লৈগুন্না] সুকুমারৈঃ [তনৌ তনৌরবা] অবয়বৈঃ [হকচাং ওইহুনা] কান্তারে [বনদা] ভ্রমন্তীং [কোয়রবী, চৎলবী] বহুবিহিত [মখল মখা য়ান্না হোৎনদূনা] কৃষ্ণানুসরণাং [কৃষ্ণগী খোঙ্গুল লীরবী] অমন্দং [তপথবা য়াত্রদূনা] কন্দর্প [কামগী, রতিক্রীড়া শান্ননিংবগী] জ্বর [লাইথুংনা] জনিত [পোকপ্রবা] চিন্তাকুলতয়া [রাখল অরাবনা] বলদ্বাধাং [অনাবা হেঞ্জিল্লবী] রাধাং [রাধাদা] ইদং [মাসীবু, মখাগী ঈশৈসিবু], সরসং [তরাম তরান্নঃ] উচে [হায়খী] ॥১৭॥

অনুবাদ :—কনাগুম্বী সখীনা বসন্তগী মতমদা, বাসন্তী কৌবী লৈগী মতৌগুন্না তনৌ তনৌরবা হকচাং ওইহুনা বনগী মনুংদা কোয়চৎ চৎলবী, মখল মখা য়ান্না হোৎনদূনা কৃষ্ণ উন্ননবগীদমক খোঙ্গুল লীরবী, তপথবা য়াত্রদূনা রতিক্রীড়া শান্ননীংবদগী পোকপ্রবা রাখল অরাবহুনা অনাবা হেঞ্জিল্লবী শ্রীমতি রাধিকাদা মখাদা হায়গদৌরিবা ইশৈসীবু তরাম তরান্না হায়খী ॥২৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইশৈশিংগ্ব হায়রক্নি

গীতং ।৩।

(বসন্ত রাগ —য'তিতালাভ্যাংগীয়তে)

ললিতলবঙ্গলতাপরিশীলনকোমলমলয়সমীরে,
মধুকরনিকরকরম্বিতকোকিলকূজিতকুঞ্জকুটীরে।
বিহরতিহরিরিহসরসবসন্তে,
নৃত্যতিযুবতিজনেনসমংসখিবিরহিজনস্যদুরন্তে ॥২৮॥

পদানুবাদ :—হে সখি! [হে ইতা ইবেম্মা রাধা] হরিঃ [শ্রীকৃষ্ণসিনা] যুবতিজনেন [মথোক কারকপী নুপীগা] সমং [লোয়নন] ললিত [নিংথীজরবী] লবঙ্গ লতা [লবঙ্গ কৌবী উর'দা] পরিশীলন [কোল্লুত্তনা, শোক্লুত্তনা] কোমল [নামীরবা, মনম নুংশিরবা] মলয় সমীরে [মলয় কৌবা চীংগী নু·শিং শী·লবা] মধুকরঃ [হয়ীংখোই] নিকর [মপৈগা] করম্বিত [লোইনরদুনা, তিন্নরদুনা] কোকিলঃ [কোকিলনা] কূজিত [খোংলবা] কুঞ্জকুটীরে [কুঞ্জগী যুমদা, উনাশংদা] বিরহিজনস্য [কায়নরবা মীগী] দুরন্তে [তমথীরবা, রানা লেন্নরবা] ইহ সরস বসন্তে [নুংঙাইরবা বসন্তগী মতমসিদা] নৃত্যতি [জগোই শারি] বিহরতি (শান্নরি) ॥২৮॥

অনুবাদ :—য়েংউ ইতা ইবেম্মা রাধিকে! ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসিনা মো-নহাশিংগা লোয়ননা, নিংথীজরবী লবঙ্গ কৌবী উরীদা কোল্ল-কোল্লত্তুনা মলয় পর্ব্বতকী (চন্দন গিরিগী) নামিরবা অমসুং মনম নুংশিরবা নুংশিং শীৎলবা, হয়ীংখোই মপৈগা লোইননা কোকিলশিংনা কুঞ্জগী থাংপোক্তা কুহু-কুহু হায়না খোংলবা, মপুরোইবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

উন্মদমদনমনোরথপথিকবধূজনজনিতবিলাপে
অলিকুলসঙ্কুলকুসুমসমূহনিরাকুলবকুলকলাপে ॥২৯॥

কায়নরবীশিংগী থোইদোক্না ৱানা লেন্নবগী মশক ওইরবা হুংঙাই-রবা বসন্তগী মতমসিদা জগোই শারি অমসুং শান্নরি ॥২৮॥

(ক) ২৮নং ঈশৈগী "বিহরতি হরিরিহ সরসবসন্তে" হায়বা ধ্রুবপদ অসিদি ৩৪নং ঈশৈগী "স্ফুরদতিমুক্তলতা" হোবা ঈশৈ ৭ অসিগী পন্থখুদিং-মক্তা হাপকদবনী। হাপ্লোই হায়রবদি ৩৪নং ঈশৈতদা হাপ্তুনা পুন্না অন্বয় তৌগদবনী।

পদানুবাদ ঃ—উন্মদ (ময়াই কাবা) মদন (হুংঙাইববু, রতিক্রীড়াব) মনোরথ (খল্লুবন্থুনা) পথিক (লংফৈদা লৈখরবগী) বধূজন (মৌ-নহা-শিংনা, মতুশিংনা) জনিত (পোক্লবা) বিলাপে (তেংথাবা, কপ্পা)= জনিত বিলাপে (তেংথারবা, কপ্পরবা) অলিকুল (হয়ীংখোইমপৈনা) সঙ্কুল (তোংলবা, ওল্লবা) কুসুমসমূহ (লৈ পুম্নমক্তুনা) নিরাকুল (থোইদোক্না রাহল্লবা) বকুল কলাপে (বকুল পান্থী ময়াম হোৌরবা) ইহ সরস বসন্তে (হুংঙাইরবা বসন্তগী মতমদা) হরিঃ যুবতি জনেন সমং নৃত্যতি বিহরতি (হরিনা মৌ-নহাশিংগা লোয়ননা জগোই শারি শান্নরি ॥২৯॥

অনুবাদ ঃ—মতম হুংঙাইরকপগী মতুংইন্না লংফৈ চৎখিবা নিপাগী য়ুমদা লৈহৌরিবী মৌনহাশিংদুনা মশাদা ময়াই কারক্তুনা অমসুং কামগী ঈরা হোৌরক্তুনা মপুরোইববু খল্লুবদা তেংথাহুনা কপ্পরবা, খোইমু মপৈনা লৈহী চুপকে হায়দুনা তোংবদা লৈ মপৈনা হাই-হুন্না খাংবনা অরাবা পোক্লবা বকুলপান্থি ময়াম্না লৈতেংলবা, হুংঙাইরবা বসন্তগী মতমসিদা শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজকামিনী ময়ামগা লোয়ননা জগোই শারী অমসুং শান্নরি ॥২৯॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মৃগমদসৌরভরভসবশম্বদনবদলমালতমালে।
যুবজনহৃদয়বিদারণমনসিজনখরুচিকিংশুকজালে ॥৩০॥
মদনমহীপতিকনকদণ্ডরুচিকেশরকুসুমবিকাশে,
মিলিতশিলীমুখপাটলিপটলকৃতস্মরতুণবিলাসে ॥৩১॥

পদানুবাদ :— মৃগমদ [কস্তুরীগী] সৌরভ [মুংশিরবা মনমগী] রভস [ইচেংবু] বশম্বদ [নমহৎলবা, খুতুম চল্লবা] নবদলমাল [অনৌবা য়েম্নীং পরেং চোংলবা] তমালে [তমাল পাম্বি হৌরব] যুবজন [পাখংশিংগী] হৃদয়বিদারণ [থম্মোই হোগায়নবা] মনসিজ [কামদেবগী] নখরুচি [খুজীলগুম্না ফজরব] কিংশুকজালে [পাঙ্গোংমপৈনা শাৎলবা] মুংঙাইরবা বসন্তগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা গোপীশিংগা লোয়ননা শান্নরি ॥৩০॥

পদানুবাদ :— মদনমহীপতি [কামদেব কৌবা নিংথৌগী] কনকদণ্ড [ছেকপীনগুম্না, ছাটীনগুম্না] রুচি [ফজরবা] কেশরকুসুম [নাগেশ্বর কৌবা লৈনা] বিকাশে [শাৎলবা], মিলিত [তোংলবা] শিলীমুখ [হয়ীংখোই]= মিলিত শিলীমুখ [হয়ীংখোই তোংলবা] পাটলি [পাটলি কৌবা লৈগী] পটল [মপৈনা, চরোংনা] কৃত [তৌরবা] স্মর [কামদেবগী] তূণ [তেন্দোংনা] বিলাস [ফজরগুম্না]— কৃত স্মর তূণ বিলাসে (কামদেবগী তেন্দোংনা ফজবগুম্না তৌরবা) বসন্তদা ... ... শান্নরি ॥৩১॥

অনুবাদ :—শক ফজরবা কামদেবগী সনানা শারবা ছেকৃপীনগুম্না (পেগুম্না) নিংথিজরবা নাগেশ্বর কৌবা লৈনা শাৎলবা, অমসুং পাটলি কৌবা লৈ চরোংদা খোইমু তোংবত্র উরগা, কামদেবগী তেম্না (তেল) হাপ্পবা তেন্দোংনি অসুম খল্লরবা বসন্তগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা গোপীশিংগা লোয়ননা শান্নরি ॥৩১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিগলিতলজ্জিতজগদবলোকনতরুণকরুণকৃতহাসে,
বিরহিনিকৃন্তনকুন্তমুখাকৃতিকেতকীদন্তুরিতাশে ॥৩২॥
মাধবিকাপরিমললালিতেনবমালিকয়াতিসুগন্ধৌ।
মুণিমনসামপিমোহনকারিণিতরুণাকারণবন্ধৌ ॥৩৩॥

পদানুবাদ :— বিগলিত (থাদোক্লবা, রাংমা লাল্লবা) লজ্জিত (ইকাইবা)=বিগলিত লজ্জিত (ইকাইবা রাংমা লাল্লবা) জগৎ (জগৎনা, মী পূন্নমক্না) অবলোকন (উজসনু হায়দুনা) তরুণ (নৌরবা) করুণ (করুণ কৌবা লৈনা) কৃত (তৌরবা) হাসে (নোক-পা)=কৃত হাসে (নোক্লক্লবা হায়বদী শাৎলক্লবা) বিরহি (কায়নশিং-গী, নিকৃন্তন (হোগায়ননবা, থিলহৎননবা) কুন্তমুখাকৃতি (তাশোনগী মশক মাল্লবা) কেতকী (কেতুকী কৌবী লৈনা) দন্তুরিত (থিনগৎ-লক্লবা, ইন্থোরক্লবা) আশে (মাইকৈদা)= দন্তুরিতাশে (মাইকৈ পূন্নমক্তা থিনগৎলবা) বসন্তদা ... ... শান্নরি ॥৩২॥

অনুবাদ :—বসন্ত শাক্লবসিদা জগৎকী মী পুন্নমক ইকাইবা রাংমা লান্নরে। মাদু উবদা নাক্লবা শারদুনা নৌরবী করুণ কৌবী লৈ-রাংনা ফুগাইনা শাৎলক্লে অমসুং মতৈ মনাও কায়নরবশিংগী থম্মোই হোগায়নবগী মশক ওইরবা কেতকী কৌবী লৈনসু তাশোনগী মশক ওইরদুনা মাইকৈ পূন্নমক্তা থিনগৎলক্লে। মতমসিদা শ্রীকৃষ্ণনা অতৈ গোপীশিংগা লোয়ননা শান্নরি ॥৩২॥

পদানুবাদ :—মাধবিকা (মাধবী কৌবী লৈরাংগী) পরিমল (হুং-শিরবা মনম্না) ললিতে (পুক্নীং হুরবা), নবমালিকয়া (নবমালিকানা)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্ফুরদতিমুক্তলতাপরিরম্ভণপুলকিতমুকুলিতচূতে।
বৃন্দাবনবিপিনেপরিসরপরিগতযমুনাজলপূতে ॥৩৪॥

অতি (থোইদোক্না) সুগন্ধৌ (মনম্ হুংশিরবা) মুণিমনসাংঅপি (মুণিশিংগী পুক্নীংবু সু) মোহনকারিণি (সুমহৎনরবা) তরুণ (পাখং-লৈশাবীশিংগী) অকারণ (চান্নবা) বন্ধৌ (মরূপ ওইরবা) ইহ সরস ... . বিহরতি ॥৩৩॥

অনুবাদ :– মাধবী কৌবী লৈগী হুংশিরবা মনম অদুনা মাইকৈ মরিমক্তা হাহা লাওরবা, নবমালিকানসু থোইদোক্না মনম হুং-শিরবা, মুণিশিংগী পুক্নীং য়েনসু শুদ্ধংনবগী মশক ওহরবা, অত্থুগা পাখং লৈশাবীশিংগীদি থোইদোক্না মরূপ ওইরবা বসন্তগী মতম-সিদা শ্রীকৃষ্ণনা অতৈ গোপীশিংগা লোইননা জগোই শারি অমসুং শান্নরি ॥৩৩॥

পদানুবাদ :– স্ফুরৎ (লৈ শাৎলবা) অতিমুক্তলতা (অতিমুক্তলতা কৌবী উরীনা) পরিরম্ভন (কোনবদা, য়েৎপদা) পুলকিত (তুজুংলদু-ন) মুকুলিত [য়েন্নীং চোংলবা] চূতে [হৈনৌ পাম্বিনা] = পুলকিত মুকুলিত চূতে [হৈনৌ পাম্বিশিংনা তুজুংলবা] পরিসর [ইথুংথুংনা] পরিগত [চৎলক্লবা] যমুনাজলপূতে [যমুনাগী ঈশিংনা শেংদোক্লবা] বৃন্দাবন বিপিনে [বৃন্দাবন কৌবা বনদা] ইহ সরস ... ... বিহরতি ॥ হুংঙায়রবা বসন্তগী মতমসিদা শ্রীকৃষ্ণনা অতৈ গোপী-শিংগা লোইননা জগোই শারি অমসুং শান্নরি ॥৩৪॥

অনুবাদ :—লৈনা ইঙৌ ঙৌনা শাৎলবী অতিমুক্তলতা কৌবী উরীনা য়েত্তনা হৌরুবা হৈনৌ পাম্বিশিং অত্থনা হরাওগ্রত্থনা অনৌবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভনিতমিদমুদয়তিহরিচরণস্মৃতিসারম্
সরসবসন্তসময়বনবর্ণনমনুগতমদনবিকারম্ ॥৩৫॥

য়েন্নীং পুমণ্ডাং ঙাংনা থিনগৎলবা, অদুগা বনগী মনুংদা শীৎলিবা মলয় হুংশিং অদুনা যমুনাগী ঈশিং ঈরিক্ত পুদুন বন পুন্নমকপু শেং-দোক্তুনা অমোৎপা লৈত্রবা অমসুং পাপ চংদ্রবা বৃন্দাবনদা, হুং-ঙাইরবা বসন্তগী মতমদা শ্রীকৃষ্ণনা অতোপ্পা গোপীশিংগা লোইননা জগোই শারি অমসুং শান্নরি ॥৩৪॥

ব্যাখ্যা ঃ—প্রবন্ধ অসিগী নং ১৮গী "ললিতলবঙ্গ" দগী হৌদুনা, নং ৩৪গী "স্ফুরদতি মুক্তলতা।" ফাওবা শ্লোক ৭ অসিগী মহুংদা ক্রিয়াগী তুংফম ওই-রবা অধিকরণ কারক য়াওরি। ১না মতম খংবা (কালাধিকরণ) মাদুদি—"সরসবসন্তে" হায়বসিনি। ১না মফম খংবা (স্থানাধিকরণ) মাদুদি—"বৃন্দাবনবিপিনে" হায়বসিনি। মথক্তা হায়খ্রবা "একার" না লোম্বা বিশেষণ পুন্নমক অসী বসন্ত অমসুং বৃন্দাবন অনিমক্তা চংশিন্দুনা বিশেষণ ওইবা য়াই। কনাগুম্বনা হংলক্লে, করম্বা বসন্তদনো? পাওখুম, "ললিত লবঙ্গ লতা পরিশীলন কোমল মলয়সমীরে" অদুগা অমুকসু করম্বা বৃন্দাবনদনো? পাওখুম, "ললিত লবঙ্গলতা পরিশীলন কোমল মলয়স-মীরে" অসিনচিংবসিনি ॥

পদানুবাদ ঃ—শ্রীজয়দেবভনিতং [শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা], হরিচরণস্মৃতিসারং [হরিগী চরণ নিংশিংনবগী অথোইবা পান্থে ওই-রবা] অনুগতমদনবিকারং [মতুং ইন্না কামগী বিকার ওইরবা] সরস বসন্তসময়বনবর্ণনং [হুংঙাইরবা বসন্তগী মতমগী বনগী ৱারি লিরবা] ইদংগীতং [ঈশৈ অসীনা] ভক্তানাং হৃদয়ে [ভক্তশিংগী থম্মোইদা] উদয়তু [থোক্লসনু, ঙাল্লসনু) ॥৩৫॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা, হরি কাওদনবগী মরমদা থোইদোক্লা মচি ওইরবা, ৱারিগা লোইননা কামগী বিকার ওইরবা,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কাইনরবা মীশিংগী মফমদা
(অথবা পীরবা মলয়া নুংশিৎকী মতৌ তাক্লি)

দরবিদলিতমল্লীবল্লিচঞ্চৎপরাগ
প্রকটিতপটবাসৈর্বাসয়ন্‌কাননানি ।
ইহহিদহতিচেতঃকেতকীগন্ধবন্ধুঃ,
প্রসরদসমবাণপ্রাণবদ্গন্ধবাহঃ ॥৩৬॥

নুংঙাইরবা বসন্তগী মতমদা ওইবা বনগী য়ানার লীরবা ঈশৈ অসিনা ভক্তশিংগী থম্মোইদা থোক্লসনু ॥৩৫॥

পদানুবাদ :—দর [পোম্বোম] বিদলিত [শাৎলবা] মল্লী [মল্লিকা কৌবী] বল্লী [উরীদা] চঞ্চৎপরাগ (হাই-হুন্না লৈরবা লৈরীক্তগী) প্রকটিত (পাইথোক্লবা) পটবাসৈঃ (লৈনম খিবিক্লা) কাননানি (বন ময়াম্বু বাসয়ন্ (মনম নুংশিহল্লবা), কেতকীগন্ধবন্ধুঃ (কেতকী কৌবী লৈগী মনমগা চান্নরবা), প্রসরৎ (শিৎলবা) অসমবান (কামদেবগী) প্রাণবদ্ (মরূপ ওইদুনা, থৱাই ওইদুনা) গন্ধবাহঃ [নুংশিৎনা]— প্রসরদসমবাণপ্রাণবদ্গন্ধবাহঃ [কামদেবগী মরূপ ওইদুনা শিৎলবা নুংশিৎনা] ইহ বসন্তে [বসন্তগী মতমসিদা] বিরহিণাম্ [কায়নরবশিংগী] চেতঃ [থম্মোইবু হি দহতি [লেপ্পমক চাকথেকহল্লি] ॥৩৬॥

অনুবাদ :—লৈ পোম্বোম শাৎলবা মল্লিকাগী উরীদা হাই-হুন্না লৈরবা লৈরিক্তগী পাইথোকখ্রবা নুংশিরবা মনম খিবিক্লা বন পুম্নমকপু মনম নুংশিহল্লবা, কেতকী কৌবী লৈগী মনমগা মরূপ শান্নরবা, কামদেবগী থৱাই ওইদুনা শিৎলক্লবা নুংশিৎনা, হৌজিক বসন্তগী মতমসিদা কায়নরবা নিপা নুপীশিংগী থম্মোইবু লেপ্পমক চাকহল্লি ॥৩৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অদ্যোৎসঙ্গবসদ্ভুজঙ্গকবলক্লেশাদিবেশাচলং,
প্রালেয়প্লবনেচ্ছয়ানুসরতিশ্রীখণ্ডশৈলানিলঃ।
কিঞ্চস্নিগ্ধরসালমৌলিমুকুলান্যালোক্যহর্ষোদয়া–
তুন্মীলন্তিকুহুঃকুহুরিতিকলোত্তালাঃপিকানাংগিরঃ ॥৩৭॥

পদানুবাদ ঃ—শ্রীখণ্ডশৈল [মলয় চীংগী] অনিলঃ [নুংশিৎনা] অদ্য [ঙসিদা হায়বদী বসন্তগী মতমসিদা] উৎসঙ্গবসৎ [লোক্তা লৈরুবনা হায়বদী মলয়পর্ব্বতকী লোকচপ্তা শিংলূননা] ভুজঙ্গ [লিন্না] কবল [য়োৎলুবনা, নুংশাশোর হোন্দোক হোনজিন তোবদা য়াওরুবনা] ক্লেশাৎ ইব [অন্নাবগী মতৌ ওইগ্রত্তুনা] প্রালেয় [উল্দা] প্লবনেচ্ছয়া [ইরুজনীংতুনা] ঈশাচলং [মহাদেবগী চীংদা, হিমালয় কৌবা চীংদা] অনুসরতি [ওনশিন্দুনা শীংলি, মপাতনতুনা চৎলি] কিঞ্চ [অমহিক-সু] স্নিগ্ধ [নিংথিজরব] রসালমৌলি [হৈনৌ পাম্বি মতোন্দা] মুকুলানি [চোংলীবা য়েন্নীং খিবিকপু] আলোক্য [উরগা] হর্ষোদয়াৎ হরাওগ্রত্তুনা] পিকানাং (কোকিলশিংগী) কুহুকুহুঃ (কুহুকুহু অসূম হায়বা) কলোত্তালাঃ (রাংনা পিক্না নুংশিরবা) গিরঃ (খোঞ্জেল্ খিবিক্না) উন্মীলন্তি (পুম্নিন্নানখরে) ॥৩৭॥

অনুবাদ :—মলয়পর্ব্বতকী লোক্তা শীংলিবা নুংশিৎ অতুনা মফম অতুগী উথুং অহোবদা লৈবা লিনগী হুবু শোর হোন্দোক হোঞ্জিন তোবদা য়াওদূনা মনম নমথীরে হায়না খনগ্রত্তুনা, মাদূ কোক্নবা উলদা ইরুজগে নিংতুনা হিমালয় কোবা চীংলোমদা ওন্দুনা শিংলক্লে অমসুং নিংথিজরবা হৈনৌ পাম্বিশিংদা য়েন্নীং চোংলিবতু উরগা চাবা ফংলগনি হায়না থল্লুবদা হরাওগ্রত্তুনা কোকিলগী রাংনা কুহুকুহু খোংবা খোঞ্জেন পুম্নমক্না পুম্নীন্নীনখরে ॥৩৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

উন্মীলন্মধুগন্ধলুব্ধমধুপব্যাধূতচূতাঙ্কুর
ক্রীড়ৎকোকিলকাকলীকলকলৈরুদ্গীর্ণকর্ণজ্বরাঃ।
নীয়ন্তেপথিকৈঃকথংকথমপিধ্যানাবধানক্ষণ–
প্রাপ্তপ্রাণসমাসমাগমরসোল্লাসৈরমীবাসরাঃ ॥৩৮॥

পদানুবাদ ঃ—ধ্যান (ধ্যান তৌবদা, মীৎ উইশিন্দুনা খনবদা) অবধান (পুক্নীং লুপ্ থ্রত্নুন', য়ৌশিনমনখিত্নুনা) ক্ষণপ্রাপ্ত (ঙাইহাক্তং ফংলবা) প্রাণসমা (চাম্নথোইবীগা, থরাইগা মান্নবীগা) সমাগম (তিন্নরুবা) রসউল্লাসৈঃ (রসনা হরাওথ্রবা) পথিকৈঃ (লংফৈচৎপশিং-ন'), উন্মীলন্ (পাইথোরক্লবা, চৎথোক্লক্লবা) মধুগন্ধ (লৈগী মনম) লুব্ধ (পাম্লবা) মধুপ (হয়ীংখোইনা) ব্যাধূত (হাইহল্লবা, নোমহল্লবা) চূতাঙ্কুর (হৈনৌ য়েন্নীং ময়ক্তা) ক্রীড়ৎ (শান্নরবা) কোকিল (কো-কিলশিংগী) কাকলী (পীক্লা নোনা নীংথিজরবা) কলকলৈঃ [নিল্লবা খোঞ্জেল খিবিক্না] উদ্গীর্ণ (পোক্লবা) কর্ণজ্বরাঃ (নাকোংগী লাইথুং) —উদ্গীর্ণকর্ণজ্বরাঃ (নাকোংগী লাইথুং পোক্লবা) বসন্ত সম্বন্ধিনঃ (বসন্তগী মঙ্গুং চল্লবা) অমীবাসরাঃ (নুমিৎশিং অসী) কথংকথংঅপি (করম্ করম্বা মতৌনা হায়বদী য়াম্না রানা) নীয়ন্তে [লেম্নরি] ॥৩৮॥

অনুবাদ ঃ—য়েংউ ইতা ইবেম্মা রাধে! প্রিয়াগা কাইনত্নুনা লংফৈ চৎলিবশিংনা, ধ্যান তৌত্নুনা নিংবদা প্রিয়াগা ঙাইহাক্তং উন্নবদা নুংঙাইথ্রবা, বসন্তগী মতম ওইবনা লৈগী মনম ফংলদূনা লৈহী চূপকে হায়দূনা খোইমুনা ঙ ং ঙ ং ঙংদূনা তোংলবা, অমসুং কোকিলনা হৈনৌ য়েন্নীং মরক্তা তোংদূনা কুহুকুহু খোংবনা নিল্লবা নুমিৎ ময়াম অসী ওন্থোক্লা রানা লেপ্লি ॥৩৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অনেকনারী পরিরম্ভ সংভ্রম
স্ফুরন্মনোহারিবিলাসলালসম্।
মুরারিমারাদুপদর্শয়ন্ত্যসৌ
সখী সমক্ষং পুনরাহ রাধিকাম্ ॥৩৯॥

(সখীনা হায়খিবা ধারমদু ঈশৈনা হায়রক্লি)
রামকিরীরাগযতিতালাভ্যাংগীয়তে ॥
গীতং ।৪।

চন্দনচর্চ্চিতনীলকলেবরপীতবসনবনমালী,
কেলিচলন্মণিকুণ্ডলমণ্ডিতগণ্ডযুগস্মিতশালী।
হরিরিহমুগ্ধবধূনিকরে,
বিলাসিনিবিলসতিকেলিপরে ॥৪০॥

পদানুবাদঃ— অনেকনারী [নুপী ময়ামগী মফমদ] পরিরম্ভ [আলিঙ্গন তৌবদা] সংভ্রম [হরাওবা] স্ফুরন্ [ফোংদোক্কুনা] মনোহারি (পুক্লীং হূনা) বিলাসলালসং (শান্নবা পাম্নবা) মুরারিং (শ্রীকৃষ্ণবু) আরাৎ (অথাপ্পদা) সমক্ষং (সংসংনা, মমীৎমক্লা) উপদর্শয়ন্তী (উহল্লদূনা) অসৌসখী (সখী অদূনা) পুনঃ (অমুকহন্না) রাধিকাং (শ্রীরাধিকাদা) আহ (হায়খি) ॥৩৯॥

অনুবাদঃ—নুপী ময়ামগী মরক্তা আলিঙ্গন তৌদূনা শান্নবদা হরাওধদূনা হন্নাহন্না নুংঙাইনা শান্ননবগী রাখল্ ফোংদোক্লবা অমসুং নুপী ময়ামগী মরক্তা লাপ্লপ্পা লৈরিবা শ্রীকৃষ্ণবু মমিৎমক্লা সংসংনা উহল্লদূনা সখী অদূনা অমুক হন্না শ্রীরাধিকাদা হায়খি ॥৩৯॥

পদানুবাদ :—হে বিলাসিনি রাধে ! (হে শান্নব পাম্লবী রাধে) চন্দনচর্চ্চিত (চন্দন থিল্লবা, তৈরবা) নীলকলেবর (কুচু শংবান্নরবা)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পীনপয়োধর ভারভরেণহরিং পরিরভ্য সরাগম্।
গোপবধূরনুগায়তিকাচিদুদঞ্চিতপঞ্চমরাগম্ ॥৪১॥

পীতবসন (ফী নাপু শেৎলবা, স্নাফীগে ফৈজোম শেৎলবা) বনমালী (বনগী লৈপরেং শিরবা) কেলিচলন্ (শান্নবদা হাই-হুন্নবা) মণি-কুণ্ডল (মণিনা শাবা নাইমা) মণ্ডিত (লৈতেংলবা) গণ্ডযুগ (খজাই অনিনা) স্মিতশালী (মোমোন নোক্লবা, মীনোক ফজনা নোক্লবা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণসিনা) কেলিপরে (শান্নবদা হৈশিংলবী) ইহমুগ্ধবধুনি-করে (নিংথৌজরবী নুপী শংগী মরকঅসীদা) বিলসতি(শান্নরি) ॥৪০॥

অনুবাদ :—হে শান্নবা পান্নবী রাধে! য়েংউ য়েংউ, চন্দননা ময়েক নাইনা ফজনা থিল্লবা, কুচু শংথান্নরবা, স্নাফীগে ফৈজোম শেৎলবা, বনগী লৈপরেং শিরবা, শান্নবদা হাইহুন্নবা, মণিনা শাবা কুণ্ডলনা লৈতেংলবা খজাই অনিনা মোমোন নোক্লুনা মীনোক ফজরবা শ্রীকৃষ্ণনা শান্নবদা হৈশিংলবী নুপী শংগী মরক্তা শান্নদুনা লৈরিবসে ॥৪০॥

পদানুবাদ :—কাশ্চিৎ (কনাগুম্বী) গোপবধূঃ (গোপগী নুপীনা) পীন (চাউরবা) পয়োধর (কুচগী, থোমগী) ভার [অরূম্বনা] ভরেণ [নম্থদুনা, চপশিন্দুনা] হরিং [কৃষ্ণবু] সরাগং [প্রেমগা লোয়ননা] পরিরভ্য [কোল্লগা] উদঞ্চিত [লাউখৎলদুনা] পঞ্চমরাগং [পঞ্চম রাগবু]—উদঞ্চিত পঞ্চমরাগং [পঞ্চমরাগ লাউখৎলদুনা] অনুগায়তি [তুং ইন্দুনা শক্লি হায়বদী কৃষ্ণনা শক্লবা তুংদা অমুক খুমদুনা শক্লি ॥৪১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কাপিবিলাসবিলোলবিলোচনখেলনজনিতমনোজম্ ।
ধ্যায়তিমুগ্ধবধূরধিকং মধুসূদনবদনসরোজম্ ॥৪২॥
কাপিকপোলতলেমিলিতালপিতুং কিমপিশ্রুতিমূলে ।
চারুচুচুম্বনিতম্ববতীদয়িতং পুলকৈরনুকূলে ॥৪৩॥

অনুবাদ :—কনাগুম্বী গোপগী নুপীন, মখোয়গী থবাক্কীকুচ [খাম] অদু য়াম্না চাউই হায়বা খংহন্নীংদুনঃ কৃষ্ণগী মশাদা [হকচা দা] নন্‌-শিন্দুনা পাম্বোম্না ফাজিন্দুনা প্রেমগা লোইননা কোনুশিল্লগা, কৃষ্ণনা শকলিবা অদুগী মতুংইন্না পঞ্চমরাগ লাউথৎলক্লে ॥৪১॥

পদানুবাদ :—কাপি [কনাগুম্বী] মুগ্ধবধূঃ [নিংথিজরবী মৌনহানা] বিলাস [শান্ননীংবনা] বিলোল [কোইরৈ লৈরবা, কোয়য়েংয়ে লবা] বিলোচন [মীৎ অদুনা] খেলন [শান্নরকপদা, মীৎচিনা য়েংবদা] জনিত [পোকখ্রবা] মনোজম্ [কামবু]—জনিত মনোজম্ [কাম পোকখ্রবা] মধুসূদন [শ্রীকৃষ্ণগী] বদন সরোজম্ (মায়থোং থম্বালবু) অধিকং [থোইদোক্না] ধ্যায়তি [নীংলি] ॥৪২॥

অনুবাদ :—কনাগুম্বী নিংথিজরবী গোপগী নুপীনা, শান্ননীংবনা কোয়রৈ লৈনা য়েংদুনা খৎলক্লীবা মীৎকী মীৎচি অহু উবদা কাম পোক্লবা, শ্রীকৃষ্ণগী মায়থোং থম্বালবু থোইদোক্না ক্রন্না ধ্যান তৌরি ॥৪২॥

পদানুবাদ :—কাপি কনাগুম্বী] নিতম্ববতী (খাং মথা ফজবীনা) দয়িত কৃষ্ণঃ [চান্নথোইরবা শ্রীকৃষ্ণদা] কিংঅপি [করিগুম্বা অমা] লপিতুং [হায়গে হাইবগী দমক] শ্রুতি মূলে [নাকোং মরুদা, নাকোং মনাক্তা] মিলিতা [পকশিল্লুরগা, নপ্‌শিল্লুরগা] পুলকৈঃ অনুকূলে [ভুজুংনা লৈরবা] কপোলতলে [চাইরুং মথাদ, খজাইদা] চারু [নিংথিজনা] চুচুম্ব [চুপ্‌লি] ॥৪৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কেলিকলাকুতুকেনচকাচিদমুং যমুনাজলকুলে।
মঞ্জুলবঞ্জুলকুঞ্জগতংবিচকর্ষকরেণদুকুলে ॥৪৪॥
করতলতালতরলবলয়াবলিকলিতকলস্বনবংশে।
রাসরসেসহনৃত্যপরাহরিনাযুবতিঃপ্রশশংসে ॥৪৫॥

অনুবাদ :—কনাগুম্বী থাংমখা ফজবী অমন', চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণদা করিগুম্বা অমা হায়গে হ'য়বা মতৌ উত্তুনা মচিন্নঃ নাকোং ময়াদা পক্‌শিল্লুরগা তুজুংনা লৈরবা খজাইদঃ নিংথিজনা চুম্বন তৌরি ॥৪৩॥

পদানুবাদ :—কাচিৎ চ (কনাগুম্বী অমঃসু) কেলিকলাকুতুকেন (মখলমখা য়াম্ন শান্নগনি হায়না' হৱাওগ্রদুন) যমুনাজলকূলে (যমুনাগী ঈশিং ময়াদা লৈরবা', যমুনা তুরেলগী মনাক্তা লৈরবা) মঞ্জুল (নিংথিজরবঃ) বঞ্জুলকুঞ্জগতং (বেতসকুঞ্জদা চংগ্রবা) অমুং শ্রীকৃষ্ণং (শ্রীকৃষ্ণ অসীবু) করেণ (মখুৎন) দুকূলে (ইন্নফী পায়দুনা) বিচকর্ষ (চিংলী, য়ান্নরী) ॥৪৪॥

অনুবাদ :- কনাগুম্বী গোপগী নুপী অমনস্তু, মখল মখা য়াম্না শান্নগনি হায়না হৱাওগ্রদুনা, যমুনা তুরেলগী মপান্দা লৈরবা নিংথজরবঃ বেতসকুঞ্জদা চ গ্রবা শ্রীকৃষ্ণদুবু মখুৎনা ইন্নফিপায়দুনা চিংলী ॥৪৪॥

পদানুবাদ :—হরিনা (শ্রীকৃষ্ণনা) করতলতাল (খুবাক খুত্থনা তাল থাবনা) তরল (হাইহুয়বা) বলয়াবলি (খুজী পরেংগী মখোল্‌গা) কলিত (তিন্নদুনা) কলস্বন বংশে (নুংশিনঃ বংশী খোংলবা) রাসরসে (গোপীগী কূম্মেদা) সহনৃত্যপরা (লোয়ননা জগোই শামিন্নরিবী) যুবতিঃ [গোপ নুপীবু] প্রশশংসে [থাগৎলি] ॥৪৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্লিষ্যতিকামপিচুম্বতিকামপিকামপিরময়তিরামাম্ ।
পশ্যতিসস্মিতচারুপরামপরামনুগচ্ছতিবামাম্ ॥৪৬॥
শ্রীজয়দেবকবেরিদমদ্ভুতকেশবকেলিরহস্যম্ ।
বিপিনবিনোদকলাবলিতং বিতনোতুশুভানিযশস্যম্ ॥৪৭॥

অনুবাদ ঃ –শ্রীকৃষ্ণন', খুবাক খূত্না তাল থাবদা হাইহুম্নবা খূজী-গী মথোলগা তিম্নদূনা বংশী খোংবনা থোইদোক্লা হুংঙাইরবা গোপী-শিংগী কূম্মেদা জগোইশামিন্নরিবী হুপীবূ থোইদোক্ল থাগৎলি ॥৪৫॥

পদানুবাদ ঃ—শ্রীকৃষ্ণঃ [শ্রীকৃষ্ণনা] কাংঅপি [কনাগুম্বী অমবু] শ্লিষ্যতি [আলিঙ্গন তৌরি. কোল্লি], কাংঅপি [কনাগুম্বী অমবু] চুম্বতি [চুপ্পি], কাঃঅপি [কনাগুম্ব] রামাং [হুপীবু] রময়তি [শান্ন-রি], পরাং [অতৈ অমবু] সস্মিতচারু [মীৎয়েং ফজনা] পশ্যতি [য়েংলি], অপরাংবামাঃ [অতোপ্প: হুপীবু] অনুগচ্ছতি [মতুং ইন্না চৎলি] ॥৪৬॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীকৃষ্ণন কনাগুম্বী হুপী অমবু আলিঙ্গন তৌরি, কনাগুম্বী অমবু চুম্বন তৌরি, কনাগুম্বী অমগা লোইননা শান্নরি, অতোপ্প অমদা মীনোক ফজনা নোক্লুনা য়েংলি, অতোপ্পা অমগীনা মতুং ইন্দুনা চৎলি ॥৪৬॥

পদানুবাদ ঃ– শ্রীজয়দেবকবেঃ [শ্রীজয়দেব কবিগী] বিপিন [বৃন্দাবনদা] বিনোদ [শান্নব] কলা [মচেৎনা, মশুংনা] বলিতং [তিল্লবা]— বিপিনবিনোদকলাবলিতং [বৃন্দাবন্দা শান্নবা মশান্না খিবিক্লা তিল্লব] অদ্ভুত [অঙকপা ওইনা] কেশব [কৃষ্ণগী] কেলি শান্নরবা] রহস্যং [থূপ্না] –কেলিরহস্যং [থূপ্না শান্নরবা] ইদংগীতং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিশ্বেষামনুরঞ্জনেনজনয়ন্নানন্দমিন্দীবরশ্রেণী
শ্যামলকোমলৈরুপনয়ন্নঙ্গৈরনঙ্গোৎসবম্ ।
স্বচ্ছন্দংব্রজসুন্দরীভিরভিতঃপ্রত্যঙ্গমালিঙ্গিতঃ
শৃঙ্গারঃসখিমূর্ত্তিমানিবমধৌমুগ্ধোহরিঃক্রীড়তি ॥৪৮॥

(ঈশৈ অসীনা) ভক্তাণাম্ [ভক্তশিংগী] শুভানি [য়াইফবা থিবিক] যশস্য [মিংচৎপু] বিতনোতু [পীনরসন্থ] ॥৪৭॥

অনুবাদ :—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা, কৃষ্ণগী বৃন্দাবনদা শান্নবা মশান্না থিবীক্লা তিল্লবা, অঙকপগী (মতম অমত্তদা গোপী পুন্নমক্কী নীংবা থুংহল্লিবসি অঙকপনি) মশক ওইনা থূপ্না শান্নবগী ঈশৈ অসীনা জগত্তা লৈরিবা ভক্ত পুন্নমক্কী নীংবা থুংহনবা অমস্তুং মিংচৎ ফংবা পীনরসন্থ ॥৪৭॥

পদানুবাদ :—হে সখি ! [হে রাধে] অনুরঞ্জনেন [পেন্নবা হোৎ-বিহুনা] বিশ্বেষাং [মীপুন্নমক্কী] আনন্দং [নুংঙাইববু] জনয়ন্ [পোক-হল্লবা], ইন্দীবর [থম্বাল অশংবা] শ্রেণী [পরেংগুম্না] শ্যামল [শং-বান্না] কোমলৈঃ [নৌরবা, থোৎলবা] অঙ্গৈঃ [হকচাং থিবিক্লা] অনঙ্গোৎসবং [রতিক্রীড়া রসবু] উপনয়ন্ [পোকহল্লবা], ব্রজসুন্দ-রীভিঃ [ব্রজগী শক ফজরবীশিংনা] অভিতঃ [পুমশু শুনা] প্রত্যঙ্গং [হকচাং খূদিংমক্তা] স্বচ্ছন্দং [নীংবা থুংনা] আলিঙ্গিতঃ [কোনথ্রবা] শৃঙ্গারঃ [কামদেবনা] মূর্ত্তিমান্ ইব [হকচাং পানবগুম্না] মুগ্ধঃ [নিং-থীজরবা] হরিঃ [শ্রীকৃষ্ণনা] মধৌ [বসন্তগী মতম্‌সিদা] ক্রীড়তি [শান্নরি] ॥৪৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রাসোল্লাসভরেণবিভ্রমভৃতামাভীরবামভ্রুবা
মভ্যর্ণেপরিরভ্যনিভরমুরঃপ্রেমান্ধয়ারাধয়া।
সাধুত্বদ্বদনংসুধাময়মিতিব্যাহৃত্যগীতস্তুতি
ব্যাজাদুদ্ভটচুম্বিতঃস্মিতমনোহারীহরিপাতুবঃ ॥৪৯॥

অনুবাদ :—হে ইতা রাধিকে ! নীংবা থুংননবা হোৎনবিদূনা মী পূম্নমক্কী নত্রগা ব্রজকামিনী পূম্নমক্কী হুংঙাইবা পোকহল্লবা, অশংবা থম্বাল পরেংগুম্না শংবাম্নন৷ নৌরবা হকচাং পূম্নমক অদূন র'তক্রীড়াগী রস পোকহল্লবা, ব্রজগী মৌনহা ইশুগুনা হকচাং পূম্নমক্তা আলিঙ্গন তৌথ্রবা, কামদেবনা হকচাং পান্দূনা চৎপগুম নিংথীজরবা শ্রীকৃষ্ণসিনা বসন্তগী মতমসিদা হুংঙাইনা শান্নরি ॥৪৮॥

পদানুবাদ :—প্রেমান্ধয়া [প্রেমন৷ মম্লবী, প্রেমনা মীৎ তাংলবী] রাধয়া (শ্রীমতি রাধিকানা), রাসউল্লাসভরেণ (রাসগী হুংঙাইবা মপৈনা) বিভ্রমভৃতাং [অঙকপা পুরবী, ঙক্তুনা লৈরবী] আভীরবামভ্রুবাং (গোপঙ্গী হুপীশিংগী) অভ্যর্ণে (মনাক্তা) উরঃ (থবাকপূ) নির্ভরং (চেৎনা) পরিরভ্য (.কাল্লগা) ত্বদ্বদনং (নহাক্কী মাইথোংসে) সুধাময়ং (অমৃতগী মশক ওইন) সাধু (ফজৈদা) ইতি (অস্থূম্না) ব্যাহৃত্য(হায়রগা) গীতস্তুতিব্যাজাৎ (ঈশৈশনা থাগৎপা শাশিন্নরদূন) উদ্ভট (কল্লক্ পেম্ন) চুম্বিতঃ (চূপ্থ্রবা) স্মিতমনোহারী (মীনোক ফজবনা পূক্নীং হূরবঃ) হরঃ (শ্রীকৃষ্ণসিনা) বঃ (নখোয় পূম্নমকপু) পাতু (ঙাকপিসন্নু) ॥৪৯॥

অনুবাদ :— কৃষ্ণগী প্রেমনা ঙাওথ্রদূনা মী অতৈ লৈ হায়বা উথিদ্রবী শ্রীমতি রাধিকানা রাস শান্নবগী হুংঙাইবনা হাকমনখিদূনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অথ দ্বিতীয়সর্গঃ প্রারভ্যতে।

বিহরতিবনেরাধাসাধারণপ্রণয়েহরৌ,
বিগলিত-নিজোৎকর্ষাদীর্ষাবশেনগতান্যতঃ।
ক্বচিদপিলতাকুঞ্জেগুঞ্জন্মধুব্রতমণ্ডলী,
মুখরশিখরেলীনাদীনাপ্যুবাচরহঃসখীম্ ॥১॥

ঙক্তুনা লৈরবী গোপী ময়ামগী মনাক্তা কৃষ্ণগী থবাক্তা চেৎনা কোল্লগা, ইবুংঙো নহাক্কী মায়খোং অসি অমৃত মপৈনা শাবগুন্না ফজৈদা, অম্তুম হায়ত্তনা ঈশৈনা থাগৎশিন্নরগা কল্লক পেন্না চুম্বন তৌবদা মোযোন নোকথ্রবা, মীনোক ফজরবা শ্রীকৃষ্ণনা নংখোয় পুন্নমকপু ঙাকপিসন্নু ॥৪৯॥

ইতিশ্রীশ্রীগীতগোবিন্দমহাকাব্যে সামোদ দামোদর নাম প্রথমঃ সর্গঃ ॥

পদানুবাদ :—সাধারণ প্রণয়ে (খাইমক্তা চপ্মান্নবা প্রেম থমদুনা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) বনে বিহরতি (বনদা শান্নরক্লবদা, বিগলিত [নান্-থোকথ্রবা] নিজোৎকর্ষাৎ [ঐনা হেল্লি হায়বা] = বিগলিতনিজোৎ-কর্ষাৎ [ঐনা হেল্লি হায়বা নাম্থোকখিবদগী] ঈর্ষাবশেন [খম্বনথ্রত্তুনা, কল্লকথ্র ত্তুনা] অন্যতঃ [অতোপ্পা মফমদা] গতা চৎথ্র ত্তুনা] গুঞ্জন্মধুব্রত মণ্ডলী [ঙংলবা হয়ীংখোই মপৈনা] মুখর [ঙংলবা] শিখরে [মতোন্দা] = মুখরশিখরে [মতোন্দা ঙংলবা] ক্বচিদপি লতাকুঞ্জে [করম্বা উরীগী কুঞ্জদা, উরীগী কুঞ্জ অমদা] লীনা [লোত্তুনা লৈ-রবী] দীনাপি [ন্নারবী, বিরহনা শোন্থরবী] রাধা [শ্রীরাধানা] সখীং (মতাদা) রহঃ (তূম্মিন্না, চীক্না) উবাচ (হায়খি] ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গীতং ।৪।

গুর্জ্জরীরাগ—যতিতালাভ্যাংগীয়তে।

সঞ্চরদধরসুধামধুরধ্বনিমুখরিতমোহনবংশং
বলিতদৃগঞ্চলচঞ্চলমৌলিকপোলবিলোলবতংসম্।
রাসে হরিমিহবিহিতবিলাসং
স্মরতিমনোমমকৃতপরিহাসম্ ॥২॥ ধ্রুবম্

অনুবাদঃ—শ্রীকৃষ্ণনা গোপী পূন্নমক্তা চপ্ মান্নমনা প্রেম থমদূনা শান্নরিবত্থু উবদা, ঐনা খ্বাইদগী হেল্লি হায়হন্নীংবত্থু হায়দবদগী থম্বন-থ্রত্থুনা অতোপ্পা মফমদা চৎথোকথ্রত্থুনা, হয়ীংখোই মপৈনা মতোন্দা ঙং ঙুং ঙংলবা উবীগী কুঞ্জ অমগী মনুংদা লোত্তুনা লৈরবী, কৃষ্ণগা কায়নবনা রারবী শ্রীরাধানা চান্নরবীসখীদা চীক্লা হায়খি ॥১॥

পদানুবাদঃ—হে সখি ! (হে ইতা ইবেম্মা) ইহরাসে (রাসঅসিদা) সঞ্চরদ্ (চৎপোরক্লব, শিন্থরক্লবা) অধরসুধা (অধরামৃতগী) মধুরধ্বনি (নুংশিবা খোঞ্জেলগা লোইননা) মুখরিত (খোংলবা) মোহনবংশং (মোহন কৌবা বংশীবু) = মুখরিত মোহনবংশং (মোহন কৌবা বংশীবু খোংলবা) চলিত (থক্লবা, কাইরৈ লৈরবা) দৃগঞ্চল (মীৎচিনা) চঞ্চল (হাইহুমহল্লবা) মৌলি (কোক্লা) কপোল (খজাইদ) বিলোল [হাইহল্লবা] বতংসং [নাইনবু] = বিলোলবতংসং [নাইনবু হাইহুমহল্লবা], কৃত [তৌগ্রবা] পরিহাসং (নোক্নহায়নবা, করেম্‌কথাইনবা) = কৃত পরিহাসম্ [নোক্ন হায়নখরবা], বিহিত [তৌখরবা] বিলাসং [শান্নববু] = বিহিত বিলাসং [শান্নখরবা] হরিং [কৃষ্ণসিবু] মম মনঃ [ঐগী পূক্নীংনা] স্মরতি [নীংশিংলি, কাউদ্রি] ॥২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চন্দ্রকচারুময়ুরশিখণ্ডকমণ্ডলবলয়িতকেশম্।
প্রচুরপুরন্দরধনুরনুরঞ্জিতমেদুরমুদিরসুবেশং ॥৩॥
গোপকদম্বনিতম্ববতীমুখচুম্বনলম্ভিতলোভং।
বন্ধুজীবমধুরাধরপল্লবমুল্লসিতস্মিতশোভং।৪॥

অনুবাদ :– রাধানা হায়খি, হে ইতা ইবেম্মা ! রাস শান্নরিবা অসিদা শিন্থরক্লবা অধরামৃতগী তুংশিরবা খোঞ্জেলগা লোইননা মোহনবংশী খোংলবা, থক্লবা মীংচনা কোইয়েং য়েংবদা হাইহুম্লবা কোক অক্তুনা নাদা য়াল্লিবা নাইনবু থজাইদা হাইহল্লবা, ঐগা লোইননা শান্নমিন্নখরবা কৃষ্ণসিবু ঐগী পুক্নীংনা কাওবা য়াদরে ॥২॥

ব্যাখ্যা ঃ—"বলিত" গী মফমদা "চলিত" হায়না ইবসু য়াওই। ২নংগী "সঞ্চরদ্" তগী হৌদুনা ৮নংগী "বিশদকদম্ব" ফাওবসি পূন্না অন্বয় তৌদুনা, মম মনঃ স্মরতিগী "মনঃ"না কর্ত্তাকারক ওইদুনা হাপকদবনী নত্রবসু শ্লোক খুদিংমক্তা হাপ্পা য়াই ॥

পদানুবাদঃ—চন্দ্রক চারু (থাগুন্না নিংথীজরবা) ময়ুরশিখণ্ডকমণ্ডল (রাহোং মতুগী মপৈনা) বলয়িত (কোয়শিল্লবা) কেশং (শমবু)— বলয়িতকেশং (শমদা কোয়শিল্লবা) প্রচুর (চংখোল্লবা, শাংলবা) পুরন্দরধনুঃ (চুমথাংখনবনা) অনুরঞ্জিত (লৈতেংলবা) মেদুর (শূক্লা মংলবা) মুদির (নোংগুম্না) সুবেশং (ফীজেৎ ফজরবা) ॥৩॥

অনুবাদ :—থাগী মতোওগুম্না ফজরবা রাহোং মতু মপৈনা শারবা চূড়ানা কোক্তা লৈতেংলবা), অতিয়াগী মকোয়দা অমুবা নোং মপৈ ফুইনা মংলগা মাতুদা চূমথাং খন্দুনা ফজবগুম্না নিংথিজরবা ফীজেৎ শেৎলবা ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিপুলপুলকভুজপল্লববলয়িতবল্লবযুবতিসহস্রং ।
করচরণোরসিমনিগণভূষনকিরণবিভিন্নতমিস্রং ॥৫॥
জলদপটলচলদিন্দুবিনিন্দকচন্দনতিলকললাটং ।
পীনপয়োধরপরিসরমর্দ্দননির্দ্দয়হৃদয়কবাটং ॥৬॥

পদানুবাদ ঃ—গোপকদম্ব [গোপময়ামগী] নিতম্ববতী [নুপীশিঙ্] মুখচুম্বন [মুখ চুম্বন তৌবদা] লম্ভিত [ফংগ্রবা] লোভং [মিহৌববু] —লম্ভিত লোভং [মিহৌবা পোকগ্রবা], বন্ধুজীব মধুর [বন্ধুজী কৌবা লৈগুম্না ফজরবা] অধরপল্লবং [নৌরবা চীম্বাল পাল্লব], উল্লসিত [হরাওনা] স্মিতশোভং [মনোক ফজনা নোকপনা লৈতেংলবা] ॥৪॥ বিপুল [চাখোম্না, মপুংফানা] পুলক [ভুজুংলবা ভুজ-পল্লব [নৌরবা পাম্বোমন] বলয়িত [কোনশিনগ্রবা] যুবতি [মোনহা] সহস্রং [লীশীংবু]—বলয়িত বল্লব যুবতি সহস্রং [গোপগী নুপী লীশীংবু কোনগ্রবা], কর [খুৎ] চরণ [খোং] উরসি [থবাক্তা শিরবা] মণিগণ [মণি ময়াম্না থাম্লবা] ভূষন [লৈতেংগী] কিরণ [মঙাল্না] বিভিন্ন [তান্থোক্লবা, কোকহল্লব] তমিস্রং [অমম্ববু]—বিভিন্নতমিস্রং [অমম্বা কোকহল্লবা] ॥৫॥ জলদ [মংলিবা নোং] পটল [ময়ামগী মরক্তা] চলৎ (চৎলবা, পাইরবা) ইন্দু (থাবু) বিনিন্দক (নিন্দা পিরবা, মায়থীবা পীরবা) চন্দন (চন্দননা) তিলক (ময়েক নাইনা থীল্লবা) ললাটং (লাইবকপু)—চন্দনতিলক ললাটং (চন্দননা লাইবক্তা ময়েকনাইনা থীল্লবা) পীন (চাওরবা) পয়োধর (কুচগী,খোমগী) পরিসর (অকোইবগী) মর্দ্দন (নৈথায়বদা, ননথেকপদা) নির্দ্দয় (ঙাকপিবা লৈত্রবা) হৃদয়কবাটং (থবাক উপাক্লা)—নির্দ্দয় হৃদয় কবাটং (থবাক উপাক্লা ঙাকপিবা লৈত্রবা) ॥৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মণিময়মকরমনোহরকুণ্ডলমণ্ডিতগণ্ডমুদারম্ ।
পীতবসনমনুগতমুনিমনুজসুরাসুরপরিবারম্ ॥৭॥

অনুবাদ :—গোপগী হুপী ময়ামগী মুখ চুম্বন তৌবদা থোইদোক্লা পামশিল্লবা, বন্ধুজীব কৌবা লৈনা ফজবগুম্না অমস্থং য়েন্নীং হুল্লক-পগী তঙাং তঙাংবা উনা অনৌবনা ফজবগুম্না ঙাংঙরানরবা চীনবাম্না লৈতেংলবা, হরাওনা মোমোন নোকপা মীনোক্লা মাইথোং মকা ফল্লবা ॥৪॥ তুজুংবা মপৈগা লোইনরবা তনৌ তনৌরবা পাম্বোম অতুনা গোপগী মোনহা লিশিং অমবু কোনথ্রবা, খুৎ, থোং, থবাক্তা শিরিবা মণি ময়ামগী মঙান্দুনা অমম্বা পুন্নমক কোকহনথ্রবা ॥৫॥ মংলিবা নোং ময়ামগী মরক্তা কোইদুনা চৎলবা থাবুঙমজরবা চন্দন্না লাইবক্তা ময়েক নাইনা থিল্লবা, ব্রজগোপীশিংগী তোঙলবা কুচগী (থবাক্লা) মথক্তা নম্থেকপদা তমথীরবা থবাক্লা মাগী ওইরবা ॥৬॥

পদানুবাদ :—মণিময় [মণিনা শাবা] মকর মনোহর [ঙামান্না পুক্লীং হুরবা] কুণ্ডল [নাইন্না] মণ্ডিত [লৈতেংলবা] গণ্ডং [খজাইবু, চাইরুংবু]—কুণ্ডল মণ্ডিত গণ্ডং [কুণ্ডলনা খজাইদা লৈতেংলবা] উদারং [অপাম্বা পীনরবা], পীতবসনং [নাপুফীগে শেৎলবা], অনু-গত (চংজরবা) মুনি (মুনিশিং, শুকনারদনচিংবা) মনুজ (মীশিং, পরীক্ষিতনচিংব) সুর (লাইশিং, ব্রহ্মা রুদ্রনচিংবা) অসুরবর (হিং-চাবা অথোইবশিংনা, প্রহ্লাদনচিংবশিংনা) পরিবারম্ (ইমুংমনুং ওইরবা) ॥৭॥

অনুবাদ :—মণিনা শাবা ঙা মান্না নিংথীজরবা নাইন অনীনা খজাইদা লৈতেংলবা, মীগী অপাম্বা থুংহল্লবা, স্না মচু মাল্লবা ফী-গে শেৎলবা, মাবু নীংজরবা মুনিশিং, মীশিং, লাইশিং, হিংচাব-শিংগী ইমুংমনুং ওইরবা হায়বদী মথোয়দা চানবিরবা ॥৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিশদকদম্বতলেমিলিতং কলিকলুভয়ং শময়ন্তং ।
মামপিকিমপিতরঙ্গদনদৃশামনসারময়ন্তং ॥৮॥
শ্রীজয়দেবভনিতমতিসুন্দরমোহনমধুরিপুরূপং ।
হরিচরণস্মরণংপ্রতিসং প্রতিপুণ্যবতামনুরূপং ॥৯॥

পদানুবাদ :—বিশদ [নিংথীজরবা] কদম্বতলে [কদম্বপাম্বিগী মখোংদা] মিলিতং [য়ৌবিথ্রব], কলিকলুষভয়ং [কলিদা পোক্লবা পাপকী অকিববু] শময়ন্তং [কোকহল্লবা], মাংঅপি [ঐবুসু] কিং-অপি [করম্বা] তরঙ্গং [ইথক্ হৌরবা] অনঙ্গ দৃশা [কামগী মীংয়েং য়েংলবা] মনসা [পূক্লীংনা] রময়ন্তং [শান্নবিথ্রবা], হরিং [শ্রীকৃষ্ণবু] মমমনঃ [ঐগী পূক্লীংনা] স্মরতি [নীংশিংলি ॥৮॥ সম্প্রতি [হৌজিক অসীদা] শ্রীজয়দেব ভনিতং [শ্রীজয়দেব কবিনা লৈতেংলবা] অতি সুন্দর [থোইদোক্না ফজরবা] মোহন [শুষ্কাংনবগী মশক ওইরবা] মধুরিপুরূপং [কৃষ্ণগীরূপ অসিনা] পুণ্যবতাং [পুণ্যচেনবশিঙ্গি] হরিচরণ স্মরণং প্রতি [শ্রীহরিগীচরণ নিংশিংনবগী] অনুরূপং ভবতু [মতিক চারসন্নু] ॥৯॥

অনুবাদ : —নিংথীজরবা কদম্বপাম্বিগী মখোংদা য়ৌবিথরবা [পোং-থাবিথরবা], কলিগী পাপ পুন্নমক কোকহল্লবা, ঐসীবু করম্বা ইথক হৌরবা রতিক্রীড়াগী মীৎয়েংগা লোইনরবা পুক্লীংনা শান্নবিথরবা, শ্রীকৃষ্ণদুবু ঐগী পুক্লীংনা নিংশিংলী ॥৮॥ হৌজিক অসীদা শ্রীজয়-দেব কবিনা লেংলবা, থোইদোক্না ফজরবা, শুষ্কাংনবগী মশক ওই-রবা শ্রীকৃষ্ণগী রূপ বর্ণনা তৌবা অসিনা, পুন্যচেল্লবা মীশিঙ্গি [ভক্ত-শিংগী] হরিগী চরণ নিংশীংনবগী মরিদা মতিকচাবা ওইরসন্নু ॥৯॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীরাধিকাগী কাওবা য়াদে হায়বা য়া অসি ভারবদা রাধাগী মতা সখীনা হায়খী, নংবু লংথোক্কুনা চৎপ্রবা কৃষ্ণগী মফমদা অদুপ্ নিংলুরিবা করি মরমগীনো ? মাদু ভারবদা রাধানা হায়খী।

গণয়তিগুণগ্রামংভামংভ্রমাদপিনেহতে,
বহতিচ পরিতোষংদোষংবিমুঞ্চতিদূরতঃ।
যুবতিযু বলতৃষ্ণেকৃষ্ণেবিহারিণি মাংবিনা,
পুনরপিমনোবামংকামংকরোতিকরোমিকিং ॥১০॥

পদানুবাদ :—যুবতিযু [নুপীময়ামদা] বল [হেনগৎলবা] তৃষ্ণে [খৌরাংবা]—বলতৃষ্ণে [খৌরাংবা হেনগৎলবা হায়বদী নুপীময়ামগী মরক্তা শান্নিংবগী ইরাং হেনগৎলবা] কৃষ্ণে [কৃষ্ণসিনা] মাংবিনা [ঐহাক য়াওদনা, ঐবু লংথোক্তুনা] বিহারিনি [শান্নপ্রবসিদা] পুনরপি [অমুকহন্না] মম [ঐগী] বামং [ৱায়কপা য়াদ্রবা] কামংকরোতি [অপাম্বদি থংলবা] মনঃ [পূক্নীংসিনা] কৃষ্ণস্য [কৃষ্ণগী] গুণগ্রামং [মগুণ ময়াম্বু] গণয়তি [শিংথারি] ভ্রমাৎ [ওয়্নৈনা খল্লুহ্না] ভামং অশাওববু] নেহতে [তৌনিংদে] চ[অমসুং] পরিতোষং [নুংঙাইবত] বহতি [লৌরি]দোষং [মরানবু] দূরতঃ [থাপ্না] বিমুঞ্চতি [থাদোকই, লংথোকই] অহং [ঐনা] কিংকরোমি [করি তৌরসিগে] ॥১০॥

অনুবাদঃ—হে ইতা ! নুপীময়ামগা শান্নবদা নুংঙাইপ্রহ্না খৌরাংবা হেনগৎপ্রবা কৃষ্ণসিনা ঐয়াওদনা শান্নরিংসিদা, ৱায়কপা য়াদ্রবা, অপাম্বতা মথংলবা পূক্নীংসিনা মাগী মগুণ ময়ামতা লৌথৎলি, শাওফম থোকপদি শাওদে, নুংঙাইবতা লৌথৎলি, মরানদি লৌদে। শাওফম থোক্লবসু লাপ্না লংথোকথি। মরম অসিনা ঐনা হৌজিক করি তৌরসিগে ॥১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

(রাধানা অমুক হন্নঃ মতাদা ঈশৈনা হায়খী)
গীতং ।৫।
মালবগৌড়রাগৈকতালীতালাভ্যাংগীয়তে ।

নিভৃতনিকুঞ্জগৃহংগতয়ানিশিরহসিনিলীয়বসন্তং,
চকিতবিলোকিতসকলদিশারতিরভসরসেনহসন্তং ।
সখিহেকেশিমথনমুদারংরময়ময়াসহ
মদনমনোরথভাবিতয়াসবিকারম্ ॥১১॥ ধ্রুবম্ ।

পদানুবাদঃ—হে সখি ! [হে ইভাইবেম্মা] নিশি [অহিংদা] নিভৃত (থুপ্পবা, চীক্লবা) নিকুঞ্জগৃহং (নিকুঞ্জগী য়ুমদা) গতয়া (চংশিল্লুরবদা), রহসি (মীচিকপা লমদা) নিলীয়বসন্তং (লোত্তুনা লৈরমগদৌরিবঃ), চকিত (ইঙুক ঙক্লা, কিবগা লোইননা) বিলোকিত (য়েংল্লুবদা) সকল দিশা (মাইকৈ পুন্নমক)=বিলোকিত সকলদিশা (মাইকৈ পুন্নমক্তা য়েংলুরবদা), রতিরভসরসেন (রতিক্রীড়াগী থোইদোকপা হরাওবগা লোইননা) হসন্তং (নোক্লক্কদৌরবা), মদন মনোরথ ভাবিতয়া (কামক্রীড়া শান্নগে খল্লুবদা) সবিকারম্ (মহোৌশাগী ফীবম হোংগদৌরিবা), ॥১১॥

অনুবাদঃ—শ্রীরাধানা হায়খি, হে ইভাইবেম্মা ! ঐনা অহিংগী মতমদা চীক্লবা নিকুঞ্জদা চৎলুরে হায়রগা ইবুংঙো মহাক্লা অস্নুকপা মফমদা লোত্তুনা লৈরমগদৌরিবনী, অদুগা ঐনা ইঙকঙক্লা মাইকৈ পুন্নমক্তা ওন্দুনা লৈনা য়েংলুরগা, মহাক্লা রতিক্রীড়া শান্নবা তারে হায়দুনা হরাওদুনা নোক্লক্কদৌরিবনী, অদুগা ঐনা রতিক্রীড়া শান্নংনীংবগী মতৌ উৎপদা, মহাক্লা মহোৌশাগী শাজৎ হোংগদৌরিবনী ॥১১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রথমসমাগমলজ্জিতয়াপটুচাটুশতৈরনুকূলম্ ।
মৃদুমধুরস্মিতভাষিতয়াশিথিলীকৃতজঘনদুকূলম্ ॥১২॥
কিশলয়শয়ননিবেশিতয়া চিরমুরসিমমৈবশয়ানং।
কৃতপরিরম্ভণচুম্বনয়াপরিরভ্যকৃতাধরপানম্ ॥১৩॥

পদানুবাদ :—প্রথম (অহানবা) সমাগম (উন্নবগী) লজ্জিতয়া (ইকাইবা ফংলবদা), পটু (নিংথিজনা, হৈশিংনা) চাটু (গায়জবা) শতৈঃ (চাম-চামনা) অনুকূলং (হায়জগদৌরিবা), মৃদু (তপ্প) মধুরস্মিত (নিংথিজনা নোক্কুনা) ভাষিতয়া (ঙাংলুবদা), শিথিলীকৃত (ঙন্থগদৌরিব, হায়দোক্কদৌরিব) জঘনদুকূলং (থাংদা শেংলীবা ফিবু) শিথিলীকৃতজঘনদুকূলং (থাংদা শেংলবা ফি হাইদোক্কদৌরিবা)॥১২॥ কিশলয় শয়ন (উনা অনৌবনা শেম্বা শর্য্যাদা) নিবেশিতয়া (চংলুরবদা), চিরং (মতমকুইনা) মম (ঐগী) উরসিএব (থবাক্তদা) শয়ানং (হিপ্লক্কদৌরিবা), কৃত (তৌরুরবদা) পরিরম্ভণ (আলিঙ্গন তৌদুনা) চুম্বনয়া (চুপ্তুন)=কৃতপরিরম্ভণচুম্বনয় (আলিঙ্গন তৌদুনা চুম্বন তৌরুরবদা), পরিরভ্য (কোনশিল্লক্কুনা) কৃত (তৌগদৌরিবা) অধরপানং (অধরামৃত পানবু)=কৃত অধরপানং (অধরামৃত পান তৌগদৌরিবা), ॥১৩॥

অনুবাদ :—অদুগা ঐগী অহানবা উন্নবনী ইকাইবা মতৌ উরগা, রাহৈ—রাতা ফজরবা চাম—চাম ঙাংদুনা ঐগী ইকাইবা কোকহনগদৌরিবনী. ঐনা মোনোন নোক্কুনা রাহৈ খরদং ঙাংলুবদা, মহাক্না থাংগী ফি চিংথোক্কদৌরিবনী, ঐনা উনা অনৌবগী শর্য্যাদা (ফমুংদা) হিপ্লুরগা মহাক্নামতম কুইনা ঐগী থবাক্তা হিপকদৌরিবনী, ঐনা আলিঙ্গন তৌদুনা চেৎনা কোল্লুরগা মহাক্না ঐঙোন্দা ওনশিল্লক্কুনা কোন্দুনা চুম্বন তৌরগা অধরামৃত পান তৌগদবনী, ॥১২॥১৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অলসনিমীলিতলোচনয়াপুলকাবলিললিতকপোলং ।
শ্রমজলসকলকলেবরয়াবরমদনমদাদতিলোলম্ ॥১৪॥
কোকিলকলরবকূজিতয়াজিতমনসিজতন্ত্রবিচারং ।
শ্লথকুসুমাকুলকুন্তলয়ানখলিখিতঘনস্তনভারম্ ॥১৫॥

পদানুবাদ :—অলস (চাকথরক্তুনা, তন্‌শিল্লক্তুনা) নিমীলিত (উই শিল্লক্লবদ) লোচনয়া (মীৎনা)=অলস নিমীলিতলোচনয়া (রতি রসগী তুংঙাইরম্বদগী চোকথরক্তুনা মীৎ উই শিল্লক্লবদা), পুলকাবলি (তুচুংবা পরেংনা) ললিত (ফজরবা) কপোলং (থজাইবু)=ললিত কপোল (থজাইদা ফজরক্কদোরিবা), শ্রমজল (অরাবদগী থোকপা ঈশিংনা, হমাংগী ঈশিংনা) সকল কলেবরয়া (হকচাং পূম্নমক শিন্‌থুংলবদা), বরমদনমদাৎ (থোইদোকপা রতিক্রীড়া শান্ননীংবগী হরাওৎনা) অতিলোলং (থোইদোক্ন লাংতক্লগদোরিবা, থোইদোক্লা ইরাং পুগদোরব], ॥১৪॥ কোকিলকলরবকুজিতয়া [কোকিলনা খোংবগুম্ন নামিরবা খোঞ্জেন্না ঙংলুবদা] জিত [হেন্দোক্কদোরিবা, থাদোক্কদোরিবা] মনসিজ [কামদেবগী] তন্ত্রবিচারং [শাস্ত্রগী রায়েলবু]—জিত মনসিজ তন্ত্রবিচারং [কামদেবগী শাস্ত্রগী বিচারবু থাদোক্কদোরিবা হায়বদা রতিক্রীড়াগী মতমনি, মতম্‌নক্তে থিরোই-দোরিবা] শ্লথ (নানথোক্লবদা) কুসুমাকুল (লৈ থেৎলবা, লৈচিল্লবা) কুন্তলয়া (শমজীনা)=শ্লথ কুসুমাকুল কুন্তলয়া (লৈথেৎলবা শমজীনা চাইথোরক্লবদা), নখলিখিত (খুজিন্না খোৎকদোরিবা) ঘন (চাওরবা) স্তনভারং (কুচগী মকোয়দা) নখ লিখিত ঘন স্তনভারং (চাওরবা কুচগী অকোয়বদা খুজিন্না খোৎকদোরিবা) ॥১৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চরণরণিতমণিনূপুরয়াপরিপূরিতসুরতবিতানং।
মুখরবিশৃঙ্খলমেখলয়াসকচগ্রহচুম্বনদানম্ ॥১৬॥

পদানুবাদ :—চরণ [খো দা] রণিত [খোংলুরবদা, মখোল থোক্লু-রবদা] মণিনূপুরয়া [মণিনা শাবা নূপুরনা]=চরণরণিত মণিনূপুরয়া [মণিনা শাবা নূপুরনা খোংদা মখোল থোক্লুরবদা], পরিপূরিত [পূমথুং থুংলগদৌরিবা] সুরতবিতানং [রতিক্রীড়া পূম্নমক]=পরিপূরিত সুরত বিতানং [রতিক্রীড়া পুম্নমক থুংলগদৌরিবা], মুখর [মখোল থোক্লুরবদা] বিশৃঙ্খল [নাম্বোক্লবা] মেখলয়া [খ্বাং শরীক্লা] =মুখরবিশৃঙ্খলমেখলয়া [খ্বাংশরীক্লা নাম্বোক্লুনা মখোল থোক্লুরবদা], সকচগ্রহ [শংদা কোনশিনবগা লোইননা] চুম্বনদানং [চুম্বন তৌগদৌরিবা] ॥১৬॥

অনুবাদ :—ঐনা রতিক্রীড়াদা রাত্নুনা হকচাং চোকথত্নুনা মীৎ উইশিন্দুনা লৈরগা, মহাক্না তূচূংবা পরেংনা খজাইগী লৈতেং ওইগদৌরিবনী, ঐন রতিক্রীড়াদা চুমাং লৌদূনা হকচাং পূম্নমক শিন্থরবদা, মহাক্না অমুক হন্না রতিক্রীড়া শাম্ননীংবনা পূক্নীং লাংতক্লগদৌরিবনী, ঐনা কোকলনা খোংবগুম্না নাম্নিবা খোঞ্জেল্লা রাহৈ থরদং ঙাংলুবদ', মহাক্ন রতিক্রীড়াগী মতম চাইচাদে থংদনা আলিঙ্গন তৌরক্লদবনী, ঐগী লৈ ময়াম থেংলবা শমজী অসিনা ইকোয় কোয়না চাইথোরক্লবদা, মহাক্না ঐগী চাওরব কুচগী অকোয়বদা খূজিন্না খোংলগদৌরিবনী, খোংদা শিরিবা মণি নূপুর আসনা লেংবদা মখোল থোক্লক্লবদা, মহাক্নী রতিক্রীড়া পূম্নমক থুংগদৌরিবনী, ঐগী খংদা শিরিবা খ্বাংশরীক [মেখল] অসীনা নাম্বোক্লুনা মখোল থোক্লক্লবদা, শমজোইগ লোইননা কোনশিন্দুনা চুম্বন তৌগদৌরিবনী ॥১৪॥১৫॥১৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রতিসুখসময়রসালসয়াদরমুকুলিতনয়নসরোজং।
নিঃসহনিপতিততনুলতয়ামধুসূদনমুদিতমনোজম্ ॥১৭॥

পদানুবাদ ঃ—রতিসুখসময় [রতিক্রিড়াগী নুং ঙাইরবা মতমদা] রসালসয়া [নুংঙাইবনা লেকথগ্রন্দ], দর [খরদং] মুকুলিত [পাংথোক্কদোরিবা] নয়নসরোজম্ মীৎ থম্বান্ন]=দরমুকুলিত নয়ন সরোজম [মীৎ থম্বান খরদং পাংথোক্কদোরিবা], নিঃসহ [খাংবা ঙমদদূনা] নিপতিত [হায়থগদোরিবা, লেকথতুনা ভাগদোরিবা] তনু লতয়া [হকচাং উরীনা]=নিঃসহনিপতিত তনু লতয়া [খাংবা ঙমদদূনা হকচাং উরীনা লেকথতুনা হায়থগদোরিবী] ময়'সহ [ঐহাক্কা লোয়নবা], উদিত [পেক্লবা] মনোজং [রতিক্রীড়]=উদিত মনোজং [রতিক্রীড়' শান্নরীংলবা] মধুসূদনং [মধু কৌবা হিংচাবা হাৎলবা] উদারং পূকচেল চাওরব] কেশিমথনং [কৃষ্ণবু] রময় [শান্নহনবিউ] ॥১৭॥

অনুবাদ ঃ—রতিক্রীড়া নুংঙাইনা শান্নবদা নু ঙাইমনখিবনা হকচাং পুম্নমক চোকথরক্লবদা, মহাক্না মীৎ থম্বাল খরদং পাংথোক্তুনা য়েংবিরগদোরিবনী, ঐনা অরাবা খাংবা ঙমদদূনা হকচাং উরীসিনা ওন্থোইতুনা লৈরুগদোরিবী ঐগা লোইননা, মহাক্না মধু কৌবা হিংচাবা হাৎলবা, মশাদা রতিক্রীড়া পাম্নবা কৃষ্ণবু অমুক্তা শান্নহনবিউ ॥১৭॥

ব্যাখ্যাঃ=মথক্কী শ্লোকথরসিগী অন্বয়দি লায়বনা হাপচদ্রে। ১১নং শ্লোক্কা "নিভৃতনিকুঞ্জগৃহং" দগী হৌদূনা ১৭নং শ্লোক্কী "রতিসুখসময়" না হৌবা শ্লোক ৭ অসিগী অহৌবা চরণ (শ্লোক মপুম্নঅমগী মরী থোক্লা খায়দোকপগী শরুক অমমম্বু চরণ কৌই। অদূনদী ১বগা ৩শুবগনা অহৌবা চরণ, ২শুবগা ৪শুবগনা অরোইবা চরণ কৌই) খুদিংমক্লা রাধাগী বিশেষণনি, অরোইবা চরণখুদিংমক্লা কৃষ্ণগী বিশেষণনি। পদানুবাদকা লোইননা অন্বয় তৌজগে।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতমিদমতিশয়মধুরিপুনিধুবনশীলং।
সুখমুৎকণ্ঠিতগোপবধূকথিতং বিতনোতু সলীলম্ ।।১৮॥

হস্তস্রস্তবিলাসবংশমনৃজুভ্রূবল্লিমদ্বল্লব-
বৃন্দোৎসারিদৃগন্তবীক্ষিতমতিস্বেদার্দ্রগন্দস্থলম্ ।
মামুদ্বীক্ষ্যবিলজ্জিতস্মিতসুধামুগ্ধাননং কাননে
গোবিন্দং ব্রজসুন্দরীগণবৃতং পশ্যামিহৃষ্যামিচ ।।১৯॥

পদানুবাদ :—শ্রীজয়দেবভণিতং [শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা] অতিশয় [থোইদোক্লবা] মধুরিপু [কৃষ্ণনা] নিধুবনশীলং [নিধুবন্দা হুংঙাইনা শান্নবগী] — অতিশয় মধুরিপু নিধুবনশীলং [শ্রীকৃষ্ণনা নিধুবনদা হুংঙাইনা শান্নবগী অথোইবা] উৎকন্ঠিত [রাখল রাহনা লৈরবী] গোপবধূ কথিতং [শ্রীরাধানা হায়খ্রব] সলীলং [সুরতক্রীড়াগ লোইনরবা] ইদংগীতং [ঈশৈঅসীনা] ভক্তা-নাম্ [ভক্তশিংগী মফমদা] সুখং [হুংঙাইববু] বিতনোতু [পীনরসন্থ] ॥১৮॥

অনুবাদ :— শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা, শ্রীকৃষ্ণগী নিধুবনদা হুং-হুংঙাইনা শান্নবা লীলাগী অথোইবা, শ্রীমতি রাধিকানা হায়খ্রবা, সুরতলীলাগা লোইনরবা ঈশৈ অসীনা তারিবা ভক্তশিংঙ্গি অমসুং শক্লিবা ভক্তশিংঙ্গি মফমদা হুংঙাইবা পীনরসন্থ ॥১৮॥

পদানুবাদ :—হে সখি ! (হে ইভা) অহং (ঐনা) কাননে (বৃন্দা-বনদা) ব্রজসুন্দরীগণবৃতং (ব্রজগী শক ফজরবী শংনা ইকোয় কোয়-শিল্লবা), মাংউদ্বীক্ষ্য (ঐবু উরগা) হস্তস্রস্ত (মখুত্তগী নান্থোক্লবা) বিলাসবংশং (শান্নবদা পায়বা বংশীবু)=হস্তস্রস্তবিলাসবংশং (মখুৎ-তগী শান্নবদা পায়বা বংশী নান্থোক্লবা) অনৃজু (থোইখোইরবা)

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দূরালোকঃস্তোকস্তবকনবকাশোক লতিকা
বিকাশঃকাসারোপবনপবনোঽপিব্যথয়তি।

ভ্রূবল্লিমদ্ (পীশুমপরেং পাল্লবী) বল্লবীবৃন্দ (গুপী ময়ামদগী) উৎসারি (হাইদোরক্লবা) দৃগন্তবীক্ষিতং (মীং চিনা য়েংলবা), অতিস্বেদার্দ্র (থোইদোক্লা হুমাংনা চোৎলবা) গণ্ডস্থলং (খজাইবু) অতিস্বেদার্দ্রগণ্ডস্থলঃ (খজাইদা থোইদোক্লা হুমাংনা চোংলবা) বিলজ্জিত (ইকাইথংনঃ) স্মিতসুধা (মীনোক ফজনা নোকপা অমৃতনা) মুগ্ধাননং (শুন্দ্ধৎনবা মায়থোং ওইরবা) গোবিন্দম্ (শ্রীকৃষ্ণবু) পশ্যামি (উরি) চ (অমসুং) হৃষ্যামি (হরাওরি) ॥১৯॥

অনুবাদ :—হে ইতা ! ঐনা বৃন্দাবনগী মহুংদা ব্রজগী শকফজরবীশিংনা ইকোয় কোয়শিন্দুনা শান্নরিবা, ঐবু উরগা মখুত্তা পায়বা বংশী নাহ্মোক্তুনা তারবা, অতুগা খোয়খোয়রবা পীশুমপরেং পাল্লবী গোপী ময়ামদগী হাইদোরক্তুনা ঐগোন্দা মীংচিনা য়েংলবা, খজাই অনিমক্তা হুমাংনা পুমচোৎ চোংলবা, ইকাইবা খংনা নোকপা মীনোক অমৃতনা শুন্দ্ধৎনবা মায়থোং ওইরবা শ্রীকৃষ্ণবু উরি অমসুং হরাওরি ॥১৯॥

পদানুবাদ :—সখি ! (হে ইত) দূরালোকঃ [য়েংবদা রানরবা] স্তোক [খরা] স্তবক [চরোং পানবা]=স্তোকস্তবক (চরোং খরা থিন্দোক্লবা) নবকাশোক লতিভ (অনৌবা অশোক কৌবা উরীনা) বিকাশঃ (লৈশাৎপন), কাসার (পুখ্রী মনাক্তা লৈবা) উপবন (বন মচাগী) পবনোঽপি (নুংশিৎনসু) মাং (ঐবু) ব্যথয়তি (অরাবাপীরি),

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অপিভ্রাম্যদ্ভৃঙ্গীরণিতরমণীয়ানমুকুল
প্রসূতিশ্চূতানাংসখিশিখরিণীয়ংসুখয়তি ॥২০॥
সাকূতস্মিতমাকুলাকুলগলদ্ধম্মিল্লমুল্লাসিত
ভ্রূবল্লীকমলীকদর্শিতভুজামূলার্দ্ধদৃষ্টস্তনম্ ।
গোপীনাংনিভৃতংনিরীক্ষ্যগমিতাকাংক্ষশ্চিরংচিন্তয়ন্
অন্তর্মুগ্ধমনোহরো হরতু বঃ ক্লেশং নবঃ কেশবঃ ॥২১॥

পদানুবাদঃ—অপি (অতুগা) চূতানাম্ (হৈনৌপাম্বিশিংগী) ভ্রাম্যদ্ (কোইনা পাইরবা) ভৃঙ্গী (খোইমু অমোম্ন) রণিত (ঙংবনা) রমণীয়া (পূক্নীং হূরবী) মুকুলপ্রসূতিঃ (য়েন্নীং চোংলবী) ইয়ংশিখরিণী (মতোল অসিনা) মাং (ঐবু) ন সুখয়তি (নুংঙায়বা পিদ্রে)॥২০॥

অনুবাদঃ—হে ইতা! চরোংখরা থিন্দোক্লনা লৈ নিংথিজনা শাৎলবা তনৌ তনৌরবা অশোক কৌবা উরীসি উবদা ঐগী অরাবা কোক্ত্রে, পুত্রী মপান্দা লৈবা লৈকোল মচাগী অইংবা পুরবা, মনম নুংশিবনা তিল্লবা নামীরবা নুংশিৎনসু ঐবু অরাবা পিরি। অতুগা হৈনৌ পাম্বিশিংগী মতোন্দা খোইমু অমোম্না কোয়না পাইতুনা ঙংবনা পূক্নীং হূরবা, অনৌবা য়েন্নীং চোংলবা মতোল্ ময়াম অসী-নসু ঐবু নুংঙাইবা পীদ্রে ॥২০॥

পদানুবাদঃ—গোপীনাং [ব্রজগোপীশিঙ্গি] সাকূতস্মিতং [মরম থংহন্নীংবগা লোইননা নোক্লিবা] আকুলাকুল [শাবদগী হেন্দোক্না রাখিবনা] গলৎ (কায়থ্রবা) ধম্মিলং [শমজীবু]—গলদ্ধম্মিলং [শমজী কায়থ্রবা], উল্লাসিত [হরাওহনথ্রবা] ভ্রূবল্লীকং [পীশুম শাথেকপু] —উল্লাসিতভ্রূবল্লীকং [পীশুম শাথেকপু হরাওহনথ্রবা হায়বদী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইততত্তনা পীশুম খৎলিবা], অলীক [অরেম্বদা, করিস্ত কান্নদবদা] দর্শিতভুজ [উহল্লবা পাম্বোম্না] আমূলার্দ্ধদৃষ্ট [মখোংদগীনা তংখাই ফাওবা উহল্লবা] স্তনম্ [কুচবু, খোমবু]=আমূলার্দ্ধদৃষ্টস্তনম্ [কুচগী মখোংদগী তংখাই অমা ফাওবা উহল্লবা], নিভৃতং [অথুপ্পা মরমবু] নিরীক্ষ্য [উরদূনা] অন্তঃ [পূক্লীংদা, থম্মোইদা] চিরং [মতম কুইনা] চিন্তয়ন্ [ৱাখলখল্লগা] গমিত [চৎথোকখ্রবা, থাদোকখ্রবা] আকাং-ক্ষঃ [অপাম্বা, অনীংবা]=গমিতাকাংক্ষঃ [পান্নম্বা পূন্নমক থাদোক-খ্রবা] মুগ্ধমনোহরঃ [শুস্কৎনববগী মশক ওইনা ফজরবা] নবঃ কেশব (অনৌবা কৃষ্ণনা) বঃ (নংখোই) ক্লেশং (অৱাববু) হরতু [কোকহল্ল-সনু] ॥২১॥

অনুবাদ :—গোপীশিংনা খোন্থোক্লা ঙাংবা ইকাইতনা মরম খংহন্-নীংবগা লোইননা মীনোক ফজনা নোকপা, শান্নবদা ঙাইহাক লৈ-তানা হাইহুম্বনা কায়রক্লবা শমজী, হরাওনা পীশুম খৎলিবা, অদুগা অরেম্বদা পাম্বোম থাঙৎশিন্নদূনা কুচগী (থবাক্কী অতোংবগী) মখোং-দগী তংখাই ফাওবা উহন্দুনা কল্লকহল্লবা, অথুপ্পা মরম পূন্নমক অসি উৱগা মতম কুইনা পুক্লীংদা ৱাখল তৌগ্রে। অদুগী তুংদা গোপী-শিঙ্গি অপাম্বা পূন্নমক থাদোক্লনা শ্রীমতি রাধিকাগী ৱাখলদা ৱাগ্রবা, জগৎ শুস্কৎনবগী মশক ওইনা ফজরবা, শৃঙ্গার মূর্ত্তিমান্ কৃষ্ণনা জগত্তা লৈরিবা ভক্তশিংগী অৱাবা কোকহল্লসনু ॥২১॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্যেঅক্লেশকেশবোনাম দ্বিতীয়ঃ সর্গঃ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তৃতীয় সর্গঃ

শ্রীরাধাগী কায়নবগী অৱাবা হায়রবা তুং অসিদা কৃষ্ণগী কায়নবগী অৱাবা হায়রি ।

কংসারিরপিসংসারবাসনাবন্ধশৃঙ্খলাং ।
রাধামাধায়হৃদয়েতত্যাজব্রজসুন্দরীঃ ॥১॥
ইতস্ততস্তামনুসৃত্যরাধিকামনঙ্গবাণব্রণখিন্নমানসঃ ।
কৃতানুতাপঃসকলিন্দনন্দিনীতটান্তকুঞ্জেবিষসাদমাধবঃ ॥২॥

পদানুবাদ ঃ—কংসারিরপি [কৃষ্ণহস্সু] সংসার বাসনা [য়ুম পানবগী রাথম্না] বন্ধ [পুল্লবা] শৃঙ্খলাং [য়োংলী ওইনা]—বন্ধশৃঙ্খলাং [য়োংলী ওইনা পুল্লবী] রাধাং [রাধাবু] হৃদয়ে [থম্মোইদা] আধায় [থম্লহনা] ব্রজসুন্দরীঃ [ব্রজগী শকফজবীশিংবু] তত্যাজ [থাদোকখ্রে] ॥১॥

অনুবাদ :— শ্রীমতি রাধিকানা থাইমত্তগী অথোইবনী থল্লবা শ্রীকৃষ্ণহস্সু য়ুম পানবগী রাথম্না, য়োংলীনা পুন্দুনা চংপা য়াদবগুম চংথোকপা য়াদদূনা রারবী শ্রীরাধাবু থম্মোইদা হম্নাহন্না ফাজিন্দুনা খল্লুরগা মহাক্না শাউখিবা তারে হায়দূনা ব্রজগী শকফজরবী নুপী পুম্নমকপু থাদোকখ্রে ॥১॥

পদানুবাদ ঃ—অনঙ্গবান [কামগী তেন্না থাবগী] ব্রণ [অপোম্বনা] খিন্নমানসঃ [থম্মোই নারবা], কৃতানুতাপঃ [রাহনা লৈরবা] সঃ মাধবঃ [কৃষ্ণ অহনা, লক্ষ্মীগী মপুরোইবহনা] ইতস্ততঃ [মাইকৈ খূদিংমক্তা] তাং রাধিকাং [রাধিকা অহবু] অনুসৃত্য [থোঙ্গুল লীরুরগা] কলিন্দনন্দিনী [যমুনাগী, কলিন্দ নিংথৌগী মচানুপীগী] তটান্তকুঞ্জে [মপান্দা লৈবা কুঞ্জগী মহুংদা] বিষসাদ [রাখরে] ॥২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অরাবত্থ ইশৈনা হায়রি।
গুর্জ্জরীরাগ-যতিতাল।
গীতং ।৭।

মামিয়ং চলিতা বিলোক্যবৃতং বধূনিচয়েন,
সাপরাধতয়াময়াপিননিবারিতাতিভয়েন।
হরিহরি হতাদরতয়াগতা সা কুপিতেব ॥৩॥ ধ্রুবম্।

অনুবাদ :—অসোমদস্থু কানগী তেন্না থাত্থনা অপোম্বগী মৈচাক্ন থম্মোই নারবা, অরাবা মৈচাক থাত্থন শৈরবা, কৃষ্ণ অত্থনা মাইকৈ মরিমক্তা শ্রীমতি রাধিকাবু কোয়না খোঙ্গুল লীত্থনা থিরুরগা খেংন-ত্রত্থনা যমুনাগী মপান্দা লৈবা কুঞ্জগী মনুংদা চংত্থনা অরাবা য়াখল তৌত্থনা লৈখ্রে ॥১॥

পদানুবাদ :—ইয়ংরাধা [শ্রীরাধা অসিনা] মাং [ঐবু, কৃষ্ণ ঐবু] বধূনিচয়েন [মৌনহা ময়াম্না] বৃতং [কোয়শিল্লিবসি] বিলোক্য [উর-ত্থনা] চলিতা [চংথোকখ্রে], ময়াপি [ঐনস্থু] সাপরাধতয়া [ইরাল্ লৈবনা, ঐনা কায়খিবনা] অতিভয়েন [য়াম্না কিখ্রত্থনা] ন নিবারিতা [খামহৌদ্রে], হরিহরি [ওন্থোকপনি ওন্থোকপনি] হতাদরতয়া [তরামতরাম ভৌহৌদবনা, লুনা তৌহৌদবনা] সা [মহাক্না] কুপিতা ইব [অশাওবী ওইত্থনা] গতা চংথোকখ্রে] ॥৩॥

অনুবাদ : --রাধা অসিনা ঐসিবু মৌনহা ময়াম্না ইকোয় কোয়শিন্-ত্থনা শাম্নবত্থ উবদা কল্লক্তুনা [খম্বন্দুনা] লংথোক্তুনা চংখরে, ঐনস্থু মঙোন্দা খরা কায়খিবা মরয়া হেন্নত্থম শাওরক্কদ্রা হায়ত্থনা কিত্থনা খামহৌদ্রে, ওন্থোকপনিদা !! তরাম্ তরাম্ তৌহৌদবনা শাওত্থনা চংখ্রবনি ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কিংকরিষ্যতিকিংবদিষ্যতি সা চিরংবিরহেন।
কিংধনেনকিংজনেনকিং মমসুখেনগৃহেণ ॥৪॥
চিন্তয়ামিতদাননংকুটিলভ্রূকোপভরেণ।
শোণপদ্মমিবোপরিভ্রমতাকুলংভ্রমরেণ ॥৫॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না] চিরং [মতমকুইনা] বিরহেন [কায়নর-সিদা] কিংকরিষ্যতি [কার তৌররিগবা] কিংবদিষ্যতি [করি হায়র-রিগবা] তাংবিনা [মহাক নত্তনা, মহাক লৈত্রবদা] মম [ঐগী] ধনেন কিং [লল্‌থুম্না কার তৌনগনি] জনেনকিং [মরূপ মপাংনা করি তৌনগনি] সুখেন গৃহেন কিং [হুংভাইনা পাম্লিবা য়ুম্না কার তৌন-গনি ॥৪॥

অনুবাদ :—শ্রীরাধা আসনা ঐগা কায়নরবসিদা মাতু কোক্লনবা কার উপায় তৌরারগবা, কনাদা কার হায়রারগবা, মহাক লৈত্রব-সিদা ঐগী ললথুম, মরূপমপাং, হুংঙাইরবা য়ুমকৈ পুন্নমক অরেম্বা ওইরে ॥৪॥

পদানুবাদ :—অহং [ঐনা] কোপভরেণ [শাউমনখিবনা] কুটিলভ্রূ [পীশুম পৈরবা], ভ্রমরেণ [খোইমুনা] ভ্রমতাকুলং [পাইবনা অন্নাবা পীরব] শোণপদ্মংইব [অঙাংবা থম্বালগুম্নবা] তদাননং [মাগী মায়-থোংবু] চিন্তয়ামি (খল্লি) ॥৫॥

অনুবাদ :—ঐনা উবদা শ্রীরাধাতু শাওমনখিবনা পীশুম লৈথরে। মাগী মায়থোং অদু উবদা খোইমু তোংহুনা অন্নাবা পীরবা থম্বাল অঙাংবগুম নিংলে। মাগী মায়থোংতুবু ঐনা ইতত্তনা নিংলি ॥৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তামহং হৃদিসঙ্গতামনিশং ভৃশং রময়ামি।
কিং বনেঽনুসরামি তামিহ কিং বৃথা বিলপামি ॥৬॥

থম্মোইদা ফাজিল্লবী রাধাদা হায়খি।

তন্বি খিন্নমসূয়য়া হৃদয়ং তবাকলয়ামি
তন্ন বেদ্মি কুতো গতাসি ন তেন তেঽনুনয়ামি ॥৭॥

পদানুবাদ :—অহং (ঐনা) হৃদিসঙ্গতাং (থম্মোইদা লোয়নহন্না লৈরবী) তাং রাধাং (রাধা অসিবু) অনিশং (ইতত্তত্তনা) ভৃশং (থোয়দোক্না) রময়ামি (শান্নরি), ইহ বনে (বন অসিদা) তাং (মহাকপু) কিং (করিগী) অনুসরামি (থোঙ্গুল লীরুগদগে, বৃথা (অরেম্বদা) কিং বিলপামি (করিগী তেংথাত্না কপকদগে) ॥৬॥

অনুবাদ :=কৃষ্ণ ঐনা থম্মোইদা ফাজিন্দুনা লৈরবী রাধা অসিবু ইতত্তত্তনা থোইদোক্না শান্নরি। মাগীদমক থোঙ্গুল লীরুদুনা করি কান্নগনি অমসুং অরেম্বদা কপ্লুত্তনা করি কান্নগনি ॥৬॥

পদানুবাদ :–হে তন্বি! (হে শাদা ফজরবী) অসূয়য়া (খম্বনুবনা, কল্লকপনা) তব (নহাক্কী) হৃদয়ং (থম্মোইবু) খিন্নং (নুংঙাইত্রে হায়বা) আকলয়ামি (খল্লে), তৎ (মরম অদুনা, নুংঙাইতব মরম্না) ত্বং (নহাক্না) কুতঃ (কদাইদবু) গতাসি (চৎখ্রবগে হায়ব) ন বেদ্মি (খংহৌদ্রে) তেন (মরম অদুনা, খংদবা মরম্না) তে (নংঙোন্দা) ন অনুনয়ামি (নোল্লুকচত্রবনি, হায়জত্রবনি) ॥৭॥

অনুবাদ :—হে ইবেম্মা শাদা ফজরবী রাধে! খম্বনবন নহাক্কী থম্মোইদু ওন্থোক্না নুংঙাইত্রে হায়বা উরে। নুংঙাইতবদুনা কদোমদা চৎথোকখ্রবগে হায়বা খংহৌদ্রে। মরম অদুনা ঐনা নাংঙোন্দা হায়জবা চৎচবা তৌহৌদ্রে ॥৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দৃশ্যসেপুরতোগতাগতমেবমেবিদধাসি।
কিংপুরেবসসংভ্রমংপরিরম্ভণংনদদাসি ॥৮॥
ক্ষম্যতামপরংকদাপিতবেদৃশংনকরোমি।
দেহিসুন্দরিদর্শনংমমমন্মথেনদুনোমি।৯॥

পদানুবাদ :—ত্বং [নহাক্না] মমপুরতঃ [ঐগী মাংদা] গতাগতমেব [হঙ্গৎহন্দাচৎপগুম] বিদধাসি [তৌরি] ইতি [অসুম হায়না] দৃশ্যসে [উরে] তৎ [অদু ওইরবদি] পুরেব [মমাঙৈদা তৌবগুম্না] সসংভ্রমং [তরাম তরাম তৌদুনা] পরিরম্ভণং [আলিঙ্গনবু, রতিক্রীড়াবু] কিং ন দদাসি [পিত্রবগে ?] ॥৮॥

অনুবাদ :—ইদেম্মা নহাক্না লাক্তুনা ঐগী মাংদা হঙ্গৎহন্দা চত্তুনা লৈরে হায়বসি ঐনা উরে, অদু ওইরবদি করি মরম্না মমাংঙৈদা তৌবগুম্না তরাম তরাম তৌদুনা আলিঙ্গন পিত্রবগে ? ॥৮॥

পদানুবাদ :—হে সুন্দরী ! [হে শক ফজরবী] অপরাধং [ইরালবু, ফত্তবা তৌথিববু] ক্ষম্যতাং [ঙাকপিয়ু], কদাপি [কৈদৌঙৈদস্তু] তব [নহাক্কী নফমদা] ঈদৃশং [অসিগুম্ব] অপরং [অতোপ্পা অমা] ন করোমি [তৌররোই] মম [ঐগী ইফমদা] দর্শনং দেহি [উহনবিরো] মন্মথেন[কামনা, রতিক্রীড়াগী রাখলনা] অহং [ঐবু] দুনোমি [চাক্লে, অরাবা পীরে] ॥৯॥

অনুবাদ :—হে শকফজরবী রাধে ! শাউগনু, ঐনা থংদনুনা নহাক্কী নফমদা তৌথিবা ইরাল অদু ঙাকপিয়ু, মতুং অসিদা অমুক হন্না অসিগুম্বা চুমদবা লমচৎসি চৎলরোই, হৌজিকমক দর্শন পিনবিরো রতিক্রীড়াগী রাখলন। ঐবু চাকথেক্লে ॥৯॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বর্ণিতংজয়দেবকেনহরেরিদংপ্রণতেন।
কেন্দুবিল্বসমুদ্রসম্ভবরোহিণীরমণেন ॥১০॥

হৌজিক শ্রীকৃষ্ণনা কামগী তেন্না পান্দুনা ভাওরম্বনা কামদেববু অঙাওবনি খল্লদুনা হায়রক্লি ॥

হৃদিবিসলতাহারোনায়ংভুজঙ্গম নায়কঃ,
কুবলয়দলশ্রেণীকণ্ঠে ন সাগরলদ্যুতিঃ।
মলয়জরজোনেদংভস্মপ্রিয়ারহিতেময়ি,
প্রহর ন হরভ্রান্ত্যানঙ্গক্রুধা কিমু ধাবসি ॥১১॥

পদানুবাদ :—হরেঃ [হরিবু] প্রণতেন [খুরুমজরবা] কেন্দুবিল্বসমুদ্র [কেন্দুবিল্বসমুদ্রদগী] সম্ভব [পোক্লবা] রোহিণীরমণেন [রোহিণী কোবীনুপীগা শান্নরবা, থাগীমশক ওইরবা] শ্রীজয়দেবকেন [শ্রীজয়দেব কবিনা] ইদংগীতং [ঈশৈ অসি] বর্ণিতং [লেংজ্রে] ॥১০॥

অনুবাদ :—শ্রীহরিগী চরণবু অকাওবা লৈতানা খুরুমজরবা, সমুদ্রগী মশক ওইরবা কেন্দুবিল্বগ্রামদ, থাগী মশক ওইরবা শ্রীজয়দেব কবিনা কৃষ্ণগী বিরহগী ইশৈ অসি লেংজ্রে ॥১০॥

ব্যাখ্যা :—মমাংঙৈদা লাইগা হিংচাবগা তিন্নদুনা মন্দার কোবা চিং থাদদুনা সমুদ্র নৈথি। মাহুদা থা থোকখি। অদুগুমদুনা কেন্দুবিল্বগ্রামনা সমুদ্র ওইরে, শ্রীজয়দেব কবিনা থা ওইদুনা থোকখি হায়দুনা প্রমাণ তৌবতনি ॥১০॥

পদানুবাদ :—হে অনঙ্গ! (হে কামদেব) ত্বং (নহাক্না) প্রিয়া রহিতেময়ি (প্রিয়াগা কাইনরবা ঐঙোন্দা) হরভ্রান্ত্য (মহাদেবনি হায়না খল্লদুনা) মাপ্রহর (রৈ[illegible]গনু) ক্রুধা (শাউদুনা) কিমু ধাবসি (করিগী চেনশিল্লক্লিবনো), হৃদি (থবাক্তা শিয়িবা অসিনা) বিসলতাহারঃ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কামদেববু লৈগী তেল, লীরুং পায় হায়বদগী কিরক্কুনা, মাঙোন্দা ওনশিন্দুনা ক্কঞ্চনা হায়জরি ।

পানৌমাকুরুচূতশায়কমমুংমাচাপমারোপয়,
ক্রীড়ানির্জ্জিতবিশ্বমূর্চ্ছিজনাঘাতেনকিংপৌরুষম্ ।

(থম্বোগী লীক্লি), অয়ং (মাসি) ভুজঙ্গমনায়কঃ (লিলনিংথৌ, বাসুকী কৌবা লিল) ন (নত্তে), কণ্ঠে (ঙকশমদা শিরিবা অসিনা), কুবলয়-দলশ্রেণী (থম্বালঅশংবা মনা পরেংনি), সা (মাসি) গরলদ্যুতি (হূগী মঙান) ন (নত্তে), অঙ্গে (হকচাংদা তৈরিবসিনা) মলয়জরজঃ (মনম হুংশিবা চন্দনমকুপ্পি), ইদং (মাসি) ভস্ম (উৎ,হামুক) ন (নত্তে) ॥১১॥

অনুবাদ :—হে কামদেব ! নহাক্না প্রিয়াগা কায়নরবা ঐসিবু হাৎ-কে হায়তুনা অতুক কন্না চেনশিল্লক্লিবা করিগীনো ? নহাক ওম্বোক্না ওন্নতৈনবা ব্লাথল তোরে, মরমদি মহাদেবগী হকচাংদা শিরিবা লৈত্তেং ময়ামতু ঐঙোন্দা শিরিবসিনি হায়না নিংলমাল্লে । নত্তে য়েংউ, থবাক্তা শিরিবা অসিনা থম্বৌ খুবোমগী লীক্লি, মহাদেবগী বাসুকী কৌবা লিন্না থবাক্তা য়েৎপতু নত্তে । ঙকশমদা মুরিবা অসিনা থম্বাল অশংবা মনা পরেংনি, মহাদেবনা সমুদ্র নৈবা মতমদা কালকূট কৌবা হূ থক্কুনা ঙকশমদা মুবতু নত্তে । হকচাংদা ব্লাত্তনা তৈরিবা অসিনা মনম হুংশিরবা চুয়াচন্দন অতকপা মকুপ্পি, মহা-দেবগী শম্বী উৎ তৈবতু নত্তে ॥১১॥

পদানুবাদ :—হে ক্রীড়ানির্জ্জিতবিশ্ব ! (হে শান্নবনা জগৎপু ওম্লব) পানৌ (নখুত্তা) চূতশায়কং (হৈনৌমপালগী তেলবু) মাকুরু (পায়থৎ-কনু) অমুং (মাহুবু) চাপং (লীরাংদা) মা আরোপয় (হাপকৎকনু,

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তস্যাএবমৃগীদৃশোমনসিজপ্রেঙ্খৎকটাক্ষাশুগ
শ্রেণীজর্জ্জরিতং মনাগপিমনোনাদ্যাপিসংধুক্ষতে ॥১২॥

কুঞ্জনা কামদেবগী মরালহু মখাদা হায়রি।

ভ্রূপল্লবংধনুরপাঙ্গতরঙ্গিতানি
বাণা গুণঃ শ্রবণপালিরিতিস্মরেণ।
তস্যামনঙ্গজয়জঙ্গম দেবতায়া-
মস্ত্রাণি নির্জ্জিতজগন্তিকিমর্পিতানি ॥১৩॥

তেঙ্গা থোংগন্নু) হে মনসিজ ! (হে কামদেব) মূর্চ্ছিত (রান্থরবা) জন-ঘাতেন (মীদাথিল্লুহুনা) তে (নংগী) কিং পৌরুষং (করি নিপা থোক্ক-দগে, করি সিন্দা ফবা থোক্কদগে) তস্যাএব (মাসিগী) মৃগীদৃশঃ (শজী অমোম মীত্তা তারবীগী)—তস্যাএবমৃগীদৃশঃ (শজী অমোম মীত্তা তারবীসিগী) প্রেঙ্খৎ (কাপথোরক্লবা) কটাক্ষ [মীৎচি] আশুগ (তেলগী) শ্রেণী (পরেংনা) জর্জ্জরিতং (থিন্দুনা রারবা, হোগায়রবা) মনঃ (পূক্লীংসিনা) অদ্যাপি (ঙসি ফাওবা, হৌজিক ফাওবা) মনাক্-অপি (খজিক্তসু) ন সংধুক্ষতে (হৌংবা লৈত্রি, ফবা লৈত্রি) ॥১২॥

অনুবাদ ঃ—হে শাম্লবনা জগৎ জয় তৌরবা ! নংগী নখুত্তা হৈনৌ মপানগী তেল পায়থৎকনু, মাহুবু লীরুংদা থাংগৎতুনা তেঙ্গা থোংগ-ন্নু ! হে কামদেব ! নহাক্না প্রিয়াগা কায়নহুনা রান্থহুনা লৈরবা ঐবু কাপথুহুনা করি সিন্দা ফৈ হায়বা থোক্কদগে ? শজী অমোম মীত্তা তারবী রাধাগী কাপথোরক্লবা মীৎচি তেল্লা পান্দুনা নাহুনা লৈরবা পূক্লীংসি হৌজিক ফাওবা করিমত্তা অনাবা ফবা লৈতরি ॥১২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌজিক কৃষ্ণনা থম্মোইদা ফাদূনা থল্লবী রাধাগী মফমদা মাগী
অবাবদূ হায়রি।

ভ্রুচাপেনিহিতঃকটাক্ষবিশিখোনির্ম্মাতুমর্ম্মব্যথাং
শ্যামাত্মাকুটিলঃকরোতুকবরীভারোঽপিমারোদ্যমং।
মোহন্তাবদয়ঞ্চতন্বিতনুতাং বিম্বাধরোরাগবান্
সদ্বৃত্তস্তনমণ্ডলস্তবকথংপ্রাণৈর্মমক্রীড়তি॥১৪॥

পদানুবাদ :—ভ্রুপল্লবং (পীশুম য়েন্নীংনা, নৌরবা পীশুম) ধনুঃ (লীরুংনি) অপাঙ্গ তরঙ্গানি (মীৎচিনা লৈনা য়েংবা থিবিরূ!) বাণাঃ (তেল্লি)শ্রবণপালিঃ(নাকোংমতোম্না) গুণঃ (লীরিনি) ইতি(অসুমহায়-রিবা)তস্যাং (মভোন্দ) অনঙ্গজয় (কামদেববু ওম্লবা) জঙ্গমদেবতায়াং রাধায়াং (চৎপা হৈরবী লাইরেম্বী রাধাদ)=তস্যাং অনঙ্গ জয় জঙ্গমদেবতায়াং রাধায়াং (মূর্ত্তি পান্দুনা চৎলবী কামদেববু জয় তৌ-রবী রাধাদা) স্মরেণ (কামদেব নহাক্না) নির্জ্জিত (ওমগ্রবা, জয় তৌগ্রবা) জগন্তি (জগৎ পুম্নমক্পু)—নির্জ্জিতজগন্তি (জগৎ পুম্নমক জয় তৌগ্রবা) অস্ত্রানি (থুংলাই ময়াম্বু) কিং অর্পিতানি (পীর-বোইরে ॥১৩॥

অনুবাদ :—হে কামদেব ! রাধাগী পীশুম্না লীরুং ওইরবনি, মীৎ-চিনা লৈনা য়েংবা থিবিরূ তেম্না ওইরবনি, নাকোং মতোম্না লীরি ওইরবনি, অসুম তৌতুনা ওইরবী, কামদেব নহাকপু ওম্লবী, মূর্ত্তি পান্দুনা চৎলবী, রাধাসিদা নহাক্না জগৎ পুম্নমক জয় তৌরবা থুং-লাই পুম্নমক অমুক হন্না পিরমাল্লে হায়না নিংগে ॥১৩॥

পদানুবাদ :—হে তন্বি ! (হে শাদাফজরবী) ভ্রুচাপে (পীশুম্ লীরুংদা) নিহিতঃ (তেঙ্গাগোংলিবা) কটাক্ষবিশিখঃ (মীৎচি তেন্না)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কুঞ্জনা মথন্তা পূক্লীংদা য়াবহু হায়রি।

তানিস্পর্শসুখানিতেচতরলাস্নিগ্ধাদৃশোর্বিভ্রমা,
স্তদ্বক্ত্রাম্বুজসৌরভং স চ সুধাস্যন্দীগিরাংবক্রিমা।
সাবিম্বাধরমাধুরীতিবিষয়াসঙ্গেঽপিচেন্মানসং,
তস্যাংলগ্নসমাধিহন্তবিরহব্যাধিঃকথংবর্দ্ধতে ॥১৫॥

মর্ম্মব্যথাং (থম্মোই হোগায়ববু) নির্ম্মাতু (তৌজসন্থু), শ্যামাত্মা (ম মুরবা) কুটিলঃ (খোয়রবা) কবরীভারঃঅপি (শমজিগীশম পুন্নমক্লু মারোত্তমং (হাৎননবা থৌরাংবু) করোতু (তৌজসন্থু) চ (অমসু রাগবান্ (ভাংভানরবা) অয়ংবিম্বাধর (তয়াল মানবা চিম্বা অসিনা) তাবৎ (অতুক্কী মখৈ) মোহং (শুন্দ্ধৎপবু, অঙকপবু) তনুতা (শন্দোকসনু) ভব (নহাক্কী) সদ্ব,ত্তঃ (নিংথিনা তুম্নবা) স্তনমণ্ডলঃ (কুচগী মকোয়সিনা, থবাক্কী অতোংবসিনা) মমপ্রাণৈঃ (ঐগী থল্লাই গা লোইননা) কথং (কয়ামন্নম, করম্বা মওং ওইনা) ক্রীড়তি (শান্নি রি, হায়বদি ঐগী থল্লাইসিনা নংগীথবাক্কী অতোংবা কুচমণ্ডল অতুত খন্দুনা খন্দুনা লৈরে ॥১৪॥

অনুবাদ :—হে শক ফজরবী রাধে! পীশুম লীরুংদা তেঙ্গ থোংলিবা মীৎচি তেল ময়াম অতুনা ঐবু থিনগে হায়রবস্থ থিনজ সন্থু অতুগা মচুমুরবা শমজীগী শম অতুনা ঐবু হাৎকে হোৎনরিবদে হাৎচসনু, ভাংভরানরবা তয়াল মানবা চীম্বাল অতুনা অতুক্কী মখৈ শুন্দ্ধৎপা পিজসন্থু, নহাক্কী মপুং মরা মান্নবা তুম্নবা নল্লগা পুকচে শেংলবা থবাক [স্তনমণ্ডল] অতুনা ঐগী প্রাণগা লোইননা শান্নি ॥১৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পদানুবাদ :—তানি [মখোয়সিনি] স্পর্শসুখানি [শোরুরুবগী হুং-ঙাইবশিংদে]=তানিস্পর্শসুখানি [শোরুরুবগী হুংঙাইবশিং অত্তুসু অসিনি] চ [অদুগা] তে [মখোয়সিনী] তরলা [ইরাহৌনা] স্নিগ্ধা [নিংথিজরবা] দৃশোঃ [মীৎ অনিগী] বিভ্রমাঃ [শান্নরিবশিংদো]=তে তরলা স্নিগ্ধ দৃশোঃ বিভ্রমাঃ [ইরাহৌনা নিংথিজরবা মীৎ অনিগী শান্নবশিংত্তুসু অসিনি), তৎ [মাসিনি] বক্ত্রাম্বুজসৌরভং [মায়থোং থম্বালগী মনম্ হুংশিবদো] তৎবক্ত্রাম্বুজসৌরভং [মায়থোং থম্বালগী মনম্ হুংশিবত্তুসু অসিনি] চ [অমসুং] স [মাসিনি] সুধাস্য-ন্দী [অমৃতথীকথরবা] গিরাং [রাহৈরাতাগী] বক্রিমা [অখোয়বদো]=স সুধাস্যন্দী গিরাং বক্রিমা [অমৃত থীকথরবা রাঙাংগী অখোয়ব-ত্তুসু অসিনি], সা [মাসিনি] বিম্বাধর [তয়াল মানবা চীনগী] মাধুরী [রাশিগা লোইননা ফজরিবত্তুসু]=সাবিম্বাধরমাধুরী [তয়াল মানবা চীনগী রাশিগা লোইননা ফজরীবত্তুসু অসিনি] ইতি [মতৌ অসুম তৌত্তনা] বিষয়া সঙ্গেঽপি [ইন্দ্রিয় পূন্নমক্কা থেংনত্তনসু] মানসং [পুক্নীংসিনা] তস্যাং রাধায়াং [রাধা কৌবা ত্তুদা] লগ্ন [পকশিন্দুনা, চংশিনখিত্তুনা] সমাধি [পুক্নীং নীংথরে], হন্ত [অরাবনিদা] বিরহ-ব্যাধিঃ [কায়নবগী লায়থুংসে] কথং [করম্বা মওং ওইনা] বর্দ্ধতে [চাওখৎলক্লে] ॥১৫॥

অনুবাদ :— ঐনা থম্মোইদা ফাজিন্দুনা শান্নরিবী রাধাসিদা আসোমদা রাধাগা শোরুরুবগী হুংঙাইবত্তুসু অসিনা ওইরে, নিংথি-জরবা ইরা হৌরবা মীৎচিগী শান্নবত্তুসু অসিনা ওইরে, মহাক্কী মায়-থোং থম্বালগীমনম্ হুংশিবত্তুসু অসিনা ওইরে, অমৃত থীকথরবা মাগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌজিক শ্রীজয়দেব কবিনা ৩য় সর্গঃ লোইবদা ভক্তশিংদা আশিষ পিহল্লি।

তির্য্যক্কণ্ঠবিলোলমৌলিতরলোত্তংসস্যবংশোচ্চরদ্
গীতিস্থানকৃতাবধানললনালক্ষৈর্ণসংলক্ষিতাঃ।
সংমুগ্ধং মধুসুদনস্যমধুরেরাধামুখেন্দৌ মৃদু
স্পন্দং কন্দলিতাশ্চিরং দদতুবঃক্ষেমং কটাক্ষোর্ম্ময়ঃ ॥১৬।

রাহৈরাতা করেল্লবত্তুসু অসিনা ওইরে, তয়ালমানবা চিনবালগী নিংথিজরবা রাশি অত্তুসু অসিনা ওইরে। মতৌ অসুম তৌত্তুনা ইন্দ্রিয় পূন্নমক্লা মুংঙাইবা ফজবা পূন্নমক ফংলে, অত্তুবু অসোমদা বনগী মতুংদা রাত্তুনা শাউত্তুনা লৈরিবী রাধা অদূতদা পুক্নীং থমখিবনা কাউবা য়াদত্তুনা ওন্থোকপনিদা !! কায়নবগী অরাবা অসুম অসুম হেনগৎলক্লে ॥১৫॥

পদানুবাদ :—তির্য্যক্কণ্ঠ [ঙক চেপ্পনা] বিলোল [হাইত্তুনা] মৌলি [কোক]—বিলোলমৌলি [কোক হাইত্তুনা] তরল [তনিক তনিক্লবা] উত্তংসস্য [চূড়ানা]—তরলউত্তংসস্য [চূড়ানা হাই হুন্নবা] মধুসূদনস্য [শ্রীকৃষ্ণগী] বংশউচ্চরদ্ [বংশীদগী থোকখ্রবা] গীতিস্থান [ঈশৈগী মতাংদা] কৃতাবধান [পূক্নীং থমখিবনা] ললনালক্ষৈঃ [নুপী লক্ষ লক্ষনা] ন সংলক্ষিতাঃ [উখিদ্রবা] মধুরে [নিংথিজরবা] রাধামুখেন্দৌ [রাধাগী মায়থোং থাদা] সংমুগ্ধং [নিংথিজনা] মৃদুস্পান্দং [খরা খরা লৈনা য়েংবনা] কন্দলিতাঃ [য়েন্নীং হুল্লবা] কটাক্ষউর্ম্ময়ঃ [মীৎচিগী ঈথক খিবিক্লা] বঃ [নংখোইগী, ভক্তশিঙ্গি] ক্ষেমং [য়াইফববু, মঙ্গলবু] চিরং [মতম কুইনা] দদতু [পীরসনু] ॥১৬॥

অনুবাদ :—ঙক চেপ্পা য়েংবনা হাই হুন্নবা কোক্তা থোল্লিবা চূড়ানা হাইহুন্নবা [তনিক তনিক্লবা] শ্রীকৃষ্ণগী বংশীদগী থোংলক্লবা ঈশৈগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চতুর্থঃ সর্গঃ

হৌজিক রাধাগী চান্নরবী মতানা কৃষ্ণদা রাধাগী অৱাবা হায়রি।

যমুনাতীরবানীরনিকুঞ্জেমন্দমাস্থিতং।
প্রাহপ্রেমভরোদ্‌ভ্রান্তংমাধবংরাধিকাসখী ॥১॥

হায়খিবত্থ ঈশৈনা হায়রি।

গীতম্ । ৮ ।

কর্ণাটরাগ যতিতালাভ্যাংগীয়তে।

নিন্দতিচন্দনমিন্দুকিরণমনুবিন্দতিখেদমধীরং।
ব্যালনিলয়মিলনেনগরলমিবকলয়তিমলয়সমীরম্ ॥

মতাংদা পূক্লীং থমখিবনা নুপী লক্ষ লক্ষনা উথিদ্রবা, নিংথিজরবা রাধাগী মায়থোং থাদা শুম্মাংনবগী মশক ওইনা হায়ফেৎ হায়ফেৎ য়েংহুনা য়েন্নীং হুল্লবা মীৎচিগী ইথক থিবিক্লা ভক্ত পুন্নমক্কী মফমদা মতম কুইনা য়াইফবা পীনরসন্থ ॥১৬॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে মহাকাব্যে মুগ্ধমধুসূদনো নাম তৃতীয়ঃ সর্গঃ।

পদানুবাদঃ—রাধিকা সখী [শ্রীরাধাগী মতানা] যমুনাতীর [যমুনা-মপান্দা লৈবা] বানীর নিকুঞ্জে [বেতস কুঞ্জদা] মন্দং [তুমিন্না] আস্থিতং [লৈরবা], প্রেমভর [প্রেমনা থুম্মৎহুনা] উদ্‌ভ্রান্তং [ঙাও-চংনরবা] মাধবং [কৃষ্ণদা] প্রাহ [হায়খি] ॥১॥

অনুবাদঃ—শ্রীরাধাগী অৱাবন্থ উবদা, রাধাগী মত সখীনা লাক্ল-হুনা যমুনা তুরেলগী মপান্দা বেতসকুঞ্জদা তুমিন্না চংহুনা লৈরবা, রাধাগী কায়নবগী অৱাবগা নুংশিবগী প্রেমগনা ঙাওচংনরবা কৃষ্ণদা হায়খি ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সা বিরহে তব দীনা
মাধবমনসিজবিশিখভয়াদিবভাবনয়াত্বয়িলীনা ॥২॥
অবিরলনিপতিতমদনশরাদিবভবদবনায়বিশালং।
স্বহৃদয়মর্ম্মনিবর্ম্মকরোতিসজলনলিনীদলজালম্ ॥৩॥

পদানুবাদ :—হে মাধব ! [হে কৃষ্ণ] মনসিজ বিশিখ ভয়াৎ ইব [কামদেবগী তেল কিবদগী] ভাবনয়া [রাখল্লা, ধ্যাননা] ত্বয়িলীনা [নংঙোন্দা পুল্লবী, তিল্লবী] সা দীনা রাধা [তোল্লবী রাধাসিনা] তব বিরহে [নংগা কায়নরবসিদা] চন্দনম্ [চন্দনবু, কস্তুরীনচিংববু] নিন্দতি [থীনা চৈরে], ইন্দুকিরণং [থাগী মঙালবু, থাবলবু] অধীরং [তপ্থবা য়াত্রব] খেদং [অরাবনি হায়না] অনুবিন্দতি [নীংলে], ব্যালনিলয়মিলনেন [লিনগী মকোন ওইরবা চন্দনপাম্বিগা শোক্নরুবনা] মলয়সমীরম্ [মলয় পর্ব্বতকী মনম্ নুংশিরবা নুংশিৎপু] গরলমিব [হূনি হায়না] কলয়তি [খল্লে] ॥২॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো কৃষ্ণ ! নহাকপু কায়নবসিদা শ্রীমতি রাধানা কামদেবগী তেলনা থাগনি হায়বা কিহুনা, করম তৌরগা ফগদগে খনবদা ইবুংঙোদা চংজরগা ফগনি খল্দুনা পুকচেল অমত্তা ওইনা ধ্যান তৌহুনা নিংথ্রে। হৌজিক নুংশিরবা চন্দন মনল্লা নাতোন্দা য়ৈবদা নিন্দা তৌহুনা চৈথ্রে, অঙৈংবা থাবলবু উরগা অরাবা মপৈনি খনথ্রে, অমসুং মলয়পর্ব্বতকী নামিরবা নুংশিৎপু হূনি হায়না শিংথাখরে ॥২॥

পদানুবাদ :—স রাধা [রাধা অসিনা] অবিরল [ইতত্তনা] নিপতিত [কাপশিল্লক্লবা, পাইশিল্লক্লবা] মদনশরাৎ [কামদেবগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কুসুমবিশিখশরতল্পমনল্পবিলাসকলাকমনীয়ং ।
ব্রতমিবতবপরিরম্ভসুখায়করোতিকুসুমশয়নীয়ম্ ॥৪॥
বহতিচলিতবিলোচনজলধরমাননকমলমুদারং ।
বিধুমিববিকটবিধুন্তুদদন্তদলনগলিতামৃতধারম্ ॥৫॥

তেন্দগী] ভবৎ (নহাকপু) অবনায় (কন্ননবগীদমক) স্বহৃদয় মর্ম্মনি (মাগী থম্মোইগী অথুপ্পা লমদা) সজলনলিনীদলজালং (ঈশিংগা লোয়নরবা থম্বাল মনাময়ান্ন শারবা) বিশালং (পাক্লবা) বর্ম্ম করোতি (রানৃফক্ ফুরিৎ লৌৎলি, কবচ থাংলি) ॥৩॥

অনুবাদঃ— শ্রীমতি রাধিকাসিনা মাগী থম্মোইদা ফাজিন্দুনা থম্রবা ইবুংঙো নহাকপু, কামদেবগী ইতত্তুনা কাপশিল্লক্রবা তেন্দগী কন্ন-নবা হায়হুনা থম্মোইগী অথুপ্পা লমদা ঈশিংগা লোয়নরবা থম্বাল মনানা শাবা পাক্লবা রানৃফক্ ফুরিৎ (কবচ) লৌৎলি ॥৩॥

পদানুবাদঃ— সা দীনা (লাইবক থীরবীসিনা) তব (নংগা) পরি-রম্ভ (আলিঙ্গন তৌত্নুনা) সুখায় (নুংঙাইননবগীদমক) ব্রতম ইব (ব্রতগী মশক ওইনা) অনল্প (মখল মখা য়াম্নবা) বিলাসকলাকমনীয়ং (শান্নবা পোৎনা লৈতেংলবা) কুসুম বিশিখ (কামদেবগী) শরতল্পং (তেন্না শাবা ফমুংগুম্নবা) কুসুম শয়নীয়ম্ (লৈগী শয্যাবু) করোতি (শেমলি) ॥৪॥

অনুবাদঃ— লাইবক থীরবী রাধাসিনা ইবুংঙো নহাক্না লোইননা আলিঙ্গন তৌত্নুনা নুংঙাইনা শান্নগনি হায়না থন্দুনা ব্রতগী মশক ওইনা মখল মখা অয়াম্বা ফজরবা পোৎলম্না লৈতেংলবা কামদেবগী তেলগী ফমুংগী মশক ওইরবা লৈগী শর্য্যা অমা শেমগৎচরি ॥৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিলিখতিরহসিকুরঙ্গমদেনভবন্তমসমশরভূতং ।
প্রণমতিমকরমধোবিনিধায়করেচশরংনবচূতম্ ॥৬॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্লা], রাধানা] বিকট [অকিবগী মশক ওই-রবা, তমথীরবা] বিধুন্তুদ [রাহু কৌবা হিংচাবগী] দন্তদলন [ময়ানা] হোগায়হনা] গলিত [চেন্থরক্লবা, শিন্থরবা] অমৃতধারম্ [অমৃতগী ইচেলবু] = গলিত অমৃত ধারম্ [অমৃতগী ইচেল চেন্থরবা] বিধুং ইব [থাগুম্নবা] চলিত [শিন্থরবা] বিলোচন [মিত্তা] জলধরং [পিবু, ঈশিংবু] — চলিত বিলোচনজলধরং [মিত্তা পি শিন্থরবা] উদারং [নিংথিজরবা] আননকমলঃ [মায়থোং থম্বালবু] বহতি [পুরি] ॥৫॥

অনুবাদ :—মহাক্লা তমথীরবা রাহু কৌবা হিংচাবনা অতিয়াদা থোক্লিবা থাবু ময়ানা চিক্কুনা লাক্লগা [গ্রহণ তৌরগা] থাদগী অমৃত ইচেল শিন্থরকপগুম্না মীৎ অনিমক্তা পিগী ইচেল শিন্থরবা নিংথি-জরবা মায়থোং থম্বাল পুরি ॥৫॥

পদানুবাদ : — সা দীনা [লাইবক থীরবীসিনা] রহসি [অচিকপা লমদা] কুরঙ্গমদেন [কস্তুরী চন্দনমা] অসম শরভূতং [কামদেবগী মশক ওইরবা] ভবন্তং [নহাকপু] বিলিখতি [য়েকই] অধঃ [মখাদা, খোং মখাদা] মকর [ফীরাল, ঙা কীহোম] করেচ [মখুত্তমু] নবচূতং শরং [হৈনৌ মপালগী তেলবু] বিনিধায় [য়েক্লহনা, পাইহল্লহনা] প্রণমতি [খুরুমলি] ।।৬॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো ! রাধাসিনা অচীকপা মী লৈতবা লমদা কস্তুরী চন্দননা ইবুংঙো নংগী কামদেবগী মশকফম ওইরবা শ্রীমূর্তি অহবু য়েক্লগা অহগী মখোং খুয়াদা ফীরাল শাবা ময়ী য়েক্লে অহগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রতিপদমিদমপিনিগদতিমাধবতবচরণেপতিতাহম্।
ত্বয়িবিমুখেময়িসপদিসুধানিধিরপিতনুতেতনুদাহম্ ॥৭॥
ধ্যানলয়েনপুরঃপরিকল্প্যভবন্তমতীবদুরাপং।
বিলপতিহসতিবিষীদতিরোদিতিচঞ্চতিমুঞ্চতিতাপং ॥৮॥

মখুৎ অনিদা হৈনৌ মপাল পায়হল্লগা চি না চিংনা য়েংহুনা থুরূমই ॥৬॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না, রাধানা] প্রতিপদং [পুংজা খুদিংমক্তা] ইদংঅপি (মাস্মন্সু] নিগদতি [হায়রি] হে মাধব [হে ইবুংঙো কৃষ্ণ] অহং [ঐনা] তবচরণে [নংগী নখোংদা পতিত [ওন্থোইরবনি] ত্বয়ি [নহাক্না] বিমুখে [মায় ওন্থোকখ্রবা] ময়ি সপদি [ঐঙোন্দা থীন্দনা] সুধানিধিঃ অপি [থানসু] তনুদাহং [হকচাংদা চাকথেকপবু] তনুতে [পীরে] ॥৭॥

অনুবাদ :—লাইবক থীরবী শ্রীমতি রাধিকাসিনা পুংজা খুদিংমক্তা হে মাধব ! ইবুংঙো নহাক্কী নখোং থুয়াদা ঐনা নোল্লুক্না খুরূমজরবসিনি, নহাক্না মায় ওন্থোকখ্রবদা অতিয়াদা থোক্লিবা ইংলবা থা অসিনসু মৈগী মশক ওইরহুনা থীন্দনা ঐগী হকচাং পুন্নমক চাকথেক্লে অস্নুমসু হায়রি ॥৭॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না] অতীব দুরাপং [থোইদোক্না রানা ফংক্ষম থোক্লবা] ভবন্তং [নহাকপু] ধ্যানলয়েন (ধ্যান তৌহুনা ফাজিল্লগা) পুরঃ (মাংদা) পরিকল্প্য (শাগত্তুনা থম্লগা) বিলপতি (তেংথাহুনা কপই) হসতি (নোকই) বিষীদতি (রায়) রোদিতি (কপই) চঞ্চতি (কোয়না চৎলি) তাপং মুঞ্চতি (অরাবা কোক্লি) ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতমিদমধিকং যদিমনসানটনীয়ং।
হরিবিরহাকুলবল্লভযুবতিসখীবচনং পঠনীয়ম্ ।৯॥
আবাসোবিপিনায়তেপ্রিয়সখীমালাপিজালায়তে,
তাপোঽপিশ্বসিতেনদাবদহনজ্বালাকলাপায়তে।

অনুবাদ ঃ—হে ইবুংঙো ! শ্রীরাধাসিনা রানা হোৎনবদা ফংবা ঙম-দ্রবা নহাকসিবু ধ্যান তৌহুনা ফাজিল্লগা মাগী মীৎকী মাংদা লেপ-হন্দুনা য়েংল য়েংলহুনা করিগুম্বা মতমদা তেংথাহুনা কপই, করিগুম্বা মতমদা নোকই, করিগুম্বা মতমদা রারি, করিগুম্বা মতমদা পংকুপ-কপ্ই, করিগুম্বা মতমদা কোয়না চৎলি, করিগুম্বা মতমদা অরাব মৈচাক কোক্লি ॥৮॥

পদানুবাদ :—(১) যদি মনসা (পুক্লীংনা) অধিকং (থোইদোক্লা) নটনীয়ং (জগোই শানিংলবা হায়বদি হরাওনিংলবা) (২) তদা (অদু ওইরবদি) শ্রীজয়দেবভণিতং (শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা) হরি বিরহ আকুল (কৃষ্ণ কায়নবনা রারবা) বল্লভ যুবতি (গোপ নুপীগী, শ্রীরাধাগী) সখীবচনম্ (মতানা হায়থ্রবা) ইদংগীতং (ঈশৈ অসিবু) পঠনীয়ং (পাবিগদবা নত্রগা শকপিগদবা ওই ॥৯॥

অনুবাদ :—হে ভক্তশা ! নংথোয়গী পুক্লীংহুনা থোইদোক্লা হরাও-নিংলবদি শ্রীজয়দেবকবিনা লেংলবা, কৃষ্ণগা কায়নবনা থোইদোক্লা রানা লৈরবী শ্রীমতি রাধিকাগী মতা সখীনা কৃষ্ণদা হায়জথিবা ঈশৈশিং অসি শকপিগদবা ওই ॥৯॥

"(১) যদি (২) তদা" অব্যয় অনি অসি পুন্না "অদু ওইরবদি" হায়বা অর্থসিদা হায়গদবনি।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সাপিত্বদ্বিরহেণহন্তহরিনীরূপায়তে হাকথং,
কন্দর্পোঽপিযমায়তেবিরচয়ঞ্ছার্দ্দূলবিক্রীড়িতম্ ॥১০॥

গীতং ।৯।

দেশাগরাগৈকতালীতালাভ্যাং গীয়তে।

স্তনবিনিহিতমপিহারমুদারং
সামনুতেক্বশতনুরিবভারম্।
রাধিকাবিরহে তবকেশব॥ ধ্রুবম্ ॥১১॥

পদানুবাদ :— সা রাধা (রাধা অসিনা) আবাসঃ (য়ুম্না) বিপিনায়তে [বনংগুম্না নীংলে], প্রিয়সখীমালাপি (চান্নরবী মতা সখীশিংনস্থু) জালায়তে (লাংগুম্না নীংলে), শ্বসিতেন (নুংশাশোর হোন্দোরক-পগা লোইনরবা) তাপঃঅপি (হকচাংগী ইনিন অশাবনস্থু) দাবদহন-জ্বালা (বন চাক্লবা মৈগী) কলাপায়তে (মপৈগুম্না নীংথ্রে) হন্ত !! (অরাবনিদা) ত্বদ্বিরহেন (নংগা কায়নবসিনা) হরিনীরূপায়তে (শজী অমোমগুম ওইখ্রে) হা (ওন্থোকপনিদা) শার্দ্দূলবিক্রীড়িতং (কৈনা শান্নবগুম্) বিরচয়ৎ (শান্ন-শান্নরহনা) কন্দর্পঃঅপি (কামদেবনস্থু) কথং (মত্তৌ করম্না) যমায়তে (যমনিংথৌগুম ওইখরে) ॥১০॥

অনুবাদ :— রাধা অসিনা ইবুংঙো নহাক্কা কায়নবসিদা রামনথিবনা ওন্নথৈম্নবা রাখসখন্দুনা য়ুম্না বনগুম থনখরে, চান্নরবী সখীময়ামসিনা চৎথোকপা য়াদবা লাং থাক্পগুম্ থনখ্রে, নুংশাশোরগা লোইনরবা হকচাংগী ইনিন অশাবনস্থু লমৈ চাকপগী অকনবা মৈগুম্না নীংথ্রে, অরাবনিদা !! ইবুংঙো নহাক্কা কায়নবসিদা শজী অমোমগুম ওই-খ্রবী রাধাসিনা কৈগুম্না শান্নরবা কামদেবথু সু যমনিংথৌগুম নীংথ্রে ॥১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সরসমসৃণমপিমলয়জপঙ্কং।
পশ্যতিবিষমিববপুষিসশঙ্কম্ ॥১২॥
শ্বসিতপবনমনুপমপরিণাহং।
মদনদহনমিববহতিসদাহম্ ॥১৩॥

পদানুবাদ :—হে কেশব ! [হে কৃষ্ণ] তববিরহে [নংগা কায়নর-ৰদা] কৃশতনুঃ [ময়াং কংশিল্লবী] সা রাধা [রাধা অতুনা] স্তনবিনিহিতং [কুচদা থাঙ্গৎলবা, থবাক্তা শিরবা] উদারং [নিংথিজরবা, মমল য়াম্লবা] হারংঅপি [লীকপরেং অতুবুস্তু] ভারংইব [লুয়ে হায়না] মনুতে [নীংলে, খল্লে] ॥১১॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো কৃষ্ণ ! রাধিকাতু ওন্থোক্লা রানা নৈরে, হন্দক ইবুংঙোগা কায়নবসিদা চাদথক্তবনা ময়াং কংগ্রতুনা মথবাক্তা শিল্লিবা মমল য়াম্লবা মণি মুক্তাগী লীক পরেং অতু ফাওবা পুবা ওন্নরোইদোমাল্লে অস্তুম হায়না খল্লে ॥১১॥

পদানুবাদ :—সা রাধা (রাধাসিনা) বপুষি (মশাদা তৈরিবা) সরসমসৃণং (মনম হুংশিনা নিংথিজরবা) মলয়জপঙ্কং (চন্দন অতকপবুস্তু) বিষং ইব (হুগুম্ন) সশঙ্কং (চিংননা) পশ্যতি (উরে) ॥১২॥

অনুবাদ :—শ্রীমতি রাধিকাসিনা মশাদা নৈতেং ওইনা তৈরিবা, মহী লাংনা মনম হুংশিনা লুনা ফজরবা কস্তুরী কুঙ্কুমনচিংবা চন্দন অতকপাশিংসিবু হুনি হায়না নিংখরে হায়বদী মাহু তৈরুবগী কবিমত্তা ঈংবা লৈখিদ্রে ॥১২॥

পদানুবাদ :—সা (মহাক্লা) অনুপম পরিনাহং (চাংদম্নীংঙাই নৈতনা শাংলবা) শ্বসিতপবনং[হুংশাস্বরগী হুংশিৎপুস্তু]সদাহং [মৈরিগা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দিশিদিশিকিরতিসজলকণজালং ।
নয়ননলিনমিববিদলিতনালম্ ॥১৪॥
নয়নবিষয়মপিকিশলতল্পং ।
গণয়তিবিহিতহুতাশবিকল্পম্ ॥১৫॥

লোয়নরবা] মদনদহনংইব [কামদেবগী মৈগুম্না] বহতি [পুরে] ॥১৩॥

অনুবাদ :—মহাক্না চিংনা চিংনা ফুইনা হোল্লবা নুংশাম্বরবুস্থ মৈ-রীগা লোয়নরবা কামদেব কৌবা লাইগী মৈনী হায়না পুখ্রে ॥১৩॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না] সজলকণজালং [পী মতুম থিবিক্কা লোয়নরবা] নয়ননলিনং [মীৎ থম্বালহুবু] বিদলিত [কেল্লবা] নালং [মখোক] পদ্মংইব [থম্বালগুম্না] — বিদলিত নালংপদ্মঃইব [মখোক্ত-গী কেল্লক্লবা থম্বালগুম্না] দিশিদিশি [মায়কৈ মায়কৈ খুদিংদা] কির-তি [চাইথোক্লি, য়েংলি] ॥১৪॥

অনুবাদ :— মহাক্না পিগীমতুম খিবিক্কা লোয়নরবা মীৎ থম্বাল অহুবু মখোক কেন্দুনা তারক্লবা থম্বালগী মতৌগুম্ন: মাইকৈ মাইকৈ খুদিং-দা চাইথোক্লি হায়বদি কৃষ্ণগা কায়নবদা কদোমদা লাক্লবগে হায়হুনা লৈনা লৈনা য়েংবতনি ॥১৪॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না] নয়নবিষয়ং [মমীৎনা উরবা] কিশলয় তল্পং অপি [লৈ মনা অনৌবগী শয্যা অহুবুস্থ] বিহিত [তৌরহুনা] হুতাশ [মৈনী হায়না] বিকল্পং [নিংনববু] — বিহিত হুতাশবিকল্পং [মৈনী হায়না চিংননা] গণয়তি [খল্লি, শিংথান্নি] ॥১৫॥

অনুবাদ :—মহাক্না কুঞ্জদা উনা অনৌবা, লৈ অনৌবনা শেম্লিবা শয্যা অহুবু মমীৎমক্না উরবহুদা ওম্নতৈনা খনপ্রহুনা মৈবুল অমা লৈরে অস্থুম হায়না নীংথ্রে ॥১৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ত্যজতি ন পানিতলেনকপোলং।
বালশশিনমিবসায়মলোলম্ ॥১৬॥
হরিরিতি হরিরিতি জপতিসকামম্।
বিরহবিহিতমরণেবনিকামম্ ॥১৭॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না] পানিতলেন [মখুৎ মতোন্না সায়ং [য়াচংবা মতমদা] অলোলং [লেংদনা লৈরবা] বালশশিনংইব [অনৌবা থাগুম্লবা, নিনি পানবা থাগুম্লবা] কপোলং [খজাইবু] ন ত্যজতি [থাদোক্তে] ॥১৬॥

অনুবাদ :— শ্রীরাধানা মহাক্নী ঙাংঙ্গানরবা মখুৎ মতোন্না য়াচংবা মতমদা লেংদনা থোক্তুনা লৈরবা নিনিদা ঙাইনা পানথংলক্লিবা অনৌবা থাগী মশক ওইরবা খজাইবু থাদোক্তে॥ [চাংদম্নবা] অসিদা [উপমা তৌবসিদা] য়াচংবদা অতিয়াগী ঙাংঙরানরবা মচুগা, ঙাংঙরানরবা রাধাগী খুৎকা পাবা, অতুগা নিনিত্তা ঙাইরিবা পানথংলকপা থানা মচেৎ অমা উই, মচেৎ অমা উদে, অতুগুমতুনা খজাই অতুম্সু খুৎনা খঞ্জিন্দুনা মচেৎ অমা উই, মচেৎ অমা উদে। মরম অসিনা খজাইগা থাগা পান্দম্ তৌরি ॥১৬॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না] তব [নহাক্কা] বিরহ [কায়নবনা] বিহিত [ওইরতুনা] মরণাইব [অশিবীগুম্ন] — বিরহ বিহিত মরণা ইব [কায়নবনা শিগনি হায়বা মওংগুম্না ওইরতুনা] হরিঃ ইতি হরিঃ ইতি [হে হরি ! হে হরি ! অসুম্না হায়তুনা] নিকামং [থোইদোক্না] সকামং [পামশিন্না] জপতি [শোল্লী, লাওরি ॥১৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতমিতিগীতং ।
সুখয়তু কেশবপদমুপনীতম্ ॥১৮॥
সারোমাঞ্চতিশীৎকরোতিবিলপত্যুৎকম্পতেতাম্যতি,
ধ্যায়ত্যুদ্ভ্রাম্যতিপ্রমীলতিপতত্যুদ্‌যাতিমূর্চ্ছত্যপি ।

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো! শ্রীরাধাসিনা নহাক্ক কায়নংঙিদা ঐহাক শিবা তারে হায়না কন্না খনগ্রহনা মীনা শিরমদাইদা হরিনাম শোনবগুম্না হে হরি! হে হরি! অসুম হায়না থে ইদোক্লা পামশিন্না লাওরি। পামশিন্না শোল্লবদি হন্দক্কী মপোক্ত [ইহজন্মদা] ফংঙ্গ্রব-সু হয়েংমুক্কী মপোক্ত [পরজন্মদা] শোইদনা ফংগনি হায়ব রাংথল খল্লে। মরম অহুনা রাধানা পামশিন্না শোনবনি ॥১৭॥

পদানুবাদ :—শ্রীজয়দেবভণিতং [শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা] ইতি গীতং [ঈশৈ অসিনা] কেশবপদং [কৃষ্ণগী খোংদা] উপনীতং থুংলবা, য়োরবা] ভক্তং [ভক্তবু] সুখয়তু [নুংঙাইহনসনু] ॥১৮॥

অনুবাদ :—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা ঈশৈ অসিনা কৃষ্ণগী চরন্দা পুক্নীং থল্লবা ভক্তশিঙ্গি মফমদা নুংঙাইবা পিনরসনু ॥১৮॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক] রোমাঞ্চতি [মতুচুংলি] শীৎকরোতি [লাওরি, আলিঙ্গন তৌরকপা মতমদা নুপীনা নিপা কিহুনা লাওব-হুবু শীৎকার কৌই] বিলপতি [কপই] উৎকম্পতে [তনীকৃতনীকই] তাম্যতি [শোইন্থে] ধ্যায়তি [মমীৎ উই শিন্দুন লৈই] উদ্ভ্রাম্যতি [ঙাওচৎনৈ] প্রমীলতি [চোকথহুনা তুমই] পততি [তুই] উৎযাতি [হৌগত্তুনা চেল্লি] অপি [অমসুং মূর্চ্ছতি [রানথৈ], হে স্বর্বৈদ্যপ্রতিম! [হে লাইগী মাইবগা মান্নবা, হে অশ্বিনীকুমারগা মান্নবা]

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

এতাবতাতনুজ্বরেবরতনুর্জীবেন্নকিন্তেরসাৎ,
স্বর্বৈদ্যপ্রতিমপ্রসীদসিযদিত্যক্তোহন্যথাহস্তকঃ ॥১৯॥
স্মরাতুরাংদৈবতবৈদ্যহৃদ্যত্বদঙ্গামৃতমাত্রসাধ্যাম্ ।
বিমুক্তবাধাংকুরুষেনরাধামুপেন্দ্রবজ্রাদপিদারুণোহসি ॥২০॥

যদ ত্বং [নহাক্না] প্রসীদসি [থৌজালবিরনা] তদা [অছু ওইরবদি] সাবরতনুঃ রাধ [হকচাং থিবিক্তগী থোইদোক্লবী রাধাসিনা] এতাবতি [অসি ফাওবা ওইশিল্লক্লবদা] অতনুজ্বরে [কামগী লাইহৌদা, রতিক্রীড়াগী লাইহৌদা]—এতাবতি অতনুজ্বরে [কামগী লাইথৌনা আলিঙ্গন য়ৌশিল্লক্লবদা] তে রসাৎ [নহাক্কী হিদাকগী, নহাক্কী আলিঙ্গনদগী] কিংনজীবেৎ [করিগী হিংলোইদগে হায়বদি অনাবা ফতুনা হিংগনি] অন্যথা [অতুনত্রবদি] হন্তকঃ ত্যক্তঃ [থুংথাবা তারে] ॥১৯॥

অনুবাদ ঃ—মহাক্না ইবুঙো নহাক্না কায়নবসিদা ঙাইহাক মতুচুংই, অমুক লাওই, অমুক কপই, অমুক ভনীক্ ভনীকই, অমুক শোইদ্বে, অমুক মমীৎ উইশিন্দুনা ধ্যান ভৌই, অমুক ঙাওচংনৈ, অমুক মশা সেকখল্লুনা তুমই, অমুক তুইদ্বে, অমুক হৌগৎভুনা চেল্লি, অমুক রাইদ্বে। হে অশ্বিনীকুমারবু হেন্না হৈরবা মাইবা! মতৌ অমুক্না কামগী লাইহৌন অসি য়ৌনা কম্ন নাপ্রবস্মিদা ইবুংঙো মাইবনা থৌজালবিহুনা নহাক্কী হিদাক [রতিক্রীড়া আলিঙ্গন] থাবিরবদি শোইদনা ফগনি অতু নত্রবদি অনাবা থুং থাবা তারে ॥১৯॥

পদানুবাদ—হে দৈবতবৈদ্যহৃদ্য [হে লাইগী মাইবদগী হেন্না নিংথিজরবা] যদি স্মরাতুরাং [রতিক্রীড়াগী রাথলনা নাহুনা লৈরবী] ত্বদঙ্গসঙ্গামৃতমাত্রসাধ্যাং [নহাক্কী হকচাংগা তিন্নবগী অমৃত অতুতনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অশুম্না য়ারবী রাধাসিনা নংবু থন্দুনা হিংবস্থ হায়রি।

কন্দর্পজ্বরসংজ্বরাতুরতনোরাশ্চার্যমস্যাশ্চিরং,
চেতশ্চন্দনচন্দ্রমঃকমলিনীচিন্তাসুসংতাম্যতি।
কিন্তুক্ষান্তিরসেনশীতলতরং ত্বামেকমেবপ্রিয়ং,
ধ্যায়ন্তীরহসিস্থিতাকথমপিক্ষীণাক্ষণংপ্রাণিতি ॥২১॥

অসাবা কোক্কদোরিবা] রাধাং [রাধাসিবু] বিমুক্ত [কোকহনবা] বাধাং [অনাববু]—বিমুক্ত বাধাং [অনাবা কোকহনবা] ন কুরুষে [তৌবিদ্রব] তদা [অদু ওইরবদি] ত্বং [নহাকসে] উপেন্দ্রবজ্রাৎঅপি [শোরারেনগী বজ্রদগীসু হেন্না] দারুণঃ অসি [তমৃথীথ্রে ॥২০॥

অনুবাদ :—হে লাইগী মাইবদগী হেন্না পুকচেল ফজরবা! রতিক্রীড়াগী রাখন্না নাহুনা লৈরবী অমহিক্তি নহাকপু উন্নবগী হুংঙাইবা অমৃত অতুতনা অনাবা ফগদোরিবী শ্রীমতি রাধিকাসিবু নহাক্না লায়য়েংবিহুনা অনাবা ফহন্দ্রবদি নহাক্কী থম্মোইদো শোরারেনগী নোংমৈশিংজংদগীসু হেন্না কনবা তারে ॥২০॥

পদানুবাদ :—হে কৃষ্ণ! [হে ইবুংঙো কৃষ্ণ] কন্দর্পজ্বর [কামগী মৈচাক্না, রতিক্রীড়াগী মৈচাক্না] সংজ্বরাতুরতনোঃ [থোইদোক্না চাকপা হক্কচাং ওইরবী] অস্যাঃ [মহাক্কী] চেতঃ [পুক্কীংসিনা] চন্দন চন্দ্রমঃ কমলিনী চিন্তাসু [চন্দননে থানে থম্বালনে খল্লুবদা] চিরং [মতমকুইনা] সংতাম্যতি [থোইদোক্না রাখরে] ইদং আশ্চর্য্যং [মসি অঙকপনি] কিন্তু [তৌইগুম্বসুং] ক্ষীণা [য়াং কংশিল্লবী] রহসিস্থিতা [অচিকপদা লৈরবী] শীতলতরং [থোইদোক্না ইংলবা] একং এব প্রিয়ংত্বাংধ্যায়ন্তী [চান্নবদি নহাক নথন্তনি খল্লবী] সা রাধা [রাধা-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অমুকস্তু রানা হিংবন্থ হায়রি ।

ক্ষণমপিবিরহঃপুরানসেহেনয়ননিমীলনখিন্নয়াযয়াতে।
শ্বসিতিকথমসৌরসালশাখাংচিরবিরহেণবিলোক্যপুষ্প-
তাগ্রাং ॥২২॥

সিনা] ক্ষান্তিরসেন [থামজিনবগী ন্নুংঙাইবনা হায়বদি নহাক্কা লোই-
ননা উম্নচনা রতিক্রীড়া শান্নথিগনি হায়বা থন্দুনা] ক্ষণং [মতমথরদং]
প্রাণিত [থরাই হিংলি] ॥২১॥

অনুবাদ :—হে কৃষ্ণ! কামগী মৈচাক্লা থোইনা চাক্লবী মাগী
পূক্লীংসীনা চন্দন, থা অমস্তুং থম্বালবু থল্লুবদা অরোইব চৈতনা
থোইনা ব্লাথরে। অঙকৃপানি! অতুবু য়াং কংশিল্লবী অচীকপদা
লৈরবী থোইনা ঈংলবী নহাক্তবু চান্নবনি হায়না থঞ্জরবী রাধাসীনা
নহাক্কা লোয়ননা শান্নবা ফংথিগনি হায়না পূক্লীং ফাজিন্দুনা মতম্
থরদং থরায় হিংলি ॥২১॥

পদানুবাদ :—হে কৃষ্ণ! [হে ইবুংঙো কৃষ্ণ] নয়ননিমীলন [মীৎ
উইশিনবদা] খিন্নয়া [ব্লারবা] যয়া [মহাক্লা] তে [নহাক্কী] বিরহঃ
[কায়নবসি] পুরা [মমাংঙৈদা] ক্ষণং অপি [মীকুপ অমত্তস্তু] নসেহে
[খাংবা ঙমথিদ্রবনি] অসৌ [মহাক্লা] চিরবিরহেন [কুইনা কায়নর-
বসিদা] পুষ্পিতাগ্রাং [মতোন্দা মপাল শাৎলব] রসাল শাখাং
[হৈনৌ মশাবু] বিলোক্য [য়েংলদুনা] কথংঅপি [করম্বা মওং অমা
ওইনা] শ্বসিতি [ন্নুংশাস্বর হোল্ল, হিংলি] ২২॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো কৃষ্ণ! শ্রীরাধাসিনা মমাংঙৈদা ইবুংঙো-
বু য়েংবদা মীৎকুপ্পা নাইহুনা উইশিনবা অহুতবু কৃষ্ণ য়েংবদা যৈথায়

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌজিক অবাবগী ৱারী লীবা তোক্লুনা ভক্তশিঙ্গি মফমদা আশিষ পিহল্লি।

বৃষ্টিব্যাকুলগোকুলাবনরসাদুদ্ধৃত্যগোবর্দ্ধনং,
বিভ্রদ্বল্লববল্লভাভিরধিকানন্দাচ্চিরং চুম্বিতঃ।
দর্পেণৈবতদর্পিতাধরতটীসিন্দুরমুদ্রাঙ্কিতো,
বাহুর্গোপতনোস্তনোতুভবতাং শ্রেয়াংসিকংসদ্বিষঃ ॥২৩॥

হায়দুনা ৱাগ্রবনি অমসুং মীংকুপ অমত্তবু খাংবা ঙমখিদ্রবনি, হৌজিক মহাক্না মতমকুইনা ইবুংঙোগা কায়নরবসিদা শিক্কম থোক্ল-বসিবু মপাল শারবা হৈনৌমশাশিং অসি য়েংদুনা নুংশাম্বর হোন্দুনা হিংদুনা লৈরি ॥২২॥

পদানুবাদ ঃ—গোপতনোঃ (গোপগী হকচাং ওইনা পোক্লবা) কংস-দ্বিষঃ (কংসগী য়েক্লবগী, শ্রীকৃষ্ণগী) বৃষ্টিব্যাকুল (নোংচুবনা ৱারবা) গোকুল (গোকুলবাসীশিংবু) অবন কনবিগে হায়বা) রসাৎ (হরাও-বদগী) দর্পেণ এব (নাপল্‌গা লোয়ননা) গোবর্দ্ধনঃউদ্ধৃত্য (গোবর্দ্ধন কৌবা চীংবু থাঙ্গত্তুনা) বিভ্রং (পুগ্রবা), বল্লভ (গোপগী) বল্লভাভিঃ (নুপী ময়াম্না) অধিক আনন্দাৎ (য়াম্না হরাওগ্রদুনা) চিরং চুম্বিতঃ (মতম কুইনা চুপগ্রবা), তৎ = তাসাং (মখোয়গী) তর্পিত (হাপ্লবা, তৈরবা)) অধরতটী (চীনমপান্দা) সিন্দুর (সিন্দুরন) = তদ্ অর্পিত অধরতটীসিন্দুর (মখোয়গী চীনমপান্দা তৈরবা সিন্দুরনা) মুদ্রাঙ্কিতঃ (য়েক্লবা, তৈরবা) বাহুঃ (পাম্বোমদুনা) ভবতাং (নখোয়গী,ভক্তশিংগী) শ্রেয়াংসি (মঙ্গল পুন্নমক) তনোতু (য়েনবিরসন্নু)॥২৩॥

অনুবাদ ঃ--গোপগী হকচাং ওইনা অবতার তৌরবা, কংসনিংথৌ-গী য়েক্লবা শ্রীকৃষ্ণগী নোংচুবনা ৱারবা গোকুলবাসীশিংবু কন্নবগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পঞ্চমঃ সর্গঃ

হৌজিক কৃষ্ণগী নাক্তা লৈরিবী সখীদুনা কৃষ্ণগী পাও পুদুনা লাক্লগা রাধাদা হায়খি।

অহমিহনিবসামিযাহিরাধামনুনয়মদ্বচনেনচানয়েথাঃ।
ইতিমধুরিপুণাসখীনিযুক্তাস্বয়ামদমেত্যপুনর্জ্জগাদরাধাম্ ॥১॥

দমক নাপল্গা লোয়ননা গোবর্দ্ধন কোবা চীংবু ফুক্তুনা থাঙ্গৎলগা মথাদা চংদুনা লৈহনখ্রবা, মাদু উবদা হরাওখ্রদুনা গোপীশিংনা চুপ্পদা মখোয়গী তৈরিবা সিন্দুরনা পুমঙাং শাংন তৈরবা, পাম্বোম অদুনা জগত্তা লৈরিবা ভক্তশিঙ্গি মঙ্গমদা মঙ্গল য়েনবিরসনু ॥২৩॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে স্নিগ্ধমধুসূদনো নাম চতুর্থঃ সর্গঃ।

পদানুবাদ :—হে সখি (হে ইবেম্মা পাউ পুবী) অহং (ঐহাক) ইহ কুঞ্জে (কুঞ্জ অ সিদা) নিবসামি (লৈরমগে) রাধাংপ্রতি (রাধাগী মনাক্তা) যাহি (চৎলুচো) অনুনয় (থেমজিল্লুচো) চ (অমসুং) মদ্বচনেন (ঐগী রাহৈংগা লোয়ননা হায়বদি ঐনা লাক্কবা য়াদে হায়দুনা) আনয়েথাঃ (পুরক্কদবনি) ইতি (অসুমঙাইয়না) মধুরিপুণা (কৃষ্ণনা) নিযুক্তা (থোদারবী) সখী (সখীদুনা, দূতীনা) স্বয়ং (মশামক্তা) এত্য [লাক্লদুনা] রাধাং [রাধাদা] পুনঃ [অমুক হন্না] ইদং [মাসিবু] জগাদ [হায়খি] ॥১॥

অনুবাদ :—হে পাওপুবী সখি! ঐহাক কুঞ্জ অসিদা নহাক্না লাক্লিবা ফাওবা ঙাইদুনা লৈরমগে, নহাক রাধাগী মনাক্তা চৎলুচো মহাকপু থেমজিল্লুচো অমসুং লাক্কবা য়াদে হায়দুনা ঐগী ইনাক্তা পুরক্কদোবনি, অসুম হায়বা কৃষ্ণগী রা অসি তারদুনা সখীদুনা রাধাগী নাক্তা লাক্লদুনা মথাদা হায়রিবা পুন্নমক অসি হায়খি ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সখীনা হায়বত্থ ঈশৈনা হায়খি।
গীতং ।১০।
বরাড়ীরাগরূপকতালাভ্যাংগীয়তে।

বহতিমলয়সমীরেমদনমুপনিধায়।
স্ফুটতিকুসুমনিকরেবিরহিহৃদয়দলনায় ॥
সখিসীদতিতববিরহেবনমালী ॥২॥ ধ্রুবম্ ॥
দহতিশিশিরময়ুখেমরণমনুকরোতি।
পততিমদনবিশিখেবিলপতিবিকলতরোঽতি ॥৩॥

পদানুবাদ :— সখি রাধে! (হে সখি রাধে) মদনং (কামদেববু) উপনিধায় (লোয়নরতুনা, নকশিন্নরতুনা) মলয়সমীরে (মলয় নুংশিৎ-ন') বহতি [শিৎলক্লবদা] বিরহি হৃদয় দলনায় (কায়নরবশিঙ্গি থম্মোই হোগায়নবগী দমক) কুসুম নিকরে [লৈ মপৈনা] স্ফুটতি [শাৎলক্লবসিদা] বনমালী [কৃষ্ণনা তব বিরহে [নংগা কায়নবসিদা] সীদতি [রানা লৈরে] ॥২॥

অনুবাদ :— হে ইতা ইবেম্মা রাধে! হৌজিক মলয় নুংশিৎনা কামদেববু লোইনজেমতুনা শিৎলক্লবসিদা অমসুং উবদা কায়নরবা নিপা নুপীশিঙ্গি থম্মোই হোগায়নবগী মশক ওইরবা লৈ মপৈ শাৎ-লক্লবসিদা নবুংঙো শ্রীকৃষ্ণতুনা নংগা কায়নবসিদা ওন্থোক্লা রানা লৈরে ॥২॥

পদানুবাদ :—সঃ [মহাক্লা] শিশিরময়ুখে [থাবন্না, ইংলবা মঙাল্না] দহতি [চাক্লক্লবদা] মরণংঅনুকরোতি [শিগদোগুম তোরে], মদন বিশিখে [কামদেবগী তেন্না] পততি [থিল্লবদা, থারবদা] অতিবিক-লতরঃ [থোইদোক্লা রাপ্রতুনা] বিলপতি [তেংথাতুনা কপই] ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধ্বনতিমধুপসমূহেশ্রবণমপিদধাতি ।
মনসিবলিতবিরহেনিশিনিশিরুজমুপযাতি ॥৪॥
বসতিবিপিনবিতানেত্যজতিললিতমপিধাম ।
লুঠতিধরণিশয়নেবহুবিলপতিতবনাম ॥৫॥

অনুবাদ :—নবুংঙো কৃষ্ণসে থাবনগী অহৈ:বনা চাকথেক্তুনা শিগ. দৌগুম তোরে । অতুগা কামদেবগী তেন্না থাত্নুনা অরাবগা লোই-ননা তেংথাত্নুনা কপ্লি ॥৩॥

পদানুবাদ :—মধুপ সমূহে [হয়ীংখোই মপৈনা] ধ্বনতি [ঙংলক্ত-বদা] শ্রবণং [মনাকোং] অপিদধাতি [মেনশিল্লি] মনসি [পুক্লীংদা] বলিত [হেনগৎলক্লবদা] বিরহে [কায়নবগী মৈচাক] = বলিত বিরহে [কায়নবগী মৈচাক হেনগৎলক্লবদা] নিশিনিশি [অহিংঅহিং খুদিংদা] রুজংউপযাতি [অনাবা হৌরে] ॥৪॥

অনুবাদ :—ইবুংঙোসিনা হয়ীংখোই ময়াম্না ঙংবা তারগা রাপ্রক্ত-না মনাকোং অনি মেনশিল্লি অতুগা পুক্লীংদা কায়নবগী মৈচার চাকপা হেঞ্জিল্লক্লবদা অহিং অহিং খুদিংদা অনাবা হৌরে ॥৪॥

পদানুবাদ :—সঃ [মহাক্না] বিপিন [বন] বিতানে [অপাকপদা] = বিপিন বিতানে (অপাকপা বনদা) বসতি (লৈরে) ললিতং অপি (ফজত্নুনস্থু) ধাম (ময়ুম্বু) ত্যজতি (থাদোক্লে) ধরণিশয়নে (লৈপাক্তা হিপ্লত্নুনা, লৈপাক্লা ফমুং ওইরত্নুনা) লুঠতি (ওন্থোইত্নুনা লৈরে) তব নাম (নহাক্কী নমীং শোল্লত্নুনা) বহু বিলপতি (য়াম্না তেংথাত্নুনা কপ্লে) ॥৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভণতিকবিজয়দেবেবিরহবিলসিতেন।
মনসিরভসবিভবেহরিরুদয়তুসুকৃতেন ॥৬॥
শ্রীকৃষ্ণনা অমুকস্থ মহাকপু ফংননবগীদমক উৎকণ্ঠা তৌরি।
পূর্ব্বং যত্রসমং ত্বয়ারতিপতেরাসাদিতাঃসিদ্ধয়
স্তস্মিন্নেবনিকুঞ্জমন্মথমহাতীর্থেপুনর্মাধবঃ।

অনুবাদ :—মহাক পাক্লবা বনমস্কুংদা চংহুনা অম্লাবা রাখন্তা খন্দুনা লৈরে, নিংথিজরবা ময়ুম শঙ্গাইদি লংথোক্লে। অরাবা মৈচাক খাংবদা পৃথ্বী লৈমাই থক্তা ওন্থোইহুনা নংগী নমীং শোল্ল-শোল্লহুনা তেংথাহুনা লৈরে ॥৫॥

পদানুবাদ :—কবিজয়দেবে [জয়দেব কবিন] বিরহ [কায়নহুনা] বিলসিতেন [শান্নবগা লোয়ননা] ভণতি [লেংলবসিদা] হরিঃ [হরি-সিনা, কৃষ্ণসিনা] গায়তাং [শক্লিবশিংগী] সুকৃতেন [পুণ্যগী ফলনা] রভস বিভবে [প্রেমনা মরল ওইরবা] মনসি [পূক্লীংদা] উদয়তু [থোক্লসনু, ঙাল্লসনু] ॥৬॥

অনুবাদ :—জয়দেব কবিনা রাধাকৃষ্ণ অনিমক্না কায়নহুনা মানা শান্নরবা মতাংগা লোয়ননা লেংলবসিদা, শ্রীকৃষ্ণনা মাসিবু তাজরি-বা ভক্তশিং অত্তগী পুণ্যগী ফলনা প্রেমনা মরল ওইরবা পূক্লীং অহুদা ঙানবিরসনু ॥৬॥

পদানুবাদ :—হে রাধে [হে সখি রাধে] মাধবঃ [কৃষ্ণসিনা] পূর্ব্বং [মমাংদৈদা] যত্র [মফম অহুদা] ত্বয়াসমং [নংগা লোয়ননা] রতি-পতেঃ [কামদেবগী, রতিক্রীড়াগী] সিদ্ধয়ঃ [সিদ্ধি ময়াম হায়বদি আলিঙ্গন, চুম্বননচিংবা পুম্নমক] আসাদিতাঃ [ফংগ্রবা] তস্মিন এব

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধ্যায়ংস্ত্বামনিশংজপন্নপিতবৈবালাপমন্ত্রাক্ষরং
ভূয়স্তৎকুচকুম্ভনির্ভরপরীরম্ভামৃতং বাঞ্ছতি ॥৭॥

শ্রীমতি রাধিকাবু থুনা চৎনবহু সখীনা ঈশৈনা হায়রক্লি।
গীতং ।১১।
গুর্জ্জরীরাগৈকতালীভ্যাং গীয়তে।

রতিসুখসারেগতমভিসারেমদনমনোহরবেশং।
নকুরুনিতম্বিনিগমনবিলম্বনমনুসরতংহৃদয়েশং ॥

[অহুদা] নিকুঞ্জ [নিকুঞ্জনা, লতাগৃহনা] মন্মথ [কামদেবগী, রতিক্রীড়াগী] মহাতীথে [অচৌবা তীর্থ ওইরবা]—তস্মিন্ এব নিকুঞ্জ মন্মথ মহাতীর্থে [নিকুঞ্জগী মশক ওইববা কামদেবগী অচৌবা তীর্থ অহুদা] পুনঃ [অমুক হন্না] ত্বাং নহাকপু] অনিশং [ইতত্তত্তনা] ধ্যায়ন্ [নীং-ল-নীংলহুনা] তবএব [নংতগী] আলাপমন্ত্রাক্ষরং [রা ঙাংথোক্লকপনা মন্ত্রগী ময়েক ওহরিবা অহুবু] জপন্ [শোল্ল শোল্লহুনা] ভূয়ঃ [হন্না হন্না] ত্বং [নহাক্কী] কুচকুম্ভ [থবাক্কী অতোংবদা] নির্ভর [চেৎনা] পরীরম্ভামৃতং [আলিঙ্গন তৌবগী হুংঙাইবহুবু] বাঞ্ছতি [নিংলি, পামলি] ॥৭॥

অনুবাদঃ—হে ইবেম্মা রাধা! ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসিনা মমাংঙৈদা নহাক্কা লোয়ননা শান্নহুনা রতিক্রীড়াগী আলিঙ্গননচিংবা থৌরম পুন্নমক পাংথ্রবা অহ্নগুম্বা কামদেবগী তীথগী মশক ওইরবা নিকুঞ্জ অহুদা লৈরহুনা ইবেম্মনা ঙাংথোকখিবা রাতা খোন্দা খিবিক অহুবু মন্ত্রনি অসুম হায়না খল্লহুনা অমুক হন্না ইবেম্মগী চাওরবা থবাক্কী অতোংবা (কুচকুম্ভ) অহুবু চেৎনা আলিঙ্গন তৌবহুতা নিংহুনা লৈ-হৌরে ॥৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ধীরসমীরেযমুনাতীরেবসতিবনেবনমালী।
গোপীপীনপয়োধরমর্দ্দনচঞ্চলকরযুগশালী ॥৮॥ধ্রুবম্ ॥

পদানুবাদ ঃ—হে নিতম্বিনি ! (হে নীংদা ফজরবী) গমনবিলম্বনং (চৎপদা থীনবা, অভিসারগী মতম হেন্দোকপব) ন কুরু (তৌগনু) রতিসুখসারে (রতিক্রীড়াগী অুংঙাইবনা অথোইবা ওইনা থন্দুনা) অভিসারে গতং (ঈঙ্গিত তৌনবা মফমদা লাক্লব) মদনমনোহরবেশং (কামদেবগী শুন্দ্ৎনবগী মশক ওইরবা ফীজেৎ শেৎলবা) তংহৃদয়েশং কৃষ্ণং (থম্মোইগী মপু ওইহুনা লৈরবা কৃষ্ণতবু) অনুসর (উন্নরুচৌ), গোপীপীনপয়োধরমর্দ্দন (গোপীগী চাউরবা থবাক্কী অতোংবা নৈহৎপদা) চঞ্চল (হৈশিংলবা, থৎলবা) করযুগশালী (খুৎ অনি পাল্লবা) বনমালী (কৃষ্ণহুনা) ধীর সমীরে (অুংশিৎ কাইদং কাইদং শীৎলবা) যমুনাতীরে (যমুনাগী মপান্দা লৈরবা) বনে (বেতসকুঞ্জদা) বসতি (লৈহৌরে) ॥৮॥

অনুবাদ ঃ--হে নীংদা ফজরবী নক্সগা নীং চাউরবী রাধে ! থোংথাং থীনবা তৌরগনু, নীং চাওমনবনা চৎপা থীন্দুনা অভিসারগী মতম হেন্দোকহনগনু, রতিক্রীড়া তৌগনি হায়বসিতনা অথোইবা রাখল ওইহুনা ঈঙ্গিত তৌনবা মফমদা লাক্লবা, কামদেব কৌবা লাইবু শুন্দ্ৎলবা, নীংথীজরবা ফীজেৎ শেৎলবা, নংগী থম্মোইদা ফাহুনা থম্লবা নবুংঙো কৃষ্ণতবু উন্নরুচৌ। ব্রজগোপী ময়ামগী থবাক্কী তোংনা চাউরবা কুচ ময়ামতু নৈহৎপদা হৈশিংলবা খুৎঅনিগা লোয়নরবা শ্রীকৃষ্ণদো মলয়া অুংশিৎনা কাইদং কাইদং শীৎলবা যমুনা কৌবী তুরেলগী মপান্দা লৈরবা বেতসকুঞ্জদা নংবু ঙাইহুনা লৈহৌরবনি ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নামসমেতং কৃতসঙ্কেতং বাদয়তেমৃদুবেণুং ।
বহুমনুতেননুতেতনুসঙ্গতপবনচলিতমপিরেণুম্ ॥৯॥
পততিপতত্রেবিচলতিপত্রেশঙ্কিতভবদুপযানং ।
রচয়তিশয়নংসচকিতনয়নংপশ্যতিতবপন্থানম্ ॥১০॥

পদানুরাদ :—সঃ (মহাক্না, কৃষ্ণনা) তব নাম সমেতং (নহাক্কী নমিংগা লোয়ননা হায়বদি রাধা-রাধা হায়না) কৃতসঙ্কেতং (ঈঙ্গিত তৌরদুনা) বেণুং (বেণুবু) মৃদুবাদয়তে (তপ্নাখোংলি, লোন্না খোংলি) নত্নুরাধে (হে ইভা ইবেম্মা রাধে) তেতনুসঙ্গত পবন (নংগী হকচাং-দা য়ৈরুরবা মুংশিৎনা) চলিতং (পুরক্লবা, চৎহল্লক্লবা) রেণুং অপি (উফুল লৈরীকপুস্থু) বহু মনুতে (য়াম্না লুনা তৌগ্রে) ॥৯॥

অনুবাদ :—হে ইবেম্মা ! কৃষ্ণসিনা নহাক্কী নমিং রাধা হায়বসিবু বেণু খোংবদা হাপ্লদুনা ঈঙ্গিত তৌদুনা তপ্না তপ্না খোংলি, অদুগা নবুংঙোনা নংবু মুংশিবদি করিগা প্রমাণ তৌগদগে ? ইবেম্মনা লৈবা মাইকৈরোমদগী হুম্লক্লিবা উফুল লৈরীক পুরবা মুংশিৎ অদুবু ওন্থোক্না থাগৎলি, নিন্দা খক তৌদে ॥৯॥

পদানুবাদ :—পতত্রে পততি (উচেক পাইবদা) পত্রে বিচলতি (উনা লেংবদা) শঙ্কিত (চিংনগ্রদুনা) ভবৎউপযানং (নহাক্না নক-শিল্লকপবু)—শঙ্কিতভবৎউপযানং (নহাক য়ৌশিল্লক্লে হায়না চিংন-গ্রদুনা) শয়নং (শয্যাবু) রচয়তি (শেমই), তব পন্থানং (নহাক্কী লম্বেলবু হায়বদি ইবেম্মনা চংখিগদৌরিবা মাইকৈ অদোমদা মাই ওল্লদুনা) সচকিতনয়নং (মমিৎ ইথক থক্না) পশ্যতি (য়েংই) ॥১০॥

অনুবাদ :—ইবুংঙোসিনা উচেক্না পাইবা উরগা (মী লাক্লগা উচেক পাইথোকই) অমসুং উনাকেনবগী (উনা কেল্লগা মীলাকপগী খোংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সখীনা রাধাবু কৃষ্ণ নাক্তা চৎপদা অমস্তুং য়ৌরুরগা তৌগদবা পুন্নমক তাক্নি।

মুখরমধীরং ত্যজমঞ্জীরং রিপুমিবকেলিষুলোলং।
চলসখিকুঞ্জং সতিমিরপুঞ্জং শীলয়নীলনিচোলম্ ॥১১॥
উরসিমুরারেরুপহিতহারেঘনইবতরলবলাকে।
তড়িদিবপীতেরতিবিপরীতেরাজসিসুকৃতবিপাকে ॥১২॥

নেত্তুনা প্রেকপ্রেক লাওবা মখোল থোকই) মখোল তারগা ইবেম্মা নহাক্না লাক্তুনা য়ৌশিল্লক্নমাল্লে হায়না নিংত্থনা নিংত্থনা পুক্নী:দা চিং-ননা (লাক্লব্রা ? লাক্তরিবরা হায়ত্নো) শয্যা রচনা তৌই। নহাক্না লাক্কদৌরিবা মাইকৈ অদোমদা মায় ওনশিন্দুনা ইঙক শুক্না য়েংত্থনা লৈ ॥১০॥

পদানুবাদ :—হে সখি (হে ইবেম্মা রাধা) নীলনিচোলং (অশংবা ফী) শীলয় (শেংলে) সতিমিরপুঞ্জং (অমম্বামপৈগা লোয়নরবা) কুঞ্জং (কুঞ্জদা) চল (চৎলো) অধীরং (তপথবা লৈত্রবা) মুখরং (চিন্থীরবা, ঙাইহাক লৈতনা খোংলবা) কেলিষু লোলং (শান্নবদা হাইত্থল্লবা) রিপুংইব (য়েক্নবগুম তৌরবা) মঞ্জীরং (নূপুরবু, খোংশন্নীকপু) ত্যজ লৌথোক্লো) ॥১১॥

অনুবাদ :—হে ইবেম্মা রাধা! ফী অশংবা শেত্তুনা অমম্বা মপৈনা তিল্লবা কুঞ্জদা চৎলো! ফি অমুবা শেংলবদি মী অতৈনা উররোই, অত্থগা খোংদা শিরিবা খোংজী (নূপুর) অত্থসু লৌথোক্লো, মাত্থ য়াম্না মচিনথী, মীনা রারকপা য়াবা নত্তে, চৎলকপা মতমদা অমসুং শান্নরকপা মতমদা মী লৈ হায়বা ক্ষোংদোকই ॥১১॥

পদানুবাদ :—হে পীতে! (হে কুচুনাপু মাল্লবী) ত্বং (নহাক্না)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিগলিতবসনং পরিহৃতরসনং ঘটয় জঘনমপিধানং ।
কিশলয়শয়নে পঙ্কজনয়নে নিধিমিব হর্ষনিধানম্ ॥১৩॥

মুরারেঃ (শ্রীকৃষ্ণগী) তরল (ইনোম নোম্নবা) বলাকে (উরোক পরেং-ন') ঘনে ইব (অনৌবা হৌরকপা নোংগুম্নব')—তরলবলাকে ঘনে ইব (উরোক পরেংনা ইনোম নোম্না পাইরবা অনৌবা হৌরকপা নোংগুম্নবা) উপহিত (শিরবা) হারে [লীক]—উপহিত হারে [লীক শিরব] উরসি [থবাক্তা] সুকৃতবিপাকে [পুণ্যগী ফলনা] রতি বিপরীতে [বিপরীত রতিক্রীড়াগী মতমদা] তড়িৎ ইব [নোংথাংগুম্না] রাজসি [ঙানগদবনি] ॥১২॥

অনুবাদ :—হে কুচু নাপু মাল্লবী রাধে ! শ্রীকৃষ্ণগী থবাক অতুনা অনৌবা হৌরকপা নোংতুম ওইগদৌরিবনি, মাত্নদা শিরিবা বৈজয়ন্তি মালা অতুনা অমুবা নোংগী মমাংদা উরোক পরেংনা পাইবগুম ওইরগদৌরিবনি, অতুগুম্বা অমুবা থবাক অতুদা নহাক্না পুণ্য কয়ামক্লম তৌজরকপগী ফলনা রতিক্রীড়া ফংজরুহনা নোংথাংগুম্না ঙানজরুগদৌরিবনি । মফম অসিদা কৃষ্ণগী থবাক্তা অনৌবা হৌরকপা অমুবা নোংতুমগা, বৈজয়ন্তি মালাগা উরোক পরেংগা, নোংথাং থনবগা শ্রীরাধাগা চাংদম্নরে ॥১২॥

পদানুবাদ :—পঙ্কজনয়নে [থম্বাল মিত্তা তান্নবী হে রাধে] কিশলয় শয়নে [উনা য়েন্নীংগী শয্যাদা] বিগলিত বসনং [ফী য়াওদনা] পরিহৃত রসনং [খাং শরীক য়াওদনা] হর্ষ নিধানং [নুংঙাইবগী তুংফম ওইরবা] নিধিং ইব [শেলগুম্নবা] অপিধানং [কুপ্পা য়াওদ্রবা,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অভিসারগী মতম হেনগদৌরে তাক্লি।

হরিরভিমানীরজনিরিদানীমিয়মপিযাতিবিরামং।
কুরুমমবচনংসত্বররচনংপূরয়মধুরিপুকামম্ ॥১৪॥

শ্রীজয়দেব কবিনা ভক্তশিংদা হায়জবা।

শ্রীজয়দেবেকৃতহরিসেবেভণতিপরমরমণীয়ং।
প্রমুদিতহৃদয়ংহরিমতিসদয়ংনমতসুকৃতকমনীয়ম্ ॥১৫॥

খুম্বা লৈত্রবা] জঘনং [কৈবোম মরুদো] ধটয় [হাপকংলুগদবনি, থম্লু গদবনি] ॥১৩॥

অনুবাদ :—হে ইবেম্মা থম্বাল মিত্তা তারবী রাধে! ইবেম্মনা চংপ্রগা উনা অনৌবনা শাবা শয্যা লৈরম্বতুদা মুংঙাইবা থিবিক্কী তুংফম ওইরবা কৈবোম মরুদো ফি য়াওদনা খ্বাং শরীক য়াওদনা থাঙ্গংলুগদবনি হায়বদি ফি য়াওদনা হীপ্লুগদবনি ॥১৩॥

পদানুবাদ :—হরিঃ [কৃষ্ণসে] অভিমানী [পুকচেল চাউবনি] অপি [অদুগা] ইদানীং [হৌজিকসিদা] ইয়ংরজনিঃ [অহিং অসে] বিরামং যাতি [লোইখিগদৌরে, থেংলক্লে] মম বচনং [ঐগী ৱাসে] সত্বররচনং কুরু [থুনা ইল্লো] মধুরিপুকামম্ [শ্রীকৃষ্ণগী অপাম্বব] পূরয় [থুংহল্লো] ॥১৪॥

অনুবাদ :—শ্রীকৃষ্ণসে য়াম্না পুকচেল চাউবনি, মীনা উশিত্তনা তৌবসি কয়া থাংবা ওমদে, অদুগা অহিংসু অভিসারগী মতম হেনখিগদৌরে, ঐগীৱাসি থুনা ইন্দুনা কৃষ্ণগী ইচ্ছাপুন্নমক থুংহল্লো ॥১৪॥

পদানুবাদ :—হে বৈষ্ণবাঃ হে বৈষ্ণবশা] কৃতহরি সেবে [হরিগী সেবা তৌজরবা] শ্রীজয়দেবে [শ্রীজয়দেব কবিনা] পরমরমনীয়ং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীরাধাবু থুনা চৎনবা ইঙ্গিল্লক্তি ।

বিকিরতিমুহুঃশ্বাসানাশাঃপুরোমুহুরীক্ষতে,
প্রবিশতিমুহুঃকুঞ্জং গুঞ্জন্মুহুর্বহুতাম্যতি ।
রচয়তিমুহুঃশয্যাং পর্য্যাকুলং মুহুরীক্ষতে,
মদনকদনক্লান্তঃকান্তেপ্রিয়স্তববর্ত্ততে ॥১৬॥

[থোইদোক্লা নিংথিজনা] ভণতি [লেংশক্লবসিদা] অভিসদয়ং [য়াম্না থৌজাল হৈরবা] সুকৃতকমনীয়ং [পুণ্যনা লৈতেং ওইরব] হরিং [হরিবু] প্রমুদিত হৃদয়ং [পুক্নীং হরাওনা] নমত [খুরুমজবিউ] ॥১৫॥

অনুবাদঃ—হে বৈষ্ণবশা ! হরিগী সেবাদা হৈশিংলবা জয়দেব কবিনা নিংথিজরবা ঈশৈ অসি লেংশক্লবসিদা, নংথোয় পুম্নমকসু থোইদোক্লা থৌজাল হৈরবা, পুণ্য মপৈনা লৈতেং ওইরবা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমবিউ ॥১৫॥

পদানুবাদঃ—কান্তে ! [হে শক ফজরবী] তবপ্রিয়ঃ [নহাক্কী থুংশিথোইবদে] মদনকদনক্লান্তঃ [কামদেবনা নৈহত্তুনা ৱানা] বর্ত্ততে [লৈরে], সঃ [মহাক্না] মুহুঃ [হন্না হন্না] শ্বাসান্ [থুংসাস্বর মপীবু] বিকিরতি [হোল্লি], পুরঃ [মাংলোমদা] মুহুঃ [হন্না হন্না] আশাঃ [মাইকৈ পুম্নমকপু] ঈক্ষতে [য়েংই], মুহুঃ [হন্না হন্না] কুঞ্জং [কুঞ্জদা] প্রবিশতি [চংই], মুহুঃ [হন্না হন্না] গুঞ্জন্ [লাওর লাওরদুনা] বহু তাম্যতি [য়াম্না শোকৈ], মুহুঃ [হন্না হন্না] শয্যাং [শয্যাবু] রচয়তি [শাই] মুহুঃ [হন্না হন্না] পর্য্যাকুলং [থোইদোক্লা ৱানা] ঈক্ষতে [য়েংলি] ॥১৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অভিসারগী মতম চপচারে হায়বা তাক্লি ।

তদ্বাম্যেনসমংসমগ্রমধুনাতিগ্মাংশুরস্তংগতো
গোবিন্দস্যমনোরথেনচসমংপ্রাপ্তংনমঃসান্দ্রতাম্ ।
কোকানাংকরুণস্বনেনসদৃশীদীর্ঘামদভ্যর্থনা
তন্মুগ্ধেবিফলংবিলম্বনমসৌরম্যোঽভিসারক্ষণঃ ॥১৭॥

অনুবাদ :—হে শক যভরবী ! ইবেম্মগী চাঃ থোইরবা ইবুংঙো-দো ঙসি কামদেবনা নৈহত্তুনা ওম্হোক্লা ব্লানা নৈহোরে, তুংশাম্বর মপী ফুইনা ফুইনা হোনখরে, মমাংদা ইবেম্মা লাকপর্‌া হায়দুনা হন্নাহন্না য়েংই, হন্না হন্না কুঞ্জদা চংই, হন্না হন্না লাউদুনা কপই, হন্না হন্না ণয্যা শেমগৎলি, হন্না হন্না থোইদোক্লা ব্লানা য়েংই ॥১৬॥

পদানুবাদ :—মুগ্ধে ! [হে শক ফজরবী নত্রগা হে পঙলবী] অধুনা [হৌজিকসিদা] তিগ্মাংশুঃ [নুমিৎনা] তদ্বাম্যেনসমং [নংগী অথোয়ব-গা লোইননা] সমগ্রংঅস্তংগতঃ [পুমলোই লোইনা তাথরে], চ [অমসুং] গোবিন্দস্য [কৃষ্ণগী] মনোরথেন সমং [পুক্নীংনা পাম্বগা লোয়নন‌া] তমঃসান্দ্রতাংপ্রাপ্তং [অমম্বনসু স্থক্না মমশিল্লক্লে] কোকা-নাং [ঙানুথঙ্গোংশিঙ্গি] করুণস্বনেনসদৃশী [অব্লবা খোঞ্জেলগা মাম্ননা] মদভ্যর্থনা [ঐনা হায়জবসিস্ত] দীর্ঘা [শাংলে, মতম কুইরে] তৎ [মরম অদুদগী] বিলম্বনং [থীনবসে] বিফলং [কান্নদ্রে], অসৌ [মাসি] রম্য [নিংথিজরবা, চপচারবা] অভিসার ক্ষণঃ [অভিসারগী পুংফম্নে । (হায়বদি নায়ককা নায়িকাগা অনিনা রতিক্রীড়া পাম-দুনা ঈঙ্গিৎ তোনবা মফম তান্না চৎপা অদুবু অভিসার কৌই) ॥১৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মমাংঙৈদা অভিসার তৌবদা থোইদোক্না হুংঙাইখিবহ্ হায়রি।

আশ্লেষাদনুচুম্বনাদনুনখোল্লেখাদনুস্বান্তজ
প্রোদ্বোধাদনুসংভ্রমাদনুরতারম্ভাদনুপ্রীতয়োঃ।
অন্যার্থংগতয়োর্ভ্রমান্মিলিতয়োঃসম্ভাষণৈর্জানতো
র্দম্পত্যোরিহকোনকোনতমসিব্রীড়াবিমিশ্রোরসঃ ॥১৮॥

অনুবাদঃ—হে ফজরবী রাধে! হো'জক হুমিৎসিনা নহাক্নী অখোয়বগা লোইননা ভাখরে হায়বদি নহাক্না মান তৌহুনা লৈরম্বা মতমকুইনদি লৈরোইদোবা অহুগুম্বা মান অহুগা লোইননা ভাখরে, শাওবা ফবা মতম ওইরে, অহুগ শ্রীকৃষ্ণগী পুক্নীংনা পাম্বগা লোইননা অমম্বসু সুকনা মমশিল্লক্লে হায়বদি কৃষ্ণসু অমম্বদা শান্নগে খল্লম্লিবনি, নিংবহুগী মতুংইন্না অমম্বসু থোইদোক্না হেঞ্জিল্লক্লে; অহুনদি অনিমক্নী নিংবা পুন্নমক থুংনবা তারে, ঐনা হায়জবসিসু ভানুথঙ্গোংশিংগী মতৌগুম্বা মতমকুইরক্লে হায়বদি ভানুথঙ্গোংশিংনা মতৈমনাও কায়নহুনা হুমিদাং য়ান্না রানা খোংহৈ। মরম অসিনা অভিসারগী মতম চপচারে, থিল্লগনু কৃষ্ণগী মনাক্তা চৎলো ॥১৭॥

পদানুবাদঃ—রাধে! [হে ইবেম্মা রাধে] অন্যার্থংগতয়োঃ [নংখোয় অনিনা অমন' অমগীদমক চৎনরক্তুনা হায়বদি কৃষ্ণনা রাধা ফংগে হায়হুনা রাধানসু কৃষ্ণ ফংগে হায়হুনা চৎথোক্নরক্তুনা] ভ্রমাৎ মিলিতয়োঃ [চৎথোকখিবদগী থেংনরুরবা] সম্ভাষণৈঃ [রাহৈরাতা ভাংনবন] জানতোঃ [থংনরক্তুন ইহ তমসি [অমম্বদা] আশ্লেষাৎ অনু [নকশিন্নরবা তুংদা] চুম্বনাৎ অনু [চুম্বন তৌরবা তুংদা] নখোল্লেখাৎ অনু [খুজিন্না থোৎলবা তুংদা] স্বান্তজপ্রোদ্বোধাৎ অনু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌজিক ইবেম্মবু ফংহন্দুনা শ্রীকৃষ্ণগী নিংবা থুংহল্ল তাক্লি ।

সভয়চকিতং বিন্যস্যন্তীং দৃশৌ তিমিরে পথি,
প্রতিতরুমুহুঃ স্থিত্বামন্দং পদানি বিতন্বতীং ।
কথমপি রহঃ প্রাপ্তামঙ্গৈরনঙ্গতরঙ্গিভিঃ,
সুমুখি সুভগঃ পশ্যন্ সত্বামুপৈতু কৃতার্থতাম্ ॥১৭॥

[থম্মোইদা রাগ পোক্লবা তুংদা] সংভ্রমাৎ অদু [অঙকপা পোক্লরবা তুংদা] প্রীতয়ো [পেন্নরক্তুনা] দম্পত্যোঃ [নতৈননাও ওইরবা নখোয় অনিগী] কঃকঃ [করম করম্বা] ব্রীড়া বিমিশ্রঃ রসঃ [ইকায়-বগা য়াম্নরবা হুংঙাইববু] ন [ওইদবগে হায়বদি হুংঙাইবা ফংনখি ॥১৮॥

অনুবাদ :—হে ইবেম্মা রাধে ! নংখোয় অনি অসি মহৌশানা মীংনা য়েংনবদা হুংশিনৈ, করম্বা মতমদা উম্নগদগে হায়না নিংনহুনা অমনা অমবু থিহুনা চৎলকপদা বনগী মসুংদা অমম্বদা থেংনরহুনা রাহৈ‌াতা খরা ঙাংনবদগী থংনরহুনা কৃষ্ণনা চংশিল্লক্তুনা চুম্বন তৌরে, অদুগী তুংদা থুজিন্না থোৎলে, অদুগী তুংদা থম্মোইদা অনুরাগ পোক্লে, অদুগী তুংদা অঙকপা পোক্লে, অদুগী তুংদা রতিক্রীড়া তৌ-হুনা হুংঙাইবা ফংলে, ইকাই ইকাইনা উম্নহুনা শাম্নবা অদুনা নং-খোয়গী করি হুংঙাইতবা লৈবগে ? হায়বদি হুংঙাইবা অদুম মফংই ॥১৮॥

পদানুবাদ :—হে সুমুখি ! [হে শক ফজরবী] তিমিরে পথি [অমম্বা লম্বৈলদা] দৃশৌ [মীৎঅনিনা] সভয়চকিতং [অকিবা অঙক-পা অনিগা লোইননা] বিনস্যন্তীং [য়েংগদৌরিবী] প্রতিতরুঃ [উ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কবিনা ভক্তশিংগী মফমদা আশিষ পিরি ।

রাধামুগ্ধমুখারবিন্দমধুপস্ত্রৈলোক্যমৌলিস্থলী
নেপথ্যোচিতনীলরত্নমবনীভারাবতারান্তকঃ।
স্বচ্ছন্দংব্রজসুন্দরীজনমনস্তোষপ্রদোষশ্চিরং
কংসধ্বংসনধূমকেতুরবতুত্বাংদেবকীনন্দনঃ ॥২০॥

পাল খুদিংদা] মুহুঃ ।স্থত্বা [হন্না হন্না লৈদুনা] পদান [খোংথাং থিবিক] মন্দং বিতম্বতীং [তপ্পাতপ্পা থাংগদোরিবী] কথমপি [করম্বা মরম অমা ওইনা] অনঙ্গ তরঙ্গিভিঃ অঙ্গৈঃ [কামগী ইথক হৌরবা হকচাং ওইরদুনা] রহঃ [মীচিক্লবা লমদা] প্রাপ্তাং [ফংলগদোরিবা] ত্বাং [নহাকপু] পশ্যন্ [উরদুনা] স সুভগঃ [লাইবক ফবদো] কৃতার্থ-ত্বাং [মহৈ য়ানববু, নীংবা থুংববু] উপৈতু [ফংসন্থু] ॥১৯॥

অনুবাদ :—হে শকফজরবী রাধে! নহাক্না অমম্বা লম্বেলদা চং-থিদুনা মীৎ অনিনা অকিবা অঙকপগা লোইননা য়েংলুগদোবনী, উপাল খুদিংদা হন্না হন্না লৈদুনা তপ্পা তপ্পা খোংথাং খিবিক থাংলু-গদোবনী, অমসুং করম্বা মওং অমা ওইদুনা কামগী ইথক্না লোইন-রবা হকচাংনা অচিকপা লমদা য়োক্লগদোরিবী নহাকপু উরগা লাইবক ফরবা কৃষ্ণদো মহৈ য়ানবা ওইরসন্থু ॥১৯॥

পদানুবাদ :— রাধা মুগ্ধমুখারবিন্দমধুপঃ [শ্রীরাধাগী নিংথিজরবা মাইথোং থম্বালগী খোইমু ওইরবা] ত্রৈলোক্য [মরোল অহুমগী] মৌলিস্থলী [কোক্কী লৈতেং ওইরবা বৃন্দাবনগী] পথ্যোচিত [লৈ-তেংগী মতিক চারবা] নীলরত্নম্ [অশংবা রত্ন ওইরবা, ইন্দ্রনীলমনি ওইরবা] অবনীভার–অবতার-অন্তকঃ [মৈবাক লৈমগী অরূম্বা ওই-ননবগীদমক পোক্লবা হিংচাবশিঙ্গি যম নিংথৌ ওইরবা] স্বচ্ছন্দং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

[মনিংমখা তৌরবী] ব্রজসুন্দরীজন [ব্রজগী ফজরবী নুপীশিঙ্গি] মনস্তোষ [পুন্নীং পেলহনবদা] প্রদোষঃ [য়াচংবা মতম ওইরবা, অহিং মচিন ওইরবা] কংসধ্বংসন [কংস হাৎপদা] ধূমকেতুঃ [ধূমকেতু ওইরবা] দেবকীনন্দনঃ [দেবকীগী মচানিপা শ্রীকৃষ্ণনা ত্বাং [নংবু, ভক্ত নংবু] অবতু [ঙাকপিরসনু] ॥২০॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীরাধাগী মাইথোং ৎম্বালগী লৈহী চুপ্পা খোইমু ওইরবা, মরোল অহুম্মক্কী কোক্কী লৈতেং ওইরবা বৃন্দাবনগী লৈতেংগী ইন্দ্রনীলমণি ওইরবা, পৃথিবী লুন্নবগী মপোক পোক্লবা হিংচাববু হাৎপদা যম নিংথৌ ওইরবা, মনিংমখা তৌরবী ব্রজগী ফজরবী নুপীশিংগী পুন্নীং পেলহনবদা য়াচংবা মতম ওইরবা, কংস হাৎপদা ধূমকেতু ওইরবা দেবকীগী মচানিপা শ্রীকৃষ্ণনা ভক্তশিং নখোয়বু ঙাকপিরসনু ॥২০॥

"য়াচংবা মতম ওইরবা" হায়বসি কৃষ্ণনা শল শেনবদগী য়াচংবদা শল কারকই, মাদু উবদা গোপীশিংনা কুঞ্জদা অভিসার চৎপা তারে হায়দুনা হরাওই। মরম অদুনা য়াচংবা মতমবু গোপীশিংনা য়াম্না পামই অমসুং নুংশি ॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে মহাকাব্যে অভিসারিকা বর্ণনে সাকাঙ্ক্ষাপুণ্ডরীকাক্ষ নামকঃ পঞ্চমঃ সর্গঃ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ষষ্ঠঃ সর্গঃ

অথতাংগন্তুমশক্তাংচিরমনুরক্তাংলতাগৃহেদৃষ্ট্বা।
তচ্চরিতংগোবিন্দেমনসিজমন্দেসখীপ্রাহ ॥১॥

গীতং ।১২।

গোণ্ডকীরাগেণ রূপকতালেন চ গীয়তে।

পশ্যতি দিশি দিশি রহসিভবন্তম্।
তদধর মধুরমধূনি পিবন্তং ॥
নাথহরে সীদতিরাধা বাসগৃহে ॥২॥ ধ্রুবম্ ॥

পদানুবাদ :— অথ [অদুগী তুংদা] সখী [রাধাগী নাক্তা লৈরম্বী সখীনা] লতাগৃহে [উয়ীগী য়ুমদা, কুঞ্জদা] গন্তুম্ অশক্তাং [চংশিনবা ঙমদ্রবী] চিরং অনুরক্তাং [মতম কুইনা নিংজরক্লবী] তাং রাধাং [রাধা অদুবু] দৃষ্ট্বা [য়েংলম্লগা] মনসিজ মন্দে [কামদেবনা অনাবা পিরবা, রতিক্রীড়াগী রাথন্না নাদুনা লৈরবা] গোবিন্দে [শ্রীকৃষ্ণদা] তচ্চরিতং [মহাক্কী লমচত্তু, রাধাগী থোদোক্ত] প্রাহ [হায়খি] ॥১॥

অনুবাদ :— অদুগী তুংদা রাধাগী মতা সখীদুনা কুঞ্জদা চংশিনবা ঙমদ্রবী, মতম কুইনা নিংজরক্লবী রাধাদুবু য়েংলম্লগা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংশিনখিদুনা রতিক্রীড়াগী রাথন্না নাদুনা লৈরবা শ্রীকৃষ্ণদা শ্রীরাধাগী চরিত পুন্নমক তমথি ॥১॥

পদানুবাদ :— হে নাথ ! [হে ইবুংঙো] হে হরে [হে হরি] রাধা [শ্রীরাধাসিনা] বাসগৃহে [উয়ীগীয়ুমদা, কুঞ্জদা] সীদতি [রানা লৈরে] সা [মহাক্না, শ্রীরাধানা] রহসি [মীচিন্নবা] দিশি দিশি [মাইকৈ মাইকৈ থুদিংদা] তৎ [মহাক্কী, রাধাগী] অধর মধুর মধূনি [অধরগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

য়ানা নৈরবদি উন্নরগা অম্বাবা কোক্লনবা করিগী লাক্ত্রবগে হায়বহু তাক্লি।

ত্বদভিসরণরভসেনবলন্তী।
পততিপদানিকিয়ন্তিচলন্তী॥৩॥
কমদৌনা হিংবগে হায়বহু তাক্লি।
বিহিত বিশদ বিস কিশলয় বলয়া।
জীবতি পরমিহ তব রতিকলয়া॥৪॥

থুম্লবা অমৃতবু] পিবন্তং [থক্লবা] ভবন্তং [নহাকপু, কৃষ্ণ নংবু] পশ্যতি [য়েংহৌই]॥২॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো হরে! শ্রীমতি রাধানা কুঞ্জদা ওন্থোক্লা য়ানা নৈহৌরে। ইবেম্মসিনা ইবুংঙো লেংলক্কদরা হায়হুনা মীচিক্ল-বা লমঅহুদা মাইকৈ খুদিংমক্তা নৈনা য়েংলহুনা ইবেম্মগী অধরামৃত পান তৌরবা ইবুংঙোবু চিংনা চিংনা য়েংহৌই॥২॥

পদানুবাদ :—ত্বং [নহাক্কী নাক্তা] অভিসরণ [চৎকনি হায়বগী] রভসেন [অয়িনবনা, লিন্দা ফুদোকপনা] বলন্তী [পাঙল্লবী, হকচাং কনথৎলবী] সা [মহাক্না, রাধানা] কিয়ন্তি [কয়ামরুম] পদানি [খোং-থাং] চলন্তী [চৎলগা] পততি [তুরে]॥৩॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো! নমাক্তা চংকনি হায়হুনা হরাওবনা অয়িনবা পুকচেল ওইখ্রহুনা পাঙল্লবী শ্রীরাধনা চৎকনি হায়হুনা খোংথাং অনি মরি থাংলগা কায়নবগী মৈচাক্না শোন্থখ্রহুনা তুম্বনা নৈহৌরে॥৩॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না,রাধানা] ইহ [হৌজিক অসিদা] তবরতি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মুহুরবলোকিতমণ্ডন লীলা।
মধুরিপুরহমিতিভাবনশীলা ॥৫॥
ধ্যান তৌবা কায়রতুনা সখীদা ওনশিন্দুনা হায় ।
ত্বরিতমুপৈতিনকথমভিসারং।
হরিরিতিবদতিসখীমনুবারম্ ॥৬॥

কলয়া [নহাক্কা রতিক্রীড়া শান্নগনি থন্দুনা] বিহিত [শিরহুনা] বিশদ [অঙৌবা] বিসকিলয় [থম্বৌ, উনা অনৌবনা শাবা] বলয়া [খুজীবু]—বিহিত বিশদ বিস কিশলয় বলয়া [অনৌবা থম্বৌ, উনা অনৌবনা শাবা খুজী শিরহুনা] পরং [থাঙ্গৈশেংনা] জীবতি [হিংলি] ॥৪॥

অনুবাদ :--হে ইবুংঙো! শ্রীমতি রাধিকাসিনা হৌজিক অসিদা ইবুংঙোগা লোইননা রতিক্রীড়া তৌথিগনি থন্দুনা অমসুং অঙৌবা থম্বৌ অমসুং উনা অনৌবনা শাবা খুজী শিহুনা থাঙ্গৈশেংনা হিংহুনা লৈরিবনী ॥৪॥

পদানুবাদ :—সা [মহাক্না, শ্রীরাধানা] মুহুঃ [হন্না হন্না] অবলোকিত [য়েংই] মণ্ডনলীলা [লৈতেং শেৎতুনা চান্নথোইবগী মতৌ তম্ববু]—অবলোকিত মণ্ডনলীলা [লৈতেং শেত্তুন চান্নথোইবগী মতৌ তম্বহু য়েংই] পুনঃ [অমুক হন্না] অহং [ঐহাকসে] মধুরিপুঃ [শ্রীকৃষ্ণনি] ইতি [অসুম হায়না] ভাবনশীলা [রাথল থল্লি] ॥৫॥

অনুবাদ :—শ্রীমতি রাধিকানা ইবুংঙোগী নতৌ তমহুনা মশাদা লৈতেং পুন্নমক [চূড়ানচিংবা] শিজিল্লগা হন্না হন্না য়েংই অমসুং ঐহাকসে কৃষ্ণ অতুমক্কি হায়না রাখল থল্লি ॥৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্লিষ্যতি চুম্বতি জলধরকল্পং।
হরিরুপগত ইতি তিমিরমনল্পং ॥৭॥
ভবতি বিলম্বিনি বিগলিত লজ্জা।
বিলপতিরোদিতি বাসক সজ্জা ॥৮॥

পদানুবাদ :—হেসখি ! (হে ইতাইবেম্মা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) অভিসারং (সঙ্কেতকুঞ্জদা) কথং (করিগী) ত্বরিতং (থুনা) ন উপৈতি (লেংলকত্রবা) ইতি (অসুম হায়দুনা) সখীং (মতা সখীদ) অনুবারং (হন্না হন্না) বদতি (হায়) ॥৬॥

অনুবাদ :—হে ইতা ইবেম্মা ! ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসিনা সঙ্কেত কুঞ্জদা করি মরমদগী থুনা লেংলকত্রিবা অসুম হায়দুনা মতা ওইরবী সখী ঐঙোন্দা হন্না হন্না হায় ॥৬॥

পদানুবাদ :—হরিঃ উপগতঃ (হরি লাক্লে) ইতি বুদ্ধ্যা (অসুম্না খল্লদুনা) জলধরকল্পং (অমুবা নোং মতুমগা মান্নবা) অনল্পং (খরা নত্রবা, শুক্লবা) তিমিরং (অমম্ববু) শ্লিষ্যতি (কোল্লি) চুম্বতি (চুম্বন তৌই) ॥৭॥

অনুবাদ :—শ্রীরাধানা হরি লেংলক্লে অসুম হায়না খল্লদুনা অমুবা হৌরকপা নোং মতুমগা মান্ননা শুক্লবা অমম্ববু ইবুংঙোনি খল্লদুনা কোল্লি অমসুং চুপই ॥৭॥

পদানুবাদ :—ভবতি (নহাক্না) বিলম্বিনি (থিল্লবসিদা) বাসকসজ্জা (বাসককী থৌরাং পুন্নমক লাংলবী) বিগলিতলজ্জা (ইকাইবা পুন্নমক লংথোক্লবী) সা রাধা (রাধা অদুনা) বিলপতি (তেংথাদুনা লাউনা কপঈ) রোদিতি (মমিত্তা মপী শিন্দুনা কপ্লে) ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবকবেরিদমুদিতং।
রসিকজনং তনুতামতিমুদিতং ॥৯॥

হৌজিক কৃষ্ণগী লৌনম তৌবা মতৌহ হায়রি।
বিপুল পুলক পালিঃস্ফীতশীৎকারমন্ত
র্জনিতজড়িম কাকু ব্যাকুলং ব্যাহরন্তী।
তব কিতব বিধায়ামন্দ কন্দর্প চিন্তাং
রসজলধি নিমগ্না ধ্যানলগ্না মৃগাক্ষী ॥১০॥

অনুবাদ :—ইবুংঙো নহাক্না লেঙ্‌বিরকপা থিনবসিদা বাসককী চংবা হৌনবা পুন্নমক থৌরাং লাওলবী, ইকাইইকি শ্বাংমা লান্থোক্ত-চংবা হৌনবা ... রাধাহুনা তেংথাহুনা খোঞ্জেল রাংনা অমসুং মমিত্তা মপি শিন্থ-হুনা কপ্লে ॥৮॥

পদানুবাদ :—শ্রীজয়দেবকবেঃ (শ্রীজয়দেব কবিনা) উদিতং (শক্ত-বা) ইদংগীতং (ঈশৈ অসিনা) রসিকজনং (রাধাকৃষ্ণগী শান্নবগী নুং-ঙাইবা খংনিংলিবা মীশিংবু) অতি মুদিতং (থোইদোক্না হরাওবা) তনুতাং (পীনরসনু) ॥৯॥

অনুবাদ :—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা ঈশৈ অসিনা রাধাকৃষ্ণগী শৃঙ্গাররস খংনিংলবা মীশিংবু থোইদোক্না নুংঙাইবা পিনরসনু ॥৯॥

পদানুবাদ :—হে কিতব! (হে লৌনমচাউবা) অমন্দকন্দর্প চিন্তাং (লাকথবা য়াত্রবা কামগী চিন্তাবু) বিধায় (তৌরুহুনা) ধ্যান লগ্না (ধ্যানতৌহুনা নংঙোন্দা পকশিল্লবী) বিপুলপুলকপালিঃ (থোইদোক্না ভুজুংবা পরেং পোক্লগা) স্ফীতশীৎকারম্ (খোঞ্জেল লাউনা লাউরক্ল-গা) অন্তঃ (থম্মোইদা) জনিত (পোকথ্রবা) জড়িম (পংথবহুনা) কাকু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অঙ্গেষ্বাভরণং করোতি বহুশঃ পত্রেঽপি সঞ্চারিণি
প্রাপ্তং ত্বাং পরিশঙ্কতে বিতনুতে শয্যাং চিরং ধ্যায়তি।
ইত্যাকল্প-বিকল্পতল্পরচনাসঙ্কল্পলীলাশত
ব্যাসক্তাপি বিনা ত্বয়া বরতনুর্নৈষা নিশাং নেষ্যতি ॥১১॥

(খোনফম কায়না) ব্যাকুলং (অন্নাবনু) ব্যাহরন্তী (লাউরবী, ভাংলবী) সা মৃগাক্ষী রাধা (শজী মিত্তা তারবী শ্রীরাধাহুনা) তব (নহাক্কী) রসজলধি নিমগ্না বভূব (রতিক্রীড়া শান্নবগী হুংভাইব সমুদ্রদা লুপত্রে) ॥১০॥

অনুবাদ :—হে লৌনম হৈবা কৃষ্ণ! লাকথবা য়াম্রবা রতিক্রীড়াগী চিন্তা তৌরুহুনা ধ্যান তৌহুনা নংঙোন্দা পকশিল্লবী, ইবুংঙোগী খুংনা শোক্লে থন্দুনা তুজুংবা পরেং পোক্লগা ইবুংঙোগী দন্তনা (য়ানা) চিক্লে হায়না থন্দুনা নামনথিবনা খোঙ্গেল রাংনা লাউরম্লগা ইবুংঙোনা আলিঙ্গন তৌরে, অধরামৃত পান তৌরে অসিনচিংবা থল্লুবদা কিবনা পংথবহুনা খোঙ্গেল কায়না (খোনফম কায়না) লাউরবী শজী মিত্তা তারবী শ্রীমতি রাধিকাহুনা নহাক্কী শৃঙ্গাররস শান্নবগী হুংভাইরবা সমুদ্রদা লুপ্তনা লৈখ্রে ॥১০॥

পদানুবাদ :—এম্বাবরতনুঃ রাধা (শক ফজরবী রাধাসিনা) অঙ্গেষু (হকচাংপুম্নমক্তা) আভরণং (লৈতেংশিবনু) বহুশঃ (হম্নাহম্না) করোতি (তৌই), পত্রেঽপি (ঊনানসু) সঞ্চারিণি (লেংলক্লবদা) ত্বাংপ্রাপ্তং (নহাকপু ফংবা তারে হায়না) পরিশঙ্কতে (চিংননা থল্লি), শয্যাং (লৈগী শয্যাবু) বিতনুতে (শেমই), চিরং (মতমকুইনা) ধ্যায়তি (মঙন মঙন থল্লি) ইতি (মতৌ অসুম্না) আকল্প (লৈতেং শেৎপা)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌজিক সর্গঃ লোইবসিদা ভক্তশিঙ্গি মফমদা আশিষ পিহল্লি ।

কিংবিশ্রাম্যসিকৃষ্ণভোগিভবনেভাণ্ডীরভূমীরুহে
ভ্রাতর্যাহিনদৃষ্টিগোচরমিতঃসানন্দনন্দাস্পদম্ ।
রাধায়াবচনংতদধ্বগমুখান্নন্দান্তিকেগোপতো
গোবিন্দস্যজয়ন্তিসায়মতিথিপ্রাশস্ত্যগর্ভাগিরঃ ॥১২॥

বিকল্প (চিংননা খনবা) তল্পরচনা (শয্যা শেম্বা) সঙ্কল্প লীলাশত [মণ্ডন মওন খনবা নুংঙাইবা চামদা] ব্যাসক্তাপি [পামশিন্দুনস্] ত্বয়াবিনা [নহাক য়াওদ্রবদা] নিশাং [অহীংবু] নেষ্যতি [লেল্লরোই] ১১.॥১১॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো ! শক ফজরবী রাধাসিনা মশা পুন্নমক্তা মফম চাবা চাদবা য়েংহুনা লৈতেং পুন্নমক হন্না হন্না শিজিল্লে । উনা হাইহুম্বা উবদা ইবুংঙোনা শোক্তুনা লেংবনি হায়হুনা পুক্লীংদা চিংননা লাকই, লাক্তে থংদনা লৈগী শয্যা শাগৎলি । কৃষ্ণনা লাক্লগা করি করি তৌফম থোকপা অসিনচিংবা মওন মওন খনবা ব্লাখল চামনা তিন্দুনস্ ইবুংঙো নহাক য়াওদ্রবদি অহিং লেনবা ঙম্লরোই ॥১১॥

পদানুবাদ :—হে ভ্রাতঃ ! [হে ইচিন ইনাও] কৃষ্ণভোগি [অমুবা লিলগী, সম্ভোগ পাল্লবা কৃষ্ণগী] ভবনে [য়ুম গুইরবা] ভাণ্ডীর [বট কোবা] ভূমীরুহে [উপালগী মথোংদা] কিং বিশ্রাম্যসি [করিগী পোথারিবগে] ন বিশ্রামং [পোথাগনু] ইতঃ [মাসিদগী] দৃষ্টিগো-চরং [মিৎনা উরিবা] সানন্দ [নুংঙাইবনা তিল্লবা] নন্দাস্পদং [নন্দ নিংথৌগী য়ুমদা] যাহি [চৎলো], অধ্বগমুখাৎ [লংফৈ চৎপা মীগী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মচিন্দগী] রাধায়াঃ [শ্রীরাধাগী] তৎবচনং [হায়রকপা নত্রগা চেল্লক-পা পাওঅহুবু] নন্দান্তিকে [নন্দনিংথৌগী মফমদা] গোপতঃ [থুপ্লবা, লোৎলবা] গোবিন্দস্য [শ্রীকৃষ্ণগী] সায়ং [য়াচংবা মতমদা, হুমিদাং-ৱাইরমদা] অতিথি [অতিথিগী মফমদা] প্রাশস্ত্যগর্ভাঃ [তরাম্ তরাম্ তৌবগী মহুং চল্লবা] গিরঃ [ৱাহৈ থিবিক্লা] জয়ন্তি [জয় ওইরি] ॥১২॥

অনুবাদ :—হে ইচিন ইনাও! অমুবা লিলগী ময়ুম ওইরবা বট পান্থি অসিগী মখোংদা করিগী পোথাহুনা লৈরিবনো? মফম অসিদা পোথাগন্থু। মাসিদগী য়েংথিবদা মিৎনা উৱিবা নক্লা লৈ-রবা হুংঙাইবা থিবিক্লা তিল্লবা নন্দনিংথৌগী আলয়দা [সঙ্গাইদা] চত্তুনা পোথারুচৌ। অসুম হায়রবদা লাক্লহুনা রাধানা হায়রকপা পাও পুন্নমক অহু তন্নবদা খংহন্নিংদহুনা] মপা নন্দ নিংথৌগী মফমদা থুপ্লগা, য়াচংবা মতমদা লাক্লিবা অতিথিগী মফমদা থাগত্তুনা তরাম্ তরাম্ তৌংগী মহুংদা ফুমহনা ঙাংলবা শ্রীকৃষ্ণগী ৱাহৈ থিবিক্লা জয় ওইরি ॥১২॥

"কৃষ্ণ ভোগী" হায়বা পদ অসিগী অর্থ অনিনি। অমনা অমুবা লিল, অনিনা রতিক্রীড়া পান্নবা কৃষ্ণ। লংফৈ চৎপনা অমসুং নন্দনচিংথনা লিল ওইনা খংই। শ্রীকৃষ্ণনা রতিক্রীড়া পান্নবা ঐবুনি হায়না খংই।

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে মহাকাব্যে বাসকসজ্জাবর্ণনে ধৃষ্টবৈকুণ্ঠো নাম ষষ্ঠঃ সর্গঃ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সপ্তমঃ সর্গঃ

হৌজিক থা থোক্লবদা রাধাগী অৱাবা হেনগৎপহ্ হায়রি ।

অত্রান্তরেচকুলটাকুলবর্ত্মপাত
সঞ্জাতপাতকইবস্ফুটলাঞ্ছনশ্রীঃ ।
বৃন্দাবনান্তরমদীপয়দংশুজালৈ
র্দিকসুন্দরীবদনচন্দনবিন্দুরিন্দুঃ ॥১॥

অনুবাদ ঃ—অত্রান্তরে [তাঞ্জা অসিদা, চৈরক অসিদা] কুলটা [নুপীশিংগী] কুল [মপৈগী] বর্ত্মপাত [লম্বেল থিংলুবদগী] সঞ্জাত পাতকইব [পোক্লক্লবা পাপকী মতোগুম্না] স্ফুট [ঙাল্লবঃ] লাঞ্ছন [মায়হীংনা] শ্রীঃ [ফজনা]—স্ফুট লাঞ্ছন শ্রীঃ [মায়হীংনা ফজনা লৈ-তেংলবা], দিক সুন্দরী [নোংপোক মাইকৈ লৈমগী] বদন [মায়-থোংদা] চন্দনবিন্দুঃ [চন্দনগী বিন্দু ওইরবা] ইন্দুঃ [থানা] অংশুজা-লৈঃ [মঙাল খিবিক্লা] বৃন্দাবনান্তরং [বৃন্দাবনগী মনুংবু, বৃন্দাবনগী লম পুম্নমকপু] অদীপয়ৎ [ঙালহনখরে] ॥১॥

অনুবাদ ঃ—অসুম হায়নরিঙৈ মতম অসিদা লমচৎ কায়না চংলবী ব্রজকামিনী মপৈগী লম্বেল থিংলুবদগী [ব্রজগী নুপীশিংনা সঙ্কেত কুঞ্জদা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা অভিসার তৌবদা থা থোক্লবদি মী অতৈনা উবনা চৎপা য়াদে মাহুবু লম্বেলথিংবা কৌই] পোকগ্রবা পাপ অহুনা মায়হীং [থাদা মায়হীং কারিবসি চৎপহ্ থুগায়বদগী পাপ অহুনা কারিবনি হায়রি] ওইনা লৈতেংলবা নোংপোক মাইকৈ ইবেম্মগী [নোংপোক থংবা মাইকৈবু নুপী অমা ওইনা খনখ্রে] মায়থোংদা চন্দনগী বিন্দু ওইরবা থানা নিংথিজরবা মঙান খিবিক্লা বৃন্দাবনগী লমদম পুম্নমক ঙালহন্দুনা থোকখি ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রসরতিশশধরবিম্বেহপিবিহিতবিলম্বেচমাধবেবিধুরা ।
বিরচিতবিবিধবিলাপংসাপরিতাপংচকারোচ্চৈঃ ॥২॥

শ্রীরাধানা ৱাবহু ঈশৈনা হায়রি।
গীতং । ১৩ ।
মালবরাগ যতিতালাভ্যাং গীয়তে।

কথিতসময়েহপিহরিরহহনযযৌবনং ।
মমবিফলমিদমমলমপিরূপযৌবনম্ ॥
যামিহেকমিহশরণংসখীজনবচনবঞ্চিতা ॥৩॥ ধ্রু॥

পদানুবাদ :—বিধুরা [ৱারবী] সা রাধা [রাধা অদুনা] শশধর-বিম্বে [থাগী মকোয়, থাবলনা] প্রসরতি [ংথোক্লক্লবদা] চ [অমসুং] মাধবে [শ্রীকৃষ্ণনা] বিহিত [ওইরবদা] বিলম্বে [থিনবা]—বিহিত বিলম্বে [থিল্লক্লবদা] বিরচিত [শেম্লদুনা] বিবিধবিলাপং [নথল মখা য়াম্লবা মীকপ্পু]—বিরচিতবিবিধবিলাপঃ [মখল মখা য়াম্না ত্তেংথা-রদুনা] উচ্চৈঃ [থোইদোক্না] পরিতাপং [ৱাবহু] চকার [তৌখ্রে] ॥২॥

অনুবাদ :— শ্রীকৃষ্ণগা কায়নবনা ৱারবী শ্রীরাধা অদুনা থাগী মকোয়না থোক্লক্লবদা অমসুং শ্রীকৃষ্ণনা অভিসার তৌবা থিল্লক্লবদা মখল মখা য়াম্না বিলাপ তৌদুনা থোইদোক্না ৱাখরে ॥২॥

পদানুবাদ :—অহহ [ওস্থোকপনিদা] হরিঃ [শ্রীকৃষ্ণনা] কথিত সময়েহপি [হায়নখিবা মতমদসু] বনং [বন্দা] ন যযৌ [চংথোকপি-রকত্রে], মম [ঐগী] ইদং [অসি] অমলং [নিংথিজরবা] রূপযৌবনমপি [ইশক যৌবনসু, মীওই ফগৎলকপসু]=ইদং অমলং রূপযৌ-বনমপি [নিংথিজরবা ইশক মীওই ফগৎলকপা অসিসু] বিফলং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

যদনুগমনায়নিশিগহনমপিশীলিতং।
তেনমমহৃদয়মিদমসমশরকীলিতম্ ॥৪॥

[অরেম্বা ওইরে], হে [হে পুক্লিং] ইহ [মতম অসিদা] সখীজনবচনবঞ্চিতা [সখীশিংগী ৱাহৈনা নমথাক তৌরবী] অহং [ঐনা] কং [কনাবু] শরণংযামি (চংঙ্জরসিবা) নত্রগা সখীজনবচনবঞ্চিতা অহং কং শরণং যামি (সখীশিংগী ৱাহৈনা নমথাক তৌরবী ঐনা) কং (ঈশিংদা) শরণং যামি [চোংথরগে, চংলগে] ॥৩॥

অনুবাদ :— ওম্হোকপনিদা !! শ্রীকৃষ্ণনা হায়নখিবা [ঈঙ্গিত তৌনখিবা] মতম চানা সঙ্কেত কুঞ্জদা চৎথোকপিরকত্রে। ঐগী ইশক ঋজবা নহা ওইবগী (যৌবনীগী) মূর্ত্তি অসি অরেম্বা ওইরে। হে পুক্লিং ! মতম অসিদা সখী ময়ামগী ৱাথংনা নমথাক তৌরবী ঐসিনা কনাবু আশ্রয় তৌরসিবা নত্রগা সখীশিংগী ৱাথংনা লোনম তৌহুনা অৱাবা ফংলবী ঐসে ঈশিংদা চোংথরগে ॥৩॥

পদানুবাদ :—ময়া [ঐনা যদ্ [মাগা, কৃষ্ণগা] অনুগমনায় [থেংননবগীদমক্, রতিক্রীড়া শান্নবগী] গহনং অপি [শুক্লা মন্নবা বনতদা] শীলিতং [লৈরবনি], তেন [মহাক্না, কৃষ্ণনা] মম [ঐগী] ইদং হৃদয়ং [থম্মোই অসিবু] অসমশর কীলিতম্ [কামদেবগী তেন্না থিলহৎলে] ॥৪॥

অনুবাদ :—ঐনা ইবুংঙো মহাক্না লোইননা রতিক্রীড়া শান্নগে হায়বগীদমক শুক্লবা বনগী মহুংতদা চংহুনা লৈরবনি। মহাক্না লাকপিদ্রবসিদা ঐগী থম্মোইদা কামদেবগী তেলনা থিলহৎলে ॥৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মম মরণমেব বরমতিবিতথকেতনা।
কিমিহবিষহামিবিরহানলমচেতনা ॥৫॥
মামহহ বিধুরয়তিমধুর মধু যামিণী।
কাপি হরিমনুভবতিকৃত সুকৃত কামিণী ॥৬॥

পদানুবাদ :—অচেতনা [লৌশিং লৈত্রবী] অতি [থোইদোক্না] বিতথ [কান্নদ্রবা] কেতনা [হকচাং পুরবী] অহং [ঐসিনা] ইহ [ম:সিদা, বন অসিদা] বিরহানলং [কায়নবগী অরাবা মৈবু] কিংবিষহামি [করম্না থাংলসিগে] মম [ঐগী] মরণং এব [শিবতনা] বরং [ফরে] ॥৫॥

অনুবাদ :– অশুম্না থোক্লক্কনি থংদবনা লৌশিং লৈত্রবী, কৃষ্ণগী সেবা ফংদ্রবা অরেম্বা হকচাং পুরবী ঐসিনা বনঅসিদা অসুক ব্রাপ্র-বা কৃষ্ণগা কায়নবগী মৈচাক অসি করম্না থাংলসিগে। মৈচাক থাংদ্রনবা শিবনা ফরে ॥৫॥

পদানুবাদ :—অহহ [অরাবনিদা] মধুর [নিংথিজরবা] মধু যামিণী [বসন্তগী অহিংসিনা] মাং [ঐবু] বিধুরয়তি [অরাবা পিরে], কাপি [কনাগুম্বী] কৃত [তৌরক্লবী] সুকৃত [পুণ্যবু] = কৃতসুকৃত (পুণ্য তৌ-রক্লবী) কামিণী (নুপীনদি) হরিং (শ্রীকৃষ্ণবু) অনুভবতি (শান্নবা ফংজরিগনি) ॥৬॥

অনুবাদ :—ওন্থোক্লা অরাবনিদা !! জীব পুম্নমক্কী মফমদা নুং-ঙাইবা পিনরবা বসন্তগী অহিং অসিনসু রাধা ঐঙোন্দা অরাবা পিরে। কনাগুম্বী পূর্ব্বজন্মদা পুণ্য য়াম্না তৌরকপী নুপীনদি ইবুং-ঙো শ্রীকৃষ্ণগা লোইননা নুংঙাইনা শান্নবা ফংজরিগনি ॥৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অহহ কলয়ামিবলয়াদিমণিভূষণং ।
হরিবিরহদহনবহনেনবহুদূষণম্ ॥৭॥
কুসুমসুকুমারতনুমতনুশরলীলয়া ।
স্রগপিহৃদিহন্তিমামতিবিষমশীলয়া ।।৮॥

পদানুবাদ :—অহং [ঐনা] হরিবিরহ [হরিগা কায়নবগী] দহন-বহনেন [মৈ পুবা মরম্না] বলয়াদি মণিভূষণম্ [খুজ্জিনচিংবা মণিগী লৈতেং পুম্নমকপু] বহুদূষণম্ [থোইদোক্না ক্ষত্তবনি হায়না, য়াম্না রা-নবনি হায়না] কলয়ামি [থল্লে, নিংলে] ॥৭॥

অনুবাদ :—ঐনা শ্রীকৃষ্ণগা কায়নতুনা অৱাবা মৈচাক পুরক্লবা মতম অসিদা ঐগী ইশাদা শিরিবা খুজীনচিংবা মণিগী লৈতেং পুম্ন-মকসি অরেম্বদা রাননবা শিরবনি হায়না থল্লে ॥৭॥

পদানুবাদ :— হৃদি [থম্মোইদা শিরিবা] স্রক্অপি [লৈপরেংঅসি-নস্তু] অতনুশরলীলয়া [কামদেবগী তেলগুম্না শান্নরতুনা] অতিবিষম শীলয়া [থোইদোক্না তমথীরবা লমচৎ চৎলতুনা] কুসুম সুকুমার তনুং [লৈগুম্না তনৌ তনৌরবা হকচাং ওইরবী] মাং [ঐবু] হন্তি [য়েরে, থিল্লে] ॥৮॥

অনুবাদ :—ঐগী থবাক্তা শিরিবা লৈ পরেং অসিনসু কামদেবগী তেলনা থিন্দুনা মীবু অৱাবা পীবা মতৌতু তম্নগা থোইদোক্না তম-থীরবা লমচৎ চৎলতুনা (অতৈ তেলনা থিনবাদ হকচাংদা থিন্দুনা অৱাবা পী, কামদেবগী তেলনা থিনবদী থম্মোই হুংদা থিন্দুনা অৱাবা পী, মরম অসিনা তমখীবা লমচৎ চৎলি) লৈগুম্না তনৌ তনৌরবী হকচাং পাল্লবী ঐবু থিল্লে অ-সু: য়েরে ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অহমিহ নিবসামিনগণিত বনবেতসা।
স্মরতিমধুসূদনো মামপিন চেতসা ॥৯॥
হরিচরণশরণজয়দেব কবি ভারতী।
বসতু হৃদি যুবতিরিবকোমলকলাবতী ॥১০॥

পদানুবাদ :—অহং [ঐনা] ইহ [কুঞ্জসিদা] ন গণিত [খল্লুদনা] বন বেতসা [বনদা হৌবা লীনচিংবগীবু]—ন গণিত বন বেতসা [বনদা হৌবা লীনচিংবগী তিংথংগী রাখল থাদোক্তুনা] নিবসামি [লৈরিহ-সিনি] মধুসূদনঃ [শ্রীকৃষ্ণনঃ] চেতসা [মপুক্নীংনা] মাং [ঐবু] অপি [খজিক্তসু] ন স্মরতি [নিংশিংদ্রমাল্লে] ॥৯॥

অনুবাদ :—ঐনা কুঞ্জ অসিদা অহিংদা লীনচিংবগী তিংথং য়ুগনি, শা, কৈ লাক্কনি হায়বা রাখল থাদোক্তুনা ওাইহুনা লৈরিবসিনি। অসুক রানা লৈরবসিদা শ্রীকৃষ্ণনঃ পুক্নীংনা ঐবু খজিক্তা ফাওবা নিং-শিংখিদ্রমাল্লে ॥৯॥

পদানুবাদ :—কোমল [তনৌ তনৌরবা] কলাবতী [কলাহিত্থানা তিল্লবী] যুবতিঃ ইব [লৈশাবীগুম্লবী], হরিচরণ [হরিগী খোংদা] শরণ [চংজরবা] জয়দেবকবিভারতী [জয়দেব কবিগী ঈশৈসিনা] ভক্তানাং হৃদি [ভক্তশিংগী থম্মোইদা] বসতু [লৈবিরসনু] ॥১০॥ নত্রগা কোমল [থোংলবী] কলাবতী [কবিতাগী লক্ষণনা তিল্লবী] হরিচরণশরণজয়দেবভারতী [হরিগী চরণদা চংজরবা জয়দেব কবিগী ঈশৈসিনা] যুবতিঃ ইব (হুপীমচঃ মথোক কারকপীগুম্না) ভক্তানাম্ হৃদি বসতু (ভক্তশিংগী থম্মোইদা লৈরসনু) ॥১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৃষ্ণনা থীন্না লাক্ত্রগদা রাধানা মওন মওন খনবত্থ হায়রি।

তৎকিংকামপিকামিণীমভিস্হতঃকিম্বাকলাকেলিভি-
র্বদ্ধোবন্ধুভিরন্ধকারিণিবনাভার্ণেকিমুদ্ভ্রাম্যতি।
কান্তঃক্লান্তমনামনাগপিপথিপ্রস্তাতুমেরাক্ষমঃ
সঙ্কেতীকৃতমঞ্জুবঞ্জুললতাকুঞ্জেঽপিযন্নাগতঃ ॥১১॥

অনুবাদ :—মথোক কারকপী যুবতিগী মশকওইরবী, তনৌ তনৌ-রবী কবিতাগী লক্ষণ পুন্নমক্না তিল্লবী, শ্রীকৃষ্ণগীচরণদা ভক্তি লৈরবা জয়দেব কবিনা লেংলবা ঈশৈসিনা ভক্তশিংগী থম্মোইদা চংহ্না লৈরসন্থু ॥১০॥

পদানুবাদ :— কান্তঃ [চান্নথোইবনা] সঙ্কেতী কৃত [ঈঙ্গিত তৌনখ্র-বা] মঞ্জু [পুক্নীং হুরবা] বঞ্জুললতাগৃহে [বেতস কৌবা লতাকুঞ্জদা] নাগতঃ [লাকপিদ্রে], যৎ (১) তৎ (২) (মরম অহুনদি) কিং (৩) কাং অপি [কনাগুম্বী] কামিণীং [নুপীদা] অভিস্হৃতঃ [অভিসার ভৌহ্না চংখ্রবরা], বা [অহু নত্রগা] কিং কলাকেলিভিঃ [মথল মখা য়ায়া শান্নরবা] বন্ধুভিঃ [মরূপশিংনা, মতাওশিংনা] বন্ধঃ [ফাজিনখ্রবরা], কিং অন্ধকারিণি (অমম্বা) বনাভ্যর্ণে (বনগী মনুংদা) উদ্ভ্রাম্যতি (লম্মুকনরব্রা, লম্মাংনরব্র) অপি ক্লান্তমনা (পুক্নীং রাগ্রহ্না) পথি মনাক্এব (থজিক্তা ফাওবা) প্রস্তাতুং [চৎথোক্লকপা] অক্ষমঃ [ঙম-ত্রবরা] ॥১১॥

অনুবাদ :— ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণদো সঙ্কেত তৌনখিবা বেতসকুঞ্জদা লেংবিরক্তবা মরমসিনদি কনাগুম্বী লাইবক ফবী কামিনী অমগী মনাক্তা অভিসার ভৌগ্রদরা ? মাহুসু ওইকম থোক্তে, ঐবুদি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অথাগতাং মাধবমন্তরেণসখীমিয়ংবীক্ষ্যবিষাদমূকাং।
বিশঙ্কমানারমিতংকয়াপিজনার্দ্দনংদৃষ্টবদেতদাহ ॥১২॥

ওন্থোক্লা নুংশিনা তৌবনি। অদুগা মরূপশিংগা লোইননা শাম্নবদা চংথোকহন্দরব্রা ? শোইদনা লাকনি হায়রগা চংথোকপা তৌ-রোই। নত্রগা বনগী লম্বেল চংপদা লম্মুক্লরব্রা ? মাহুস্ন ওইক্ম থোক্কে, মহৌশানা হঙ্গংহন্দা চংমনবনা, ঐনা খল্লিবসি শোয়র-রোই, ঐগী চিন্তানা রাখ্রহুনা থোংথাং অমা ফাওবা থাংবা ঙমদ্রহুনা ফমহুনা লৈবা তারে ॥১১॥

ব্যাখ্যা :—পত্থশ্লোক অসিগী মনুংদা য়াওরিবা "যৎ (১) তৎ (২)" অসি "মরম অহুনা" হায়বা অর্থদা পুন্না হায়গদবনি। অদুগা "কিং (৩)" য়াওরিবশিং অদুগা "অপি" অমা য়াওরিবা অসিনা "হংবা" অর্থদা "বরা" হায়না হাপকদবনি। মাহুদি :—কিং অভিস্হত: (চংথোকপ্রব্রা) কিং বদ্ধঃ (থিংগ্রব্রা) অপি অক্ষমঃ (ঙমদ্রব্রা) অসিনচিংবনি। মাসীদগী "কিং" লৌ-থোক্লবদি হংবা অর্থ লৈতে ॥১১॥

পদানুবাদ :—অথ (অদুগী তুংদা) রাধা [শ্রীরাধিকানা] মাধবং অন্তরেণ (কৃষ্ণ য়াওদনা) আগতাং [লাক্লবা] বিষাদমূকাং [রামনথি-বনা রাঙাংবা থোকব্রবী] সখীং [মতাবু, দূতীবু] বীক্ষ্য [উরহুনা] জনার্দ্দনং [শ্রীকৃষ্ণবু] কয়াপি [কনাগুম্বীগা লোয়ননা] রমিতং [শান্ন-থ্রমাল্লে হায়না] বিশঙ্কমনা [চিংনরবীনা, শ্রীরাধানা] এতৎ [মাসিবু] দৃষ্টবৎ [সংসংনা উবগুম্না] আহ [হায়থি] ॥১২॥

অনুবাদ :—অদুগী তুংদা শ্রীরাধিকানা কৃষ্ণ য়াওদনা মাইথোং মক-শিন্না রাঙাংদনা মথন্তা হল্লক্লবী মতা সখীবু উরহুনা অমসুং শ্রীকৃষ্ণবু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হায়রিবশিং অহু ঈশৈনা হায়রি।

গীতং ।১৪।

বসন্তরাগ যতিতালাভ্যাংগীয়তে।

স্মর সমরোচিত বিরচিত বেশা।
গলিত কুসুম দর বিলুলিত কেশা॥
কাপিমধুরিপুণা বিলসতি যুবতিরধিকগুণা ॥১৩॥ ধ্রুবম্॥

কনাগুম্বী সখীগা লোয়ননা রতিক্রীড়া তৌগ্রমাল্লে হায়না পুক্লীংদা চিংনবা পোল্লভ্তনা মমিৎনা সংসং উবগুন্না মখাদা হায়রিবশিং অসি হায়খি ॥১২॥

পদানুবাদ :— কাপী [কনাগুম্বী] স্মর সমর [রতিক্রীড়াগী লানফম থোকপদা] উচিত [মতিক চাবা] বিরচিত [শেৎলবা] বেশা [ফীজেৎ]—স্মর সমরোচিত বিরচিত বেশা [রতিক্রীড়া থোকপগী মাতিকচাবা ফীজেৎ শেৎলবী] গলিত [তারবা] কুসুম [লৈনা] দর [খরদং] বিলুলিত [চাইথোকপনা] কেশা [শম]—গলিত কুসুম দর বিলুলিত কেশা [শম খরা চাইথোকপনা থেৎলিবা লৈনা নাম্বত্থনা তারবী) অধিকগুণা [অথোইবা গুণ্না তিল্লবী] যুবতিঃ [নুপীনা] মধুরিপুণা [কৃষ্ণগা লোয়ননা] বিলসতি [শান্নরি] ॥১৩॥

অনুবাদ :— কনাগুম্বী রতিক্রীড়া লান তৌনরকপগী মতিক চাবা ফীজেৎনা লৈতেংলবী, ঈন্নবা চিংনবা মতমদা শমজী খরা কায়ত্থনা থেৎলিবা লৈনা নাম্বত্থনা তারবী, শক্, কুচু, মিত্তা, য়াতানচিংবা অথোইবা গুণ থিবিক্লা তিল্লবী নুপীনা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নরি ॥১৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হরি পরিরম্ভণ বলিত বিকারা।
কুচ কলসোপরিতরলিত হারা ॥১৪॥
বিচলদলক ললিতাননচন্দ্রা।
তদধর পানরভস কৃততন্দ্রা ॥১৫॥
চঞ্চল কুণ্ডল ললিতকপোলা।
মুখরিত রসনজঘন গতিলোলা ॥১৬॥

পদানুবাদ ঃ— হরি পারিরম্ভণ [হরিনা আলিঙ্গন তৌবনা] বলিত [পাঙ্গল্লবী, লৈতেংলবী] বিকারা [বিকারনা]— হরি পরিরম্ভণ বলিত বিকার [হরিনা আলিঙ্গন তৌবনা বিকার ওইরবী নম্রগা পাঙ্গল্লবী] কুচ কলস উপরি [কুচ কলস মথক্তা] তরলিত [হাইহুম্লবী হারা [লিক্না]— কুচকলস উপরি তরলিত হারা [স্নাগী লিকপরেংনা কুচ কলসী মথক্ত হাইহুম্লবী] ॥১৪॥ বিচলৎ [হাইহুম্লবা] অলক [শমজোয়না] ললিত [নিংথিজরবা] আননচন্দ্রা [মায়থোং থা মাল্লবী] তৎ [মহাক্কী, কৃষ্ণগী] অধরপান রভস [অধরামৃত পান তৌবগী ন্নুং-ঙাইবনা] কৃততন্দ্রা [মীৎ উইশিন্দুনা তুম্বগুম লৈরবী, মীৎ তুথরবী] ॥১৫॥ চঞ্চল [হাইহুম্লবা] কুণ্ডল [নাইম্না, নাকোংদা শিবা লৈতেং-না] ললিত [ফজরবা] কপোলা [খজাই পাল্লবী], মুখরিত (মখোল থোকহন্দুনা, শিংশিং লাউহন্দুনা] রসন [খ্বাং শরিকপু] জঘন [খ্বাং-দা] গতি লোলা [নোম্নোম চৎলবী]— মুখরিত রসন জঘন গতি-লোলা [খ্বাং মখাদা নোম্নোম চৎপহনা খ্বাংদা শিরিবা খ্বাং শরিকপু মখোল থোকহল্লবী] ॥১৬॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীকৃষ্ণনা আলিঙ্গন তৌবদা বিকার ওইবা মতৌ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দয়িত বিলোকিত লজ্জিত হসিতা।
বহুবিধ কূজিত রতি রসরসিতা ॥১৭॥
বিপুল পুলক পৃথু বেপথুভঙ্গা।
শ্বসিত নিমীলিত বিকসদনঙ্গা ॥১৮॥

পদানুবাদ ঃ—দয়িত [চান্নথোইবনা] বিলোকিত [য়েংলকপদা] লজ্জিতহসিতা [ইকাইবগা লোয়নননা নোক্লবী] বহুবিধকূজিত (মখল মখা অয়াম্বা খোঞ্জেল লাউবগা লোইননা) রতিরস রসিতা (রতিক্রীড়া তৌহনা হরাওরবী ॥১৭॥ বিপুল (চংথোম্না) পুলক (তুজুংলহনা) পৃথু (থোইদোক্না কন্না) বেপথু (তনিক তনিকপনা) ভঙ্গা (ইথক হৌরবী) শ্বসিত নিমীলিত (নুংশাস্বর ফূইনা হোনবগা মীৎ পাংনীংদবগা অনি অসিনা) বিকসৎ (ফোংদোক্লবা) অনঙ্গা (রতিক্রীড়াবু)—বিকসদ্ অনঙ্গা (রতিক্রীড়া শান্নে হায়বা ফোংদোক্লবী)॥১৮॥

অনুবাদ ঃ থোইদোক্লা হেল্লবী, ওক্তা শিরিবা মুক্তা পরেংনা কুচকলসীগী মথক্তা হাইহুল্লবী ॥১৪॥ ফাদেঃক্লবা [চাইথোক্লবা] শমজোয়না লৈতেংলবা মায়থোংথা মাল্লবী, শ্রীকৃষ্ণগী অধরসুধা পান তৌবগী নুংঙাইবনা মমিৎ তুথহুনা তুম্বগুম লৈরবী ॥১৫॥ হাইহুল্লবা নাইল্লা লৈতেংলবা খজাইনা মাগী ওইরবী, খাংদা শিরিবা থাং শরিক মথোল থোক্লা নোম্লোম চৎলবী ॥১৬॥ চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা য়েংলকপদা ইকাইবগা লোয়নননা মোমোন নোক্লবী, মখল মখা অয়াম্বা খোঞ্জেল ঙাংহুনা রতিক্রীড়াগী নুংঙাইবা মতৌ ফোংদোক্লবী ॥১৭॥ চংথোম্না তুজুংবগা লোয়নননা থোইদোক্লা কন্না তনীক তনীকপনা ইথক হৌরবী, নুংশাস্বর ফুইনা হোনবগা মীৎ পাঙনিংদবগা অনি অসিনা রতিক্রীড়া শান্নবগী মতৌ ফোংদোক্লবী ॥১৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রমজল কণভর সুভগ শরীরা।
পতি পতিতোরসি রতিরণধীরা ॥১৯॥
শ্রীজয়দেব ভণিতং হরিরমিতং
কলিকলুষংজনয়তুপরিশমিতং ॥২০॥
বিরহ পাণ্ডু মুরারিমুখাম্বুজ
দ্যুতিরয়ং তিরয়ন্নপি বেদনাম্।
বিধুরতীবতনোতি মনোভুবঃ
সুহৃদয়ে হৃদয়ে মদনব্যথাং ॥২১॥

পদানুবাদ :—শ্রমজলকণভর [অরাবদগী থোকখিবা হুমাংঈরিক মপৈনা] সুভগ [লৈভেং ওইরবী] শরীরা [হকচাংদা]=শ্রমজলকণভর সুভগ শরীরা [রতিক্রীড়: শান্নরুবদগী রাবনা শিন্থরক্লবা হুমাংঈরিক মপৈনা হকচাংদা লৈতেং ওইরবী] রতিরণধীরা (রতিক্রীড়াদা হৈশিংলবী) [কাপি যুবতিঃ] (কনাগুম্বী নুপীনা) [কৃষ্ণস্য] উরসি (কৃষ্ণগী থবাক্তা) পরিপতিতা (হিপলি, ঙাথরি) ॥১৯॥ শ্রীজয়দেবভণিতং (শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা) ইদংহরিরমিতং (কৃষ্ণগী শান্নবা লীলা অসিনা) গায়কানাম্ (শক্লিবশিংগী) কলিকলুষং (কলিযুগতা তৌবা পাপপু) পরিশমিতং জনয়তু (পুমকোক কোকহল্লসনু) ॥২০॥ অয়ে! (হে ইতাইবেম্মা) বিরহপাণ্ডু (কায়নবগী মৈচাক্লা ঙৌথোক্লবা) মুরারি (কৃষ্ণগী) মুখাম্বুজদ্যুতিঃ (মায়থোং থাগী কুচু মাল্লবা), মনোভুবঃ (কামদেবগী) সুহৃদ্ (মরুপ ওইরবা) অয়ংবিধুঃ (থা অসিনা) বেদনাম্ (অন্নাববু) তিরয়ণ্ অপি (কোকহন্দুনসু) হৃদয়ে(থম্মোইদা) অতীব (থোইদোক্লা) মদনব্যথাং (কামগী অন্নাববু) তনোতি (পিবিরে) ॥২১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গীতং ॥১৫॥

গুর্জ্জরীরাগৈকতালীতালাভ্যাংগীয়তে।

সমুদিতমদনেরমণীবদনেচুম্বনবলিতাধরে।
মৃগমদতিলকংলিখতিসপুলকংমৃগমিবরজনীকরে॥
রমতেযমুনাপুলিনবনেবিজয়ীমুরারিরধুনা ॥২২॥ ধ্রুবম্ ॥

অনুবাদঃ—শান্নবগী অরাবদগী থোকখিবা (শৌখিব) হুমাংঈরিক খিবিক্লা হকচাংদা লৈতেংলবী, রতিক্রীড়াগী লাল তোনরকপদা থোইদোক্লা হৈশিংলবী কনাগুম্বী মুবতিনা কৃষ্ণগী থবাক্তা ঙাহনা ছিপ্লি ॥১৯॥ শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা কৃষ্ণগী শান্নবা লীলা অসিনা শক্তি-শোল্লিবশিংগী কলিযুগতা তৌবা পাপপু পুমকোক কোকহল্লসনু ॥২০॥ হে ইতা! ঐগা কায়নবগী অরাবা থাংবদা ঙৌথোক্লবা শ্রীকৃষ্ণগী মায়থোং থম্বালগী কুচু মাল্লবা, কামদেব কৌবা -সাইগী মরুপ ওইরবা থা অসিনা থাবন্না পাম্থোংদা অরাবা কোক-হল্লদি হায়ববু থম্মোইহুংদদি থোইদোক্লা রতিক্রীড়া শান্নহন্নিংহুনা অরাবা পিবিরে ॥২১॥

পদানুবাদঃ—অধুনা (হৌজিকসিদা, মতম অসিদা) বিজয়ীকৃষ্ণঃ (জয় ওইরবা শ্রীকৃষ্ণসিনা) যমুনা পুলিনবনে (যমুনাগী মপান্দা লৈবা কুঞ্জদা) রমতে (শান্নরি) সঃ (মহাক্লা, শ্রীকৃষ্ণসিনা) সমুদিত মদনে (কাম পোক্লবা) চুম্বন (চুপ্পিংবনা) বলিত (ওনশিল্লক্লবা) অধরে (চিন-বান্দা)—চুম্বন বলিতাধরে (চুম্বন তৌগে হায়বগীদমক চিনবান্দা মায় ওনশিল্লক্লবা) রমণী বদনে (নুপীগী মায়থোংদা) রজনীকরে (থাদা) মৃগংইব (মায়হীং পকৃপগুম্না) মৃগমদতিলকং (কস্তুরীগীচন্দনবু) সপু-লকং (হরাওবগা লোয়ননা) লিখতি (ইবিরি, থিনবিরি) ॥২২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঘনচয়রুচিরেরচয়তিচিকুরেতরলিততরুণাননে।
কুরুবককুসুমংচপলাসুষমংরতিপতিমৃগকাননে ॥২৩॥

অনুবাদ ঃ—হৌজিক অসিদা ত্রিভুবন জয় তৌরবা শ্রীকৃষ্ণ অসিনা কনাগুম্বী মুপীগা লোয়ননা যমুনাগী মপান্দা লৈবা কুঞ্জদা শাম্নরি। মুপী অসিগী কাম পোক্লবা, অধর চুম্বন তৌগে হায়রুনা ওনশিল্লক্লবা মায়থোংদা শ্রীকৃষ্ণনা থাদা মায়হীংনা লৈতেংবগুম্না কস্তুরী চন্দন পায়তুনা নিংথিজনা হরাওনা য়েকপিরি (থিনবিরি) ॥২২॥

পদানুবাদ ঃ—ঘনচয়রুচিরে [অনৌব হৌরকপা নোং মপৈগুম্না ফজরবা] তরলিত [ইরা হৌহল্লবা, ইথক থক্‌হল্লবা] তরুণ [পাখং-শিংগী] আননে [মায়থোংদা]—তরলিত তরুণাননে [পাখংশিংগী মায়থোংদা ইথক থকহল্লবা নত্রগা তরুণ কৌবা লৈগী মতোনগুম্না ছাইহুম্লবা] রতিপতি মৃগ [কামদেবনা ওইরবা শজিগী] কাননে [নারক ওইরবা, বন ওইরবা হায়বদা শম অতু উরগা ফজমন্‌বনা মীগী পুক্লীংদা সুরত লীলাগী ইচ্ছা পোক্লবা] চিকুরে কেশে [খোই-খোই তারবা শমদা] চপলা সুষমং [নোংথাংগুম্না ফজরবা] কুরুবক-কুসুমং [কুরুবক কৌবা লৈবু] রচয়তি [চিনবিরি] ॥৩॥

অনুবাদ ঃ—অনৌবা হৌরকপা নোং মপৈগুম্না মুনা ফজরবা, মাতু উরগা পাখংশিংগী পুক্লীংদা ইথক থক্‌লবা, কামদেবগী মশক্না ওইরবা শজিগী নারক ওইরবা হায়বদি উবদা পুক্লীংদা রাভক্রীড়াগী ৱাখল পোকহল্লবা খোইখোই তারবা শম অতুগী মরক্তা কুরুবক কৌবা লৈ চিনবিরি ॥২৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ঘটয়তি সুঘনেকুচযুগগগনেমৃগমদরুচি রূষিতে।
মণিসরমমলংতারকপটলংনখপদশশিভূষিতে ॥২৪॥
জিতবিসশকলেমৃত্তভুজযুগলেকরতলনলিনীদলে।
মরকতবলয়ংমধুকরনিচয়ংবিতরতিহিমশীতলে ॥২৫॥

পদানুবাদ :—মৃগমদরুচি [কস্তুরী চন্দনন নিংথিজনা] রূষিতে [লৈতেংঙবা] নখপদশশি [খুজীল্ মফম থানা] ভূষিতে [লৈতেং-লবা], সুঘনে [তোংলবা নত্রগা কল্লবা] কুচ যুগ গগনে [কুচ অনিনা ওইরবা অতিয়াদা] তারকপটলং [থৌরানমিচাক মপৈগী মশক ওই-রবা] অমলং মণিসরম্ [অমকপা লৈত্রবা মণিগী লিক পরেংবু] ঘটয়তি [শিবিরি] ॥২৪॥

অনুবাদ :—কস্তুরী চন্দন তৈবগী তারিবা অমকপা শরূক অত্থনা অনৌবা হৌরকপা নোংগী মশক ওইরবা, পায়শিনবদা তারিবা খুজীল মফম অত্থনা অনৌবা পানখৎলকপা থা ওইরবা, তোংলবা কুচ [খোম] অনিনা ওইরিবা অতিয়াত্থদা, অমকপা লৈত্রবা মণি পরেংনা থৌরানমিচাক ওইহল্লত্থনা শিবিরি ॥২৪॥

পদানুবাদ :—করতল [খুৎকী মতোন্না] নলিনীদলে [থম্বালমনা-গুম্লবা], হিমশীতলে [উলগুম্না ঈংলবা] জিত [ভমজরবা] বিস [থম্বোগী] শকলে [খুবোম্বু, মতেকপু]—জিত বিসশকলে [থম্বো খুবোম্বু ভমজরবা] মৃদু [থোৎলবা, তবোপ তবোপ্লবা] ভুজযুগলে [পাম্বোম অনিদা] মধুকরনিচয়ং [খোইমু মপৈগুম্লবা] মরকতবলয়ং [মরকত মণিগী খুজিবু] বিতরতি [পিবিরি, শিবিরি] ॥২৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রতিগৃহজঘনেবিপুলাপঘনেমনসিজকনকাসনে।
মণিময়রসনংতোরণহসনংবিকিরতিকৃতবাসনে ॥২৬॥
চরণকিশলয়েকমলানিলয়েনখমণিগণপূজিতে।
বহিরপবরণংযাবকভরণংজনয়তিহৃদযোজিতে ॥২৭॥

অনুবাদ :—খুবাং অনিগী খুদোম্না থম্বাল মনাগুম্না ফজরবা, উলগী মতোৌগুম্না ঈংলবা, থদ্বৌ খুবোমগী ফজবা মওংবু ঙমজরবা পাম্বোম অনি অতুদা খোইমু মপৈগী মতোৌগুন্না মুরবা মরকত মণিগী খুজিবু শিবিরি ॥২৫॥

পদানুবাদ :—মনসিজকনকাসনে [কামদেবগী স্নানা শাবা সিংহাসনগী মশক ওইরবা], কৃতবাসনে [ফীশেৎলিবা] বিপুল[নিংথিজনা] অপঘনে [হকচাং থাগৎলবা, হকচাং থোল্লবা] রতিগৃহজঘনে [কামদেবগী শান্নফম য়ুমগী মশক ওইরবা খোইদৌ মথাদা] মণিময়রসনং [মণিনা শাবা খাং শরিকপু] তোরণহসনং [থোংগী মথক্তগী লৈপম্বেং য়ান্থরকপগুম্না] বিকিরতি [হাপ্পিরি, শিবিরি] ॥২৬॥

অনুবাদ :—কামদেবগী স্নানা শাবা সিংহাসনগুম্না ফজরবা, নিংথিজরবা ফীনা লৈতেংলবা, হকচাং থোইদোক্না থাগৎলবা (নুপীগী পুক্কী অমসুং খোইদৌ মথাগী উনশা অসি মহোশানা য়াম্না থাই) কামদেবগী শান্নবা য়ুমগী মশক ওইরবা, খোইদৌ মথাদা মণিনা শাবা খাংশরীক্না সিংহদ্বারদা লৈপরেংনা থেৎচিন্দুনা ফজদগুম্না লৈতেংবিদুনা শিবিরি ॥২৬॥

পদানুবাদ :—কমলা নিলয়ে [লক্ষ্মীগী য়ুম ওইরবা] নখমনিগণ পুজিতে [খুজিলশিংনা মণি ময়াম ওইদুনা পুজা তৌরবা হায়বদি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রময়তিসুভৃশংকামপিসুদৃশংখলহলধরসোদরে।
কিমফলমবসংচিরমিহবিরসংবদসখিবিটপোদরে ॥২৮॥

লৈতেংলবা] হৃদিযোজিতে [থবাক্তা থাঙ্গৎলবা, থবাক্তা হাপকৎ-লবা] চরণকিশলয়ে [খোং য়েন্নীং অত্থদা] যাবকভরণং [চামহীনা তৈত্থনা] বহিঃ অপবরণং [মপালগী লৈতেংনবু] জনয়তি [ওইহল্লি, পোকহল্লি] ॥২৭॥

অনুবাদ :—লক্ষ্মীগী য়ুম ওইরবা, থুজিল ময়ামথনা মণিগী মশক ওইনা লৈতেংলবা, কৃষ্ণগী থবাক্তা থাঙ্গৎলবা, খোং য়েন্নীংগী খুনীং অত্থদা মপানগী লৈতেংগী মশক ওইনা চা মহি তৈবিহ্না লৈতেংবিরি ॥২৭॥

পদানুবাদ :—সখি [হে ইতা] খল [পুকচেল ফত্তরবা] হলধর [বলদেবগী] সোদরে কৃষ্ণে [মনাও কৃষ্ণনা]—খলহরধরসোদরেকৃষ্ণে [বলদেবগী মনাওনিপা ফত্তরবা কৃষ্ণসিনা] সুদৃশং [মিত্তা ফজরবী] কাংঅপি [কনাগুম্বী অমগা] সুভৃশং [হন্না হন্না] রময়তি [শান্নথ্রব-সিদা] অহং [ঐনা] ইহবিটপোদরে [উরীগী কুঞ্জ মনুংদা] অফলং [মহৈ চাদনা, কান্নবা লৈতনা] বিরসং [রানা:] চিরং [মতম কুইনা, অহিং চুপ্পা] কিং অবসম্ [লৈরসিগে] ত্বংবদ (নহাক্না হায়য়ু, লৈয়ু লৈগনু হায়বা নহাক্না হায়রো) ॥২৮॥

অনুবাদ :—হে ইতা পাউপুবী! বলদেবগী মনাওনিপা পুকচেল ফত্তরবা শ্রীকৃষ্ণসিনা, মিত্তা ফজরবী কনাগুম্বী কামিণীগা লোয়ননা হন্না হন্না শান্নথনা লৈথ্রবসিদা, কায়নবগী অরাবা পুরবী রাধা ঐসি-না মহৈ চাদনা রানা কুঞ্জ অসিগী মনুংদা অহিংচুপ্পা লেল্লসিগে, নহাক্না লৈয়ু লৈনু হায়বা তাকপিরো ॥২৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইহরসভণনেকৃতহরিগুণনেমধুরিপুপদসেবকে ।
কলিযুগচরিতংনবসতুদুরিতংকবিনৃপজয়দেবকে ॥২৯॥

শ্রীকৃষ্ণনা লাক্তবদা রাধানা পুক্নীং ৱাৱবী দূতিদা থেমজিন্দুনা হায়খি ।

নায়াতঃ সখিনির্দ্দয়ো যদি শঠস্ত্বং দূতি কিং দূয়সে
স্বচ্ছন্দংবহুবল্লভঃসরমতেকিংতত্রতেদূষণম্ ।
পশ্যাদ্যপ্রিয়সঙ্গমায়দয়িতস্যাকৃষ্যমাণংগুণৈ-
রুৎকণ্ঠার্ত্তিভরাদিবস্ফুটদিদংচেতঃস্বয়ংযাস্যতি ॥৩০॥

পদানুবাদ :—কৃত (তৌরবা) হরিগুণনে (হরিবু খনবা)—কৃত হরিগুণনে (হরিবু খল্লবা, হরিবু অকাউবা লৈতনা নীংলবা) মধুরিপুপদসেবকে (শ্রী কৃষ্ণগী মখোঃদা সেবা চংজরবা) কবিনৃপজয়দেবকে (কবিগী নিংথৌ জয়দেবনা) ইহরসভণনে (রস অসি লেংলবদা, রাধা কৃষ্ণনা শান্নবসি লেংলবদা) কলিযুগ চরিতং (কলিযুগ চরিতং (কলিযুগতা চৎনরবা নত্রগা কলিযুগ ওইবনা চৎনফম থোক্লবা) দুরিতং (পাপনা) ন বসতু (লৈত্রসনু, কোকলসনু) ॥২৯॥

অনুবাদ :—হরিবু অকাউবা লৈতনা নীংলবা, কৃষ্ণগী চরণদা সেবা তত্তনা তৌজরবা, কবি খিবিক্কী অথোইবা শ্রীজয়দেবনা রাধাকৃষ্ণ শান্নবগী লীলা লেংলবা মতমসিদা, মাসিনা শক্লিবা তারিবা মী পুন্নমক্কী কলিগী পাপ কোকহল্লসনু ॥২৯॥

পদানুবাদ :—হে সখি (হে ইতা) হে, দূতি (হে পাওপুবী) যদি নির্দ্দয়ঃ (থোজাল লৈত্রবা) শঠঃ (লৌনম তৌবনা) নায়াতঃ (লাকপিত্রবা) যদি তদা (মতম অসিদা) ত্বং (নহাক্না) কিং দূয়সে (করিগী ৱারিবা), বহুবল্লভঃ (চান্নবী নুপী য়াম্বনা) সঃ (মহাক্না) স্বচ্ছন্দং (মনীং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গীতং ।১৬।

দেশবরাড়ীরাগ রূপকতালাভ্যাং গীয়তে ।

অনিলতরলকুবলয়নয়নেন ।
তপতি ন সা কিশলয় শয়নেন ॥
সখি যারমিতা বনমালিনা ॥৩১॥ ধ্রুবম্ ॥

মথা তৌনা) রমতে (শান্নরিবনি) তত্র (মাহুদা) তে (নংগী) কিং দূষণম্ (করি নরাল্ লৈবগে), পশ্য (য়েংউ) দয়িতস্য (চান্নথোইবগী) গুণৈঃ (মগুণ থিবিক্লা) আকৃষ্যমানং (চিংশিনথ্রবা) উৎকণ্ঠার্ত্তিভরাৎ (উৎকণ্ঠানে, কায়নবগী মৈনে অনি অসিনা নম্থবদগী, খুমহৎখিবদগী) স্ফুটং ইব (হোগায়বগুম্লবা, থিনহৎপগুম্লবা) ইদং চেতঃ (পুক্নীংসিনা, থম্মোইসিনা) প্রিয়সঙ্গমায় [চান্নথোইবগা লোয়ননা শান্নবগীদমক] অত্র [ওসি, হৌজিক] স্বয়ং যাস্যতি [মশামক্লা চৎকদৌরিবসে] ॥৩০॥

অনুবাদ ঃ—হে ইতা দূতি ! থৌজাল লৈত্রবা, ঐঙোন্দা লাক্কনি হায়তুনা ঈঙ্গিত তৌরগা লাক্তুনা লৌনম্ তৌরবা কৃষ্ণতুনা লাকত্রবা মতম অসিদা নহাক্লা করিগী রারিবনো ? রাগন্থ । চান্নবী মুপী ময়াম লৈবনা অতোপ্পা মুপীশিংগা লোয়ননা শান্নতুনা লৈবননি মাহুদা নংগী করি নরাল লৈবগে ? য়েংউ, ইবুংঙো মহাক্কী মগুণশিংতুনা ফাতুনা চিংশিনথ্রবা, উৎকণ্ঠা অমম্বুং কায়নবগী মৈনঃ চাকপদগী অকায়বগুম ওইরবা ঐগী থম্মোইসিনা ওসি মাগী মনাক তান্না চৎকদৌরিবসে ॥৩০॥

পদানুবাদ :—সখি [হে ইতা] যা [মহাক্] অনিল [নুংশিৎনা] তরল [হাইহুমহল্লবা] কুবলয় [থম্বাল অশংবগুম্বা] নয়নেন [মীৎ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিকসিত সরসিজ ললিতমুখেন।
স্ফুটতি ন সা মনসিজ বিশিখেন ॥৩২॥ সখিয়া ......
অমৃত মধুর মৃদুতর বচনেন।
জ্বলতি ন সা মলয়জ পবনেন ॥৩৩॥

পাল্লবা] বনমালিনা [শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা] রমিতা [শান্নখ্রবী: সা [মহাকপু] কিশলয় শয়নেন [উনা অনৌবনা শেম্বা শয্যানা] ন তপতি [চাকপা লৈত্রে] ॥৩১॥

অনুবাদ :—হে সখি! কনাগুম্বী হুপীশিং অহুনা হুংশিৎ শিৎপনা হায়হম্লবা থম্বাল অশংবগুম্বা মীৎ পাল্লবা (হুপী-ময়ামদা কোইরৈ লৈনা য়েংবনা তথক তথক্লবা) শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নখ্রবী, মহাকপু উনা য়েন্নীংগী শয্যানা অরাবা পীবা লৈত্রে ॥৩১॥

পদানুবাদ :—বিকসিত (শাৎকাইরবা) সরসিজ ললিত মুখেন (থম্বালগুম্না ফজরবা মায়থোং পানবীগা লোয়ননা) রমিত (শান্নখ্রবী) সা (মাবু) মনসিজ বিশিখেন (কামদেবগী তেম্না); ন স্ফুটতি (থিল্লরোই, অরাবা পিররোই) ॥৩২॥

অনুবাদ :— শাৎকায়রবা থম্বালগুম্নবা নিংথিজরবা মায়থোংনা মাগী ওইরবী শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নবা ফংজখ্রবী হুপী অহুগীদি কামদেবগী তেম্না থিন্দুনা অরাবা ফংবা লৈত্রে ॥৩২॥

পদানুবাদ :—অমৃত মধুর (অমৃতগুম্না নিংথিজরবা) মৃদুতরবচনেন (থোৎলবা রাঙাংনা মাগী ওইরবগা লোয়ননা) রমিতা (শান্নখ্রবী) সা (মহাকপু) মলয়জপবনেন (মলয়পর্ব্বতকী হুংশিৎনা) ন জ্বলতি (চাকপা লৈত্রে) ॥৩৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্থল জলরুহ রুচি কর চরণেন
দহতি ন সা হিমকর কিরণেন ॥৩৪॥
সজল জলদ সমুদয় রুচিরেণ।
দলতি ন সা হৃদি বিরহভরেণ ॥৩৫॥

অনুবাদ ঃ—অমৃতগুম্না হুংশিরবা থোৎলবা রাহৈ রাতা ঙাংলবা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নব্রবী হুপীতুব্রু মলয়পর্ব্বতকী মনম হুংশিরবা হুংশিৎনা চাকথেকপা লৈত্রে ॥৩৩॥

পদানুবাদ ঃ—স্থলজলরুহ (লৈকং থম্বালগুম্না) রুচি (নিংথিজরবা) কর (থুৎ) চরণেন (খোংনা মাগী ওইরবগা লোয়ননা) রমিতা (শান্নব্রবী) সা (মাবু) হিমকর (থাগী) কিরণেন (থাবন্না, মঙান্না) ন দহতি (চাকপা লৈত্রে) ॥৩৪॥

অনুবাদ ঃ—লৈকং থম্বালগুম্না নিংথিজরবা খোং খুৎনা মাগী ওইরবা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নব্রবী হুপী অতুগীদি ঈংলবা থাগী থাবন্না চাকপা লৈত্রে ॥৩৪॥

পদানুবাদ ঃ—সজল (মংলবা, ঈশিংগা লোয়নরবা) জলদ সমুদয় (নোংতুন মপৈগুম্না) রুচিরেন [ফজবগা লোয়ননা] রমিতা [শান্নব্রবী] সা [মহাকপু] চিরবিরহেন [মতম কুইনা কায়নবনা] হৃদি [থম্মোইদা] ন দলতি [হোগায়বা লৈত্রে] ॥৩৫॥

অনুবাদ ঃ—অতিয়াদা মংলিবা নোংতুম মপৈগা মান্নবা মুরৈননা ফজরবা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নজরবী হুপীতুনা মতম কুইনা কায়নহুনা লৈবগী অন্নাবা মৈচাক অতুনা থম্মোইদা হোগায়বা লৈত্রে ॥৩৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কনক নিকষ রুচি শুচি বসনেন।
শ্বসিতি ন সা পরিজন হসনেন ॥৩৬॥
সকলভুবন জন বর তরুণেন।
বহতি ন সা রুজমতি করুণেন ॥৩৭॥
শ্রীজয়দেব ভণিত বচনেন।
প্রবিশতু হরিরপি হৃদয়মণেন ॥৩৮॥

পদানুবাদ :—কনক নিকষ রুচি [সনা তক্পবা নিকষ কোবা ন্নংদা সনাগী লৈইনা ফজবগুম্না] শুচি [নিংথিজরবা] বসনেন [ফী শেৎপগা লোয়ননা] রমিতা [শান্নগ্রবী] সা [মহাক্না] পরিজন হসনেন [ইমুং মন্নুংগী মীনা নোক্নবদা] ন শ্বসিতি [ন্নুংশাস্বরমপী হোন্দ্রে] ॥৩৬॥

অনুবাদ :—সনা তক্কুনা চাং য়েংনবা নিকষ কোবা ন্নংদা সনাগী লৈইনা ফজবগুম্না ফজরবা সনা ফীগেৎ ফৈজোম শেৎলবা কৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নগ্রবী ন্নুপীদুনা ইমুং মন্নুংগী মীনা নোক্নবদা ন্নুংশাস্বর মপী হোনবা লৈত্রে ॥৩৬॥

পদানুবাদ :—সকলভুবনজন [তাইবংপানবদা লৈরিবা পাথং পুন্ন-মক্তগী] বর তরুণেন [অথোইবা পাথং ওইবগা লোয়ননা] রমিতা সা [মহাক্না] অতি করুণেন [থোইদোক্না অন্নাবা ফংহনা] রুজং [লাইথুং, পুক্নীং নাবা] ন বহতি [পুদ্রে, ফংদ্রে] ॥৩৭॥

অনুবাদ :—তাইবংপানবদা লৈরিবা পাথং পুন্নমক্তগী থোইদোক হেন্দোক্না ফজরবা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নজরবী ন্নুপীশিং অহুদি মশাদা থম্মোই রাবদগী পোকথিবা লাইথুং পুদ্রে ॥৩৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অরাবা পীরিবা হুংশিৎপু নোম্লুক্না হায়ভরি ॥

মনোভবানন্দন চন্দনানিল
প্রসীদরে দক্ষিণ মুঞ্চ বামতাম্।
ক্ষণংজগৎপ্রাণ বিধায় মাধবং
পুরো মম প্রাণহরো ভবিষ্যসি ॥৩৯॥

পদানুবাদ ঃ—অনেন [মাসিনা] শ্রীজয়দেব ভণিত বচনেন [শ্রীজয় দেবকবিগী ৱাহৈশিং]=অনেন শ্রীজয়দেবভণিত বচনেন [শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা ঈশৈ অসিনা] হরিঃ অপি [হরিনসু] ভক্তানাম্ [ভক্তশিংগী, তারিবা পাঠ তৌরিবা মীশিঙ্গি] হৃদয়ং [থম্মোইদা] প্রবিশতু [চংবিরসনু] ॥৩৮॥

পদানুবাদ ঃ—হে মনোভবানন্দন চন্দনানিল [কামদেববু হুংঙাইবা পীনরবা হে মলয় হুংশিৎ] প্রসীদ [নংনা থৌজানবিউ] রে দক্ষিণ [হে মথা মাইকৈগী হুংশিৎ] বামতাং [ওইওইনববু] মুঞ্চ [থাদোকপিরো] রে জগৎপ্রাণ [হে জগৎকী থৱাই ওইরবঃ] ত্বং [নহাক্না] মাধবং [শ্রীকৃষ্ণবু] পুরঃ [মাংদা] ক্ষণংবিধায় [মিকুপ অমতং উনহনবিরগা] পশ্চাৎ [তুংদা, কোম্না] মম [ঐগী] প্রাণহরঃ ভবিষ্যসি [থৱাই হাৎপিউ, থৱাই মাংহনবিউ] ॥৩৯॥

অনুবাদ ঃ— হে কামদেবগী হুংঙাইবা পীরবা মলয় হুংশিৎ! নহাক্না থৌজানবিউ। হে মথা মাইকৈগী হুংশিৎ! ওইওইনবা থাদোকপিয়ু। হে জগৎকী থৱাই ওইরবা হুংশিৎ! নহাক্না হুংশিবিহুনা কৃষ্ণবু মাঙ্দা ঙাইহাক্তং উহনবিরগা কোম্না [তুংদা] ঐগী থৱাই হাৎপিয়ু। মরমদি শিরমদাইদা কৃষ্ণবু মীত্তা উহুনা শিবঙ্গি তাইবংপানবগী চৎনবিনি ॥৩৯॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রাধানা অমুক হন্না মতা সখীদা হায়খি।

রিপুরিব সখী সম্বাসোঽয়ং শিখীব হিমানিলো
বিষমিব সুধারশ্মির্যস্মিন্ দুনোতি মনোগতে।
হৃদয়মদয়ে তস্মিন্নেবং পুনর্ব্বলতে বলাৎ
কুবলয় দৃশাং বামঃ কামো নিকাম নিরঙ্কুশঃ ॥৪০॥

পদানুবাদ :—যস্মিন্ (মহাক্না) মনোগতে (পুক্নীংদা চংশিল্লক্লবদা) অয়ং সখী সম্বাসঃ (সখীগা লোয়ননা লৈবসে) রিপুঃ ইব (য়েক্লবগী মতৌগুম্না) হিমানিলঃ (অইংবা নুংশিৎনা) শিখী ইব (মৈগুম্না) সুধারশ্মিঃ (থাগী থাবন্না) বিষংইব (হুগুম্না ওইদুনা) দুনোতি (চাক্লে, রাহল্লে) এবং (অসুম্না তৌরবদা) তস্মিন্ অদয়ে (নুংশি খংদ্রবা অদুদা) হৃদয়ং (থম্মোই অসিনা) পুনঃ (অমুক হন্না) বলাৎ (মপাঙ্গল-না নমথেক্তুনা) বলতে (কন্না চংশিনখ্রে, চোংশিনখ্রে) যত (মরম অদুদগী) কুবলয় দৃশাং (থম্বাল মীত্তা তাবীশিংগী) কামঃ (অপাম্বা পোকপা হায়রসিনা হায়বদি নিপাগী মফমদা পামশিনমনবা হায়বা অসিনা) নিকাম (থোইদোক্না) নিরঙ্কুশঃ (মনীং মখা তৌথ্রদুনা) বামঃ (ওই ওইনখ্রে) ॥৪০॥

অনুবাদ :—হে ইতা ! ঐগী পুক্নীংসিনা ইবুংঙো মহাকপু খল্লুর-বদি সখীশিংগা লোয়ননা লৈবসি য়েক্লবনি হায়না খল্লে, অদুগা অইংবা নুংশিৎ শিংলিবসি মৈগী মৈরিনী হায়না নিংলে, ইংলবা থাগী থাবনসিনা ইংবা লৈত্রে কয়ামরুম চাক্লে, অসুম্না ওইরবসিমক্ত-দা ঐবু নুংশিবিদ্রবা ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণদুদা ঐগী থম্মোই অসিনা থাম্বা য়াদদুনা হন্না হম্না কন্নমক চোংশিনখ্রে। নুপী ওইবী ঐথোয়গী

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অমুকস্মু হন্না হিংনিংদ্রহ্নুনা মলয় নুংশিৎনচিংবদা হায়জরি।

বাধাং বিধেহি মলয়ানিল পঞ্চবাণ
প্রাণান্ গৃহাণ ন গৃহং পুণরাশ্রয়িষ্যে।
কিন্তে কৃতান্ত ভগিনি ক্ষময়া তরঙ্গৈ-
রঙ্গানি সিঞ্চ মমশাম্যতু দেহদাহঃ ॥৪১॥

নিপাদা পামশিনমনবা হায়বা অসিদি ওন্থোক্লা মনীং মথা তৌথ্রবা ওইওইনবা (ফত্তনবা শিনবা) হায়বত্থু ওইখ্রে ॥৪০॥

পদানুবাদ ঃ—হে মলয়ানিল (হে মলয় নুংশিৎ) বাধাং (অনাবা, অয়াবা) বিধেহি (পিবিরো), হে পঞ্চবাণ (হে কামদেব) প্রাণান্ (থয়াইশিংসি) গৃহাণ (লৌবিরো, হাৎপিরো) পুণঃ (অমুক হন্না) অহং (ঐহাক) গৃহং (য়ুমদা) ন আশ্রয়িষ্যে (হঞ্জিল্লরোই) হে কৃতান্ত-ভগিনি (হে যম নিংথৌগী মচন নুপী যমুনা কৌবী তুরেল) ক্ষময়া কিং (কনবিহ্নুনা নত্রগা হিংহনবিহ্নুনা করি কান্নগদগে) তে তরঙ্গৈঃ (নহাক্কী ইথক থিবিক্লা) অঙ্গানি (হকচাং পুন্নমক্তা) সিঞ্চ (থুমবিরো) মম (ঐগী) দেহদাহঃ (হকচাং চাকপসি) শাম্যতু (কোক্লসন্থু) ॥৪১॥

অনুবাদ ঃ—হে মলয় নুংশিৎ নামিবা! ঐবু নাহনবিরো, হে কামদেব কৌবা লাই! ঐগী থয়াই মঙা হাৎপিরো, ঐ অমুক হন্না য়ুমদা হঞ্জিল্লরোই, হে যম! নিংথৌগী মচল নুপী যমুনা কৌবী তুরেল! নহাক্লা রাধা ঐবু হিংহন্দুনা করি কান্নগদগে? ঐ হিংবা পামদ্রে, নহাক্কী অকনবা ইচেল অত্থদা তাউথহ্নুনা শিজরগে, অত্থুন্না তৌরবতদা ঐগী থন্থুংদা চাক্লিবা মৈচাক অসি কোক্কনি ॥৪১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সর্গঃ লোইবা অসিদা জগৎকী মঙ্গল পীনবা কবিনা হায়রি ।

প্রাতর্নীলনিচোলমচ্যুতমুরঃ সম্বীতপীতাংশুকং
রাধায়াশ্চকিতংবিলোক্যহসতি স্বৈরংসখীমণ্ডলে ।
ব্রীড়াচঞ্চলমঞ্চলংনয়নয়োরাধায় রাধাননে
স্মেরস্মেরমুখোঽয়মস্তুজগদানন্দায়নন্দাত্মজঃ ॥৪২॥

পদানুবাদ :—প্রাতঃ (অয়ুক ঙন্তাদা) নীলনিচোলং (ফী অশংবা শেৎলবা) অচ্যুতং (শ্রীকৃষ্ণবু) অনু(অত্থগী তুংদা) রাধায়াঃ (শ্রীরাধাগী) সম্বীত (ইল্লবা, কুপ্লবা) পীতাংশুকং (সনা ফীগেৎ নাপুবু)—সম্বীত পীতাংশুকং (সনা ফীগেৎ নাপু কুপ্লবা) উরং (থবাকপু) বিলোক্য উরত্তনা) সখীমণ্ডলে (সখী ময়াম্না) চকিতং (ইঙক ঙল্লা) স্বৈরং (মনীং তৌনা, খাঙ্গা য়াওদনা) হসতি (নোক্লক্লবদ) নয়নয়োঃ (মীৎ অনিগী) ব্রীড়াচঞ্চলং (ইকাইবনা ইথক্ থক্লবা) অঞ্চলং (মীৎচিনা) রাধাননে [শ্রীরাধাগী মায়থোংদা] আধায় [থম্লত্তুনা, য়েংলত্তুনা] স্মের স্মেরমুখঃ [মায়থোং মোমোন মোমোন নোক্লবা] অয়ং নন্দাত্মজঃ [নন্দ নিংথৌগী মচানিপা শ্রীকৃষ্ণনা] জগৎ আনন্দায় অস্তু [জগৎ নুংঙাইনবা শিনবিরসনু] ॥৪২॥

অনুবাদ :—অহিং মমৈ নোংঙাল্লকপা য়াহৌরকপদা খংহৌদত্তুনা শ্রীমতি রাধিকাগী অশংবা ফীন শ্রীকৃষ্ণনা থোনবা, শ্রীকৃষ্ণগী সনা ফীগেৎ নাপুনা শ্রীরাধিকাগী হকচাংদা ইম্নফী ওইনা ইল্লকপত্থ উবদা সখী ময়াম্না ইঙক ঙকখ্রত্তনা মহৈ মহৈ ওনশিন্দুনা য়ান্না নোক্লক্লে। মাত্থ উবদা শ্রীকৃষ্ণনা ইকাইখ্রত্তুনা মোমোন নোক্লবা মীৎ অনিগী মীৎচিনা শ্রীরাধিকাগী মায়থোং থম্বালদা ওনশিন্দুনা য়েংখ্রবা নন্দ নিংথৌগী মচানিপা শ্রীকৃষ্ণনা জগৎকী মঙ্গল পীনরসনু ॥৪২॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে বিপ্রলব্ধাবর্ণনে নাগর নারায়ণো নামক সপ্তমঃ সর্গঃ ।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অষ্টমঃ সর্গঃ

হৌজিক অসিদা শ্রীরাধিকানা কৃষ্ণবু নোংঙাল্লকপদা লাকপা উরবুনা খন্বনবা ৱাহৈ হায়থি।

অথ কথমপি যামিনীং বিনীয়
স্মর শর জর্জ্জরিতাপি সা প্রভাতে।
অনুনয় রিনয়ং বদন্তমগ্রে
প্রণতমপি প্রিয়মাহ সাভ্যসূয়ম্ ॥১॥

পদানুবাদ ঃ—অথ [অতুগী তুংদা] কথম্ অপি [করম্বা মতৌ অমা তৌতুনা, য়াম্না ৱানা] যামিনীং বিনীয় [অহিং লেল্লক্তু-না] প্রভাতে [নোংঙাল্লরুবদা] সা [মহাক্না, ৱাধানা] স্মরশর-জর্জ্জরিতাপি [কামগী তেম্না থাহুনসু] অগ্রে [মমাংদা] অনুনয় বিনয়ং [থেমজিন্দুনা নোল্লুক্না] বদন্তং [হায়জররবা] প্রণতং অপি [খুরুমজররবা] প্রিয়ং চাম্নথোইবদা, কৃষ্ণদা] সাভ্যসূয়ং [খন্বনবগা লোয়ননা] আহ [হায়খি]॥১॥

অনুবাদ ঃ—অতুগী তুংদা করম্বা মতৌ তৌতুনা শ্রীমতি রাধি-কানা অহিং অহু ৱানা লেল্লে। নোংঙাল্লমদাইদা শ্রীকৃষ্ণনা লাক্লহুনা ঐনা লাল্লে হায়ৎনা মমাংদা নোল্লক্না হায়রগা খুরুম্ব-নচিংবা হৌরক্লে। মতম অহুদা শ্রীরাধানা কামগী তেম্না থাহু-নসু খন্বনবগা লোয়ননা চাম্নথোইরবা কৃষ্ণদা অসুম্না হায়খি ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

খম্বনবা রাহৈশিংহ ইশৈনা হায়রক্লি।

গীতং ॥১৭॥

রজনিজনিতগুরুজাগররাগকষায়িতমলসনিমেষং।
বহতিনয়নমনুরাগমিবস্ফুটমুদিতরসাভিনিবেশম্ ॥
হরিহরিযাহিমাধবযাহিকেশবমাবদকৈতববাদং।
তামনুসরসরসীরুহলোচনযাতবহরতিবিষাদম্ ॥২॥ ধ্রুবম্ ॥

পদানুবাদ ঃ— রজনি [অহিংদা] জনিত [থোকখিহুন] গুরুজাগর রাগ [কুইনা তুমদহুনা ভাং ভানবা মচুনা] কষায়িতং [চূশিল্লবা, পক্লবা নত্রগা ভাংশিল্লবা] অলস [তপ্লবা] নিমেষং [মীৎকুপ্পব]— অলসনিমেষং [কুপ্পাতল্লবা, তপ্পা তপ্পা কুপ্লবা] নয়নং [মীৎ অসিনা] উদিত [ফোংদোক্লবা] রসাভিনিবেশং [রতিক্রীড়া শান্নরুবদা পুক্নীং চংবব]— উদিতরসাভিনিবেশং [পুক্নীং চংনা রতিক্রীড়া শান্নরুই হায়বা ফোংদোক্লবা] অনুরাগম্ ইব [প্রেমগী মতোব] স্ফুটম্ [তশেং তশেংনা] বহতি [পুরি], হরি হরি [অরাবনি অরাবনি] হে মাধব [হে মাধব] যাহি [চৎলো] হে কেশব [হে কেশব] যাহি [চৎলো], কৈতববাদং [তাৎতোবা ৱাব] মা বদ [হায়গনু] হে সরসীজরুহলোচন [হে থম্বাল মীত্তা তারবা কৃষ্ণ] যা [মহাক্না, নায়িকা অদুনা] তব [নহাক্কী] বিষাদং হরতি [অৱারা কোকহনখিবা] তাং [অদুগী] অনুসর [মতুং ইন্দুনা চৎলো] ॥২॥

অনুবাদ ঃ— অহিংচুপ্পা তুমদহুনা থোকখিবা, ভাং ভানবা মচুনা মীত্তা পক্লবা, তোয়না কুপ্পা তল্লবা ইবুংঙো নংগী মীৎসিনা কনাগুম্বী নায়িকাগা লোয়ননা রতিক্রীড়া হুংভাইনা শান্নরুবগী প্রেমদু তশেংনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৃষ্ণনা অহিং চুপ্পা রাধা নংবু থিবদা তুমদহুনা মীৎ ঙাংলিবনি হায়রক্কনি খন্দুনা রাধানা অমুক হায়রক্লি।

কজ্জল মলিন বিলোচনচুম্বনবিরচিতনীলিমরূপং।
দশনবসনমরুণং তবকৃষ্ণতনোতিতনোরনুরূপম্ ॥৩॥

অমুকসু—

বপুরনুবহতিতবস্মরসঙ্গরখরনখরক্ষতরেখং।
মরকতশকলকলিতকলধৌতলিপেরিবরতিজয়লেখম্ ॥৪॥

ফোংদোক্লে, অরাবনিদা !! হে মাধব ! হল্লো, হে কেশব ! চৎল্লো, লৌনম তৌবা রাহু হায়বিররগনু, হে থম্বাল মীত্তা তারবা কৃষ্ণ ! নহাক্কী অরাবা কোকহনখিবী কনাগুম্বী নায়িকাতুগী মতুং ইন্দুনা চৎপিখ্রো ॥২॥

পদানুবাদ :—হে কৃষ্ণ [হে কৃষ্ণ] তব [নহাক্কী] অরুণং [ঙাং ঙান-রবা] দশনরসনং [চিম্বাল অসি·1] কজ্জল মলিন [কাজল তৈবনা মুশিল্লবা, মকশিল্লবা] বিলোচন চুম্বন [মীত্তা চুম্বন তৌহনা] বিরচিত [ওইরক্লহুনা] নীলিমরূপং [শংবাম্নব মচুবু]=বিরচিত নীলিমরূপং [শংবাম্নবা মচু ওইরক্লহুনা] তনোঃ [হকচাংগী] অনুরূপং [মশক মতুং ইন্না মুববু] তনোতি [ফোংদোক্লে] ॥৩॥

অনুবাদ :—হে কৃষ্ণ ! ইবুংঙো নহাক্কী তাম্বুলনচিংবা হাবনা ঙাং-ঙানরবা চিম্বাল অসিনা কাজল [মীৎপান্দা তৈনবা অমুবা হিদাক] থারবী নায়িকাশিংগী নয়নদা চুম্বন তৌরুবনা শংবাম্নবা মচু ওইরক্লুনা হকচাংগী কুচুগা চপমান্নবা মুরৈনবা মচুবু ফোংদোক্লে ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৃষ্ণনা অমুকস্থু লম্বেল লম্মুক্লহ্না বনদা অমম্বদা কোয়না চৎপদা তিংখংনা হোগায়ন্নিবনি হায়রকনি হায়ত্থনা রাধানা অমুক হন্না হায়খি।

চরণকমলগলদলক্তক সিক্তমিদন্তব হৃদয় মুদারং।
দর্শয়তীব বহির্মদন দ্রুমনবকিশলয় পরিবারম্ ॥৫॥

পদানুবাদ :—তব [নহাক্কী] স্মরসঙ্গর [কাঃগী লানফমদা, সুরতক্রীড়াগী লানফমদা]খর [থৌরবা] নখরক্ষত [খুজিন্না খোৎপগী] রেখং [ময়ি তারবা] বপুঃ [হকচাং অসিনা, নশা অসিনা] মরকত-শকল [মরকত মণি মতুপ্তা] কলিত [ইরবা] কলধৌত [সনাগী] লিপেঃ ইব [ময়েক কুয়া]—কলিত কলধৌত লিপেরিব [সনাগী ময়েক্কা ইবগুম্লহ্না] রতিজয়লেখং [রতিক্রীড়াদা জয় ওইবা চিঠিবু, লাইরিকপু] অনুবহতি [পুরি] ॥৪॥

অনুবাদ :—ইবুংঙো নহাক্কী নায়িকাগা লোয়ননা রতিযুদ্ধ তৌরক-পদা থৌরবা খুজিন্না খোৎলকপদা ময়িতারবা হকচাং অহুনা মরকত মণি মতুপ্তা সনাগী মুক্কা লাইরিক ময়েক ইবগুম্লহ্না কামযুদ্ধদা জয় ওইরে হায়বা লাইরিক [চিঠি] পুরে ॥৪॥

পদানুবাদ :—তব [নহাক্কী] উদারং [নিংথিজরবা] চরণকমলগলৎ [খোং থম্বালদগী শিন্থরক্লব] অলক্তকসিক্তং [চানহী তৈরবা] ইদং হৃদয়ং [থবাক অসিনা] বহিঃ [মপান্দা] মদঃ দ্রুম [কামগী মশক ওই-রবা উপালগী] নব কিশলয় পরিবারম্ [উনা য়েন্নীং মপৈবু] দর্শয়তি ইব [উহনরগুম্লে] ॥৫॥

অনুবাদ :—ইবুংঙো নহাক্কী নায়িকাগী খোং থম্বালদগী শিন্থরক্লবা চানহী চুরবা [তৈরবা] নিংথিজরবা থবাক অসিনা মপান্দদি কাম-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কৃষ্ণনা অহিং চুপ্পা রাধা নংবু থিবদা তুমদহনা মীৎ ঙাংলিবনি হায়রক্কনি খন্দুনা রাধানা অমুক হায়রক্লি।

কজ্জল মলিন বিলোচনচুম্বনবিরচিতনীলিমরূপং।
দশনবসনমরুণং তব কৃষ্ণ তনোতি তনোরনুরূপম্ ॥৩॥

অমুকসু—

বপুরনুবহতি তব স্মরসঙ্গরখরনখরক্ষতরেখং।
মরকতশকলকলিতকলধৌতলিপেরিব রতিজয়লেখম্ ॥৪॥

ফোংদোক্লে, অন্নাবনিদা !! হে মাধব ! হল্লো, হে কেশব ! চৎলো, লৌনম তৌবা রাহু হায়বিররগনু, হে থম্বাল মীত্তা তারবা কৃষ্ণ ! নহাক্কী অরাবা কোকহনখিবী কনাগুম্বী নায়িকাতুগী মতুং ইন্দুনা চৎপিখ্রো ॥২॥

পদানুবাদ :—হে কৃষ্ণ [হে কৃষ্ণ] তব [নহাক্কী] অরুণং [ঙাং ঙান-রবা] দশনবসনং [চিম্বাল অসি-1] কজ্জল মলিন [কাজল তৈবনঃ মুশিল্লবা, মকশিল্লবা] বিলোচন চুম্বন [মীত্তা চুম্বন তৌত্তনা] বিরচিত [ওইরক্লহুনা] নীলিমরূপং [শংবান্নব মচুবু]=বিরচিত নীলিমরূপং [শংবান্নবা মচু ওইরক্লহুনা] তনোঃ [হকচাংগী] অনুরূপং [মশক মতুং ইন্না মুববু] তনোতি [ফোংদোক্লে] ॥৩॥

অনুবাদ :—হে কৃষ্ণ ! ইবুংঙো নহাক্কী তাম্বুলনচিংবা হাবনঃ ঙাং-ঙানরবা চিম্বাল অসিনা কাজল [মীৎপান্দা তৈননবা অমুবা হিদাক] থারবী নায়িকাশিংগী নয়নদা চুম্বন তৌরুবনা শংবান্নবা মচু ওইরক্লুনা হকচাংগী কুচুগা চপমান্ননা মুরৈনবা মচুবু ফোংদোক্লে ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কুঞ্জনা অমুকসু লম্বেন্স লম্মুকুহনা বনদা অমম্বদা কোয়না চৎপদা তিংখংনা হোগায়রিবনি হায়রকনি হায়হনা রাধানা অমুক হন্না হায়থি।

চরণকমলগলদলক্তক সিক্তমিদন্তব হৃদয় মুদারং।
দর্শয়তীব বহির্মদন দ্রুমনবকিশলয় পরিবারম্ ॥৫॥

পদানুবাদ :—তব [নহাক্কী] স্মরসঙ্গর [কামগী লানফমদা, সুরতক্রীড়াগী লানফমদা]খর [থৌরবা] নখরক্ষত [খুজিন্না খোৎপগী] রেখং [ময়ি তারবা] বপুঃ [হকচাং অসিনা, নশা অসিনা] মরকত-শকল [মরকত মণি মতুপ্তা] কলিত [ইরবা] কলধৌত [সনাগী] লিপেঃ ইব [ময়েক কুয়া]—কলিত কলধৌত লিপেরিব [সনাগী ময়েক্কা ইবগুম্নহনা] রতিজয়লেখং [রতিক্রীড়াদা জয় ওইবা চিঠিবু, লাইরিকপু] অনুবহতি [পুরি] ॥৪॥

অনুবাদ :—ইবুংঙো নহাক্কী নায়িকাগা লোয়ননা রতিযুদ্ধ তৌরক-পদা থৌরবা খুজিন্না খোৎলকপদা ময়িতারবা হকচাং অহনা মরকত মণি মতুপ্তা সনাগী মুক্কা লাইরিক ময়েক ইবগুম্নহনা কামযুদ্ধদা জয় ওইরে হায়বা লাইরিক [চিঠি] পুরে ॥৪॥

পদানুবাদ :—তব [নহাক্কী] উদারং [নিংথিজরবা] চরণকমলগলৎ [খোং থম্বালদগী শিন্থরক্লব] অলক্তকসিক্তং [চামহী তৈরবা] ইদং হৃদয়ং [থবাক অসিনা] বহিঃ [মপান্দা] মদঃ দ্রুম [কামগী মশক ওই-রবা উপালগী] নব কিশলয় পরিবারম্ [উনা য়েন্নীং মপৈবু] দর্শয়তি ইব [উহনরগুম্লে] ॥৫॥

অনুবাদ :—ইবুংঙো নহাক্কী নায়িকাগী খোং থম্বালদগী শিন্থরক্লবা চামহী চুরবা [তৈরবা] নিংথিজরবা থবাক অসিনা মপান্দদি কাম–

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

:—নংগা ঐগা ইশা অমত্তা ওইবদগী নংগীদমক রাবনা লায়না অস্লি ফং-লিবনি, নং ঐ তোঙানবা হকচাং ওইরবদি লাইথুং অসি ফংলোইদবনি হায়না কৃষ্ণনা খুন্নকনি নিংহুনা রাধানা হায়রক্লি।

দশনপদং ভবদধরগতং মমজনয়তি চেতসি খেদং।
কথয়তি কথমধুনাপিময়াসহ তবরপুরেতদভেদম্ ॥৬॥

নংঙোন্দা গ্রীনবা থম্বাল হেক্কে চংবদা খোইমু তোংলমহুনা চিকপনি হায়রকনি নীংহুনা রাধানা হায়থি।

বহিরিবমলিনতরং কৃষ্ণমনোঽপিভরিষ্যতি নূনং।
কথমথবঞ্চয়সেজনমনুগতমসমশরজ্বরদূনম্ ॥৭॥

দেব কৌবা উপালদা অনৌবা উনা য়েন্নীং মপৈ চোংহুনা লৈভেংব-গুম উহল্লে ॥৫॥

পদানুবাদ :—তব (নহাক্কী) অধরগতং (খজাইদ. তারিবা) দশন-পদং (য়াথুন অসিন.) মমচেতসি (ঐগী পুক্নীংদা) খেদং (দুংঙাইতবব) জনয়তি (পোকহল্লে) অধুনাপি (হৌজিক ফাওরদা) তবএতৎ বপুঃ (নহাক্কী হকচাং অসিনা) ময়া সহ (ঐগা লোয়নন্না) অভেদং (তোং-ঙান্দে হায়বসি) কথম্ (করম্না) কথয়তি (হায়রিবনো) ॥৬॥

অনুবাদ :—হে ইবুংঙো ! নহাক্কী খজাইদা তারিবা, নায়িকাগী য়াথুল অসি উবদা ঐগী পুক্নীংদা সুংঙাইবা লৈতল্লে, অরাবহুম পোকহল্লে, হৌজিক ফাওবদা ইবুংঙো নহাক্কী হকচাং অসিনা রাধা ঐগী হকচাংগা তোংঙান্দে হায়রিবসি করম্না হায়রিবনো ॥৬॥

পদানুবাদ :—হে কৃষ্ণ ! (হে কৃষ্ণ) তবমনঃ অপি (নহাক্কী পুক্নীং-সিসু) বহিঃ ইব (মপানগুম্না, মপানগী কুচু মুবগুম্না) মলিনতরং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভ্রমতিভবানবলা কবলায় বনেষু কিমত্র বিচিত্রং।
প্রথয়তি পূতনিকৈব বধূবধনির্দ্দয়বাল চরিত্রম্ ॥৮॥

ভবিষ্যতি [থোইদোক্লা মোৎকনি) ইতি নূনম্ [অসুম্না থল্লে, নিংলে] অথ [অহু নত্রবদি] অসমশরজ্বর দূনম্ [কামগী তেন্না থিন্দুনা নাবনা চাক্লবা] অনুগতজনং [ননাই ওইরবা মীদা] কথম্ বঞ্চয়সে [করম্না নমথাক তৌগদগে] ॥৭॥

অনুবাদ:—হে ইবুংঙো কৃষ্ণ! নহাক্কী পুক্নীংসিদু মপানগী কুচুনা মুবগুম্না মোৎকনি [পুকচেল শেংলোই] হায়না নিংই, পুকচেল শেং-লবদি কামগী তেন্না থিন্দুনা নাবনা চাক্লবা মীগী মফমদা করম হায়না নমথাক তৌগদগে? ॥৭॥

পদানুবাদ:—ভবান্ [নহাকসিনা] অবলা কবলায় [নুপী হাৎনন-বগীদমক নত্রগা য়োৎননবগীদমক] বনেষু [বন থুদিংমক্তা] ভ্রমতি [কোয়রিবনি] অত্র [মরম অসিদা] কিং বিচিত্রং [করি ঙকফম লৈ-বগে হায়বদি ঐ করিস্তু ঙকপা লৈতে] যতঃ (মরমদি) পূতনিকা এব (পূতনিকা কৌবী হিংচাবী মক্লা হায়বদি পুতনা কৌবী বকা-সুরগী মচনুপী হাৎলুহুনা) বধূবধনির্দ্দয় (নুপী হাৎপদা নুংশিথংদবা) বাল চরিত্রং [অঙাংগী লমচৎপু] প্রথয়তি [ফোংদোকখ্রে, ফাওখ্রে] ॥৮॥

অনুবাদ:—ইবুংঙো নহাক্লা নুপীশিংবু হাৎকে হায়বগীদমক বন থুদিংমক্তা কোয়না চৎলিবনি। মরম অসিদা ঐ করিস্তু চিংনবা লৈতে, শোয়দনা হাৎলিগনি। মাহুগী প্রমাণদি থায়না মমাংদৈদা ইবুংঙো নহাক্লা খোম থকপা হৈরকপা মতমদা পুতনা কৌবী হিংচা-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিত রতিবঞ্চিত খণ্ডিত যুবতিবিলাপং ।
শৃনুত সুধামধুরং বিবুধা বিবুধালয়তোঽপিদুরাপম্ ॥৯॥
তবেদং পশ্যন্ত্যাঃ প্রসরদনুরাগং বহিরিব
প্রিয়া পাদালক্তচ্ছুরিত মরুণদ্যোতি হৃদয়ং ।
মমাদ্য প্রখ্যাত প্রণয়ভর ভঙ্গেন কিতব
ত্বদালোকঃ শোকাদপি কিমপি লজ্জাং জনয়তি ॥১০॥

বীগী মথরাই মগু! খোমগা লোয়ননা থকচিন্দুনা হাৎথি হায়ত্তুনা খাইনা হায়নৈ ॥৮॥

পদানুবাদ :—হে বিবুধাঃ [হে পণ্ডিতশা] সুধা মধুরং [অমৃত হেন্না থন্নবা] বিবুধ আলয়তঃ অপি [লাইগী ময়ুমদস্নু, স্বর্গদস্নু] দুরাপং [য়ানা ফংনরবা, ফংঙমদ্রব] শ্রীজয়দেব ভণিত [জয়দেব কবিনা লেংলবা] রতি বঞ্চিত [সুরতক্রীড়া নাম্বোক্তনা, ফংদত্তুনা] খণ্ডিত [কল্লরুবী, খুম্বল্লবী] যুবতি বিলাপং [নায়িকানা কপ্পসিবু, শ্রীরাধানা কপ্পসিবু] শৃনুত [তাবিউ] ॥৯॥

অনুবাদ :—হে পণ্ডিতশা ! নংখোয়না অমৃত হেন্না থুন্নবা, স্বর্গদস্নু লাইমক্কা ফংঙমদ্রবা, শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা, শ্রীরাধানা কৃষ্ণগা লোয়ননা রতিক্রীড়া ফংদত্তুনা নায়িকা অতৈগা লোয়ননা শান্নরুরগী খুদম [চিহ্ন] উত্তুনা খম্বন্দুনা তেংথাঙনা কপ্পসিবু তাবিউ ॥৯॥

পদানুবাদ :—হে কিতব [হে লৌনম হৈবা] তব [নহাক্কী] বহিঃ প্রসরৎ [মপান্দা হাইদোক্লব, চংথোরক্লবা] অনুরাগং ইব [প্রেম-গুম্না] প্রিয়া [চান্নবীগী] পাদঅলক্ত ছুরিতং (খোংদা তৈরবা যাবক্কা লৈতেংলবা) ইদং (মাসি) অরুনদ্যোতি (ভাং ঙাননা ফজরবা) হৃদয়ং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জয়দেব কবিনা ভঙ্কুশিংগী মফমদা মঙ্গল পীহল্লি।

অন্তর্মোহন মৌলিঘূর্ণন চলন্মন্দারবিস্রংসন
স্তব্ধাকর্ষণ দৃষ্টিহর্ষণ মহামন্ত্রঃ কুরঙ্গীদৃশাম্।

(থবাকপু)—ইদং অরুণজ্যোতি হৃদয়ং (ঙাং ঙাননা ফজরবা থবাক অসিবু) পশ্যন্ত্যাঃ (উরবী) মম (ঐগী ইফমদা) অদ্য (ঙসি) ত্বং আলোকঃ (নহাক্কা উন্নবসিনা) প্রখ্যাত (ফাওরবা, খাইনা থংনরবা) প্রণয় ভর (প্রেমগী অথোইবা মতৌ) ভঙ্গেণ (কাইথিবগা লোয়ননা) শোকাৎ অপি (অন্নাবদগীসু) কিং অপি (করম্ব হায়ফম থংদ্রবা) লজ্জাং জনয়তি (ইকাইবা পোকহল্লে)॥১০॥

অনুবাদ :—হে লৌনম চাউবা ইবুংঙো! নহাক্কী মপান্দা প্রেম ফোংদোরকপগী মতৌগুম্না চান্নথোইবী নায়িকাশিংগী থোংদা তৈ-রকপা যাবক মহীনা লৈতেংলবা ঙাং ঙাননা ফজরবা থবাক অসিবু উরে হায়রগা ঙসি রাধা ঐগী ঈফমদা মমাংঙৈদগী হোৌনা খাইনা থংনরবা অফাওবা প্রেমগী মতৌ লৈরম্বদু কায়থিবগা লোয়ননা অরাংদগী হেল্লবা করম্বা হায়ফম থংদ্রবা ইকাইবা অমতুম পোক্লক্লে হায়বদি রাধা কৃষ্ণ অনিসি ওন্থোক্লা নুংশিনৈ হায়তুনা খাইনা থংনরিরনি, অতুবু ইবুংঙো নহাক্কী থবাক অসি উবদা ঐঙোন্দা প্রেম লৈতে হায়বা তাক্লে, ঐঙোন্দা নুংশিবিদবনে, কায়নবগী মৈচাকনে, ঐবু শিরসিরা থনবনে অহুম অসিনা থোইদোক্লা রারে, অতুগী মথক্তা নায়িকাশিংনদি রাধা হায়বী নুপী অসি মীপাওথোক্লী, নিপা-না পাম্বিদবিনী (কুলটা) হায়তুনা ঙাংনবা তারে থল্লবদা অন্নাবদগী ইকাইবনা ওন্থোক্লা হেনগ্রে ॥১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দৃপ্যদ্দানবদূয়মানদিবিষদ্দুর্ব্বার দুঃখাপদাং
ভ্রংশঃকংসরিপোর্ব্ব্যপোহয়তুবোহশ্রেয়াংসিবংশীরবঃ ॥১১॥

পদানুবাদ ঃ—কুরঙ্গীদৃশাং (শজিমীত্তা তাবীশিংগী, ব্রজকামিণী-শিংগী) অন্তর্মোহন (থম্মোই শুম্বাৎনবদ) মৌলিঘূর্ণন (কোক হাইদু-না মুংশি হায়বা ফোংদোকপদা) চলন্মন্দার বিস্রংসন (হাইছুন্নবা শমজীরৈ তাহন্নবদা) স্তব্ধাকর্ষণ (লেংদনা লৈবৰু চিংশিন্নবদা) দৃষ্টিহর্ষণ (উবদা হরাওহনবগী মরিদা) মহামন্ত্রঃ (অথোইবা মন্ত্রগী মশক ওইরবা) পুনঃ (অদুগা) দৃপ্যৎ (নাপল কারবা) দানব (হিংচা-বনা) দূয়মান (অন্নাবা পীরবা) দিবিষদ্ (লাইগী) দুর্ব্বার (তমথীরবা, কনবা য়াদ্রবা) দুঃখাপদাং (অরাবৰু) ভ্রংশঃ (মাঙ্হল্লব', কোকহল্লবা) কংসরিপোঃ (শ্রীকৃষ্ণগী) বংশীরবঃ (বংশীগী মখোন্না) বঃ (নংখোইগী) অশ্রেয়াংসি (অমঙ্গল পুন্নমকপু) ব্যপোহয়তু (কোকহল্লসনু) ॥১১॥

অনুবাদ ঃ—শজীমীত্তা তারবী ব্রজকামিণীশিংগী থম্মোই শুম্বাৎন-বদা, হরাওদুনা কোক হাইদুনা তাকপদা, লেঙ্দনা লৈরম্বৰু ফাদুনা চিংশিন্নবদা, উবদা হরাওনবগী মরমদা অথোই মন্ত্রগী মশক ওইরবা অমসুং নাপল কারবা হিংচাবশিংনা অন্নাবা পীরবা লাইশিংগী অন্নাবা কোকহন্দুনা হরাওহন্নবগী মশক ওইরবা, শ্রীকৃষ্ণগী বংশীগী খোঞ্জেন্না ভক্তশিংগী অমঙ্গল পুন্নমক কোকহল্লসনু ॥১১॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে মহাকাব্যে খণ্ডিতাবর্ণনে বিলক্ষ-লক্ষ্মীপতি র্নামাষ্টমঃ সর্গঃ ॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নবমঃ সর্গঃ

হুংশিমন্দুনা অশাওবা ব্বানা কৃষ্ণদা হায়গ্রবী রাধাদা মতা
সখীনা ওনশিন্দুনা হায়রি ॥

তামথমন্মথখিন্নাং রতিরসভিন্নাং বিষাদসম্পন্নাং।
অনুচিন্তিত হরিচরিতাং কলহান্তরিতামুবাচরহঃসখী ॥১॥

হায়খিবহ্ন ইশৈনা হায়রি

গীতং ।১৮।

রামকিরী রাগ যতিতালাভ্যাং গীয়তে।

হরিরভিসরতি বহতি মৃদুপবনে।
কিমপরমধিকসুখং সখি ভবনে।
মাধবে মাকুরু মানিনিমানময়ে ॥২॥ ধ্রুবম্ ॥

পদানুবাদ :—অথ (অহুগী তুংদা) সখী (মতানা, দূতীনা) রহঃ (অচিকপা লমদা) মন্মথখিন্নাং (কামনা রারবী, রতিক্রীড়া ফংনিং-বনা রারবী) রতিরসভিন্নাং (রতিক্রীড়া ফংদ্রবী) বিষাদ সম্পন্নাং (অরাবা ফংলবী) অনুচিন্তিত হরিচরিতাম্ (হন্না হন্না কৃষ্ণগী লমচৎপু খল্লবী) কলহান্তরিতাং (খংনববু ফাজিল্লবী, অশাওবা ফাজিন্দুনা থম্লবী) রাধাং (রাধাদা) উবাচ (হায়খি) ॥১॥

অনুবাদ :—অহুগী তুংদা রাধাগী মতা দূতীনা অচিকপা লমদা রতিক্রীড়াগী বাখন্না রারবী, রতিক্রীড়া ফংদহুনা লৈরবী, অরাবা ফংলবী, হন্নাহন্না শ্রীকৃষ্ণগী ফত্তবা লমচৎপু খল্লবী, খংনখিবা রাফম্বু থম্মোইদা ফাজিন্দুনা থম্লবী শ্রীরাধাবু য়েংলহুনা থেমজিল্লহুনা হায়খি ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অমুকস্মু হায়খি ।

তালফলাদপি গুরুমতিসরসং ।
কিমু বিফলীকুরুষে কুচকলসম্ ॥৩॥

পদানুবাদ :—অয়ে মানিনি (হে শাওহুনা নৈরবী রাধা) মৃদুপবনে বহতি (তপ্পা তপ্প হুংশিং শিংলক্লবসিদা) নম্রগা মধুপবনে বহতি (বসন্ত ঋতুগী হুংশিংনা শিংলক্লবসিদা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) অভিসরতি (অভিসার তৌরক্লে হায়বদি নহাক্কা ঈঙ্গিত তৌনবা মফমদা লাক্লে) সখি (ইতা ইবেম্মা) ভবনে (য়ুমদা) অপরঃ (অতোপ্পা, অতৈ) অধিকসুখং (য়াম্না হুংঙাইবা) কিং অস্তি (করি নৈবগে হায়বদি য়ুমদা হল্লুহন করিস্মু হুংঙাইগদবা নৈতে) মাধবে (শ্রীকৃষ্ণদা) মানং (শাওরিবসি) মা কুরু (তৌগনু) ॥২॥

অনুবাদ :—হে শাওহুনা নৈরবী ইতা রাধা! বসন্ত ঋতু ওইবনা মলয়া হুংশিংনা তপ্পাতপ্পা শিংলক্লবা মতম অসিদা শ্রীকৃষ্ণনা নহাক্লা ঈঙ্গিত তৌথিবা লমদা মশামক্লা অভিসার তৌরক্লে, হে ইতা ইবেম্ম! য়ুমদা হল্লুহন করিস্মু হুংঙাইবা নৈররোই, শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা শাওরিবসি থাদোক্লো ॥২॥

পদানুবাদ :—তালফলাৎ অপি (কোনা মহৈদগীসু) গুরুং (হেল্লবা হায়বদি চাউবদা, তুম্বক তুম্বদ, কনবদা হেল্লবা) অতি সরসং [থোইদোক্লা ফজরব] কুচকলসং [চফুগী মশক ওইরবা থবাক্কী-অতোঙ্‌ববু] কিমু [করিগী] বিফলীকুরুষে [অরেম্বা তাহনগদৌরিবা] ॥৩॥

অনুবাদ :—হে ইতা ইবেম্মা! নহাক্কী কোনা মহৈদগীসু হেন্না চাউরবা, তুম্বক তুম্নবা, য়াম্না কল্লবা নিংথিজরবা চফুগী মশক ওইরবা থবাক্কী অতোংবসিবু করিগী অরেম্বা তাহনগদৌরিবা ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীকৃষ্ণ লাক্লগা তাক্লক্লবা করিগীনো হায়ক্লনি খন্দুনা।

কতি ন কথিতমিদমনুপদমচিরং।

মা পরিহরহরিমতিশয়রুচিরম্ ॥৪॥

শ্রীরাধাদা থেমজিন্দুনা হায়খি।

কিমিতি বিষীদসিরোদিষি বিকলা।

বিহসতি যুবতিসভাতব সকলা ॥৫॥

রাধা ঐনা করি তৌফম থোকপগে হায়রক্লনি খন্দুনা।

মৃদু নলিনীদল শীতল শয়নে।

হরিমবলোকয় সফলয় নয়নে ॥৬॥

পদানুবাদ :—অচিরং [হৌজিক্ত] ইদং অনুপদং [হায়রিবা রাহৈ-সিবু] কতি [কয়ারকহন্না] ন কথিতং [হায়খিত্রা হায়বদি হন্না হন্না হায়খ্রবনি] অতিশয় রুচিরং [থোইদোক্লা ফজরবা] হ রং [শ্রীকৃষ্ণবু] মা পরিহর [থাদোক্কনু] ॥৪॥

অনুবাদ :—হে ইত রাধে! ঐনা নংঙোন্দা হায়রিবা রাহৈসি কয়ারক হন্না হন্না হায়রবহুনি, ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসে ওংহোক্লা ফজবা নিপানি, মাবু মতম পুন্নমক্তা থাদোক্কনু হায়হুনা ॥৪॥

পদানুবাদ :—বিকলা ত্বং [রাখল থেল্লবী নহাক্লা] কিং ইতি [করিগী অসুন্না] বিষীদসি [মায়থোং লাংশিল্লিবনো], রোদিষি [তেংথাহুনা কপ্লিবনো], সকলা যুবতি সভা [নুপীগী মপৈ পুন্নমক্লা] তব [নহাকপু] বিহসতি [নোক্লরে] ॥৫॥

অনুবাদ :—হে রাখল থেল্লবী ইতা রাধে! ঐনা হায়বা ইন্দহুনা করিগী মায়থোং লাংশিন্দুনা তেংথাহুনা কপ্লিবা, য়েংউ, নুপী ময়াম্না নহাকপু নোক্লরিবসে ॥৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দূতীনা হাথল তৌরিবী রাধাগী মফমদা হায়খি।

জনয়সি মনসি কিমিতি গুরুখেদম্।

শৃণু মমবচনমনীহিত ভেদম্ ॥৭॥

করম্বা হানো হায়বহ্ হায়রি!

হরিরুপযাতু বদতু বহুমধুরং।

কিমিতি করোষি হৃদয়মতিবিধুরম্ ॥৮॥

পদানুবাদঃ—মৃত্ত (থোংলবা) নলিনীদল (থম্বাল মনানা) শীতল-কৃতে (ইংনা শারবা) শয়নেস্থিতং (শয্যাদা লৈরবা) হরিং (শ্রীকৃষ্ণবু) অবলোকয় (য়েংহুনা) নয়নে (মীৎ আনিবু) সফলয় (মহৈ য়ানহল্লো) ॥৬॥

অনুবাদঃ—হে ইবেম্মা রাধে! নৌরবা থম্বাল মনানা নিংথিজনা শেমহুনা থম্লবা ইংলবা শয্যাদা চংহুনা লৈরবা শ্রীকৃষ্ণসিবু মাই ওন-শিন্দুনা য়েংলগা নমিৎ অনি অহ্ মহৈ য়ানহল্লো ॥৬॥

পদানুবাদঃ—মনসি [নপুক্লীংদা] কিং [করিগী] ইতি [অসুম তৌ-হুন] গুরুখেদং [য়াম্না হাববু] জনয়সি [পোক্লিবা] তস্মাৎ [মরম অহ্দগী] মম [ঐগী] অনীহিতভেদং [কায়নবগী হাথল থাদোক্লবা] বচনং (হাবু] শৃণু [তাও] ॥৭॥

অনুবাদঃ—হে ইতা ইবেম্মা! নপুক্লীংদা করিগী অসুপ হাবা হাথল পোক্লিবা, মরম অহ্না ঐগী হা তাও, ঐগী হা তারবদি কায়-নবগী মৈচাক অমুক থাংগদবা লৈত্রে ॥৭॥

পদানুবাদঃ—হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণসিনা) ত্বদন্তিকং (নহাক্কী ননাক্তা) উপযাতু (চংশিল্লকসন্থু, লাকচসন্থু) বহুমধুরং (য়াম্না হুংশিনা) বদতু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেব ভণিত মতিললিতং ।
সুখয়তু রসিকজনং হরিচরিতম্ ॥৯॥

কৃষ্ণনা নোল্লুক্ল। হায়জরবদা শাউবনা মায় লৈথোক্লবী রাধাদা দূতীনা নিন্দা তৌদুনা হায়রি ।

স্নিগ্ধেযৎ পরুষাসিযৎপ্রণমতিস্তব্ধাসিযদ্রাগিনি
দ্বেষংযাসিযদুন্মুখেবিমুখতাংযাতাসিতস্মিন্প্রিয়ে ।
তদ্ব্যক্তংবিপরীতকারিণিতবশ্রীখণ্ডচর্চ্চাবিষং
শীতাংশুস্তপনোহিমংহুতবহঃক্রীড়ামুদোযাতনাঃ ॥১০॥

[ভাংজসনু], কিং [করিগী] ইতি [মতৌ অসুম্না] হৃদয়ং [থম্মোইবু] অতি বিধুরম্ করোষি [য়াম্না রাহল্লিবা হায়বদি থম্মোই রাহনবা চুমদে] ॥৮॥

অনুবাদ ঃ—হে ইভা ! ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণসিনা নহাক্কী ননাক্তা চংশিল্লক্তুনা নুংশিবা রাহে হায়জসনু, করিগীদমক মতৌ অসুন্না কায়নবগী মৈচাক পুতুনা থম্মোই রাহল্লিবা ॥৮॥

পদানুবাদ ঃ— শ্রীজয়দেব ভণিতং [শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা] অতি ললিতং [থোইদোক্লা নিংথিজরবা] হরি চরিতম্ [শ্রীকৃষ্ণগী শান্নবা লীলা অসিনা] রসিকজনং [ভক্তশিংদা] সুখয়তু [নুংঙাইবা পীনরসনু] ॥৯॥

অনুবাদ :—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা থোইদোক্লা নিংথিজরবা শ্রীকৃষ্ণগী রাধাগা লোয়ননা শান্নবা লীলা অসিনা ভক্তশিংগী মফমদা নুংঙাইবা পীনরসনু ॥৯॥

পদানুবাদ :—তস্মিন্ প্রিয়ে [চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা] স্নিগ্ধে [নুংশিনা ঙাংলক্লবদা] ত্বং [নহাক্লা] যদ্ পরুষাসি [থীনা খুমথ্রবনি]

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌজিক কবিনা ভক্তশিংগী মফমদা মঙ্গল পীহল্লি ।

সান্দ্রানন্দপুরন্দরাদিদিবিষদ্বৃন্দৈরমন্দাদরাৎ
আনম্রৈর্মুকুটেন্দ্রনীলমণিভিঃসন্দর্শিতেন্দিন্দিরম্ ।

প্রণমতি [নোল্লুক্লা হায়জরবদা] যৎস্তব্ধাসি [ইলেংলেংদনা লৈথ্রবনি] রাগিনি [হুংশিবিরক্লবদা] যদ্ দ্বেষঃঅসি [য়েক্লবা ওইনা খনথ্রবনি] উন্মুখে [মাই ওনশিনবিরক্লবদা] যদ্ বিমুখাং যাতাসি [মাই ওন্থোক-পিথ্রবনি] হে বিপরীতকারিনি রাধে [হে ওম্না তৈনা তৌরবী রাধে] তব [নহাক্কী নফমদা] শ্রীখণ্ডচর্চ্চা [চন্দন তৈবনা] বিষং [হু ওইরিবা] শীতাংশুঃ [থানা] তপনঃ [নুমিৎ ওইনা শারিবা] হিমং [উলন] হুত-বহঃ [মৈগুম চাক্লিবা] ক্রীড়ামুদঃ [শান্নবগী নুংঙাইবা খিবিক্লা] যাতনাঃ [অরাবা মপৈ ওইরিবা] তং যক্তং [মতু মতিক চাই] ॥১০॥

মফম অসিদা (১) যৎ মরি য়াওরিবা অসিগা (২) তৎ অসিগা পুন্না হায়দুনা "মাতু" হায়না লোগদবনি ॥

অনুবাদ ঃ—হে ইতা ইবেম্মা ! চান্নথোইরবা শ্রীকৃষ্ণনা হুংশিনা ভাংলক্লবা মতম অদুদা ওন্থোক্লা থীনা খুমথ্রে, ইবুংঙোনা নোল্লুক্লা হায়জরক্লবদ নহাক্লা ইলেঙলেঙদনা তুমিন্ন: লৈথোক্লে, হুংশিবি-রক্লবদা য়েক্লবা ওইনা খনথ্রে, মাইওনশিনবিরক্লবদা মাইলৈথোকপি-থ্রে, মরম অদুনদি হে ওম্না তৈনা তৌরবী রাধে ! নশাদা হুংশিবা চন্দন তৈরিবা অদুনা হু তৈবগুম ওইরিবা, থাবন্না নুংশাগুম চাক্লিবা, উলনা মৈগুম শারিবা, শান্নবগী কলা খিবিক্লা অরাবা মপৈগুম খল্লিবসে মতিক চপ চারে। হায়রিবসি ঐনা হায়বা ইন্দবদগী থোক্লিবনি ॥১০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্বচ্ছন্দংমকরন্দসুন্দরগলন্মন্দাকিনীমেদুরং
শ্রীগোবিন্দপদারবিন্দমশুভস্কন্দায়বন্দামহে ॥১১॥

পদানুবাদ :—সান্দ্র আনন্দ [য়াম্না হরাওরব] পুরন্দরাদি [শোরারেন্নচিংবা] দিবিষদ্‌বৃন্দৈঃ [লাই ময়াম্না] অমন্দ [.থাঃ দোক্লা] আদরাৎ [লুনা তোবদগী] আনম্রৈঃ [পুমলুক লুকথরব] মুকুট [মুকুটদা থাম্লবা] ইন্দ্রনীলমণিভিঃ [ইন্দ্রনীলমণি কৌবা অশংবা মণি খিবিক্লা] সন্দর্শিত [উহল্লবা] ইন্দিন্দিরম্ [খোইমু ওইনা]=সন্দর্শিত ইন্দিন্দিরম্ [খোইমু ওইনা উহল্লবা], সচ্ছন্দম্ [মনিং তৌনা হায়বনি অপনবা লৈতনা] মকরন্দ শুন্দ্বরগলৎ [লৈহীগুম্না ফজনা শিন্থরক্লবী] মন্দাকিনী [গঙ্গা কৌবী তুরেন্ন] মেদুরং [লৈতে লবা] শ্রীগোবিন্দপদারবিন্দম্ [শ্রীগোবিন্দগী খোং থম্বালবু] অশুভস্কন্দায় [অমঙ্গল কোক্লনবগীদমক] বন্দামহে [খুরুমজরি] ॥১১॥

অনুবাদ :—উবদা খোইদোক্লা হরাওরবা শোরারেন্নচিংবা লাই খিবিক্লা নোল্লুক্লা খুরুমজতুনা মখোয়গী মকোক্তা থোল্লিবা মুকুটদা থাম্লিবা ইন্দ্রনীলমণি কৌবা অশংবা মণিনা খোইমুগী মশক ওইনা উথ্রবা অমস্থং অপনবা লৈতনা লৈগী লৈহীনা শিন্থরকপগুম স্বর্গদগী শিন্থরক্লবী [চেন্থরক্লবী] গঙ্গা কৌবী তুরেন্না সেবা তৌরবা, শ্রীকৃষ্ণগী খোংথম্বাল অতবু অমঙ্গল কোক্‌হন্‌বিনবগীদমক ঐখোয়না খুরুমজরি ॥১১॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে মহাকাব্যে কলহান্তরিতা বর্ণনে মুগ্ধমুকুন্দো নাম নবমঃ সর্গঃ।

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দশমঃ সর্গঃ

শ্রীকৃষ্ণনা রাধা উবদা থেমজিন্দুনা হায়খি ।

অত্রান্তরে মসৃণ রোষবশামসীম
নিঃশ্বাস নিঃসহমুখীং সুমুখীমুপেত্য ।
সব্রীড়মীক্ষিত সখীবদনাং প্রদোষে
সানন্দগদ্গদপদং হরিরিত্যুবাচ ॥১॥

পদানুবাদ :—অত্রান্তরে [অসিগী তুংদা] প্রদোষে [অহিং চংলক্ত-বদা] মসৃণরোষবশাং [কন্না শাউবনা থুত্নম চল্লবী] অসীম [ভমখৈ-লৈতনা] নিঃশ্বাস [নুংশামপী হোনববু] নিঃসহ [থাংভমদ্রবা] মুখীং [মাইথোংনা ওইরবী] সব্রীড়ং [ইকাইবগা লোয়ননা] ঈক্ষিত [য়েং-থ্রবী] সখী বদনাং (দূতীগী মশকপু, সখীগী মাইথোংবু)—ঈক্ষিত সখী বদনাং (দূতীগী মাইথোং য়েংথ্রবী) সুমুখীংরাধাং (শক ফজরবী রাধাদা) উপেত্য (চংশিল্লক্লত্না) ইতি (অসুম্না) সানন্দগদ্গাদপদং (নুংঙাইবগা লোয়ননা মতেক মতেক ওইবা রাহৈবু) উবাচ (হায়খি) ॥১॥

অনুবাদ :—দূতীনা শাউবগা লোয়ননা ক্লা হায়ত্না লৈরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা অহিং চংলক্লত্না শাউমনখিবনা মায়ঙাংত্না লৈরবী, নুংশা-স্বর মপী ফুইনা হোল্লবী, ইকাইবগা লোয়ননা মতা দূতীগী মায়-থোংদা চিংনা চিংনা য়েংত্না লৈরবী, শক ফজরবী শ্রীরাধাগী নাক্তা চংশিল্ললক্লত্না শ্রীকৃষ্ণনা পুক্নীং নুংঙাইবগা লোয়ননা মতেক মতেক ওইনা ঙাংবা রাহৈ খিবিকপু হায়খি ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীকৃষ্ণনা হায়বন্থ মখাদা হায়রি ।

গীতং

দেশ বরাড়ী রাগাষ্টতালাভ্যাং গীয়তে ।

বদসি যদি কিঞ্চিদপিদন্তরুচিকৌমুদী
হরতি দরতিমির মতিঘোরম্ ।
স্ফুরদধর সীধবে তব বদন চন্দ্রমা
রোচয়তি লোচন চকোরম্ ॥
প্রিয়ে চারুশীলেমুঞ্চময়ি মানমনিদানম্ ।
সপদি মদনানলো দহতি মম মানসং
দেহি মুখকমল মধুপানম্ ॥২॥ ধ্রুবম্ ॥

পদানুবাদ :—হে চারুশীলে ! (হে লমচৎ ফজরবী রাধে) ময়ি (ঐঙোন্দা) অনিদানং (মরম লৈতনা থোকগ্রবা) মানং (অশাউবদো) মুঞ্চ (থাদোক্লো), সপদি (খুদক অসিমক্তদা) মদনানলঃ (কামগী মৈনা) মম মানসং (ঐগী থম্মোইবু) দহতি (চাক্লে) মুখকমল (মায়-থোং থম্বালগী) মধুপানংদেহি (লৈহী থকহল্লো) হে প্রিয়ে ! (হে চান্নথোইরবী) যদি কিঞ্চিৎ অপি (করিগুম্বা অমতংবু) বদসি (হায়-বিরবা) তদা (অদু ওইরবদি) দন্তরুচি কৌমুদী (য়াগী মঙাল থাবন্না) অতি ঘোরং (থোইদোক্না তমথীরবা) দর (অকিরগী) তিমিরং (অমম্বসে) হরতি (কোক্কদোরিবনি) তব বদনচন্দ্রমা (নহাক্কী মায়-থোং থানা) স্ফুরৎ (নিংথিজরবা নত্রগা শিন্থরক্লবা) অধর সীধবে (অধরামৃতগী দমক হায়বদি অধরামৃত পান তৌহন্নবগীদমক) মম লোচন চকোরম্ (ঐগী মীৎ নোংইনবু) রোচয়তি (পামহল্লি, ইনশিল্লি) ॥২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীকৃষ্ণনা অরেম্বদা শাউরবী রাধাদা হায়খি।

সত্যমেবাসি যদি সুদতি ময়িকোপিনী
দেহি খর নখর শরাঘাতম্।
ঘটয়ভুজবন্ধনং জনয়রদখণ্ডনং
যেন বা ভবতি সুখজাতম্ ॥৩॥

অনুবাদ :—লমচৎ ফজরবী হে ইবেম্মা রাধে! মরম লৈতনা থোকপ্রবা অশাউবহু থাদোক্লো, খুদক অসিমক্তদা কামগী মৈনা ঐগী থম্মোইসি চাক্লে, মুংশিবিহুনা মাইথোং থম্বালগী লৈহী চুপহনবিরো, হে মুংশিরবী রাধে! নহাক্কা নচীন কাথোক্তুনা ব্রাহৈ অমতং ঙাং-লবদি য়াগী মঙাল থাবন্না অকিবদগী পোকপ্রবা অমম্বসি কোক্কদবনি, রা ঙাংলবদি শাউবা কোক্লে হায়না খঙলে, শাউবা কোক্লবদি ঐগী অপাম্বা রাখল থুংলগনি খনগনি, নহাক্কী মায়থোং থাসিনা (নহাক্কী চীনগী অমৃত) শিন্থরক্লবা অধরামৃত পান তৌররো হায়হুনা ঐগী মীৎ নোংইন্দা অপাম্বা পোকহল্লি ॥২॥

পদানুবাদ :— সুদতি (হে য়াতা ফজরবী রাধে) যদি ময়ি (ঐঙোন্দা) সত্যং এব (ইশেংশেংনা) কোপিনী অসি (শাউরিবা) (১) যদি (২) তদা (অহু ওইয়বদি) খর নখর (থৌরবা খুজিন্না) শরাঘা-তং দেহি (তেল ওইনা থিনবিরো), ভুজবন্ধনং (পাম্বোম্মা কোনশিন-ববু) ঘটয় (তৌবিরো), রদখণ্ডনং (য়াখুনতাববু, য়ানা চীকপা মফম্মু) জনয় (তৌবিরো) যেন বা (মাহুনা) সুখজাতং ভবতি (মুংঙাইগনি হায়বদো) ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

করম্না অম্নাবা খাঙ্‌বা ঙমগদগে হায়বত্থ হায়রক্লি।

ত্বমসি মমভূষণং ত্বমসি মমজীবনং
ত্বমসি মম ভবজলধি রত্নম্।
ভবতু ভবতীহ ময়ি সততমনুরোধিনী
তত্র মম হৃদয়মতি যত্নম্ ॥৪॥

অনুবাদ ঃ—হে য়াতা ফজরবী রাধে! নহাক্লা থাঙ্গৈশেংনা ঐ-ঙোন্দা শাউবিরবদি থোরবা খুজিন্দুনা খোৎপিরো, নপাম্বোম অনিত্থনা কন্না ফাত্থনা কোনশিনবিরো, অমসুং নয়াত্থনা কম্না য়াখুল নাইনা চীকপিরো, অছু নত্রগসু অতৈ য়াবা মথৈ তৌবিরো ঐগী ইরাল কোক্লনবা ॥৩॥

পদানুবাদ ঃ—ইহ (হন্দক্কী মপোক অসিদা) ত্বং (নহাক্লা) মম (ঐগী) ভূষণং অসি (লৈতেং ওইরবনি), ত্বং (নহাক্লা) মম (ঐগী) জীবনং অসি (পুন্সি ওইরবনি, থরাই ওইররনি) ত্বং (নহাক্লা) মম (ঐগী) ভবজলধিরত্নং অসি (পোক্লকপগী মপাল নাইত্রবা সমুদ্রগী রত্ন ওইরবনি হায়বদি য়ুম পানবগী অথোইবা নুপী ওইরবনি), ভবতী (নহাক্লা) ময়ি (ঐঙোন্দ) সততং (ইতত্তুনা) অনুরোধিনী ভবতু (য়াথং ইনবী ওইবিননবা) তত্র (মাত্থদা) মম হৃদয়ং (ঐগী থম্মোই-সিনা) অতি যত্নং (য়াম্না হোৎনজরি) ॥৪॥

অনুবাদ ঃ—হে রাধে! নন্দক্কী মপোক অসিদা নহাক্লা ঐগী লৈ-তেং ওইরবনি, নহাক্লা ঐগী থরাই ওইরবনি, নহাক্লা য়ুম পান্নবগী মরদদা অথোইবা নুপী ওইরবনি, নহাক্লা ইতত্তুনা ঐঙোন্দা হায়বা ইনবী নুপী ওইবিননবগী মরমদা ঐগী থম্মোই অসিনা থোই-দোক্লা কন্না হোৎনজরিবনি ॥৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নীল নলিনাভমপিতন্বিতব লোচনং
ধারয়তি কোকনদরূপম্।
কুসুম শরবাণ ভাবেন যদিরঞ্জয়সি
কৃষ্ণমিদমেতদনুরূপম্॥৫॥

শ্রীকৃষ্ণনা শ্রীরাধাবু খজিক্নং শাউবা ফবা মতৌ উদ্বনা হায়খি।

স্ফুরতু কুচ কুম্ভয়োরুপরি মণিমঞ্জরী
রঞ্জয়তু তব হৃদয়দেশং।

পদানুবাদ :—হে তন্বি [হে খাংজেংবী] তব [নহাক্কী] নীল নলি-নাভং অপি [থম্বাল অশংবগুম্না ফজরবা] লোচনং [মীৎসিনা] কোকনদরূপং [থরো অঙাংবগী মশকপু] ধারয়তি [ওইরে, পুরে] [১] যদি ত্বং [নহাক্না] কুসুমশর ভাবেন [কামগী রাখল খন্দুনা, সুরতক্রীড়া পামহুনা] কৃষ্ণ মাং [কৃষ্ণ ঐবু] রঞ্জয়সি [লৈতেংবিরবা, য়েংবিরবা] [১] যদি [২] তদা [অদু ওইরবদি] ইদং [মাসিনা, মীৎ-সিনা] এতৎ [মাসিগা, মচু ঙাংলিবসিগা] অনুরূপং [মতিক চানগ-দবনি] ॥৫॥

অনুবাদ :—হে খাংদা ফজরবী রাধে! ইবেম্মা নহাক্কী থম্বাল অশংবগুম ফজরবা মীৎ অদুনা শাউমনখিবনা থম্বাল অঙাংবগুম ওইখ্রে। ইবেম্মনা হুংশিবিদুনা রতিক্রীড়াগী রাখল খন্দুনা কৃষ্ণ ঐবু য়েংবিরবদি মীৎ অদুনা ঙাংলিবা মচু অদুগী মতুং ইন্না মতিক চাগদবনি [হায়বদি হুংশিবদগী মীত্তা ঈ কাবনা ফৈ, শাউবদগী ঈ কাবসি কায়নবগী অরাবা মৈচাক ফংই] ॥৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রসতু রসনাপিতবঘনজঘনমণ্ডলে
ঘোষয়তু মন্মথ নিদেশম্ ॥৬॥
স্থলকমলগঞ্জনং মমহৃদয়রঞ্জনং
জনিত রতিরঙ্গ পরভাগং।
ভণ মসৃণবাণিকররাণিচরণদ্বয়ং
সরস লসদলক্তকরাগম্ ॥৭॥

পদানুবাদ ঃ—মণিমঞ্জরী (মণি পরেংনা) তব (নহাক্কী) কুচকুম্ভয়োঃ উপরি (থবাক্কী অতোংবা অনিগী মথক্তা, কুচ চফু অনিগী মথক্তা) স্ফুরতু (হাইজসনু), হৃদয়দেশং (থবাকপু) রঞ্জয়তু (লৈতেংজসনু), রসনাপিং (খ্বাং শরীরুস্ন) তব (নহাক্কী) ঘনজঘনমণ্ডলে (নোয়থারবা খ্বাং মথা অকোয়বদা) রসতু (খোংজসনু) সা (মহাক্কা, খ্বাং শরীক্কা) মন্মথনিদেশং (কামদেবগী য়াথংবু, রতিক্রীড়া ওইরে হায়বা য়াথংবু) ঘোষয়তু (লাউবিসনু, নিম্বোকপিসনু) ॥৬॥

অনুবাদ ঃ—মণি পরেংনা নহাক্কী থবাক্কী অতোংবা কুচকুম্ভ অনিগী মথক্তা হাইহুম্লসনু, অদুগা থবাক্কী লৈতেংসু ওইজসনু, খ্বাং শরীক্কা নহাক্কী নোয় থারবা খ্বাংমথা অকোয়বদা লেঙ্ হাইদুনা মখোল থোক্লগা রতিক্রীড়া তৌরে হায়বা তাকচসনু ॥৬॥

পদানুবাদ ঃ—হে মসৃণবাণি (হে খোন্দা ফজরবী) ভণ (হায়বিউ) অহং (ঐনা) স্থলকমল গঞ্জনং (লৈকং থম্বালবু ওমজরবা) মম হৃদয় রঞ্জনং (ঐগী থম্মোইগী লৈতেং ওইরবা) জনিত (ওইরবা, পোক্লবা) রতিরঙ্গপরভাগং (সুরত লীলাগী অথোইবা শরূকপু) — জনিতরতি-রঙ্গ পরভাগং (সুরত লীলাগী অথোইবা শরূক ওইরবা) চরণদ্বয়ং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্মরগরলখণ্ডনং মমশিরসিমণ্ডনং
দেহি পদ পল্লবমুদারং।
জ্বলতি ময়ি দারুণোমদনকদনানলো
হরতু তদুপাহিত বিকারম্ ॥৮॥

(নখোং অনিবু) সরসলসৎ (নিংথিনা লংলবা) অলক্তক রাগং (চামহীনা লৈতেংববু) করবাণি (তৌজগে) ॥৭॥

অনুবাদ :—হে রাহৈ রাতা ফজরবী রাধে ! নহাক্না য়াথং পিনবিউ, ঐহাক্না নহাক্কী লৈকং থম্বাল ওমজনা ফজরবা, ঐগী থবাক্কী লৈতেং ওইরবা নখোং অনি অত্থবু থোইদোক্না ফুইনা নিংথিজরবা চামহীনা লৈতেংজগে ॥৭॥

পদানুবাদ :— ত্বং (নহাক্না) স্মরগরল খণ্ডনম্ (কামগী হুগী মৈচাক কোক্লবা) উদারং (নিংথিজরবা) পদ পল্লবং (নখোঙ্ উনা য়েম্লীং মানববু) মম শিরসি (ঐগী কোক্তা) মণ্ডণং (লৈতেং ওইনা) দেহি (পীবিরো, থাঙ্গৎপিরো) ময়ি (ঐঙোন্দ) দারুণঃ (হুংশিথংদ্রবা) মদণকদনানলঃ (কামগী তমথীরবা মৈনা) জ্বলতি (চাক্লে), তৎ (মাত্থনা, খোঙ্‌থুনা) উপাহিত বিকারম্ [ফংলিবা অরাবসিবু] হরতু [কোক্লসহু] ॥৮॥

অনুবাদ :—ইবেম্মা নহাক্কী কামগী হুগী মৈচাক কোক্লবা ফজরবা নোরবা নখোঙ্ য়েম্লীংগুম্বা অত্থনা ঐগী কোক্তা লৈতেং ওইনা থাঙ্গৎপিররো, হৌজিক ঐঙোন্দা হুংশিথংদ্রবা কামগী তমথীরবা মৈচাক্না চাক্লে, নখোঙ্ অত্থনা চাক্লিবা মৈচাকসি কোল্লসহু ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতি চটুলচাটুপটুচারুমুরবৈরিণো
রাধিকামধি বচনজাতং।
(১) জয়তি পদ্মাবতীরমণ জয়দেবকবি
ভারতী ভণিতমতিশাতম্ ॥৯॥

(১) জয়তি জয়দেব কবি ভারতীভূষিতং
মানিনীজনজনিতশাতম্। ইতি পাঠান্তরম্।

পদানুবাদ :—ইতি [মতৌ অসুম্না] পদ্মাবতীরমণ [পদ্মাবতীগী মপুরোইবা] জয়দেবকবি [জয়দেব কবিগী] ভারতীভণিতং [রাহৈনা লেংলবা] মুরবৈরিণঃ [শ্রীকৃষ্ণগী] অতিশাতম্ [থোইদোক্লা নুংঙাইবা পীনরবা, অশাউবা কোকহল্লবা], চটুল [ইথক থক্লা, ইফিং ফিংনা, মখল মথা য়াম্না] চাটু [হায়জবদা] পটু [হৈশিংনা] চারু [নিংথিজরবা], রাধিকাং অধি [রাধাগী মফমদা] বচন [হায়খিবা] জাতং [পুন্নমক অতুনা] জয়তি [জয় ওইরি] ॥৯॥

পদানুবাদ মখল অমা :—ইতি (মতৌ অসুম্না) পদ্মাবতীরমণ জয়দেব কবি ভারতী ভূষিতং (পদ্মাবতী কৌবী সতীগী মপুরোইবা জয়দেব কবিগী রাহৈনা লৈতেংলবা) মুরবৈরিণঃ চটুল চাটু পটু চারু (শ্রীকৃষ্ণগী মখল মথা য়াম্না হায়জত্নুনা হৈশিংবা রাহৈনা ফজরবা) মানিনীজনশাতঃ (শাউত্নুনা লৈরিবীগী মফমদা অশাউবা কোকহল্লবা) রাধিকাং অধি বচনজাতং জয়তি (শ্রীরাধাগী মফমদা হায়খিবা রাহৈ পুন্নমক্লা জয় ওইরি) ॥৯॥

অনুবাদ :—মতৌ অসুম তৌনা পদ্মাবতী সতীগী মপুরোইবা শ্রীজয়দেব গোস্বামীনা লেংলবা, শ্রীকৃষ্ণগী তাবদা নুংঙাইবা পীনরবা, মখল মথা অয়াম্বা ফজনা শেম শাত্নুনা ঙাংবনা শ্রীরাধাগী অশাউবা কোকহল্লবা রাহৈ পুন্নমক্লা জয় ওইরি ॥৯॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হৌজিক শ্রীকৃষ্ণনা মরাল লৈতে হায়বা উত্তুনা সম্ভোগকীদমক শ্রীরাধাদা হায়খি।

পরিহরকৃতাতঙ্কেশঙ্কাংত্বয়া সততং ঘন
স্তনজঘনয়া ক্রান্তে স্বান্তে পরানবকাশিনি।
বিশতি বিতনোরন্যো ধন্যো ন কোঽপিমমান্তরম্
প্রণয়িনিপরীরম্ভারম্ভেবিধেহি বিধেয়তাম্ ॥১০॥

পদানুবাদঃ— হে কৃতাতঙ্কে [চিংনব পোক্লবী রাধে, নুপী অতৈগা শান্নরুরে খন্দুনা শাউরবী রাধে] শঙ্কাং [চিংনরিবত্থ] পরিহর [থাদোক্লো], পরানবকাশিনি [অতৈদা চৎথোক্নবদা শংজবা লৈত্রবা] স্বান্তে [ঐগী থম্মোইদা] ঘনস্তনজঘনয়া [থবাক তোংলবী পুক থারবী] ত্বয়া [নহাক্না] আক্রান্তে [খুত্থম চনগ্রবদা, শিন্থুংগ্রবদা] বিতনোঃ [কামদেবদগী, হকচাং পান্দ্রবা কামদেব কৌবা লাইদগী] অন্যঃ [অতোপ্পা] ধন্যঃ [লাইবক ফবা] কঃ অপি [কনা অমত্তনসু] মমান্তরং [ঐগী থম্মোইদা] ন বিশতি [চংদে] হে প্রণয়িনি [হে নুংশিরবী রাধে] পরিরম্ভারম্ভে [সুরতক্রীড়া হৌরমদাইদা, রতিযুদ্ধ হৌরমদাইদা] বিধেয়তাং [তৌফম থোকপবু] বিধেহি [তৌবিরো] ॥১০॥

অনুবাদঃ—হে রাধে! নংনা ঐবু নুপী অতৈগা শান্নরুরবনি খন্দুনা নপুক্তা চিংনরিবত্থ থাদোক্লো। হে থবাক তোংলবী খোইদো মথা থোল্লবী [নোয়রবী] রাধে! অতৈ অমগী রাখল চংত্রবা নংতবু খল্লবা ঐগী থম্মোই অসিদা নহাক্না চোংশিনগ্রবদা কামদেব কৌবা লাই অহু নত্তনা লাইবক্ফ ফবা অতৈ কনা অমত্তা চংবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কামদেবনা থঙ্খোইদা চংবগী মতিকচাবা দগী পীবিয়্ হায়রি।

মুগ্ধে বিধেহি ময়ি নির্দ্দয়দন্ত দংশ
দোর্বল্লি বন্ধ নিবিড় স্তন পীড়নানি।
চণ্ডি ত্বমেব মুদমঞ্চ ন পঞ্চবাণ
চাণ্ডাল কাণ্ড দলনাদ্সবঃ প্রয়াস্ত ॥১১॥

শ্রীকৃষ্ণনা শাউফম থোক্তে হায়বত্থ হায়রক্লি।

শশিমুখি তবভাতি ভঙ্গুরভ্রূ
যুবজন মোহ করাল কালসপী।

ভমদ্রবনি। হে মুংশিরবী রাধে! শাউগন্থ, রতিক্রীড়া হৌরম-দাইদা তৌবা হৌনবা থবক পুন্নমক হৌবিরো ॥১০॥

পদানুবাদ :—হে মুগ্ধে [হে অপংবী নত্রগা হে ফজবী] ময়ি [ঐ-ভোন্দা] নির্দ্দয় [তমথীনা] দন্তদংশ [য়ানা চীকপনে] দোর্বল্লিবন্ধ [পাম্বোম উরীনা কোনশিনবনে] নিবিড় স্তন পীড়নানি [চাউরবা কুচনা নম্হেকপনে] বিধেহি [তৌবিরো] হে চণ্ডি! [হে শাউগল্লবী] ত্বমেব [নহাক] মুদং অঞ্চ [নুংঙাইবা ফংবিরো], পঞ্চবাণ [কামদেব-গী] চাণ্ডাল [নুংশিখৎদ্রবা] কাণ্ড [তেন্না] দলনাৎ [থিনবদগী] অসবঃ [থল্লাই থিবিকসিনা] ন প্রয়াস্ত [শিদ্রসন্থু, চপ্রসন্থু] ॥১১॥

অনুবাদ :—হে পংলবী নত্রগা হে শক ফজরবী রাধে! ঐনা ইবেম্মগী নফমদা অকায়বা থবক তৌরে হায়না নীংলবস্থু দগী কোক্সনবগী মশক ওইনা নয়ানা কন্না চীকপিরো, নপাম্বোম উরীথুনা কন্না ফাজিনবিরো, অথুগা থবাক্কী চাউরবা কুচ (স্তন) অথুনস্থু নম্হেকপিথুনা অরাবা পীরগা নুংঙাইবা হায়বত্থ ওইবিরো, কামদেব-গী তেন্না থাথুনা ঐগী থল্লায়শিংসি শিদবা ওইরসন্থু ॥১১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তদুদিত ভয়ভঞ্জনায় যূনাং
ত্বদধর সীধু সুধৈব সিদ্ধমন্ত্রঃ ॥১২॥
ব্যথয়তিবৃথামৌনং তন্বি প্রপঞ্চয় পঞ্চমং
তরুণিমধুরালাপৈস্তাপং বিনোদয় দৃষ্টিভিঃ।
সুমুখি বিমুখীভাবং তাবদ্বিমুঞ্চ ন মুঞ্চ মাং
স্বয়মতিশয়স্নিগ্ধোমুগ্ধে প্রিয়োঽয়মুপস্থিতঃ ॥১৩॥

পদানুবাদ :—হে শশিমুখি (হে মায়থোং থা মাল্লবী) তব (নহাক্কী নফমদ') যুবজনমোহ (পাখংশি বু শুঙ্গাৎননবগী মরমদা) করাল (কিনরবী) কালসর্পী (অমুবী লিল অমোমগী মশক ওইরবী) ভঙ্গুর ভ্রূঃ (থেক্লবী নত্রগা কোল্লবী পিশুন্না) ভাতি (ফজরি, লৈতেং ওই-রি) তৎউদিত (মাত্বদগী পোক্লক্লবা) ভয়ভঞ্জনায় (অকিবা কোক্লনবগী মরমদা) ত্বৎ (নহাক্কী) অধরসীধু (চিনগী থুল্লবা) সুধাএব (অমৃততনা) সিদ্ধমন্ত্রঃ (কোক্লনবা মন্ত্র ওইরি) ॥১২॥

অনুবাদ :— হে মাইথোং থা মাল্লবী রাধে ! নহাক্কী নফমদা পাখং-শিংবু শুঙ্গাৎনবগী মরমদা অমুবী লিল অমোমগুম অকিবা পোক্লবী লিরুংগুম কোল্লপ তারবী পিশুন্না লৈতেংলি। মাত্বদগী পোক্লকপা অকিবা অত্থু কোক্লনবগী মরমদা নহাক্কী অধরামৃত সুধাতনা অথোই-বা মন্ত্র ওইরে ॥১২॥

পদানুবাদ :—হে তন্বি (হে থাংজেংবী) বৃথা (অরেম্বদা) মৌনং (তুমিন্না লৈবহুনা) মাং (ঐবু) ব্যথয়তি (অরাবা পীরে) হে তরুণি (হে নৌরবী) মধুরালাপৈঃ (হুংশিবা ৱাংবগা লোয়ননা) পঞ্চমং প্রপঞ্চয় (পঞ্চমস্বর লাউরিবা) দৃষ্টিভিঃ (নিংথিজবা মীৎয়েং য়েংহনা)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শাউবা কোক্লনবগীদমক শ্রীরাধাগী হকচাং পুন্নমক থাগৎলি।

বন্ধূকদ্যুতি বান্ধবোঽয়মধরঃ স্নিগ্ধোমধূকচ্ছবি
র্গণ্ডশ্চণ্ডিচকাস্তিনীলনলিনশ্রীমোচনংলোচনম্।
নাসাভ্যেতি তিলপ্রসূন পদবীংকুন্দাভদন্তিপ্রিয়ে
প্রায়স্ত্বন্মুখসেবয়াবিজয়তেবিশ্বংসপুষ্পায়ুধঃ ॥১৪॥

তাপং বিনোদয় [মৈচাক কোকহল্লো] হে সুমুখি [হে শক ফজরবী] ভাবৎ [মতম অসিদা] বিমুখী ভাবং [মায় লৈথোকপা মতৌব] বিমুঞ্চ [থাদোকপিরো] মাং ন মুঞ্চ [ঐবু থাদোকপিগনু] হে মুগ্ধে [হে অপংবী] অতিশয় স্নিগ্ধঃ [থোইদোক্লা নুংশিরবা] অয়ংপ্রিয়ঃ [চান্নথোইবসে] স্বয়ং [মশামক্লা, মথোংনথোংনা, কৌরুবা নত্তনা] উপস্থিতঃ [থুংলরে] ॥১৩॥

(১) "ন বঞ্চয়" ইতি পাঠান্তরং ন বঞ্চয় (লৌনম তৌগনু)।

অনুবাদ :—হে খাংজেংবী রাধে! অরেম্বদা নহাক্লা তুমিন্না লৈবতুনা ঐঙোন্দদি অন্নাবা ওইরে। হে শক নৌরবী রাধে! নুংশিবা ৱাহৈ ঙাংবগা লোয়ননা পঞ্চম স্বর লাউবিরো, নিংথিজরবা মীৎয়েং য়েংবিত্তুনা থম্মোইগী অন্নাবা মৈচাক কোকহল্লো, হে শক ফজবী! মতম অসিদা নমায় লৈথোক্লিবত্তু থাদোক্লো, লৌনম তৌরগনু, হে অপংবী! নহাক্লা থোইদোক্লা নুংশিবিরবা চান্নথোইবা নপুরোইবদো মথোংনা থোংনা লাক্কুনা ননাক্তা লৈররে ॥১৩॥

পদানুবাদ :—হে চণ্ডি [হে শাউগল্লবী] তব [নহাক্কী] অয়ং অধরঃ [চীনবান অসিনা] বন্ধূকদ্যুতি [বন্ধুক কৌবা লৈগী মচুগা] বান্ধবঃ [মরূপ শান্নরি হায়বদি ঙাং ঙাননা ফজরি] গণ্ডঃ [খজাইনা] মধূক-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দৃশৌ তবমদালসে বদনমিন্দু সন্দীপনং (১)
গতির্জন মনোরমা বিজিতরম্ভমূরুদ্বয়ম্.।

চ্ছবি [মধূক কৌবা লৈগুম্না] সিগ্ধ [ফজরি], লোচনং [নমীত্তুনা] নীলনলিন [অশংবা থম্বালগী] শ্রীমোচনং [ফজববু কোকহন্দুনা হায়-বদি মীৎ উবদা থম্বাল অশংবগী ফজবা মতৌ মাঙ্ হন্দুনা] চকান্তি [ঙাল্লি, ফজরি] নাসা [নাতোম্না] তিল প্রসূন পদবীং [থোইদীং মপানগী মওং ফজবগুম্না] অভ্যেতি [ফংলি] হে কুন্দদন্তি [হে কুন্দনা ফজবগুম্না য়াতা ফজরবী] হে প্রিয়ে [হে নুংশিরবী] (১) প্রায় সঃ পুষ্পায়ুধঃ [কামদেবনা, লৈনা থুৎলাই ওইনা পায়বনা কামদেববু "পুষ্পায়ুধঃ" কৌই] ত্বৎ মুখ সেবয়া [নহাক্কী মায়থোংদা সেবা তৌহুনা] বিশ্বং [জগৎপু] (১) (২) বিজয়তে (জয় ভৌরিবনি নীং-লে] মফম অসিদা "প্রায়" না নীংবা খনবা অর্থদা "বিজয়তে" ক্রিয়াগা লোয়ননা তিন্নখ্রে ॥১৪॥

অনুবাদ :— হে শাউগল্লবী ইবেম্মা রাধে! নহাক্কী চীনবান অসিনা বন্ধুক কৌবা লৈগুম্না ঙাং ঙাননা ফজরি, অহুগা থজাইনা মধুক কৌবা লৈগুম্ন তঙাং তঙাংনা পুক্লিং হুরি, মীৎ অহুনা থম্বাল অশংবগী নাপল থুদেক্কুনা ঙাল্লি, নাতোম্না থোইদীং মপালগী ফজ-বা ওংদাহবু ঙমজনা উরি, হে কুন্দগুম্না য়াতা ফজরবী! হে নুং-শিরবী রাধে! কামদেবনা নহাক্কী মায়থোংদা সেবা তৌহুনা নহাক্কী মায়থোংদা লৈরিবা লৈগী থুৎলাই পুন্নমক ফংহুনা জগৎপু জয় ভৌরমাল্লে হায়না নিংলে ॥১৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রতিস্তব কলাবতী রুচিরচিত্রলেখেভ্রুবা-
বহো বিবুধযৌবতং বহসিতন্বি পৃথ্বীগতা ॥১৫॥

(১) "বদনমিন্দুমত্যান্বিতং" ইতি পাঠান্তরং ।

পদানুবাদ ঃ—হে তন্বি [হে খাংদা ফজরবী] অহো [অঙকপনিদা] তব [নহাক্কী] মদালসে [মুংঙাইবনা তপ্না তপ্না পাংলবা] দৃশৌ [মীৎ অনি পানবনা], ইন্দু সন্দীপনং [থাগুন্না ঙাল্লবা] বদনং [মায়-পানবনা] জনমনোরমা [মীবু মুংঙাইহল্লবা] গতিঃ [শাজৎ চৎপনা] বিজিতরম্ভং [লফু পাম্বীবু ঙমজরব] উরুদ্বয়ং [কৈগল অনি পান-বনা], কলাবতী [কলা পুন্নমক খংতুনা হায়বদি নৃত্য, গীত, বাদ্যন-চিংবা পুন্নমক খংতনা] রতিঃ [সুরতক্রীড়া হৈবনা] রুচির [নিংথিজ-না] চিত্রলেখে [কোন্না য়েক্লবা] ভ্রুবৌ [পীশুম অনি পানবনা] পৃথ্বী-গতা ত্বং [পৃথ্বীদা পোক্লবী নংসিন' হায়বদি মর্ত্যভূমিগী মনুংদা লৈবা শ্রীবৃন্দাবনদা পোকপী নং অসিনা] বিবুধ যৌবতং [লাইগী মুপী ময়াম্বু] বহসি [পুরিবসে, ওইরিবসে] ॥১৫॥

অনুবাদ ঃ—হে খাংদা ফজরবী রাধে! নহাক্কী হরাউবনা তপ্না তপ্না পাংলবা মীৎঅনি পানবগা, থাগুন্না ফজরবা মায়থোং পানবগা, মীবু মুংঙাইবা পোকহল্লবা শাজৎ চৎপগা, লফু পাম্বীবু ঙমজরবা কৈবোম অনি পানবগা, ঈশৈ শকপা, জগোই শাবনচিংবা কলা পুন্নমক খঙ তুনা রতিক্রীড়াদা হৈশিংবগা, নীংথিজনা কোনগোন্না তারবা পীশুম অনি পানবসিগনা পৃথ্বীদা [বৃন্দাবনদা] পোক্তনমু স্বর্গদা লৈরবী লাই মুপী ময়াম্বু পুম্পু পুরে। মাসি ওম্বোক্লা অঙকপনি ॥১৫॥ [স্বর্গদা লৈবী লাই মুপী ময়ামগী ফজবদো নংঙোন্দা পুম্পুল পুল্লে হায়বতনি ।]

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কবিনা সর্গঃ লোইবদা আশীষ নিজরি।

প্রীতিং বস্তনুতাং হরিঃ কুবলয়াপীড়েণসাৰ্দ্ধং রণে
রাধাপীনপয়োধর স্মরণকৃৎকুম্ভেনসম্ভেদবান্।
যত্রস্বিদ্যতিমীলতিক্ষণমথক্ষিপ্তেদ্বিপেতৎক্ষণাৎ
কংসস্যালমভূজ্জিতং জিতমিতিব্যামোহকোলাহলঃ ॥১৬॥

টীকা তোবগী অন্নুবাদ মখল অমা :—শ্রীরাধাগী মীৎ অনি অদুনা মদালসা কৌবী দেবী ওইরে, মায়থোংনা ইন্দুমতী কৌবী দেবী ওইরে, শাজংনা মনোরমা কৌবী দেবী ওইরে ফৈগন্না রম্ভা কৌবী দেবী ওইরে. পীশুম অনিনা চিত্রলেখা কৌবী দেবী ওইরে. অঙকপনিদা মর্ত্ত্যভূমিদা পোক্লবী নহাক্লা লাই নিংঙোল ময়াম ওইরল্লিবসে ॥১৫॥

পদানুবাদ ঃ— রণে [লানফমদা] রাধা [শ্রীরাধাগী] পীন পয়োধর [চাউরবা কুচবু] স্মরণকৃৎ [নিংশিংহল্লবা] কুম্ভেন [মকোক পাল্লবা] কুবলয়াপীড়েণ [কুবলয়াপীড় কৌবা কংস নিংথৌগী শামুগা লোয়ননা] সম্ভেদবান্ [থেংনথ্রবা, লান শোক্লথ্রবা] যত্র [মাহুদা] ক্ষণং [ঙাইহাক্তং] স্বিদ্যতি [হুমাংকারবা] মীলতি [ধ্যান তৌরবা] অথ [অতুগী তুংদা] তৎক্ষণাৎ [খুদক অত্তমক্তদা] দ্বিপে ক্ষিপ্তে [শামু লংথোকথ্রবদা] কংসস্য [কংস নিংথৌবু] জিতং জিতং ইতি [ঙমথ্রে ঙমথ্রে অশুম হায়তুনা] ব্যামোহ কোলাহলঃ (অরেম্বদা পংলাউ লাউববু) অলম্ (থোইদোক্লা) অভূৎ (ওইথ্রবা) সঃ হরি (শ্রীকৃষ্ণতুনা) বঃ (নখোয়গী নফমদা) প্রীতিঃ (প্রেমবু) তন্নুতাং (পীনরসন্ন) ॥১৬॥

অনুবাদ :— কংস নিংথৌগী লানফমদা শ্রীকৃষ্ণগা কুবলয়াপীড় কৌবা শামুগা লান্থেংনবদা শ্রীকৃষ্ণগী খুৎনা শামুগী নরাই লেম্ফু

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

একাদশঃ সর্গঃ

হৌভিক শ্রীরাধিকাগী মফমদা মতা দূতীনা হায়রি

সুচিরমনুনয়েনপ্রীণয়িত্বা মৃগাক্ষীং
গতিবতি কৃতবেশে কেশবে কুঞ্জশয্যাং ।
রচিতরুচিরভূষাংদৃষ্টিমোষেপ্রদোষে
স্ফুরতি নিরবসাদাংকাপি রাধাংজগাদ ॥১॥

অতোংবা অনি পায়রুবদা শ্রীমতি রাধিকাগী থবাক্কী অতোংবা কুচ [স্তন] অনি অত্তুনি হায়না নিংলুহুনা স্বাত্বিক বিকার ওইবনা ভাই-হাক হুমাং কাংহুনা মীৎ উইশিল্লুরবা তুংদা পাংথোক্লকপদা শামু অহু উরহুনা পায়হুনা থাপ্না লংথোকখ্রে, মীৎ পাংদ্রিঙৈদা শামুনা ঙমলে হায়না নীংবা, লংথোকগ্রবদা শ্রীকৃষ্ণনা ঙমলে হায়না নীংহুনা অম্বাবগী মশক ওইনা পংলাউ লাউনহনগ্রবা শ্রীকৃষ্ণহুনা জগত্তা লৈ-রিবা ভক্তশিংগী মফমদা প্রেম পীনবিরসনু ॥১৬॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে মহাকাব্যে মানিনী বর্ণনে
মুগ্ধ মাধবো নাম দশমঃ সর্গঃ ॥

পদানুবাদ ঃ—কৃতবেশে (লৈতেং শেৎলবা) কেশবে (শ্রীকৃষ্ণনা) সুচিরং (মতমকুইনা) অনুনয়েন (থেমহুনা হায়জবনা) মৃগাক্ষীং (শজী মীত্তা তারবী রাধাবু) প্রীণয়িত্বা (পেন্দহল্লম্লগা, য়াহল্লম্লগা) কুঞ্জশয্যাং গতবতি (কুঞ্জগী শয্যাদা চংশিনগ্রবদা) কাপি সখী (কনাগুম্বী দূতী-না) দৃষ্টিমোষে প্রদোষে (মীৎনা উরকত্রবা অহীং মচিন) স্ফুরতি (চংলক্লবদা) নিরবসাদাং (অবাবা কোক্লবী) রচিত (শেৎলবা) রুচির

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দূতীনা হায়বহ্ন ঈশৈনা হায়রি।

গীতং ।২০।

বসন্তরাগ যতিতালাভ্যাং গীয়তে।

বিরচিত চাটুবচনরচনং চরণেরচিতপ্রণিপাতং।
সম্প্রতিমঞ্জুলবঞ্জুলসীমণিশয়নমনুযাতং॥
মুগ্ধে মধুমথনমনুগতমনুসর রাধিকে ॥২॥ ধ্রুবম্ ॥

(নিংথিজরবা) বেশাং (ফীজেৎপু)=রচিত রুচির বেশাং (নিংথিজবা ফীজেৎনা লৈতেংলবী) রাধা (শ্রীরাধদা) জগাদ (হায়খি) ॥১॥

অনুবাদ ঃ—নিংথিজনা লৈতেংহ্নুনা লাক্লবা শ্রীকৃষ্ণসিনা শজীমীত্তা তারবী রাধাদা মতম কুইনা হায়জহ্নুনা অশাউবা কোকহন্দুনা পেন্দ-হল্লম্নগা কুঞ্জগী শয্যাদা লেংশিনথ্রবদা কনাগুম্বী দূতীনা অহিং চং-লক্তুনা মম্বনা মীশকমীশা থংবা ঙম্নকত্রবা মতম অহুদা নিংথিজরবা লৈতেং শেৎচারবী অরাবা কোক্তুনা লৈরবী রাধাদা য়েংলহ্নুনা হায়খি ॥১॥

পদানুবাদ ঃ—হে মুগ্ধে রাধিকে (হে অপংবী রাধিকা) বিরচিত (তৌরম্লবা) চাটুবচন রচনং (হুংশিবা রাহৈ মথংমনাও ঙাংববু)=বিরচিত চাটুবচন রচনং (হুংশিরবা রাহৈ মথংমনাও ঙাংলম্লবা) চরণে (নখোংদা) রচিত (তৌরম্লবা) প্রণিপাতং (খুরুম্ববু)—চরণে রচিত প্রণিপাতং (নখোংদা খুরুমজরম্লবা) সম্প্রতি (হৌজিক্তা) মঞ্জুল বঞ্জুল সীমনিশয়নং (নিংথিজরবা বেতসকুঞ্জগী মহুংদা লৈরবা শয্যাদা) অনুযাতং (চংশিনথ্রবা) অনুগতং (নতুংইঞ্জরবা) মধুমথনং (শ্রীকৃষ্ণগী, শ্রীকৃষ্ণবু) অনুসর (মতুং ইন্দুনা চংলো) ॥২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীরাধিকাবু থুনা চৎনবা ইনশিল্লি।

ঘনজঘনস্তনভারভরে দরমন্থর চরণ বিহারং।
মুখরিতমণিমঞ্জীরমুপৈহিবিধেহিমরালনিকারম্ ॥৩॥
শৃণুরমণীয়তরং তরুণীজনমোহনমধুরিপুরাবং।
কুসুমশরাসনশাসনবন্দিনিপিকনিকরেভজভাবম্ ॥৪॥

অনুবাদ :—হে অপংবী ইতা রাধে! নংঙোন্দা রাহৈ ব্রাতা হৈশিংনা ঙাংহনা থেমজিল্লম্লবা, নখোঙ্দা নোল্লুক্সা থুরুমজরম্লবা, হৌজিক্তা বেতসকুঞ্জগী মন্থুঃদা শেম্লিবা শয্যাদা চংথ্রিবা, নহাক্সা হায়রিবমথৈ ইল্লবা শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্তা নহাকসু চংশিনবিগ্রো ॥২॥

পদানুবাদ :—হে ঘনজঘন স্তনভারভরে (নোয়রবা খাং মখা চাউরবা থবাক্কী অতোংবগা অনিগী অরূম্বা পুরবী হে রাধে) দরমন্থর (থর তপ্পা) চরণ বিহারং (নখোঙ্ থাংহনা) মুখরিত (খোংহল্লহনা, মখোল হৌহল্লহনা) মণিমঞ্জরীং (মণিনা শাবা নূপুরনা)—মুখরিত মণি মঞ্জরীং (মণিনা শাবা নূপুরবু মখোল হৌহল্লহনা) উপৈহি (চৎপিরো, য়ৌবিরো) মরাল (কাংঙগী হায়বদি কাংঙগী খোঞ্জেলগী) নিকারম্ (মায়থীবা পীনবরু) বিধেহি (তৌবিরো) ॥৩॥

অনুবাদ :—চাউরবা ফৈবোম চাউরবা থবাক অতোংবগী অরূম্বা পুম্বনা শাজৎ তপ্লবী হে রাধে! নংনা তপ্পা তপ্পা চৎথিঙনা নখোংদা শিরিবা মণিনা শাবা নূপুর অহনা মখোল থোকহন্দুনা কাংঙ কৌবা উচেক্কী খোঞ্জেলবু মায়থীবা পীনবা মতৌহ্ তৌবিরো ॥৩॥

পদানুবাদ :—ত্বং (নহাক্সা) রমণীয়তরং (নীংথিজরবা) তরুণীজনমোহন (নহাওইরিবীশিংগী শুক্সৎনবগী মশক ওইরবা) মধুরিপুরাবং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অনিলতরলকিশলয়নিকরেণকরেণলতানিকুরম্বং ।
প্রেরণমিবকরভোরুকরোতিগতিংপ্রতিমুঞ্চবিলম্বম্ ॥৫॥

(শ্রীকৃষ্ণগী খোঞ্জেলবু) শৃণু (তারুচৌ), কুসুমসরাসন (কামদেবগী) শাসন (য়াথংবু) বন্দিনি (স্তুতি ওইনা খোংলবা, নিংথিজবা রাহৈনা খোংলবা) পিকনিকরে (কোকিল ময়ামদা) ভাবং (প্রেম লৈবা মতৌবু) ভজ (নিংবিরো, উহনবিরো)। [কোকিলনা খোংশিন্নহুনা শ্রীরাধাদা অশাউবা থাদোক্তুনা শ্রীকৃষ্ণগী সেবা তৌরুরো হায়হুনা তাক্লি মাসিগী মতুং ইন্না চৎলো তাক্লিবা কোকিলশিংদা শাউগনু হায়হুনা তাকপতনি] ॥৪॥

অনুবাদ ঃ—ইতা ইবেম্মনা চৎলগা নহাওইরিবী নুপীশিংগী মফমদা শুদ্ধৎনবগী মশক ওইনা ঙাংবা শ্রীকৃষ্ণগী রাহৈ রাতা ফজবা পুন্নমক তারুরো অমসুং কামদেবগী য়াথং লাউথোকপগুম নিংথিজরবা খোঞ্জেল্লা খোংলবা কোকিলশিংগী মফমদা প্রেম লৈবা মতৌ উহল্লুরো ॥৪॥

পদানুবাদ ঃ—হে করভোরু (হে ফৈবোম চাউরবী) লতানিকুরম্বং (উরী ময়ামসিনা) অনিলতরল (নুংশিৎনা লেংহল্লবা) কিশলয় নিকরেণ (অনৌবা য়েন্নীং মপৈনা) করেণ (খুৎ ওইরহুনা) গতিং প্রতি (চৎননবগী মরমদা) প্রেরণং ইব (থৌদাবগুম, ইনশিনবগুম) করোতি (তৌরি) অতঃ (মরম অতুদগী) বিলম্বং (থিল্লিবদো, নিংঙাইবা লৈত্রিবদো) মুঞ্চ (থাদোক্লো) ॥৫॥

অনুবাদ ঃ—হে ফৈবোম চাউরবী রাধে ! হৌজিক উরী ময়াম অসিনা, নুংশিৎনা য়ৈহুনা হাইহল্লবা য়েন্নীং ময়াম অসিনা খুৎ ওইর-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্ফুরিতমনঙ্গতরঙ্গবশাদিব সূচিত হরি পরিরম্ভং ।
পৃচ্ছমনোহরহারবিমলজলধারমমুং কুচকুম্ভম্ ॥৬॥
অধিগতমখিলসখীভিরিদং তববপুরপিরতিরণসজ্জং ।
চণ্ডিরণিতরসনারবডিণ্ডিমমভিসরসরসমলজ্জম্ ॥৭॥

হুনা থোদাবগুম শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্তা চৎলো হায়হুনা তাক্লি । মরম অহুনা চংশিনবদা থিনবা তৌরগনু ॥৫॥

পদানুবাদ :—অনঙ্গ (কামগী) তরঙ্গবশাৎ (ইরা হোৌবনা খুহুম চনবদগী) স্ফুরিতং ইব (তনিক তনিকপগুম্নবা) সূচিত (খংহল্লবা, তাক্লবা) হরি (শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা) পরিরম্ভং (রতিক্রীড়া শান্ননিংববু) —সূচিত হরি পরিরম্ভং (কৃষ্ণগা লোয়ননা রতিক্রীড়া শান্ননিংবা তাক্লবা) মনোহর হার (পুক্লীংহুরবা লীক পরেংনা) বিমল জলধারং (নিংথিজরবা ঈশিংগী ঈচেল ওইরবা) অমুংকুচকুম্ভং (কুচ চফু অহুদা) পৃচ্ছ (হংবিউ) ॥৬॥

অনুবাদ :—ইতা ইবেম্মা নহাক্লা রতিক্রীড়া শান্ননিংবগী খাথন্না খুহুম চন্দুনা তনিক তনিক্লহুনা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্ননীংবা মতৌ তাক্লবা, থবাক্তা শিরিবা নিংথিজরবা লীক পরেংনা লূরবা ঈশিংগী ঈচেলগী মতৌগুম্না লৈতেংলবা চফুগুম্নববু অহুদসু হংবিউ ॥৬॥

পদানুবাদ :—অখিল সখীভিঃ [সখী ময়াম অসিনা] তব [নহাক্কী] ইদংবপুঃ [হকচাং অসিবু] রতিরণসজ্জং [কামযুদ্ধগী ফীজেৎ শেৎলে হায়বা] অধিগতং [খংলে], হে চণ্ডি [হে শাউগল্লবী] রণিত [মখোল হোৌরবা, খোংলবা] রসনারব [খাং শরীক্কী মখোলসিনা] ডিণ্ডিমং [ডিণ্ডিম কৌবা লান্দা য়ৈবা পুং ওইরহুনা], সরসং [হরাও হরাওনা]

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

স্মরশরসুভগনখেনকরেণসখীমবলম্ব্য সলীলং।
চলবলয়ক্বণিতৈরববোধয় হরিমপিনিজগতিশীলম্ ॥৮॥
শ্রীজয়দেব ভণিতমধরীকৃত হারমুদাসিত রামং।
হরিবিনিহিতমনসামধিষ্ঠতুকণ্ঠতটীমবিরামং ॥৯॥

অলজ্জং [ইকাইবা লৈতনা] কৃষ্ণং [শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্তা] অভিসর [চৎলো] ॥৭॥

অনুবাদঃ—হে ইতা ! সখী ময়াম্না নহাক্কী নশা অসিবু কামযুদ্ধগী ফীজেৎ লৈতেং শেৎলে হায়বা হাম্না থণ্ড্লে, মরম অত্থনা হে শাউ-গল্লবী ইতা ইবেম্মা ! খাং শরীক মখোল অসিনা লাল তৌবদা য়ৈবা ডিণ্ডিম কৌবা পুংগী মখোল ওইহল্লত্থনা হরাওনা ইকাইবা লৈতনা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎলো ॥৭॥

পদানুবাদ :—স্মরশরসুভগ [কামদেবগী তেনগুম্না ফজরবা] নখেন করেণ [খুজীল পাল্লবা খুৎনা] সখীং অবলম্ব্য [সখীদা য়াল্লত্থনা] সলীলং চল [হরাও হরাও চৎলো] বলয়ক্বনিতৈঃ [খুজীগী মখোল-শিংত্থনা] নিজগতিশীলম্ [নহাক লাক্কনি থন্দুনা লৈরবা] হরিং অপি [শ্রীকৃষ্ণত্থবুসু] অববোধয় [খঙহল্লো] ॥৮॥

অনুবাদ :—হে ইতা রাধে ! কামদেবগী তেনগুম্না ফজরবা খুজিল পাল্লবা নখুত্তুনা সখীশিংগী লেংবান্দা য়ান্দুনা হরাও হরাওনা শ্রীকৃষ্ণ গী নাক্তা চৎলো অমসুং চৎপদা হাইহুম্নরা খুজীগী মখোল অত্থনা নংবু লাকপা য়েংত্থনা লৈরবা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা লাক্লে হায়বা পাউ তাকহল্লো ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দূতীনা য়াম্না হৃংশিরমগদৌরিবা কৃষ্ণবু তাক্লি।

সামাংদ্রক্ষ্যতিবক্ষ্যতিস্মরকথাং প্রত্যঙ্গমালিঙ্গনৈঃ
প্রীতিংযাস্যতিরংস্যতেসখিসমাগত্যেতিসঞ্চিন্তয়ন্
সত্বাংপশ্যতিবেপতেপুলকয়ত্যানন্দতিস্বিদ্যতি
প্রত্যুদ্গচ্ছতিমূর্চ্ছতিস্থিরতমপুঞ্জেনিকুঞ্জেপ্রিয়ঃ ॥১০॥

পদানুবাদ :—শ্রীজয়দেবভণিতং [শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা] অধরীকৃত [মায়থীবা পীরবা] হারং [লিকপু] — অধরীকৃত হারং [লিকপরেংবু মায়থীবা পীরবা, লিকপরেংদগী হেন্না ফজরবা] উদাসিত [নিন্দা পীরবা] রামং [নুপীবু] — উদাসিত রামং [নুপীবু মায়থীবা পীরবা, নুপীদগী হেন্না ফজরবা] ইদং গীতং [ঈশৈ অসিনা] হরিবিনিহিত [হরিদা থম্লবা] মনসাং [পুক্নীংশিংগী] — হরিবিনিহিত মনসাং [শ্রীকৃষ্ণদা পুক্নীং থম্লবা ভক্তশিংগী] কণ্ঠতটাং [খোরীচরমদা] অবিরামং [পোথাবা লৈতানা, ইতত্তত্তনা] অধিতিষ্ঠতু[লৈরসনু]॥৯॥

অনুবাদ :—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা নিংথিজরবা লিকপরেংদগী হেন্না ফজরবা, নিংথিজরবা নুপীদগীসু হেন্না ফজরবা ঈশৈ অসিনা শ্রীকৃষ্ণবু নীংলবা ভক্তশিংগী ওকশমদা ইতত্তত্তনা লৈরসনু হায়বদি শক্লসনু ॥৯॥

পদানুবাদ :—সখি [হে ইতাইবেম্মা রাধে] সঃপ্রিয়ঃ [চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণহুনা] স্থিরতমপুঞ্জে [লেঙদনা লৈরবা অমম্বা মপৈনা তিল্লবা] নিকুঞ্জে [নিকুঞ্জবনদা] সা আগত্য [মহাক্না লাক্লগা, শ্রীরাধানা লাক্লগা] মাং দ্রক্ষ্যতি [ঐবু য়েংলগনি] স্মরকথাং বক্ষ্যতি [সুরতলীলাগী রা ঙাংলগনি] প্রত্যঙ্গং আলিঙ্গনৈঃ [হকচাং পুম্নমক্তা আলিঙ্গন

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অমম্ববু অভিসার চৎপদা মত্তিক চারে হায়রদু তাক্লি ।

অক্ষোর্নিক্ষিপদঞ্জনং শ্রবণয়োস্তাপিঞ্ছগুচ্ছাবলীং
মূর্দ্ধ্নি শ্যামসরোজদামকুচয়োঃকস্তূরিকাপত্রকম্ ।
ধূর্ত্তানামভিসারসত্বরহৃদাংবিষ্বঙ্নিকুঞ্জে সখি
ধ্বান্তংনীলনিচোলচারুসুদৃশাংপ্রত্যঙ্গমালিঙ্গতি ॥১১॥

তৌহনা] প্রীতিং যাস্যতি [নুংঙাইবা ফংলগনি] রংস্যতে [রতিক্রীড়া শান্নগনি] ইতি [অসুম্না] সঞ্চিত্যন্ [খল্লখল্লহনা] ত্বাং [নহাকপু, ইতারাধা নহাকপু] পশ্যতি [য়েংলি] বেপতে [নীক্লি] পুলকয়তি [তুজুংলি] আনন্দতি [হরাউরি] স্বিদ্যতি [হুমাংশৌরি] প্রত্যুদ্গচ্ছতি [ফুক্ হোৎলি] মূর্চ্ছতি [রান্থরি] ॥১০॥

অনুবাদ :—হে ইতা ইবেম্মা রাধা ! নহাক্কী চান্নথোক্লবা ইরুংঙো শ্রীকৃষ্ণহনা নহাক্কা শুরুমল্লবা কুঞ্জগী মনুংদা চংলক্লগা ঐবু য়েংলগনি, সুরত লীলাগী রা ঙাংলগনি, হকচাংগী মফম পুম্নমক্তা আলিঙ্গন তৌহনা নুংঙাইবা ফংলগনি, রতিক্রীড়া তৌগনি অসুম্না খল্ল-খল্লহনা, ইতা রাধা নহাকপু য়েংদুনা নৈরি, নীক্লি, তুজু লি, হরাউ-রি, হুমাংশৌরী, ফুকহোৎলি অমসুং রান্থরি ॥১০॥

পদানুবাদ :—হে সখি [হে ইতা রাধে] বিষ্বক্ নিকুঞ্জে [নিকুঞ্জগী মফম পুম্নমক্তা] নীল [অশংবা] নিচোল [ফিগুম্না] চারু [ফজরবা] ধ্বান্তং [অমম্বসিনা] অভিসার সত্বরহৃদাং [অভিসার থুনা পাম্লবী] ধূর্ত্তানাম্ [লৌনম্ চাউরবী] সুদৃশাং [নুপীশিংগী] অক্ষোঃ [মীৎ অনিদা] অঞ্জনং [কজ্জল ওইনা] শ্রবণয়োঃ [নাকোং অনিদা] তাপিঞ্ছ [তমাল পাম্বিগী] গুচ্ছাবলীং [লৈ চরোং ময়াম ওইনা] মূর্দ্ধ্নি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অমন্থ অমুকস্থ হায়রি।

কাশ্মীর গৌরবপুষামভিসারিকাণা (১)
মাবদ্ধরেখমভিতোরুচি মঞ্জরীভিঃ।
এতত্তমালদলনীলতমং তমিস্রং
তৎপ্রেম হেমনিকষোপলতাং তনোতি ॥১২॥

[কোক্তা] শ্যাম সরোজ [অশ্লংবা থম্বাল্লগী] দাম [পরেং ওইনা] কুচ–যোঃ [থবাক্কী অত্তোংবা অনিদ্বা] কস্তূরিকাপত্রকং [কস্তূরি চন্দনগী মপাক ওইনা] নিক্ষিপৎ [হাপ্লচিল্লহন] প্রত্যঙ্গং [হকচাংগী মফম থুম্নমক্তা] আলিঙ্গতি [কোল্লি, পক্লিপ্লি] ॥১১॥

অনুবাদ :—হে ইত্তা রাধে! নহাক্না ইন্নুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চৎপদা কন্না অমত্তনস্থ উগদবা নৈহেত্তে করিননো হায়বরু কুঞ্জগী লম থুম্নমক অনিদা নিংথিজরবা ফী অশ্লংবগী মশক ওইরবা অমম্বসিনা অভিসার তৌরিবী, লৌনমচাউরবী, ফুপীশিংগী মীৎঅনিদ্বা কজ্জল কোবা মীৎপান্দা নৈতেননবা অমুবা হিদাক ওইরে, নাকোং অনিদা তমাল মপানগী [নৈগী] চরোং ওইরে, কোক্তা থম্বাল অশ্লংবগী পরেং ওইরে, থবাক অত্তোংবা অনিদা কস্তূরিকা চন্দনগী মপাক ওইরে, অম্সুম হেৎহনা হকচাং থুম্নমক্তা শিন্দুংনা থুমখিবনা অঙানবা কোবা নৈলেখিদ্রে ॥১১॥

পদানুবাদ :—কাশ্মীর [কুঙ্কুম চন্দনগুম্বা] গৌরবপুষাং [কুচ ঙৌরবী, হকচাং ঙৌরবী] অভিসারিকাণাং [অভিসার তৌরিবী ফুপী–শিংগী] রুচিমঞ্জরীভিঃ [নিংথিজরবা মঙাল খিবিক্কা] অভিতঃ [ইকোয় কোয়বদা, মাইকৈ মরিমক্তা] আবদ্ধরেখং [ময়ী ওইনা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হারাবলীতরলকাঞ্চন কাঞ্চিদাম
মঞ্জীরকঙ্কণমণিদ্যুতি দীপিতস্য।
দ্বারেনিকুঞ্জনিলয়স্য হরিংবিলোক্য
ব্রীড়াবতীমথ সখীমিয়মিত্যুবাচ ॥১৩॥

তারবা] তমালদল [তমাল মনাগুম্না] নীলতমং [থোইদোক্লা মুরবা] এতৎ তমিস্রং [অমম্বসিনা] তৎ প্রেম [মখোয়গী প্রেমনা ওইরব] হেম [সনাগী] নিকষ [নিকষ কৌবা] উপলতাং [মুংগী মতৌবু] তনোতি [শন্দোক্লি, ওইরি] ॥১২॥

অনুবাদ ঃ—কুঙ্কুম চন্দনগুম্না হকচাং ভৌরবী অভিসার তৌরবী নুপীশিংগী নিংথিজরবা অঙ্গ কান্তিনা [হকচাংগী কুচুনা] মাইকৈ পুন্নমক্তা ময়ি তাবগুম লৈতেংলবা তমাল মনা ময়ামগা লোয়নবদা থোইদোক্লা মকশিন্না মুরবা অমম্বা অসিনা নায়িকাশিংগী প্রেমনা ওনগ্রবা স্নাগী অফবা ফত্তবা য়েংননবা নিকষ কৌবা মুংগী মতৌ ওইখ্রে ॥১২॥

(১) অভিসারগী লক্ষণ.—"কান্তার্থিনীতু যা যাতি সঙ্কেতং সাভিসারিকা" ইত্যমরঃ।

পদানুবাদ ঃ—অথ [অত্থগী তুংদা] ইয়ংদূতী [দুতী অসিনা] হারাবলী [লীক পরেংনা] তরল [হাইহুম্লবা] কাঞ্চন কাঞ্চি দাম [সনানা শাবা খাংগোই পরেংনা] মঞ্জীর (নূপুরনা) কঙ্কন (খুজীনা) মণিদ্যুতি (মণিগী মঙালনা) দীপিতস্য (ঙাল্লবা) নিকুঞ্জনিলয়স্য (নিকুঞ্জনা ওইরবা য়ুমগী)দ্বারে (থোঙ্ জিন্দা) হরিং (শ্রীকৃষ্ণবু) বিলোক্য (উরগুনা) ব্রীড়াবতীং সখীং রাধাং (ইকায়তুনা লৈরবী মতা রাধাদা) ইতি (অসুম্না) উবাচ (হায়খি) ॥১৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

খাদু ঈশৈনা হায়রি।
গীতং । ২১ ।
দেশবরাড়ীরাগ রূপকতালাভ্যাংগীয়তে।

মঞ্জুতরকুঞ্জতলকেলিসদনে
প্রবিশরাধেমাধবসমীপমিহ-
বিলসরতিরভসহসিতবদনে ॥১৪॥

অনুবাদ ঃ—অহুগী তুংদা শ্রীরাধিকানা লাক্কুনা কুঞ্জগী থোংজিন্দা থুংলরে, রাধাগী হকচাংদা লৈতেংলিবা সনানা শাবা লীকপরেং, সনানা শাবা খ্বাংগোই পরেং, নূপুর, খুঙ্গী মণিনচিংবগী মঙান্না নিকুঞ্জগী য়ুম অহুগী থোংজিন্দু পুমঙান ঙানপ্র হুনা শ্রীকৃষ্ণনা লৈরিবহু উরবদা হায়া (মমাংঙৈদা) থীনা হায়খ্রগা কোন্না (কাইথংদা) চান্ন-রকপগী মতৌনা ইকাইহুনা লৈরবী মতা ইবেম্মগী (শ্রীরাধাগী) মফমদা দূতীনা মথাদা হায়রিবশিং অসি হায়খি ॥১৩॥

পদানুবাদ ঃ—রতি (সুরতক্রীড়া) রভস (পামশিনবগা লোয়ননা) হসিতবদনে (মোন নোক্লবী) হে রাধে (হে রাধে) ইহ (মতম অসিদা) মঞ্জুর (নিংথিজরবা) কুঞ্জতল (কুঞ্জগী মথোংদা লৈরবা) কেলিসদনে (শান্নবা য়ুমসিদা) মাধব সমীপং (শ্রীকৃষ্ণগী মনাক্ত) প্রবিশ (চংবি-রে) পশ্চাৎ (অহুগী তুংদা) বিলস (শান্নবিরো) ॥১৪॥

অনুবাদ ঃ—সুরতক্রীড়া পাম্বনা মোমোন নোক্লবী হে ইতা রাধে! থিল্লুহনা কান্নবা লৈত্রে, হৌজকমক নিংথিজরবা কুঞ্জগী মহুংদা লৈরবা শান্নবা য়ুমসিদা লৈরবা ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংহুনা শান্ন রুরো ॥১৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

নবভবদশোক দলশয়ন সারে
প্রবিশরাধে মাধব সমীপমিহ
বিলসকুচকলস তরল হারে ॥১৫॥
কুসুমচয়রচিতশুচি বাসগেহে
প্রবিশরাধে মাধব সমীপমিহ
বিলস কুসুম সুকুমারদেহে ॥১৬॥

পদানুবাদ :—কুচকলস (কুচ চফু অনিদা) তরলহারে রাধে (লীক্লা হাইহুম্নবী রাধে) ইহ (মতম অসিদা) নবভবৎ (অনৌবতনা তিল্লবা) অশোকদল (অশোক কৌবা লৈগী মনানা শারবা) শয়ন সারে (অথোইবা শয্যাদা) মাধবসমীপং (শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা) প্রবিশ (চং-বিরো) পশ্চাৎ (তুংদা) বিলাস (শান্নবিরো) ॥১৫॥

অনুবাদ :—থবাক্পী অতোংবা অনিগী মথক্তা সনাগী লীকপরেংনা হাইহুম্নবী রাধে! হৌজিক অসিদা অশোক কৌবী উরীগী নৌরবা মনানা নিংথিজনা শারবা পুক্নীং হুরবা নবশয্যাদা চংহুনা শ্রীকৃষ্ণগা লোয়ননা শান্নরুরো ॥১৫॥

পদানুবাদ :—হে কুসুম সুকুমার দেহে (হে লৈগুম্ন হকচাং নৌরবী রাধে) ইহ (মতম অসিদা) কুসুমচয় (লৈ ময়াম্না) রচিত (শেম্নবা, শারবা) শুচি (শেংলবা, কনাগুম্বী নায়িকাগা লোয়ননা শান্নড্রিবা) বাস (মনম হুংশিরবা) গেহে (উনাশঙ্‌দা) মাধব সমীপং (শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা) প্রবিশ (চঙে্লা) বিলস (শান্নরুরো) ॥১৬॥

অনুবাদ :—হে লৈগুন্না হকচাং নৌরবী রাধে! মতম অসিদা লৈ ময়াম্না শেম শারবা শেংলবা, কনাগুম্বী নায়িকাগা লোয়ননা শান্ন-ড্রিবা মনমহুংশিরবা উনাশঙ্‌দা শ্রীকৃষ্ণগীনাক্তা চংলো শান্নরুরে ॥১৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

চল মলয়বন পবন সুরভি শীতে,
প্রবিশরাধে মাধব সমীপমিহ
বিলস রতিবলিত ললিতগীতে ॥১৭॥
বিতত বহুবল্লিনব পল্লবঘনে,
প্রবিশরাধে মাধব সমীপমিহ
বিলস চিরমলস পীনজঘনে ॥১৮॥

পদানুবাদ ঃ—রতি বলি ৬ (রতিক্রীড়াগী রাথন্না কনথৎলকপনা) ললিত গীতে রাধে (হুংশিরবা ঈশৈ শক্লবী রাধে) চল (শিৎলঙ্গবা) মলয়বনপবন (মলয়পর্ব্বতকী বনগী হুংশিৎনা) সুরভি (মনমহুংশিনা) শীতে (ইংহল্লবা) ইহ বাসগেহে (মনম হুংশিরবা উনাশঙ্দা) মাধব সমীপং (শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা) প্রবিশ (চংলো) বিলস (শাম্নরুরো) ॥১৭॥

অনুবাদ ঃ—রতিক্রীড়াগী রাথন্না কনশিল্লকপনা হুংশিরবা ঈশৈ শক্লবী হে রাধে! মলয়পর্ব্বতকী বনগী হুংশিৎনা শিৎলক্তুনা মনম হুংশিনা ইংহল্লবা নিংথিজরবা কুঞ্জগী লৈগী শয্যাদা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংতুনা শাম্নরুরো ॥১৭॥

পদানুবাদ ঃ—অলস পীনজঘনে রাধে (থাং মথা চাউবনা লেংঙম শাঙমত্রবী হে রাধে) বিতত (হাইথরক্লবা, ইকোয় কোয়শিল্লবা) বহু বল্লি (অয়াম্বা উরীগী) নবপল্লবঘনে (অনৌবা য়েন্নীংনা মংলবা) শুচি ইহ বাসগেহে (মনম হুংশিরবা উনাশঙ্ অসিদা) মাধব সমীপং (শ্রীকৃষ্ণ মনাক্তা) প্রবিশ (চংলো) চিরং (মতম কুইনা) বিলস (শাম্নরুরো) ॥১৮॥

অনুবাদ ঃ—খাং মথা নোয় চাউবনা খোংথাং তপ্লবী হে রাধে! উরী ময়ামগী মতোম্না ইকোয় কোয়না হাইথরক্তুনা য়েন্নীং অনৌবনা ইমং মংলবা (শুক্লবা) শেংলবা মনম হুংশিরবা উনাশঙ্ অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংতুনা মতম কুইনা শাম্নরুরো ॥১৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মধুমুদিত মধুপকুল কলিত রাবে,
প্রবিশ রাধে মাধব সমীপমিহ
বিলসমদনরস সরস ভাবে ॥১৯॥
মধুরতর পিকনিকর নিনদমুখরে,
প্রবিশরাধে মাধব সমীপমিহ
বিলস দশনরুচিরুচির শিখরে ॥২০॥

পদানুবাদ :—হে মদনরস সরস ভাবে রাধে (হ শৃঙ্গার রসগী হুং-ঙাইবনা তিল্লবী রাধে) মধুমুদিত (লৈহী থঙুনা হরাউরবা) মধুপ-কুল (খোইমু মপৈনা) কলিত (তৌরবা) রাবে (ঙংবদা, খোংবদা)= কলিত রাবে (ঙুং ঙুং ঙংলবা) ইহশুচি বাস গেহে (শেংলবা মনম হুংশিরবা উনাশঙ্ অসিদ) মাধব সমীপং (শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা) প্রবিশ (চংলো) বিলস (শান্নরুরো) ॥১৯॥

অনুবাদ :—শৃঙ্গার রসগী রাথল খন্দুনা হরাউরবী হে রাধে ! লৈহী থঙুনা হরাউরবা খোইমু মপৈনা ঙুং ঙুং ঙংথুনা তিল্লবা, শেংলবা মনম হুংশিরবা উনানা ইকোয় কোয়শিল্লবা নব শয্যাদা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংবিরো অমসুং শান্নবিরো ॥১৯॥

পদানুবাদ :—দশন রুচি (য়াগী মঙাল্লা) রুচির শিখরে রাধে (ফজ-রবা শিখর কৌবা মণিগুম্না ঙাল্লবী রাধে) মধুতর (নিংথিনা) পিক-নিকর (কোকিল ময়ামগী) নিনদ (খোঞ্জেল্লা) মুখরে (ইনিন নিল্লবা) ইহশুচি বাসগেহে (শেংলবা মনম হুংশিরবা উনাশঙ্ অসিদ) মাধব সমীপং প্রবিশ বিলস (শ্রীকৃষ্ণগীনাক্তা চংশিল্লো অমসুং শান্নরুরো) ॥২০॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিহিত পদ্মাবতী সুখ সমাজে,
কুরু মুরারে মঙ্গলশতানি
ভণতি জয়দেবকবিরাজ রাজে ॥২১॥

ত্বাং চিত্তেনচিরং বহন্নয়মতিশ্রান্তো ভৃশন্তাপিতঃ
কন্দর্পেণ চ পাতুমিচ্ছতি সুধাসম্বাধ বিম্বাধরম্।
অস্যাঙ্কং তদলং কুরু ক্ষণমিহভ্রূক্ষেপলক্ষ্মীলব
ক্রীতেদাসইবোপসেবিতপদাম্ভোজেকুতঃসম্ভ্রমঃ ॥২২॥

অনুবাদ :—য়াগী মঙাম্না কভোই মচু মাল্লবা শিখর কৌবা মণি-গুম্না ফজরবী হে রাধে! কোকিল ময়ামগী নিংথিজরবা খোঞ্জেম্না ইনিন নীম্না খোংলবা, শেংলবা অতৈ নায়িকাগা লোয়ননা শান্নম্রিবা মনম হুংশিরবা উনাশঙ্, অসিদা শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংহুনা শান্নরুরো ॥২০॥

পদানুবাদ :—হে মুরারে [হে মুর কৌবা হিংচাবগী য়েক্লবা কৃষ্ণ] বিহিত [হোৎনরবা] পদ্মাবতী [শ্রীরাধাগী] সুখ [হুংঙাইনবা] সমাজে [পুন্নমকপু] — বিহিত পদ্মাবতী সুখ সমাজে [শ্রীরাধাগী হুংঙাইনবা পুন্নমক হোৎনরবা] ভণতি [লাইরিক লেংজরবা] জয়দেব কবিরাজ রাজে [জয়দেব কৌবা কবি নিংথৌগী নিংথৌদঃ] মঙ্গল শতানি [মঙ্গল চামবু] কুরু [তৌবিউ] ॥২১॥

অনুবাদ :—হে মুরারে! শ্রীরাধিকাগী নম্রগা পদ্মাবতী হুংঙাই-নবা সেবা পুন্নমক হোৎনজরবা, গীতগোবিন্দ লেংজরবা কবিরাজ রাজ জয়দেবদা মঙ্গল চাম তৌবিউ ॥২১॥

পদানুবাদ :—হে রাধে [হে ইতা রাধে] চিত্তেন [পুক্নিংনা] ত্বাং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সা সসাধ্বস সানন্দংগোবিন্দে লোললোচনা ।
শিঞ্জানমঞ্জুমঞ্জীরংপ্রবিবেশ নিবেশনম্ ॥২৩॥

[নহাকপু] চিরং বহন্ [মতমকুইনা থল্লহুনা] অতিশ্রান্তঃ [য়াম্না রাজ-রবা] কন্দর্পেণচ [কামদেবনস্তু] ভৃশং [থোইদোক্না] তাপিত [চাক-হল্লবা। অয়ং কৃষ্ণঃ [শ্রীকৃষ্ণ অসিনা] সুধা সম্বাধ [অমৃত হেল্লবা] বিম্বাধরং [অধরামৃতবু] পাতু ইচ্ছতি [থক্কে হায়না নিংলি], তৎ [মরম অতুদগী] অস্য অঙ্কং [মাগী তম্পাক্তা] ক্ষণং [ওাইহাক্তং] অলং কুরু [লৈতেং ওইবিউ], ভ্রূক্ষেপ লক্ষ্মী [পীশুম থেকপগী ফজবা] লবক্রীতে [থজিক্তনা লৈরবা] দাস ইব [মীনাইগুম্না] উপসেবিত [সেবা তৌগদৌরিবা] পদাম্ভোজে [খোং থম্বালদা]—উপসেবিত পদাম্ভোজে [খোং থম্বালদা সেবা তৌগদৌরিবা] ইহ কৃষ্ণে [শ্রীকৃষ্ণ অসিদা] কুতঃ [কদাইদগী] সম্ভ্রমঃ [কিরুরিবা] ॥২২॥

অনুবাদ :—হে ইতা রাধে ! মানসিকনা ধ্যান তৌর তৌরহুনা মতম কুইনা লৈরকপসিনা থোইদোক্না রাজরবা অমস্তুং কামদেবনস্তু থোইদোক্না চাকহল্লবা শ্রীকৃষ্ণসিনা নহাক্কী অমৃত ওমজরবা অধরামৃতবু পান তৌগে হায়না নিংলি, মরম অতুনা মহাক্কী তম্পাক্তা ওাইহাক্তা লৈতেং ওইবিউ, পীশুম থেক্না চিংনা য়েংবা মীৎচি থজিক্তনা মমল ওইহুনা লৈরগা মীনাইগুম শিজিন্নগদৌরিবা শ্রীকৃষ্ণসিদা অতুক য়াম্না কিরুরিবা করিগীনো ? ॥২২॥

পদানুবাদ :—গোবিন্দে [শ্রীকৃষ্ণদা] লোল লোচনা [মমীৎ তথক তথক য়েংলবী] সা রাধা [রাধা অহুনা] নিবেশনম্ [উরীগী কুঞ্জদা] স সাধ্বস সানন্দং [অকিবগা হরাওবগা লোয়ননা] শিঞ্জান [হোইল্ল-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীরাধানা চংশিনব্রগা উরুগদবা পুন্নমক্তু ঈশৈনা হায়রি।

গীতং। ২২।

বরাড়ীরাগ রূপকতালাভ্যাংগীয়তে।

রাধা বদন বিলোকনবিকসিত বিবিধবিকারবিভঙ্গং।
জলনিধিমিববিধুমণ্ডলদর্শনতরলিততুঙ্গতরঙ্গং ॥২৪॥
হরিমেকরসং চিরমভিলষিত বিলাসং।
সা দদর্শগুরুহর্ষবশম্বদ বদনমনঙ্গবিকাশং ॥২৫॥ ধ্রুবম্ ॥

হুনা] মঞ্জু [নিংথিজরবা] মঞ্জীরং [নূপুরবু]—শিঞ্জান মঞ্জু মঞ্জীরং [নীংথিজরবা নূপুরবু মখোল থোকহল্-থোকহল্লহুনা] প্রবিবেশ [চংখ্রে] ॥২৩॥

অনুবাদ:—শ্রীকৃষ্ণদা মমিৎ চিংনা চিংনা তথক তথক য়েংলবী শ্রীরাধানা অকিবগা হরাওবগা লোয়ননা খোংদা শিরিবা নূপুরনা মখোল হুংশিনা ধ্বনি তৌর তৌরহুনা উরীগী কুঞ্জদা [লতা মণ্ডপ্তা] শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা চংশিনখ্রে ॥২৩॥

পদানুবাদ :— সা রাধা [শ্রীরাধ অতনা] রাধা বদন [রাধাগী মায়-থোং] বিলোকন [উরগা] বিকসিত [ফোংদোক্লবা] বিবিধ [মখল মথা য়াম্লবা] বিকার বিভঙ্গং [বিকারগী মতৌবু]—বিকসিত বিবিধ বিকার বিভঙ্গং [মখল মথা য়াম্লবা বিকারগী মতৌ ফোংদোক্লবা হায়বদি মীৎচিনা য়েংবা, তুজুংবনচিংবা ফীবম কায়বা মতৌ উৎলবা], বিধুমণ্ডল দর্শন [থাগী মকোয় উবনা] তরলিত [ইনোম নোম্না] তুঙ্গ [ৱাংলবা] তরঙ্গং ইথক হোৌরবা] জলনিধিং ইব [সমুদ্রগুম্লবা] একরসং [অমত্তদা হুংশিরবা, রাধাতদা হুংশিরবা], চিরং [মতম

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

হারমমলতরতারমুরসিদধতং পরিলম্ব্য বিদূরং
স্ফুটতর ফেন কদম্বকরম্বিতমিব যমুনাজলপূরম্ ॥২৬॥

কুইনা] অভিলষিত [পাম্লক্লবা, নিংলক্লব] বিলাসং [শান্নবব] — চিরং অভিলষিত বিলাসং (মতম কুইনা শান্নবা পাম্লক্লবা), গুরুহর্ষ (য়াম্না হরাওবনা) বশম্বদ (খুত্থমচল্লবা) বদনং (মায়থোংবু হায়বদি মায়থোং মকা লাম্লবা) অনঙ্গ বিকাশং (কাম ক্রীড়াগী রাখল ফোংলবা) হরিং (শ্রীকৃষ্ণবু) দদর্শ (উরে) ॥২৪॥২৫॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীমতিনা কুঞ্জদা চংখিবদা, মাগী মায়থোংবু উবদা মীংচিনা য়েংবা, তুজুংবা, হরাওবনচিংবা বিকার পুম্নমক ওইরবা, থাগী মকোয় উরগা ইনোম নোম্না ব্রাংনা ইথক হৌরবা সমুদ্রগী মতৌগুম্নবা, শ্রীরাধাতদা খাইদগী হেন্না প্রেম নৈরবা, মতম কুইনা শান্নগে নিংলক্লবা, থোইদোক্না হরাওহুনা মায়থোং মকা লাম্লবা, রতিক্রীড়াগী রাখল ফোংদোক্লবা শ্রীকৃষ্ণবু উরে ॥২৪॥২৫॥

পদানুবাদ ঃ—উরসি (থবাক্তা) বিদূরং (চোম্না) পরিলম্ব্য (য়ান্দুনা) অমলতরতারং (নীংথিজনা লংনা চাউরবা) হারং (মুক্তাপরেংবু) দধতং (শিরবা) স্ফুটতর (তাউরবা) ফেন (কোঙ্গোল) কদম্ব (মপৈনা) করম্বিত (তিল্লবা, কারবা) যমুনাজলপূরং ইব (যমুনাগী ঈশিংমপৈ-গুম্নবা) হরিং দদর্শ (শ্রীকৃষ্ণবু উরে) ॥২৬॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীকৃষ্ণগী থবাক্তা চোম্না য়ান্থহনা শিরিবা মুক্তাপরেং অহুনা অঙৌবা কোঙ্গোল তাউরবা যমুনাগী শংবাম্নবা ঈশিং মপৈগী মতৌগুম্না ফজরবা শ্রীকৃষ্ণবু উরে। মক্কম অসিদা "লিক্না কোঙ্গোল" গা শ্রীকৃষ্ণগী "থবাক্না ঈশিংগা" পান্দম তৌরি ॥২৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্যামলমৃদুলকলেবরমণ্ডলমধিগতগৌর দুকুলং।
নীলনলিনমিব পীতপরাগপটলভরবলয়িতমূলম্ ॥২৭॥
তরলদৃগঞ্চলচলনমনোহরবদনজনিতরতিরাগং।
স্ফুটকমলোদরখেলিতখঞ্জনযুগমিব শরদিতড়াগম্ ॥২৮॥

পদানুবাদ :—শ্যামলমৃদুল (শংবান্না নোরবা) কলেবর মণ্ডলং (হকচাংগী মপুম ওইরবা), অধিগত (শেৎলবা, ফংলবা) গৌরদুকুলম্ (নাপু মচুগী ফীগেৎ)=অধিগত গৌর দুকূলম্ (ফীগেৎ নাপু মচু শেৎলবা) পীতপরাগ (নাপু মচুগী লৈরিক) পটল (ময়াম্না) ভরবলয়িত (থোইদোক্না কোয়শিল্লবা) মূলং (মরুদা, মথোংদা)—ভরবলয়িত মূলং (মথোংদা নিংথিজনা কোয়শিল্লবা) নীল নলিনং ইব (অশংবা থম্মালগুম্নবা) হরিং দদর্শ (শ্রীকৃষ্ণবু উরে) ॥২৭॥

অনুবাদ :—থোইদোক্না নোনা শংবান্না ফজরবা হকচাংগী মচু অতুদা নাপু মচুগী ফীগেৎ ফৈজোম শেৎপদুনা থম্বাল অশংবগী মরুদা (মথোক্ত) নাপু মচুগী লৈরিক মপৈনা য়োমশিল্লগা ফজরগুম্না ফজরবা শ্রীকৃষ্ণবু উরে ॥২৭॥

পদানুবাদ :—শরদি (শরৎ ঋতুদা) স্ফুটকমলোদরে (শাৎকায়রবা থম্বালগী মতুংদা) খেলিত (শান্নরবা) খঞ্জন যুগং (খঞ্জন অনিনা, খাংত্রাংচাক কোবা উচেক অনিনা)—খেলিত খঞ্জনযুগং (খাংত্রাংচাক কোবা উচেক অনিনা শান্নরবা) তড়াগম্ ইব (পুখ্রীগুম্নবা), তরল (ইরা থোরবা) দৃগঞ্চল (মীৎচিনা) চলন (খত্তুনা, য়েংহুনা) মনোহর (পুক্নী চুরবা) বদন (মায়থোং অহুনা) জনিত (পোকহনখ্রবা) রতিরাগ (প্রেমগী ইরাংবু)=জনিত রতিরাগম্ (প্রেমগী ইরাং পোকহল্লবা) হরিংদদর্শ (শ্রীকৃষ্ণবু উরে) ॥২৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বদনকমলপরিশীলনমিলিতমিহিরসমকুণ্ডলশোভং ।
স্মিতরুচিকুসুমসমুল্লসিতাধরপল্লবকৃতরতিলোভম্ ॥২৯॥
শশিকিরণচ্ছুরিতোদরজলধরসুন্দরসকুসুমকেশং ।
তিমিরোদিতবিধুমণ্ডলনির্ম্মলমলয়জতিলকনিবেশম্ ॥৩০॥

অনুবাদ :—শরৎ ঋতু ওইরকপনা ফুগায়না শাৎলবা থম্বালগী মন্নুং-দা থাত্রাংচাক (উচেক) অনিনা শান্নরবা পুত্রীগুম্নবা, ইরা হৌরবা মীৎচিনা লৈনা কোইয়েং য়েংবদা পুক্নীং হুরবা মায়থোং অদুনা মুপী শিংগী প্রেমগী ইরাং পোকহল্লবা শ্রীকৃষ্ণবু উরে ॥১৮॥

পদানুবাদ :—বদন কমল (মায়থোং থম্বালবু) পরিশীলন (আলিঙ্গন তৌগে হায়দুনা) মিলিত (চংশিল্লক্লবা) মিহির সম (নুমিৎকা মান্নর-বা) কুণ্ডল শোভং (নায়িন্না লৈতেংলবা), স্মিতরুচি (মীনোক ফজব-দুনা) কুসুম (লৈ ওইরদুনা) উল্লসিত (ঙালহল্লবা) অধর পল্লব (চীন য়েন্নীংনা) কৃত (তৌহল্লবা) রতিলোভং (কাম ক্রীড়াগী মিহৌববু) = কৃত রতিলোভং (কাম ক্রীড়াগী মিহৌবা পোকহল্লবা) হরিং দদর্শ (শ্রীকৃষ্ণবু উখি) ॥২৯॥

অনুবাদ :—মায়থোং থম্বালবু আলিঙ্গন তৌগে হায়দুনা চংশিল্লক্ল-বা নুমিৎ অনিগুম্না ফজরবা নাইন অনিনা লৈতেংলবা, নৌরবা চীনবান অদুনা মীনোক ফজনা নোকপদা লৈগী মশক ওইনা লৈতেংলবা রতিক্রীড়াগী ইরাং পোকহল্লবা শ্রীকৃষ্ণবু উরে ॥২৯॥

পদানুবাদ :—শশি কিরণ (থাগী মঙাল্না) চ্ছুরিত (সৈতেংলবা) উদর (মরক্তা, মনুংদা) = চ্ছুরিত উদর (মরক্তা লৈতেংলবা) জলধর সুন্দর (অমুবা নোংমতুমগুম্না ফজরবা) সকুসুমকেশং (লৈ থেংলবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

বিপুলপুলক ভরদন্তুরিতং রতিকেলিকলাভিরধীরং।
মণিগণকিরণসমূহসমুজ্জ্বল ভূষণসুভগশরীরম্ ॥৩১॥
শ্রীজয়দেবভণিতবিভবদ্বিগুণীকৃতভূষণভারং।
প্রণমতহৃদিবিনিধায়হরিং সুচিরং সুকৃতোদয়সারম্ ॥৩২॥

শয়া) — জল ধরসুন্দর সকুসুমকেশং (লৈথেৎলব: শন্না অমুবা নোং-মতুমগুম্না ফজরবা) তিমিরউদিত (অমম্বদা থোক্লবা) বিধুমণ্ডল (থাগী মকোয়গুম্না) নির্ম্মল (নিংথিজরবা) মলয়জ তিলক নিবেশম্ (মলয়জ চন্দনগী বিন্দু নম্নবা) হরিং দদর্শ (শ্রীকৃষ্ণবু উরে) ॥৩০॥

অনুবাদ :—থাগী মণ্ডাম্না (মশেক্না) মরক্তা চংতুনা লৈতেংলবা অমুবা নোংমতুমগুম্না ফজরবা, লৈথেৎলবা শন্না লৈতেংলবা, অমম্বদা থোক্লবা থাগী মকোয়গুম্না মলয়জ চন্দনগী বিন্দুনা ফজনা থিল্লবা শ্রীকৃষ্ণবু উরে ॥৩০॥

পদানুবাদ :—বিপুল (থোইদোক্না) পুলকভর (হরাওবগী তু মপৈ-না) দন্তুরিত (চুংলবা, হাইগৎলবা) রতিকেলিকলাভিঃ (রতিকেলিগী মখল মথা নাইনা শান্নবা রাখল খিবিক্না) অধীরং (তপথবা লৈত্রবা) মণিগণ কিরণ সমূহ (মণিশিংগী মশেক ময়াম্না) সমুজ্জ্বল (ঙাল্লবা) ভূষণ (ফীজেৎনা) সুভগ (ফজহল্লবা) শরীরং (হকচাংবু) — সুভগ শরীরং (হকচাংবু ফজহলবা) হরিং দদর্শ (শ্রীকৃষ্ণবু উরে) ॥৩১॥

অনুবাদ :—থোইদোক্না ছরাউত্তুনা তুজুংলবা রতিকেলিগী মখল মথা অয়াম্বা থন্দুনা তপথবা লৈত্রবা, মরক মরক্তা হত্তুনা থেৎলবা মণিমপৈগী মণ্ডাম্না লংলবা ফীজেৎ থিবিক্না হকচাংদা ফজহল্লবা শ্রীকৃষ্ণবু উরে ॥৩১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীকৃষ্ণ উরগা শ্রীরাধিকানা করম তৌখিবগে হায়বহ হায়রি।

আতিক্রম্যাপাঙ্গং শ্রবণ পথপর্য্যন্ত গমন
প্রয়াসেনৈবাক্ষ্ণোস্তরলতরতারং পতিতযোঃ।
তদানীংরাধায়াঃ প্রিয়তমসমালোক সময়ে
পপাতস্বেদাম্ভঃপ্রসরইবহর্ষাশ্রুনিকরঃ ॥৩৩॥

পদানুবাদ :—হে ভক্তাঃ (হে ভক্ত পুন্নমক) শ্রীজয়দেব ভণিত (শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা) বিভবদ্বিগুণী কৃত (লনগী মশক ওই-রবা রাহৈনা শরূক অনি ফজহল্লবা) ভূষণংভারং (ফীজেৎ ময়াম্বু)—বিভবদ্বিগুণীকৃত ভূষণংভারং (লনগী মশক ওইরবা রাহৈনা ফীজেৎ পুন্নমকপু শরূক অনি হেন্না ফজহল্লবা) সুকৃতোদয় সারং (পুণ্য পোক্লনবগী মরীদা খাইদগী হেল্লবা) হরিং (শ্রীকৃষ্ণবু) হৃদি (থম্মোই-দা) বিনিধায় (থম্নহনা) সুচিরং (মতম কুইনা) প্রণমত (খুরুমবিউ) ॥৩২॥

অনুবাদ :—হে ভক্তশা! নংখোয়না শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা লনগীমশক ওইরবা রাহৈনা ফীজেৎ পুন্নমক শরূক অনি হেন্না ফজ-হল্লবা, পুণ্য পোক্লনবগী মরীদা খাইদগী হেল্লবা শ্রীকৃষ্ণবু থম্মোইদা থম্নহনা মতম কুইনা খুরুমবিউ ॥৩২॥

পদানুবাদ :—তদানীং (মতম অদুদা) প্রিয়তম সমালোক সময়ে (চান্নথোইববু উরবদা) অপাঙ্গং অতিক্রম্য (মীৎচি লান্থোক্তুনা) শ্রবণপথপর্য্যন্ত (নাকোং নাকচি ফাওবা) গমনপ্রয়াসেন এব (চৎলু-বগী হাবনা) তরলতল তারং পতিতয়ো (তথক তথক্লবা মীৎ নহাদা তারবা) রাধায়াঃ (শ্রীরাধাগী) অক্ষ্ণোঃ (মীৎ অনিহুদা) স্বেদাম্ভঃ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভজন্ত্যাস্তল্পান্তং কৃতকপট কণ্ডূতি পিহিত-
স্মিতং যাতে গেহাদ্বহিরবহিতালী পরিজনে।
প্রিয়াস্যং পশ্যন্ত্যাঃ স্মরশরসমাহূত সুভগং
সলজ্জালজ্জাপিব্যগমদিবদূরং মৃগদৃশঃ ॥৩৪॥

প্রসরইব [হুমাংগী ঈশিং শিন্থরকপগুম্না] হর্ষাশ্রুনিকরঃ [হন্না ওবদগী থোক্লক্লবা পী মপৈনা] পপাত [তাখি, শিন্থখি] ॥৩৩॥

অনুবাদ ঃ—চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণবু উরবা মতমদা মীৎচি ন্নাংমা লান্থোক্তুনা নাকোং নাকচি ফাওবা য়েংলুবগী ন্নাবনা তথক তথক্লবা মীৎ নহানা তিল্লবা শ্রীরাধাগী মীৎ অনিদগী হুমাংগী ঈশিংনা শিন্থব-গুম হন্নাউবদগী থোকখিবা পিমপৈনা শিন্থখি ॥৩৩॥

পদানুবাদ ঃ—তল্পান্তং [লৈগী শয্যাগী নাক্তা] ভজন্ত্যাঃ [য়ৌরক্লবী রাধাগী] অবহিতালীপরিজনে [থবক চ্যেকশিন্না শীল্লবী সখীশিংনা] গেহাৎবহিঃ [কুঞ্জগী উনাশঙ্দগী মপাল্লোমদা] কৃত কপট [জোনম তৌহুনা] কণ্ডূতি [হাক্লজবা হোৎপনা] পিহিত [খুন্নহুনা, উহন্দ্রহুনা] স্মিতং [নোকপবু]—পিহিত স্মিতং [নোকপবু খুন্নহুনা হায়বদি সখী-শিংগী নোকপহু উরগা শ্রীরাধানা ইকাইখিগনি হায়না খন্দুনা মকোক্তা, মনাকোংদা হাক্লজবা হোৎশিন্নহুনা নোকই হায়বা থঙ্—ছন্দনা] যাতে [চৎথোকপ্রবদা, মপাল থোকপ্রবদা] স্মরশর সমাহূত [কামগী তেন্না চিংশিনখিবনা] সুভগং [পুন্নীংহুন্নবা] প্রিয়াস্যং [চান্ন-থোইবা শ্রীকৃষ্ণগী মায়থোংবু] পশ্যন্ত্যাঃ [চিংনা চিংনা য়েংলবী] মৃগ দৃশঃ [শজী মিত্তা ভারবী] রাধায়াঃ [শ্রীমতি রাধাগী] লজ্জাপি [ইকাইবহুসু] স লজ্জা ইব [ইকাইবা ফংবগুম্নহুনা] দূরং ব্যগমৎ [লাপ্পা চেন্নখরে] ॥৩৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

জয়শ্রীবিনিস্তৈর্মহিতইবমন্দারকুসুমৈঃ
স্বয়ংসিন্দূরেণদ্বিপরণমুদ্রামুদ্রিত ইব।
ভুজপীড়ক্রীড়াহতকুবলয়াপীড় করিণঃ
প্রকীর্ণাসৃগ্বিন্দুর্জয়তি ভুজদণ্ডো মুরজিতঃ ॥৩৫॥

অনুবাদ :—লৈগী শয্যাগী নাক্তা য়োরক্লবী ইবেম্মা শ্রীরাধাগী সেবা হোৎনত্তুনা চ্যেকশিন্না থবক শীল্লিবী সখীশিংনা কুঞ্জগী উনাশঙ্দগী মপাললোমদা মোমোন নোক্তুনা মায় লৈথোক্লমদাইদা নোক্লিবত্তু উহন্নিংদত্তুনা কোক্তা, নাকোংদা হাক্কজবা হোৎশিন্নত্তুনা নোকপত্ত খঙ্হন্দনা চৎপ্রবদা কান্দগী তেন্না চিংশিন্দুনা পুক্নীংহুরবা চান্নথোই-বগী মায়থোংবু চিংনা চিংনা য়েংলবী রাধাগী ইকাইবত্তু মথন্তা ইকাইরত্তুনা লাপ্পা চেনথরে ॥৩৪॥

পদানুবাদ :—মুরজিতঃ [শ্রীকৃষ্ণগী] জয়শ্রীবিনিস্তৈঃ [জয় ওইবগী-দমক স্বর্গদগী চাইথরক্লবা] মন্দারকুসুমৈঃ [পারিজাত কোবা লৈ খিবিক্ল] মহিত ইব [সেবা তৌবগুম্লবা] স্বয়ং [মশামক্লা] সিন্দূরেণ সিন্দুর চন্দননা] দ্বিপরণমুদ্রা ইব [শামুগী লানচংদা মকোক্তা সিন্দুর মপাক তৈবগুম্না] মুদ্রিতঃ [য়েক্লব, তৈরবা] ভুজাপীড় [পাম্-বোম্না চপথেক্নুনা] ক্রীড়াহত [বাহুযুদ্ধদা হাৎলবা] কুবলয়াপীড় করিণঃ [কুবলয়াপীড় কোবা শামুগী] প্রকীর্ণ [চাইরবা, চোংলবা] অসৃগ্বিন্দুঃ [ঈগী লৈরিক্লা] প্রকীর্ণাসৃগ্বিন্দুঃ [ঈগী মরীক্লা চোংলবা] ভূজদণ্ডঃ [পাম্বোমনা] জয়তি [জয় ওইরি] ॥৩৫॥

অনুবাদ :—লানফমদা জয় ওইবগীদমক স্বর্গদগী চাইথরক্লবা পারি-জাত কোবা লৈ মপেনা থৌগল্লবা, অত্তগা মশামক্লা সিন্দুর কোবা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দ্বাদশঃ সর্গঃ

গতবতি সখীবৃন্দেমন্দত্রপাভর নির্ভর
স্মরশরবশাকূতস্ফীতস্মিতস্নপিতাধরাং।
সরসমনসং দৃষ্ট্বারাধাং মুহুর্নবপল্লব
প্রসব শয়নে নিক্ষিপ্তাক্ষীমুবাচহরিঃপ্রিয়াম্ ॥১॥

চন্দনন। লানচংব। শামুগী মকোক্তা ময়েক নাইনা তৈবগুম্না পান্বোম মরুদা তৈরব', পান্বোম্না চপথায়হ্বনা বাহুযুদ্ধদা হাৎলবা কুবলয়াপীড় কৌবা শামুগী ঈ মরীক্লা চোংলবা শ্রীকৃষ্ণগী পান্বোম অহ্বনা জয় ওই-রি হায়বদি ভক্ত পুন্নমকপু ভাকপীরি ॥৩৫॥

ইতি শ্রীগীতগোবিন্দে মহাকাব্যে অভিসারিকা বর্ণনে
সানন্দগোবিন্দঃ নাম একাদশঃ স্বর্গঃ ১১॥

পদান্থবাদ :—অথ [অহুগী ভুংদা] সখীবৃন্দেগতবতি [সখী ময়ান্না চংখ্রবদা] হরিঃ [শ্রীকৃষ্ণসনা] মন্দত্রপাভর [হায়ফেৎ ইকাইবা মপৈনা] নিভর [খুমহ্বনা] স্মরশরবশ [কামগী তেন্না খুহ্বম চনবদগী] আকূতস্ফীত [পুক্লীংনা নীংব ফোংদোক্লবা] স্মিত [মোমোন নোক-পনা] স্নপিত [খিকচিল্লবা, ইরুজরবা] অধরাং [চিন্থক চিনথাবু]—স্মিতস্নপিতাধরাং [মোমোন নোকপনা চিন্থক চিনথাদা চাইশিল্লব] মুহুঃ [হন্না হন্না] নব পল্লব প্রসব শয়নে [অনৌবা লৈনাশাবা শয্যাদা] নিক্ষিপ্তাক্ষীং [মীৎনা লৈশিন্দুনা য়েংলবী] প্রিয়াং রাধাং দৃষ্ট্বা [চান্নরবী রাধাবু উরহ্বনা] সরসমনসং [হরাউ হরাউনা] উবাচ [হায়খি] ॥১॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীকৃষ্ণনা রাধিকাদা হায়খিবহু ঈশৈনা হায়রি।
গীতং ॥ ২৩ ॥
বিভাষরাগৈকতালীতালাভ্যাংগীয়তে।

কিশলয়শয়নতলেকুরুকামিনিচরণনলিনবিনিবেশং
তবপদপল্লববৈরিপরাভবমিদমনুভবতুসুবেশং।
ক্ষণমধুনানারায়ণমনুগতমনুভজরাধিকে ॥২॥ ধ্রুবম্॥

অনুবাদ :—অতুগী তুংদা সথী ময়াম্না চৎথ্রবদা হায়ফেং ইকাইবা মপৈনদি তিল্লগা কামগী তেয়া খুত্তম চনখিবদগী পুক্লীংনা নীংবা ফোংদোক্লবা ফজরবা মীনোক্না চিন্থক চিনখাদা লৈতেংলবী, অনৌবা য়েন্নীংনা অমসুং লৈনা শাবা শয্যাদা চীংনা চীংনা য়েংহুনা লৈরবী চান্নরবী রাধাবু উরগা শ্রীকৃষ্ণনা তরাম তরাম তৌতুনা হায়খি ॥১॥

পদানুবাদ :—হে কামিনি ! [হে অপাম্বা খঙ্লবী] কিশলয় শয়ন তলে [অনৌবা উনানা শেম্লবা শয্যাগী মথক্তা] চরণ নলিনবিনিবেশং কুরু [নখোং থম্বাল থাঙ্গৎপিয়ো] ইদং সুবেশং শয়নং [নিংথিজরবা শয্যা অসিনা] তবপদ পল্লববৈরি [নংগী নৌরবা খোঙ্ য়েক্লবনা হায়বদি ফজবা ঐহাক মঙায়রে হায়তুনা চাউথোক্তুনা লৈরিবসি মঙোন্দগী হেন্না ফজবা নখোং থম্বাল উরগা] পরাভবং অনুভবতু [মায়থীবা ফংজসনু], হে রাধিকে ! [হে ইবেম্মা রাধে] অধুনা হৌজিক অসিদা] ক্ষণং [ভাইহাক্তং] অনুগতং নারায়ণং [নতুং ইঙ্গুরবা নারায়ণবু হায়বদি "নারীণাং সমুহঃইতিনারঃ তাসাময়নং আশ্রয়ঃ— নারায়ণঃ" নত্রগা "নার-জল-অয়নঃ" অুপী ময়ামগী চংজফম ওইরবা নত্রগা ঈশিংনা লৈফম ওইতুনা ঈংবা খিবিক্না তিল্লবা ঐহাকপু] অনুভজ [নিংবিউ, চানবিউ] ॥২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

করকমলেনকরোমিচরণমহমাগমিতাসি বিদূরং,
ক্ষণমুপকুরুশয়নোপরিমামিবনূপুরমনুগতিশূরম্ ॥৩॥
বদনসুধানিধিগলিতমমৃতমিবরচয়বচনমনুকূলং
বিরহমিবাপনয়ামিপয়োধররোধকমুরসিদুকূলম্ ॥৪॥

অনুবাদ ঃ—হে ইবেম্মা অপাম্বা খঙ্জবী ! ফজবা ঐনা মহেল্লে হায়ত্তনা নাপল কাত্তনা লৈরিবা নবশয্যা অসিদা নখোং থম্বালদুনা থাঙ্গৎপিত্তনা শয্যাগী নাপল থুদেক্তনা মায়থীবা পীবিয়ু। হে ইবেম্মা রাধিকে ! হৌজিক অসিদা ঙাইহাক্তং নতুংইঙ্গরবা নারায়ণ ঐবু হায়বদি নুপীময়ামগী চংজফম ওইরবা নত্রগা ঈশিংনা ঐগী লৈফম্ ওইরবা নারায়ণ ঐবু নিংবিউ, কায়নবগী মৈচাক্লা চাক্লিবত্তু শোয়দনা ঈংগনি। মৈবু ঈশিংনা লায়না মুৎপনি ॥২॥

পদানুবাদ ঃ—হে রাধে [হে রাধে] ত্বং [নহাকপু] বিদূরং [লাপ্পা] আগমিতাসি [লাকহল্লবনি] অহং [ঐনা] করকমলেন [ইখুৎ থম্বান্না] চরণমহং [নখোং সেবাবু] করোমি [তৌজনিংই] অনুগতশূরং [নতুং ইনবদা থৌনা ফরবা] নূপুরং ইব [নূপুরগুম্না] মাং [ঐবু] ক্ষণং [ঙাইহাক্তং] শয়নোপরি [শয্যা মথক্তা] উপকুরু [উপকার তৌবিউ, পেন্নবা তৌবিউ] ॥৩॥

অনুবাদ ঃ—হে রাধে ! নহাকপু ঐনা ঈঙ্গিত তৌত্তুনা য়াম্না থাপ্পা লাকহল্লে; ওন্থোক্লা ঙ্গাররিগনি। ইখুৎ থম্বালনা নখোং পায়ত্তুনা সেবা তৌজনিংই ! নতুং ইনবদা থৌনা ফরবা নূপুরদা থৌজানবিবগুম্না ঙাইহাক্তং শয্যামথক্তা কাখত্তুনা ঐগীসু উপকার তৌবিউ ॥৩॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

প্রিয়পরিরম্ভণরভসবলিতমিবপুলকিতমতিদুরবাপং
মদুরসিকুচকলসং বিনিবেশয়শোষয়মনসিজতাপং ॥৫॥

পদানুবাদ ঃ—বদন সুধানিধি গলিতং [মায়থোং থাদগী শিন্থরক্লবা] অমৃতং ইব [অমৃতগুম্লবা] অনুকূলংবচনং [ইপুক্লীং চাগদবা রাহৈব] বচয় [শেমবিউ, হায়বিউ] উরসি [থবাক্তা] পয়োধর রোধকং কুচ অনিমক্তা থুম্লিবা] দুকূলং [ফিব] বিরহং ইব [কায়নবগুম্না] অপন-য়ামি [লৌথোকচনিংই) ॥৪॥

অনুবাদ :—মায়থোং থাদগী শিন্থরক্লবা অমৃতগুম্লবা ঐগী পুক্লীংদা নীঙবা থুংগদবা রাহৈবু হায়দোকপিরকউ। অদুগা থবাক্তা কুচ অনিগী মথক্তা থুম্লিবা ফী অদুনা কায়নবগুম্না লৌথোকচনিংই হায়-বদি নংগা ঐগা কায়নরুবদগী হৌজিক অরাবা কোকপা তারে। অদুবু থবাক্তা কুচগী মথক্তা ফি লৈরিবমখে ঐগী পুক্লীংদা হুংঙাইবা লৈতে। কুচদগী ফি লৌথোক্লবতদা হুংঙাইগনি। মরম অদুনা কায়নবগুম্না [ফিগা কুচগা কায়নহন্দুনা] ফি লৌথোকচগে হায়বনি ॥৪॥

পদানুবাদ ঃ—প্রিয় [চান্নবগা] পরিরম্ভণ [আলিঙ্গন তৌনিংবগী, শোক্লনিংবগী] রভস [ইরাংনা] বলিতং ইব [হনগৎলকপগুম্লহন্না] পুলকিতং [ভুজুংলবা] অতিদুরবাপং [থোইদোক্লা ফংঙমদ্রবা, য়াম্না রানা ফংজরবা] কুচকলসং [কুচ মতুম অদুনা] মদ্উরসি [ঐগী থবাক্তা] বিনিবেশয় [থেংহনবিউ, পকশিনহনবিউ] মনসিজতাপং [রতিক্রীড়াগী মৈচাকপু] শোষয় [কোকহনবিউ] ॥৫॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অধরসুধারসমুপনয় ভামিনি জীবয় মৃতমিব দাসং
ত্বয়ি বিনিহিতমনসং বিরহানলদগ্ধবপুষমবিলাসম্ ॥৬॥
শশিমুখি মুখরয় মণিরসনাগুণমনুগুণকণ্ঠনিনাদং,
শ্রুতিপুটযুগলে পিকরুতবিকলে শময় চিরাদবসাদম্ ॥৭॥

অনুবাদঃ—রানা ফংলরবা নহাক্কী কুচকলস [থবাক অতোংবা] অঙনা চান্নথোইবগা লোয়ননা আলিঙ্গন ফংনিংবগী ইরাংনা থোয়দোক্না তুজুংবা অমসুং হরাউবা মতৌ ওইরে। মাঙনা ঐগী থবাক্তা শোকহন্দুনা রতিক্রীড়াগী মৈচাক অসি কোকহনবিরো ॥৫॥

পদানুবাদ :—হে ভামিনি [হে শাওগল্লবী] ত্বয়ি [নঙোন্দা] বিনিহিতমনসং [পুক্নীং থমজরবা] অবিলাষং [নুংঙাইবা ফংজদ্রবা, শান্নবা ফংজদ্রবা] বিরহানলদগ্ধবপুষং [কায়নবগী মৈনা হককচাং চাক্লবা] মাং [ঐঙোন্দা] অধরসুধারসং [অধরসুধারসবু] উপনয় [পীনবিউ] মৃতমিবদাসং [শিবগুমঙনা লৈরবা ননাইবু] জবয় [হিংহনবিউ] ॥৬॥

অনুবাদ:—হে শাওগল্লবী রাধে! ইবেম্মদা পুক্নীং থমজরবা, শান্নবদি ফংজদ্রবা, কায়নবগী মৈনদি ইতত্তুনা চাক্লুনা লৈরবা ঐঙোন্দা অধরসুধা পীনবিউ অমসুং শিবগা মান্ননা লৈরবা ননাইবু হিংহনবিউ ॥৬॥

পদানুবাদ :—হে শশিমুখি [থাগুম্না মায়থোং ফজরবী হে রাধে] অনুগুণ [মগুণ মান্নবা] কণ্ঠনিনাদং [খোরীগী খোঞ্জেলগা লোয়ননা] — অনুগুণকণ্ঠনিনাদং [খোরীগী খোঞ্জেলগা মান্ননা সুংশিরব] মণিরসনাগুণং [মণিনা থাম্নবা খাং শরিক্কী খোঞ্জেনবু] মুখরয় [খোংহন-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মামতিবিফলরুষাবিকলীকৃতমবলোকিতুমধুনেদং,
মীলতিলজ্জিতমিবনয়নন্তববিরমবিসৃজরতিখেদম্ ॥৮॥

রিউ, হৌহনবিউ] পিকরুত বিকলে [কোকিলগী খোঞ্জেল তাবদা রারবা] শ্রুতিপুটযুগলে [নাকোং মখুল অনিমক্তা] চিরাৎ [কুইরব-দগী হৌনা] অবসাদং [রারকল্লিবত্তু] শময় (কোকহনবিরো) ॥৭॥

অনুবাদঃ—থাগুম্না ফজরবী হে রাধে! থৌরীগী নামিরবা খোঞ্জেল-গা মান্নবা হুংশিরবা মণিনা থাম্নবা থাং শরিক্কী মখোল থোকহন-বিরো হায়বদি রতিক্রীড়া ভৌরগত্না থাং শরিক মখোল থোক্কদো-রিবনি থুনমক রতিক্রীড়া পিরো হায়বতনি। কোকিলগী খোঞ্জেল তারদা রাতুনা লৈরম্নবা নাকোং মখুল অনিমক্তা কুইরবদগী হৌনা রারক্লিবা অত্থু কোকহনবিরো হায়রদি নংগা ঐগা কায়নতুনা অরাবা রাখল থন্দুনা লৈরিবৌদদি কোকিলগী খোঞ্জেল তারগা হেন্না হেন্না রারমই তানিংদে। হৌজিক্তি রতিক্রীড়া পীতুনা পুক্নীং হুংঙাইহন-রিরো অমসুং কোকিলগী খোঞ্জেল তাবদা হুংঙাইহনবিরো হায়-বতনি ॥৭॥

পদানুবাদঃ—অধুনা (হৌজিক অসিদা) তব ইদং নয়নং (নহাক্কী মীৎ অসিনা] অতি বিফলরুষা (য়াম্না অরেম্বদা শাউরুতুনা) বিকলী-কৃতং (অরাবা পীবিরবা) মাং (ঐবু) অবলোকিতুম্ (উবদা), লজ্জিতং ইব (ইকায়বগুম্নহনা) মীলতি (তুথরে, উইশিল্লে) অতঃ (মরম অতনা) বিরম (লাওরগন্থু) রতিখেদং বিসৃজ (রতিক্রীড়া ফংহনদবগী অরারা পীরবু থাদোক্লো) ॥৮॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীজয়দেবভণিতমিদমনুপনিগদিতমধুরিপুমোদং।
জনয়তুরসিকজনেষুমনোরমর্রাতরসভাবাবনোদম্ ॥৯॥
প্রত্যুহঃপুলকাঙ্কুরেণনিবিড়াশ্লেষে নিমেষেণ চ
ক্রীড়াকূর্তাবলোকিতেঽধরসুধাপানেকথানর্ম্মভিঃ।
আনন্দাধিগমেনমন্মথকালযুদ্ধেঽপিযস্মিন্নভূদ্
উদ্ভূতঃসতয়োর্বভুবসুরতারম্ভঃপ্রিয়ম্ভাবুকঃ ॥১০॥

অনুবাদ ঃ—হৌজক আসদা ইবেম্মা নহাক্না অরেম্বদা কারসু-কান্নদনা শাউরুংনা অন্নাবা পীবিরবা ঐহাক অসিদা হঙ্গৎনা য়েংহুনা মাই ওনশিল্লকপদা ইকাইবা ফংলেদে। মরম আসনা অশাউবা থাদোক্লো অতুগা রতিক্রীড়া ফংলমদবগী রারমহত্ কোকহল্লো ॥৮॥

পদানুবাদ ঃ– শ্রীজয়দেব ভ.ণত (শ্রীজয়দেব কাবনা লেংলবা) অনুপদ (পদ খুদিংমক্ক) নিগদিত মধুরিপুমোদং (পদ খুদিংমক্না শ্রীকৃষ্ণগী হরাওবতা হায়রবা) ইদংগীতং (ঈশে আসনা) রসিকজনেষু (শ্রীরাধাকৃষ্ণগী রস খঙ্নীংলবা মীশিংদা) মনোরম রতিরসভাব বিনোদং (পুক্নীং হূরবা রাতরস তাবদা পামশিনববু) জনয়তু (পোক-হল্লসনু) ॥৯॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা পদ খুদিংমক্না শ্রীকৃষ্ণগী হরাওবতা পীনরবা ঈশৈ অসিনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী রাতক্রীড়াগী রস খঙ্নীংলবা ভক্তশিংদা পুক্নীং হূরবা রাতক্রীড়া শান্নবদা পামশিন-ববু পোকহল্লসনু ॥৯॥

পদানুবাদ ঃ--নিবিড়াশ্লেষে (চেৎনা কোনশিন্নবদা) পুলকাঙ্কুরেণ (তুজুংবা য়েম্নীংনা) ক্রীড়াকূতবিলোকিতে(শান্নবদা মরমগা লোয়নননা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

দোর্ভ্যাংসংযমিতঃপয়োধরভরেণাপীড়িতঃপাণিজৈ-
রাবিদ্ধোদশনৈঃক্ষতাধরপুটঃশ্রোণীতটেনাহতঃ।
হস্তেনানমিতঃকচেঽধরসুধাপানেনসম্মোহিতঃ
কান্তঃকামপিতৃপ্তিমাপতদহোকামস্যবামাগতিঃ ॥১১॥

য়েংবা মীৎয়েংদা) নিমেষেণ চ (মীৎ কুপ্পনস্থু) অধরসুধাপানে (অধরামৃত পান তৌবদা) কথা নর্ম্মভিঃ (নোক্না হায়নবা রাঙাং খিবিক্না) যস্মিন্ মন্মথকলাযুদ্ধেঽপি (কামক্রীড়াগী লানফম অতুদস্থু) আনন্দাধিগমেন (নুংঙাইবা পোক্লকপা অতুন) প্রত্যূহঃঅভূৎ (য়ৈথায়বা ওইখ্রে) তয়োঃ (মখোয় অনিগী, ইবুংঙো ইবেম্মা অনিমক্কী) সঃ উদ্ভূতঃ সুরতারম্ভঃ (থোক্লক্লিবা সুরতলীলা হৌগৎলকপা অতুনা) প্রিয়ম্ভাবুকঃ বভূব (অপেনবা পোকপা মতৌ ওইখ্রে) ॥১০॥

অনুবাদ :—চেংনা কোনশিন্নবদা নীংশিনাতুজুংবনা য়ৈথায়বা ওইখরে, শান্নবদা মরমগা লোয়ননা য়েংবা মীৎয়েংদা মীৎকুপ্পনা য়ৈথায়বা ওইথরে, অধরামৃত পান তৌবদা নোক্ন-হায়নবা রাঙাং খিবিক্না য়ৈথায়বা ওইখ্রে. কামক্রীড়াগী লানফম অতুদস্থ নুংঙাইবা পোকপা অতুনা য়ৈথায়বা ওইখ্রে, অতুম ওইনমক শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিমক্কী সুরত লীলা হৌগৎলকপা অতুনা থোইদোক্না অপেনবা মতৌ ওইখ্রে ॥১০॥

পদানুবাদ :—শ্রীরাধায়াঃ (শ্রীরাধিকাগী) দোর্ভ্যাং(পাম্বোমঅনিনা) সংযমিতঃ (চেংনা কোনশিল্লবা) পয়োধরভরেণ আপীড়িত (কুচনা থোইদোক্না নোইহৎলবা) পাণিজৈঃ (খুজিলময়াম্না) আবিদ্ধঃ (হোগায়রবা, খোৎলবা) দশনৈঃ (য়াশিংতুনা) ক্ষতাধরপুটঃ (চিনবান্দা চীকথায়রবা) শ্রোণীতটেন (খাং মথাগী হকচাংনা) আহতঃ (তক্লবা)

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মারাঙ্কে রতিকেলি সঙ্কুলরণারম্ভে তয়া সাহস
প্রায়ংকান্তজয়ায়কিঞ্চিদুপরিপ্রারম্ভিযৎসম্ভ্রমাৎ।
নিষ্পন্দাজঘনস্থলীশিথিলতাদোর্বল্লিরুৎকম্পিতম্
বক্ষোমীলিতমক্ষিপৌরুষরসঃস্ত্রীনাংকুতঃসিদ্ধ্যতি ॥১২॥

হস্তেন (খুৎনা) কচে (শমদা) আনমিতঃ (চিংথরবা) অধরসুধাপানেন (অধরামৃত পান তৌবনা) সম্মোহিতঃ (সুমহৎখরবা) কান্তঃ (চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা) কাং অপি (করম্বী হায়বদি হায়নফম খঙদ্রবী) তৃপ্তিং (অপেনবব্) আপ (ফংখি) তৎ (মরম অদুনা) অহো (অঙকপনিদ) কামস্য (কামগী) বামা (ওন্নতৈনবা) গতিঃ (শাজ্রৎসে) ॥১১॥

অনুবাদ :—শ্রীরাধাগী পাম্বোমঅনিনা চেৎনা কোনশিল্লবা, থবাক্কী কুচ অনিনা থোইদোক্লা নৈহৎলবা, খুজিল ময়াম্না মফম নাইনা খোৎলবা, য়াশিংনা চিনবান্দা চীকথৎলবা, থাং মখাগী হকচাংনা তক্লবা, খুৎনা শম পায়দুনা চিংলবা, অধরামৃত পান তৌবনা সুমহৎলবা চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণনা হায়রিবা ময়াম অসি থোকপদা হায়ফম খংদ্রবা অপেনবা মতৌ অমা ফংখি। অঙকপনিদা !! কামগী ওন্নতৈনবা শাজৎসে ॥১১॥

পদানুবাদ :—মারাঙ্কে (ইন্নকাওনরবা, লান্নফানরবা) রতিকেলিসঙ্কুল (সুরতলীলাদা য়ৈথায়বা পোক্লবা) রণারম্ভে (লাল হৌরক্লবা) তয়া (মহাক্না, শ্রীরাধানা) কান্তজয়ায় (চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণবু ঙমগে হায়দুনা) যদ্ (+) সম্ভ্রমাৎ (খুবীং খুবাই ওইনা, লিন্দা ফুদোক্লা) কিঞ্চিৎ উপরি প্রারম্ভি (মথক ওনথৎকে হায়দুনা হোৎনরকপা) যদ্ (+)তদা (মতম অদুদা) জঘনস্থলী (ফৈবোম মরুদু) নিষ্পন্দা(লেঙ-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মীলদ্দৃষ্টিমিলৎকপোলপুলকং শীৎকারধারাবশা-
দব্যক্তাকুলকেলিকাকুবিকসদ্দন্তাংশুধৌতাধরম্।
শ্বাসোন্নদ্ধপয়োধরোপরিপরিষঙ্গীকুরঙ্গীদৃশো
হর্ষোৎকর্ষবিমুক্তিনিঃসহতনোর্ধন্যোধয়ত্যাননম্ ॥১৩॥

খিদরে) দোর্বল্লিঃ (পাম্বোম উরাহু) শিথিলতা (লেকথখরে) বক্ষঃ (থবাক্তু) উৎকম্পিতং (নীকখরে) অক্ষি (মীৎনা) মীলিতং (উইশিনখ্রে) অতএব (মরম আসনা) কুতঃ (কদাইদগী) স্ত্রীনাং (নুপীশিংগী) পৌরুষরসঃ (নিপা থোকপা পঙ্গল্বু) সিদ্ধ্যতি (পাংগদগে হায়বদি নুপীশিংদা নিপাগুম্না থবক পাংবা ঙম্বা থবক লৈতে ॥১২॥

অনুবাদ :—সুরতলীলা শান্নবদা য়ৈথায়বা পোঃস্রবা লাক্ত ফানরংগী লাল হৌরক্লবদা শ্রীরাধানা চান্নথোইবা শ্রীকৃষ্ণবু ঙগগে হায়না তান্দুনা নাম্বোক্তুনা চৎখিবা য়ানবা লিন্দা ফবগা লোয়ননা মথক ওনখৎকে হায়হুনা তাল্লক্লবদা রামনথিবনা কৈবোমমরু লেংবা য়াথিদ্রে, পাম্বোমমরু হীকথরে, থবাক মীহুল হৌখরে, মমীৎ তুথখরে। মরম অহুনা কদাইদগী নুপীশিংগী মফমদা নিপাদা লৈবা পাঙ্গলগুম্না লৈগদগে ॥১২॥

পদানুবাদ :—শ্বাসোন্নদ্ধ (নুংশাস্বর ফুইনা হোনবনা তোংখৎলক্লবা) পয়োধরোপরি (কুচ মথক্তা) পরিষঙ্গী (চেৎনা আলিঙ্গন তৌবনা) ধন্যঃকৃষ্ণঃ (লাইবক ফরেখল্লবা শ্রীকৃষ্ণনা) হর্ষোৎকর্ষবিমুক্তি (হরাওবা থোইদোক্লা পোকমনখিবনা) নিঃসহ তনোঃ (খাংবা ঙমদ্রবা হকচাং ওইরবী) কুরঙ্গীদৃশঃ রাধায়াঃ (শজী মীত্তা তারবী শ্রীরাধাগী) মীলৎদৃষ্টি (মীৎ অনি উইশিল্লবা) মিলৎ কপোলপুলকং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

তস্যাঃপাটলপানিজাঙ্কিতমুরোণিদ্রাকষায়েদৃশৌ
নির্ধৌতোঽধরশোণিমাবিলুলিতাঃস্রস্তস্রজোমূর্দ্ধজাঃ।
কাঞ্চীদামদরশ্লথাঞ্চলমিতিপ্রাতর্নিখাতৈর্দৃশো-
রেভিঃকামশরৈস্তদদ্ভুতমভূৎপত্যুর্মনঃকীলিতম্ ॥১৪॥

[চাইরুংদা তুজু বা পোক্রবা] শীৎকার ধারাবশাৎ [লাউখোংবা মপৈনা খুত্থম চনবদগী] অব্যক্ত আকুল [মরোল লৌবা য়াত্রবা ঙাং-লবা রাখিবনঃ] কেলি শান্নবদ] কাকু [অ'কিবা ফংবনা] — অব্যক্তা-কুল কেলি কাকু [রতি ক্রীড়াদা অকিবা ফংবনা মরোল লৌবা য়া-ত্রবা রাঙাং ঙাংবদা] বিকসৎ [শাংতোক্লবা, হাইদোক্লবা] দন্তাংশু ধৌতাধরম্ [য়াগী মঙান্না চীনবানবু শূদোক্লবা হায়বদি চীনবানগী লৈতেং ওইরবা] আননং [মায়থোংবু] ধয়তি [থকই, চুপই) ॥১৩॥

অনুবাদ : — সুংশাস্বর ফুইনা হোন্দুনা তোঙ্খৎলক্লবা কুচ মথক্তা চেৎনা আলিঙ্গন তৌবনা লাইবক যরে হায়ন খল্লবা শ্রীকৃষ্ণসিনা হুরাওবনা হকচাংদা খাঙফম খঙত্রবী, শক্তিমীত্তা তারবী শ্রীমতী রাধিকাগী মীৎ অনিনা তুৎহুনা লৈরবা, চায়রুংদা তুজুবা পোক্লবা, রতিকেলিদা য়াম্না রামনখিবনা খুত্থম চনখিহুনা মরোল লৌবা য়া-ত্রবা রাঙাংঙাংবদা উরবা য়াগী মঙাম্না লৈতেংলবা চিনবাম্না লৈতেং-লবা মায়থোংবু হুম্না হুম্না চুপথি ॥১৩॥

পদানুবাদ :— তস্যাঃ [মহাক্কী, শ্রীরাধাগী] পাটল [অঙাংবগা অঙৌবগা পক্লবা] পানিজাঙ্কিতং [খুজিন্না খোৎলবা] উরং [থবাক্লে] পাটল পানিজাঙ্কিতং উরঃ [খুজিন্না খোৎপদা অঙাংবগা অঙৌবগা লোয়নবা পক্লবা থবাক্লে] নিদ্রাকষায়ে [তুম্লিংবনা ঙাংলব] দৃশৌ

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ব্যালোলঃকেশপাশস্তরলিতমলকৈঃস্বেদলোলৌকপোলৌ
ক্লিষ্টাদষ্টাধরশ্রীঃকুচকলসরুচা হারিতা হারযষ্টিঃ।
কাঞ্চীকাঞ্চিৎগতাশাংস্তনজঘনপদংপাণিনাচ্ছাদ্যসদ্যঃ
পশ্যন্তীসত্রপংমাংতদপিবিলুলিতস্রগ্ধরেয়ংধিনোতি ॥১৫॥

মীৎ অনীনে] নির্ধৌতঃ [য়াগী মঙাম্না শুদোক্লবা] অধর শোণিমা চিনবানগী অঙাংবনে] বিলুলিতাঃ [হাইহুম্লব] স্রস্তস্রজঃ [লৈপরেং নান্থরবা] মূর্দ্ধজাঃ [শমশিংনে] কাঞ্চিদাম [খাংশরীক পরেংনে] দরশ্ল থাঞ্চলং [থরা নান্থরবা ফীজিনে] প্রাতঃ [অয়ুক্তা] ইতি [অস্থুম] দৃশোঃ [মীৎঅনিদা] নিখাতৈঃ [তমাশিনথ্রবা, কাপশিনথ্রব] এভিঃ কামশরৈঃ [কামগী তেন থিবিক্লা] যৎ (+) পত্যুঃ [মপুরোইবগী, শ্রীকৃষ্ণগী] মনঃ কীলিতং [পুক্লীংদা থিনথিবা যৎ+তৎ=[মাহু] অদ্ভুতঃ অভূৎ [অঙকপা ওইখরে] ॥১৪॥

অনুবাদ :—খূজিন্না খোংপদা অঙাংবগা অঙৌবগা মরাং মরাং তারবা শ্রীরাধাগী থবাক্লে, তূম্লিংবনা ঙাংশিল্লবা মীৎনে, য়াগীমঙাম্না শূদোক্লবা ঙাংলবা চীনবাননে, হাইহুম্লবা লৈপরেং নান্থরবা শমমপৈ-নে, খাং শরীক্লে, থরা নান্থরবা ফীজিনে পুম্নমক অসিনা কামদেবগী তেন ওইরহুনা শ্রীকৃষ্ণগী মীৎ অনীদা থিনগে তমথিবদা মীত্তা পান্দ-ত্তুনা থম্মোইদা পানখরে মাসি ওন্থোক্লা অঙকপা অমনি ॥১৪॥

পদানুবাদ :—কেশপাশঃ [শমজীনা] ব্যালোলঃ [হাইহুমথ্রে] অলকৈঃ [শমজোই থিবিক্লা] তরলিতং [ইথক হোৎথ্রে] স্বেদলো-কপোলৌ [চাইরুং অনীদা হুমাং শিন্থখরে] ক্লিষ্টা দষ্টাধরশ্রীঃ [য়ানা চীকপনা চীনবানগী ফজবা মকশিনথ্রে] কুচকলসরুচা [থবাক

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ইতি মনসানিগদন্তং সুরতান্তেসানিতান্তখিন্নাঙ্গী।
রাধাজগাদসাদরমিদমানন্দেনগোবিন্দম্ ॥১৬॥

অতোংবা অনীগী ফজবন] হারযষ্টিঃ [মুক্তাপরেংব] হারিতা [মায়-থীবা পীখ্রে] কাঞ্চী [খাংগোয়না] কাঞ্চিৎ দিশাংগতা [করম্ব মায়-কৈ অমরোমদা হাইদোকখ্রে] তদপি [অদুম ওইনমক] ইয়ং বিলু-লিতস্রগ্ধরা রাধা [চাইহুম্লবা লৈপরেং শিরবী রাধাসিনা] সদ্যঃ [খুদক অদুমক্তদা, মতম অদুমক্তদা] পাণিনা [মখুৎনা] স্তনজঘনপদং [কুচগা কৈগলমরু মখোংগবু] আচ্ছাদ্য [খুমজিন্দুনা] সত্রপং [ইকাই ইকাইনা] পশ্যন্তী [য়েংল য়েংলদুনা] মাং [ঐবু, কৃষ্ণবু] খিন্নোতি [হুংঙাইবা হেনগৎহল্লি] ॥১৫॥

অনুবাদ ঃ—শ্রীমতী রাধিকাগী শমজীত্র চাইহুমখ্রে, শমজোই খি-বিক্ল ইথক হোৎখ্রে, থজাই অনিদ হুমাং শিন্থরে, য়ানা চীকপনা চীনবানগী ফজবদু মুনা খামখ্রে, থবাক্কী অতোংবা অনীদুনা ফজবনা মুক্তা পরেংবু মায়থীব পীখ্রে, খাংগোয়না মাইকৈ অমরোমদা হায়-দোক্তুনা লৈখ্রে অদুম ওইনমক হাইহুম্লবা লৈপরেং শিরবী রাধা-সিনা খুদক অদুমক্তদা মখুৎনা থবাক্কী অতোংবা অনীগা কৈগলমরু মখোংগা (ফিহুংগা) মফম অনী অসি খুমজিন্দুনা ইকাইনা য়েংল-য়েংলদুনা ঐবু কয়ামরুম হুংঙাইবা হেনগৎহল্লি ॥১৫॥

পদানুবাদ ঃ—সুরতান্তে [সুরতলীলা লোইরবদা] নিতান্তখিন্নাঙ্গী [থোইদোক্লা হকচাং রাররবী] সা রাধা [রাধিকা অদুনা] ইতি [মতৌ অসুম তৌদুনা] মনসা নিগদন্তং [পুক্কীংনা ঙাংদুনা লৈরবা] গো-বিন্দম্ [শ্রীকৃষ্ণদা] আনন্দেন [হরাওবগা লোয়নননা] ইদং বক্ষ্যমাণং

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

গীতং ॥২৪॥

রামকিরীরাগ-যতিতালাভ্যাংগীয়তে।

কুরুযদুনন্দনচন্দনশিশিরতরেণকরেণপয়োধরে,
মৃগমদপত্রকমত্রমনোভবমঙ্গলকলসসহোদরে,
নিজগাদসাযদুনন্দনেক্রীড়তিহৃদয়ানন্দনে ॥১৭॥ ধ্রুবম্ ॥

[মথাদা হায়রক্কদৌরিবা পুম্নমক অসীবু] সাদরং [ভরাম তরাম্ন] জগাদ [হায়খি] ॥১৬॥

অনুবাদ :—শ্রীরাধাকৃষ্ণ অনিমক্কা রতিক্রীড়া লোইরবা তুং অদুদা লাক্ক ফানবনা থোইদোক্কা রারবী শ্রীরাধিকাসিনা, নীংবা থুংলদুনা পুক্নীংদা নুংঙাইবতা থল্লদুনা লৈরবা শ্রীকৃষ্ণবু য়েংলদুনা তরাম তরাম্না মথাদা হায়রক্কদৌরিবা ব্রাহৈশিং অসি হায়খি ॥১৬॥

পদানুবাদ :— হৃদয়ানন্দনে [পুক্নীং হরাওহল্লবা] যদুনন্দনে [শ্রীকৃষ্ণনা] ক্রীড়তি [শান্নবিরক্লবদা] স রাধা (শ্রীরাধা অদুনা) নিজগাদ (হায়খি) হে যদুনন্দন (হে ইবুংঙো কৃষ্ণ) চন্দনশিশিরতরেণ (চন্দনগুম্না ইংলবা) করেণ (নখুৎনা) মনোভব (কামদেবগী) মঙ্গল-কলস সহোদরে (মঙ্গলগীদমক লিংখৎলবা চফুগা মান্নবা) অত্রপ-য়োধরে (থবাক্কী অতোংবা অসিদ, কুচ অসিদা) মৃগমদপত্রকং (মৃগমদচন্দনগী মপাকপু) কুরু (তৌবিউ, তৈবিয়ু) ॥১৭॥

অনুবাদ :—শ্রীরাধাগী পুক্নীং হরাওহল্লদুনা শ্রীকৃষ্ণসিনা রতিক্রীড়া শান্নরক্লবা মতম অদুদা শ্রীরাধানা কৃষ্ণ য়েংলদুনা হায়খি, হে ইবুং-ঙো কৃষ্ণ! চন্দনগুম্না ইংলবা নখুত্তুনা কামদেবগী মঙ্গলগীদমক লিংখৎলবা চফুগা (ঘট) চপমান্নবা ঐগী থবাক্কী তোংলবা কুচঅনী অসিদা মৃগমদচন্দনগী মপাক তৈশিনবিউ ॥১৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

অলিকুলগঞ্জনসঞ্জনকং রতিনায়কশায়কমোচনে।
ত্বদধরচুম্বনলম্বিতকজ্জ্বলমুজ্জ্বলয়প্রিয়লোচনে ॥১৮॥
নয়নকুরঙ্গতরঙ্গবিকাশনিরাসকরেশ্রুতিমণ্ডলে।
মনসিজপাশবিলাসধরেশুভবেশনিবেশয় কুণ্ডলে ॥১৯॥

পদানুবাদ :— হে প্রিয় [হে চাম্নখোইবা ইবুংঙো কৃষ্ণ] রতিনায়ক [কামদেব কৌবা লাইনা] শায়ক মোচনে [তন তমশিল্লকপা] মদীয়ে লোচনে [ঐগী মীত্তা] অলিকুল [খোইমু মপৈগী মকমদা] গঞ্জন [নিন্দা তৌববু, তাত্নিনা তৌববু] সঞ্জনকং [পোকহল্লবা] ত্বদধরচুম্বন [নহাক্কী চীনবাম্না চুপ্পদা] লম্বিত [চেম্থ্রবা, শিন্থ্রবা] কজ্জ্বলং [কজ্জ্বল কৌব মীৎহিদাকপু] উজ্জ্বলয় [অমুক হন্না লংহনবিউ] ॥১৮॥

অনুবাদ :—হে চাম্নখোইব ইবুংঙো কৃষ্ণ! কাম কৌবা লাইনা তেন্ন থাগে হায়রিনা তমশিল্লক্রবা ঐগী মীৎ অনি অসীদা খোইমুগী মপৈবু ওমজনা ফজরব নহাক্কী চীনবাম্না চুপ্পদা কোকথ্রবা কজ্জ্বল কৌবা মীত্তা তৈনবা অমুব হিদাকপু অমুক হন্না লংহনবিউ ॥১৮॥

পদানুবাদ :— হে শুভবেশ [হ ফিজেৎ ফজরবা ইবুংঙো] নয়ন কুরঙ্গ [মীৎ শজিগী] তরঙ্গ বিকাশ [ইথক হৌবগী] নিরাসকরে [থাদোক্লকম ওইরবা হায়বদি মীৎ কৈথোকপা মৈতন মুন্না য়েংহনা মৈলকম ওইরবা] মনসিজ [কামদেবগী] পাশ [লাংগী] বিলাসধরে [শাম্নকম ওইরবা, থাকফম ওইরবা] শ্রুতিমণ্ডলে [নাকোংদা] কুণ্ড-লে [কুণ্ডল অনী, নায়িন অনী] নিবেশয় [হাপ্লিয়ু, শিজিনবিয়ু ॥১৯॥

অনুবাদ :—হে ফিজেৎ ফজরবা ইবুংঙো! মীৎ শজিগী ইথক হৌবগী থাদোক্লকম ওইরবা হায়বদি ঐগী যজরবা নাকোং অসি

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ভ্রমরচয়ংরচয়ন্তমুপরিরুচিরংসুচিরংমমসন্মুখে।
জিতকমলেবিমলেপরিকর্ম্ময়নর্ম্মজনকমলকংমুখে ॥২০॥
মৃগমদরসবলিতংললিতংকরুতিলকমলিকরজনীকরে।
বিহিতকলঙ্ককলংকমলাননবিশ্রমিতশ্রমশীকরে।২১॥

উরগা কনাগুম্বগী মীংচিনা মাসিবু থাদোক্না মাইকৈ অমরোমদা লৈথোক্না য়েংবা ওয়দ্রব', কামদেবগী লাংগী শান্নফম ওইরবঃ হায়বদি লাংথাকফম ওইরবা (কামদেবনা কনাগুম্ব যুবজন ওইরবা মীবু অরাবঃ পীগে হায়রবদি ঐ নাকোংদঃ লা' থাক্লফম ওই) নাকোংদা কুণ্ডল অনিদং শিজ্জিনবিউ ॥১৯॥

পদানুবাদ :—মম [ঐগী] সন্মুখে [ইমাংদ] উপরি [মায়মথক্ত লাইবক তারকপদা] সুচিরং [মতম কুইন'. মতম চংনা] রুচিরং [নিংথিজনা] ভ্রমরচয়ংরচয়ন্তং [খোইমু মপৈ তোংবগুম্না শেমজ-বক্লবা] জিতকমলে [থম্বালবু ওমজরবা] বিমলে [অমকপা লৈত্রবঃ] মুখে [মায়থোংসিদ] নর্ম্মজনকং [নোক্ল হায়নফম ওইরবা] অলকং [খোইখোয় তারবা শমজোইবু] পরিকর্ম্ময় [শেম্বিয়ু] ॥২০॥

অনুবাদ :—ঐগী ইমাংদা লাইবক মৎক্তা মতম কুইনা খোইমুমপৈ তোংবগুম্না ফজনা শেমজরক্লবা, থম্বালবু ওমজরবা, অমকপা লৈত্রবা মায়থোং অসিদা মীনা য়েংবদা নোক্ল হায়ননা ফজগদবা খোইখোয় তারবা শমজোইবু শেম্বিয়ু ॥১০॥

পদানুবাদ :—হে কমলানন [হে মায়থোংনা থম্বাল মান্নবা ইবুং-ঙো] বিশ্রমিত [হজ্জিনথ্রব', লেপথ্রবা] শ্রম [অরাবদগী পোকথ্রবা] শীকরে [হমাং লৈরিক্না] — বিশ্রমিতশ্রম শীকরে [অরাবদগী পোক-

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

মমরুচিরেচিকুরেকুরুমানদমনসিজ ধ্বজ চামরে।
রতিগলিতেললিতেকুসুমানিশিখণ্ডিশিখণ্ডকডামরে ॥২২॥

থ্রবা হুমাং লৈরিক্লা হজ্জিনথ্রবা] অলিক রজনীকরে [লাইবক থ
অসিদা] বিহিত [তৌবগুম্না] কলঙ্ককলং [মায়হিং মচেৎনা] — বিহিত
কলঙ্ককলং [মায়হীং মচেৎনা তৌবগুম্না] মৃগমদরসবলিতং [কস্তুরী
চন্দন মহীনা তৈহ্না] তিলকং [ময়িনাইনা থিনবা চন্দনবু] ললিতং
কুরু [নিংথিনা থিনবিয়ু] ॥২১॥

অনুবাদ :—মায়থোংনা থম্বাল মাল্লবা হে ইবুংঙো ! হুমাং শৌ-
রম্বদগী হুমাং লৈরিক হজ্জিনথ্রবা ঐগী লাইবক থা অসিদা অতিয়াদা
থোক্লিবা থাদা মায়হিং মচেৎনা লৈতেং ওইবগুম্না মৃগমদ চন্দনমহী-
না ময়ি নাইনা চন্দন ফজনা থিনবিয়ু ॥২১॥

পদানুবাদ :—হে মানদ [হে সন্মান পিবিরবা ইবুংঙো] মম
[ঐহাক্কী] মনসিজ ধ্বজ চামরে [কামদেবগী ফিরান্দা থেৎপা চামর-
গুম্নবা] রতিগলিতে [রতিক্রীড়াদা পুনবা নাম্থোক্লবা] শিখণ্ডিশিখ-
ণ্ডকডামরে [রাহোং মতুবু হেন্না ফজরবা] ললিতে [অনুরাগ পোক-
হল্লবা] রুচিরে [ফজরবা] চিকুরে [থোইথোয় তারবা শম মরক্তা]
কুসুমানি [লৈ ময়াম্বু] কুরু [থেৎপিয়ু] ॥২২॥

অনুবাদ :—হে সন্মান পিবিরবা ইবুংঙো ! কামদেবগী ফিরান্দা
থেৎপা চামরগুম্না চুম্না শাংনা তারবা, অদুগা রতিক্রীড়াদা পুল্লম্বদগী
কায়থ্রবা, রাহোং মতুবু ঙমজনা মুথ্রবা থোইথোয় তারবা শমজোই
শিংসিগী মরক্তা লৈ ময়াম থেৎচিনবিয়ু ॥২২॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সরসঘনেজঘনেমমশম্বরদারণবারণকন্দরে ।
মণিরসনাবসনাভরণানিশুভাশয়বাসয়সুন্দরে ॥২৩॥
শ্রীজয়দেববচসিজয়দেহৃদয়ং সদয়ং কুরুমণ্ডনে ॥
হরিচরণস্মরনামৃতকৃতকলিকলুষজ্বরখণ্ডনে ॥২৪॥

পদানুবাদ ঃ—হে শুভাশয় [হে পুকচেল ফজরবা ইবুংঙো] মম (ঐহাক্কী) সরসজঘনে (নিংথিনা নোয়রবা) শম্বর দারণ বারণ (কাম দেবগী মশক ওইরবা শামুগী) কন্দরে (শান্নবা চীংগী লোকচপ ওইরবা) সুন্দরে জঘনে (ফজরবা কৈবোমমরু অনিগী কারক্তা, খোইদৌ মথ দা) মণিরসনা বসনা আভরণানি (খাংগোয়নে, ফীনে, লৈতে ময়ামে) বাসয় (শিজিন্‌বিউ, ॥২৩॥

অনুবাদ ঃ—হে পুকচেল ফজরবা ইবুংঙো ! ঐগী নিংথিজনা নোয়রব, কামদেবগী মশক ওইরবা শামু লমশাগী শান্নফম চীংগী লোকচপকী মশক ওইরবা, খোইদৌমখা কৈবোম মরু অনীগী কা-রক্ত নিংথিজরবা খাংগোয়নে, ফীনে, লৈতেং পুন্নমক্কে শিজিন-বিরো ॥২৩॥

পদানুবাদ ঃ—হে ভক্ত (হে ভক্ত) ত্বং (নহাক্না) মণ্ডনে (লৈতেংগী মশক ওইরবা) জয়দে (মঙ্গল পীনরবা) হরিচরণ স্মরণামৃত (হরি চরণ নিংশিংবা অমৃতনা নম্রগা হিদাক্না) কৃতকলি (কলিগী মতমদা তৌরব) কলুষজ্বর খণ্ডনে (পাপকী লাইথুং কোক্রব হায়বদি কাম, ক্রোধ, লোভনচিংবা কোক্রবা) শ্রীজয়দেব বচসি (শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা ঈশৈশিদ) হৃদয়ং (থম্মোইদুনা) সদয়ং কুরু (থৌজানবিয়ু, হায়বদি পামশিনবিয়ু) ॥২৪॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

রচয়কুচয়োঃপত্রংকুরুষ্ব কপোলয়োঃ
ঘটয়জঘনেকাঞ্চীমঞ্চস্রজা কবরীভরম্।
কলয়বলয়শ্রেণীং পাণৌ পদেকুরুনূপুরা-
বিতিনিগদিতঃপ্রীতঃপীতাম্বরোঽপিতথাকরোৎ ॥২৫॥

অনুবাদ ঃ— হে ভক্তশা! নখোয় পুন্নমক্লা লৈতেংগী মশক ওইরবা, মঙ্গল পীনরবা, শ্রীহরিগী চরণ নিংশিংবা অমৃতনা (হিদাক্লা) কলিদা তৌবা পাপকী লাইথুং (কাম, ক্রোধনচিংবা) পুন্নমক কোক-হল্লবা, শ্রীজয়দেব কবিনা লেংবা ঈশৈ অসীদা পুক্নীং থম্বিয়ু হায়বদি শকপা তাবা পাম্বিয়ু ॥২৪॥

পদানুবাদ ঃ— কুচয়োঃ (থবাক্কী অতোংবা অনীদ) পত্রং (কস্তুরী চন্দনগী মপাকপু) রচয় (তৈবিরে) কপোলয়োঃ (খজাই অনীদ) চিত্রং (অয়াম্বা মচুনা য়েকপবু) কুরুষ্ব (তৌবিরো, য়েকপিরে) জঘনে (খোইদো মখাদা) কাঞ্চীং (খা গোই পরেংবু) ঘটয় (শিজিনবিরো) স্রজা (লৈপরেংনা) কবরীভরং (শম্বুন্দা) অঞ্চ (থেংচিনবিরে) পাণৌ (খুত্তা) বলয়শ্রেণীং (খুজী ময়াম্বু) কলয় (শিজিনবিরো) পদে (খোং-দা) নূপুরৌ (নূপুর অনী) কুরু (শিজিনবিরে) ইতি (মতৌ অসুন্না তৌদুনা) রাধয়ানিগদিতঃ (শ্রীরাধানা হায়রক্লবা) পীতাম্বরোঽপি (শ্রীকৃষ্ণহুনসু) প্রীতঃ (হরাউথুনা) তথা অকরোৎ (অদুম্নমক তৌখ্রে হায়বদি শ্রীরাধানা হায়রিবা অদু ইকায় কায়দনা তৌখ্রে) ॥২৫॥

অনুবাদ ঃ—হে ইবুংঙো! ঐগী কুচ অনী অসিদা কস্তুরী চন্দন তৈবিরে, চাইরুং অনীদা অয়াম্বা মচু য়েকপিরো, খোইদো মখাদা খাং শরীক শিজিনবিরো, লৈপরেংনা শমজীদা থেংচিনবিরে, খুত্তা

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

পর্য্যঙ্কক্রীতনাগনায়কফণাশ্রেণী মণীনাংগণে
সংক্রান্তপ্রতিবিম্বসম্বলনয়াবিভ্রদ্বিভুপ্রক্রিয়াম্।
পাদাম্ভোরুহধারিবারিধিসুতামক্ষ্ণাং দিদৃক্ষুঃশতৈঃ
কায়ব্যূহমিবাচরন্নুপচিত ভূতোহরিঃপাতুবঃ ॥২৬॥

থুঙ্গী ময়াম শিঙ্জিনবিরো, খোংদা নূপুর অনী শিহিরো অসুম হায়বা শ্রীরাধানা হায়জবসি তাবদা শ্রীকৃষ্ণন: হায়রিবত্নমক ইকায় কায়-দনা তৌখ্রে ॥২৫॥

পদানুবাদঃ—পর্য্যঙ্কীকৃত (ফমুং ওইত্ননা লৈরবা) নাগনায়ক (লিল নিংথৌগী. অনন্তগী) ফনাশ্রেণী-ণীনাংগণে (মতোক ময়ামদা লৈরবা মণি ময়ামদা) সংক্রান্ত প্রতিবিম্ব সম্বলনয়া (তাদূন লৈরবা মমিগা মরী থাংনবনা) বিভুপ্রক্রিয়াঃ বিভ্রৎ (শিন্থংনা লৈবা মতৌবু ওইগ্র-বা), অক্ষ্ণাঃ শতৈঃ (মীৎ চামনা) পাদাম্ভোরুহধারি বারিধি সুতাং (খোং থম্বাল পায়দূনা সবা তৌরিবী সমুদ্রগী মচানুপী শ্রীলক্ষ্মীবু) দিদৃক্ষুঃ (য়েংনীংলত্নন:) কায়ব্যূহং আচরন্ ইব (হকচাং মখল মখা য়াম্ন ওন্থোকপগুম্না) উপচিতীভূতঃ হরিঃ (চাউখৎলবা শ্রীকৃষ্ণসিন:) বঃ পাতু (নখোয় ময়াম্বু ঙাকপিরসন্নু) ॥২৬॥

অনুবাদঃ—ফৈদী কান্দুনা লৈরবা অনন্ত কৌবা লিনগী মথক্তা ফমুং ওইত্ননা চেপ্তুনা লৈবদা মতোক ময়ামদা লৈরিবা মণি ময়াম অত্নদা মমি তারুবনা শিন্থংনা লৈবা মতৌ ওইগ্রবা, খোং পায়দূনা সেবা তৌরিবী সমুদ্রনা পোক্লবী শ্রীলক্ষ্মীবু মীৎ চামনা য়েংনীংদূনা হকচাং মখল মখা য়াম্না ওন্থোকপগুম তৌত্ননা চাউখৎগ্রবা শ্রীকৃষ্ণ-সিনা নখোয় পুম্নমকপু ঙাকপিরসন্নু ॥২৬॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

ত্বামপ্রাপ্যময়িস্বয়ম্বরপরাংক্ষীরোদ তীরোদরে,
শঙ্কেসুন্দরিকালকূটমপিবন্মূঢ়োমৃড়ানীপতিঃ।
ইত্থংপূর্ব্বকথাভিরন্যমনসোনিক্ষিপ্যবক্ষোঽঞ্চলং,
পদ্মায়াস্তনকোরকোপরিমিলন্নেত্রোহরিঃপাতুবঃ ॥২৭॥

পদানুবাদ :—হে সুন্দরি (হে শক ফজরবী লক্ষ্মী); মূঢ়ঃ (পঙ্লব) মৃড়ানীপতিঃ (দূর্গাগী মপুরে ইবনা, মহাদেবনা) ক্ষীরোদতীরোদরে (ক্ষীরোদ সমুদ্রগী মপান্দ) ময়িস্বয়ম্বরপরাং (ঐঙোন্দা লৈপরেং হুক্কুনা বরিগ্রবী) ত্বাং অপ্রাপ্য (নহাকপু ফংদ্রহুনা) কালকূটং অপি (কালকূট কৌবা হুমকপুসু) অপিবৎ (থকখি হায়বা) ইতি (মাসি) শঙ্কে (ঐনা চিংনৈয়ে) ইত্থং (মতৌ অসুম্না) পূর্ব্বকথাভিঃ (মমাংদৈগী রারীনা) অন্যমনসঃ (ঙকহল্লবী) পদ্মায়াঃ (লক্ষ্মীগী) অঞ্চলং নিক্ষিপ্য (ফীজি হাইদোক্কুনা) স্তনকোরকোপরি (কুচ থম্বালঅপোম্বা মথক্তা) মিলন্নেত্রঃ (মীৎ থমগ্রবা) হরিঃ (শ্রীকৃষ্ণনা) বঃ পাতু (নংখোয়বু ঙাকপিসনু) ॥২৭॥

অনুবাদ :—হে শক ফজরবী লক্ষ্মী! পঙ্লবা মহাদেব কৌবা লাইনা ক্ষীরোদ সমুদ্র নৈবা মতমদ ঐঙোন্দা লৈপরেংহুক্কুন বরি-গ্রবী লক্ষ্মী নহাকপু ফংদ্রহুনা শাউহুনা কালকূট কৌবা হু থক্কুনা শিগে হায়দুনা থৌরাংখি, মাসি ঐহাক চিংনবা পোকই, অসিন-চিংবা হায়দুনা হৌগ্রবা রারী শাহুনা পুন্নীং লাংতক্লহল্লবী লক্ষ্মীগী ফীজি হাইদোক্কুনা কুচ থম্বাল অপোম্বা মানবা অনী অহুদা মীৎ থমগ্রবা শ্রীহরিনা নংখোয় পুম্নমকপু ঙাকপিসনু ॥২৭॥

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

যদ্গান্ধর্ব্বকলাসু কৌশলমনুধ্যানঞ্চ যদ্বৈষ্ণবং,
যচ্ছৃঙ্গারবিবেকতত্ত্বমপি যৎ কাব্যেষু লীলায়িতং।
তৎ সর্ব্বং জয়দেবপণ্ডিতকবেঃ কৃষ্ণৈকতাত্মনঃ,
সানন্দাঃ পরিশোধয়ন্তু সুধিয়ঃ শ্রীগীতগোবিন্দতঃ ।২৮॥

পদানুবাদ :—হে ভক্তাঃ (হে ভক্তশ) যৎ (+) গান্ধর্ব্ব কলাসু কৌশলং (সঙ্গীত বিদ্যাদা হৈশিংনীংলবা) যৎ (+) বৈষ্ণবং অনুধ্যানং (মফম পুম্নমক্তা শীন্থুংনা লৈবা শ্রীকৃষ্ণবু নীংগে হায়রবা) চ (অদুগা) শৃঙ্গার বিবেক তত্ত্বঃ (শ্রীরাধাকৃষ্ণগী রতিক্রীড়া শান্নবগী অশেংবনে হায়বদি উৎকণ্ঠ, বিপ্রলব্ধ, খণ্ডিত, সম্ভোগনচিংবগী অশেংবা মরম খঙ্নীংলবা) অপি (অদুগা) কাব্যেষু (রাসলীলানচিংবা লেংবদা) লীলায়িতং (ফজহন্নীংলবা) যৎ (+) যৎ (+) যৎ যৎ (+) তদা (অদু ওইরবদি) সানন্দাঃ (পামাশনবিরবা) সুধিয়ঃ (পণ্ডিতশিংনা) কৃষ্ণৈকতাত্মনঃ (শ্রীকৃষ্ণদা পুন্নীংথংগ্রব) জয়দেব পণ্ডিত কবেঃ (জয়দেব কৌবা লৌশিং লৈরবা কবিগী) শ্রীগীতগোবিন্দতঃ (শ্রীগীতগোবিন্দ কৌবা ঈশৈদগী) সর্ব্বং (পুম্নমক) পরিশোধয়ন্তু (খঙ্বিরসন্নু, চুমথোকপিরসনু) ॥২৮॥

অনুবাদ :—হে ভক্তশা! নংখোয়না সঙ্গীতবিদ্যাদা হৈশিংনীংলবা, মফম পুম্নমক্ত শিন্থুংনা লৈরবা শ্রীকৃষ্ণবু নীংগে হায়রবা, শ্রীরাধাকৃষ্ণগী সুরতলীলা শান্নবগী অশেংব মরম খঙ্গে হায়রবা, হায়বদি উৎকণ্ঠা, বিপ্রলব্ধনচিংবগী মরম খঙ্গে হায়রবা, অদুগা রাসলীলা নচিংবগী কাব্য লেংবদা ফজহন্নীংলবা অদু ওইরবদি হায়খ্রিবা মরম পুম্নমক অসিদা পামশিল্লবা পণ্ডিতশিংনা লৌশিং লৈরবা শ্রীজয়দেব কবিনা লেংলবা ঈশৈ অসিদগী খঙ্বিরসনু ॥২৮,

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

সাধ্বীমাধ্বীক চিন্তানভবতিভবতঃশর্করে কর্কশাসি,
দ্রাক্ষেদ্রাক্ষ্যন্তি কেত্বামমৃত মৃতমসিক্ষীরনীরংরসস্তে।
মাকন্দক্রন্দকান্তাধরধরণীতলংগচ্ছ যচ্ছন্তি যাদব
ভাবংশৃঙ্গারসারস্বতমিহজয়দেবস্যবিষ্বগ্বচাংসি ॥২৯॥

পদানুবাদ :—ইহ (তাইবংপানবা অসিদা) যাবৎ (+) জয়দেবস্য (শ্রীজয়দেব কবিগী) বিম্বক্বচাংসি (মফম পুন্নমক্তা শিন্থুংথ্র বা রাহৈ ময়াম অসিনা, ঈশৈ ময়াম অসিনা৷ শৃঙ্গার সারস্বতঃ ভাবং (শ্রীরাধা কৃষ্ণগী শান্নবগী ফজরবা রাহৈগী মতোবু) যচ্ছন্তি (পীরিভৈ) যাবৎ (+) তাবৎ –(অন্থক্কী মথৈ) হে মাধ্বীক (হে অথুম্বা মহী) ভবতঃ চিন্তা (নহাক্কী থুমই হায়বা রাথলহু) সাধ্বীনভবতি (অফবা ওইদ্রে) হে শর্করে (হে চিনি অঙৌবা) কর্কশাসি (অয়াকপা ওইরে) হে দ্রাক্ষে (হ দ্রাক্ষ) কে (কনা কনানা) ত্বাং (নহাকপু) দ্রক্ষ্যন্তি (য়েংবিগদগে) হে অমৃত (হে অমৃত) মৃতং অসি (নহাক শিরবনি) হে ক্ষীর (হে সঙ্গোম অনৌবা) নীরং তে রসঃ (ঈশিংনা নংগী নহাও ওইরবনি) হে মাকন্দ (হে হৈনৌ পাম্বী) ক্রন্দ (কপ্লো) হে কান্তাধর (হে ফজরবা চীনুবান) ধরণীতলংগচ্ছ (লৈমুংদা চংথরো) ॥২৯॥

অনুবাদ :—তাইবংপানবা অসিদা মফম পুন্নমক্তা শিন্থুংনা চৎথ্রবা শ্রীজয়দেব কবিগী ঈশৈ পুন্নমক অসীনা শ্রীরাধাকৃষ্ণগী শান্নবগী নীংথিজবা মতোবু পীরিভৈ মতম অসিদদি হে অথুম্বা ! নংনা ঐ থুমই হায়হুনা খনবত্ত, থুমদে হায়না নিংলো, হে চিনি অঙৌনা ! নহাক্কা অথুম্বা কোক্তুনা অয়াকপা ওনখরে, হে দ্রাক্ষা কৌবা উহৈ ! নহাকপু কনানসু অহাওবনি হায়দুনা য়েংবিদ্রে, হে সঙ্গোম

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

শ্রীভোজদেবপ্রভবস্য বামাদেবীসুতশ্রীজয়দেবকস্য
পরাশরাদিপ্রিয়বন্ধুকণ্ঠে শ্রীগীতগোবিন্দকবিত্বমস্তু ॥৩০॥

ইতি শ্রীজয়দেবকৃতৌ গীতগোবিন্দে মহাকাব্যে সুপ্রীত পীতাম্বরো
নাম দ্বাদশঃ সর্গঃ ॥১২॥

সমাপ্তমিদং কাব্যম্।

অনৌবা ! নংগী নহাওদি ঈশিং ইচম্ ওনখরে, হে ফজরবা চীন্‌বান !
নংবু ফজৈ হায়নদ্রে লৈহুংদা চংখরো ॥২৯॥

পদানুবাদ :—ভোজদেবপ্রভবস্য [শ্রীভোজদেবনা পোক্লবা] বামা-
দেবী সুত শ্রীজয়দেবকস্য [বামাদেবীগী মচানিপা শ্রীজয়দেবগী]
পরাশরাদি প্রিয়বন্ধুকণ্ঠে (পরাশরনচিংবা চান্নরবা মরুপশিংগী
ওক্তা) শ্রীগীতগোবিন্দ কবিত্বং অস্তু (শ্রীগীতগোবিন্দনা লৈতেং
ওইরসনু] ॥৩০॥

অনুবাদ :—শ্রীভোজদেবনা পোক্লবা বামাদেবীগী মচানিপা শ্রীজয়-
দেবগী পরাশরনচিংবা চান্নরবা মরুপশিংগী ওক্তা শ্রীগীতগোবিন্দনা
লৈতেং ওইরসনু ॥৩০॥

লোইরবা।

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi

CC0. In Public Domain, Digitizagtion by eGangotri

কোপী ১০০০

নম্ফম :—

ইণ্ডস্ট্রিয়েল প্রিণ্টিং ৱার্কস

Dr. Urmila Sharma Collection, Varanasi